ISSN : 2321-0443
UGC Care listed Journal

# ज्ञान गरिमा सिंधु

(त्रैमासिक पत्रिका)

(मणिपुरी भाषा विशेषांक )

अंक-76

अक्तूबर-दिसंबर 2022

# জ্ঞান গরিমা সিন্ধু

(থা অহুম খুদিংগী ফোঙবা চেফোঙ)

(মণিপুরি লোন্দা য়ুম্ফম ওইবা অখন্নবা চেফোঙ)

৭৬ শুবা খুৎনম

ওক্তোবর-দিসেম্বর-২০২২





**वैज्ञानिक तथा तकनीकी शब्दावली आयोग**

**शिक्षा मंत्रालय**

**(उच्चतर शिक्षा विभाग)**

**भारत सरकार**

**COMMISSION FOR SCIENTIFIC AND TECHNICAL TERMINOLOGY**
**MINISTRY OF EDUCATION**
**(DEPARTMENT OF HIGHER EDUCATION)**
**GOVERNMENT OF INDIA**

# ज्ञान गरिमा सिंधु

(त्रैमासिक पत्रिका)

(मणिपुरी भाषा विशेषांक )

अंक-76

**अक्तूबर-दिसंबर** 2022

# জ্ঞান গরিমা সিন্ধু

(থা অহুম খুদিংগী ফোঙবা চেফোঙ)

(মণিপুরি লোন্দা য়ুম্ফম ওইবা অখন্নবা চেফোঙ)

৭৬ শুবা খুৎনম

ওক্তোবর-দিসেম্বর-২০২২


**वैज्ञानिक तथा तकनीकी शब्दावली आयोग**

**शिक्षा मंत्रालय**

**(उच्चतर शिक्षा विभाग)**

**भारत सरकार**

**COMMISSION FOR SCIENTIFIC AND TECHNICAL TERMINOLOGY**

**MINISTRY OF EDUCATION**

**(DEPARTMENT OF HIGHER EDUCATION)**

**GOVERNMENT OF INDIA**

ज्ञान गरिमा सिंधु 'मानविकी और सामाजिक विज्ञान' की एक त्रैमासिक पत्रिका है। पत्रिका का उद्देश्य है- भारतीय भाषाओँ के माध्यम से विश्वविद्यालयी एवं अन्य छात्रों के लिए मानविकी और सामाजिक विज्ञान संबंधी उपयोगी एवं अद्यतन पाठ्य पुस्तकीय तथा संपूरक साहित्य की प्रस्तुति। इसमें वैज्ञानिक लेख, शोध-लेख, तकनीकी निबंध, शब्द-संग्रह, शब्दावली- चर्चा, पुस्तक समीक्षा आदि का समावेश होता है।

**लेखकों के लिए निर्देश-**

1. लेख की सामग्री मौलिक, अप्रकाशित तथा प्रामाणिक होनी चाहिए।
2. लेख का विषय मानविकी एवं सामाजिक विज्ञान विषयों से संबंधित होना चाहिए।
3. लेख सरल हों जिसे विद्यालय/ महाविद्यालय के छात्र आसानी से समझ सकें।
4. लेख लगभग 2000 से 3000 शब्दों का हो।
5. प्रकाशन हेतु विस्तृत जानकारी आयोग की वेबसाइट http://cstt.education.gov.in/ पर उपलब्ध है।

| पत्रिका का शुल्क: | भारतीय मुद्रा | विदेशी मुद्रा |
|---|---|---|
| सामान्य ग्राहकों/संस्थाओं के लिएप्रति अंक | Rs 14.00 | पौंड 1.64 डॉलर 4.84 |
| वार्षिक चन्दा | Rs 50.00 | पौंड 5.83 डॉलर 18.00 |
| विद्यार्थियों के लिए प्रति अंक | Rs 8.00 | पौंड 0.93 डॉलर 10.80 |
| वार्षिक चन्दा | Rs 30.00 | पौंड 3.50 डॉलर 2.88 |

**वेबसाइट :** www.cstt.education.gov.in
**कॉपीराइट : ©2022**
**प्रकाशक :**
वैज्ञानिक तथा तकनीकी शब्दावली आयोग
शिक्षा मंत्रालय,भारत सरकार
पश्चिमी खंड -7 ,रामकृष्णपुरम,
नई दिल्ली - 110066

**बिक्री हेतु पत्र-व्यवहार का पता :**
प्रभारी अधिकारी, बिक्री एकक
वैज्ञानिक तथा तकनीकी शब्दावली आयोग,
पश्चिमी खंड -7, रामकृष्णपुरम,
नई दिल्ली-110066
टेलीफोन - (011) 20867172
फैक्स - (011) 26105211/246

**बिक्री स्थान :**
प्रकाशन नियंत्रक, प्रकाशन विभाग
भारत सरकार,
सिविल लाइन्स, दिल्ली-110054

पत्रिका में व्यक्त विचार लेखकों के अपने हैं। इनसे संपादक मंडल की सहमति आवश्यक नहीं है।

## From the desk of Chairman

CSTT is proud to present the 76th Manipuri Special *Gyan Garima Sindhu* issue of, featuring a special collection of articles in the Manipuri language. These were presented during a seminar on "NEP 2020 and Higher Education through Indian Languages" held on 5–6 December 2022, which gathered experts, academicians, and researchers.

This issue highlights the vital role of regional languages in academia and supports CSTT's ongoing mission to promote higher education in Indian languages. The contributions explore diverse themes—from pedagogy and policy to curriculum and terminology development—showcasing the richness and potential of Manipuri language (Meiteilon) in higher education.

To ensure wider accessibility, each article includes a Hindi summary, promoting interlingual dialogue and inclusivity.

I extend my heartfelt thanks to the editorial board members for their meticulous efforts in curating and refining the content of this special issue. I am also deeply grateful to Manipur University for its generous collaboration and support in organizing the seminar and facilitating the compilation of these scholarly contributions.

I thank all contributors whose efforts made this publication possible. May this issue inspire further initiatives to advance Indian languages in education and strengthen our multilingual knowledge society.

(Prof. Dhananjay Singh)

Chairman

## अध्यक्ष की लेखनी से

आयोग को ज्ञान गरिमा सिंधु के 76वें मणिपुरी भाषा विशेषांक को प्रस्तुत करते हुए गर्व का अनुभाव हो रहा है, जिसमें मणिपुरी भाषा में लेखों का एक विशेष संकलन शामिल है। प्रस्तुत लेख 5–6 दिसंबर 2022 को आयोजित "नई शक्षा नीति 2020 एवं मणिपुरी भाषा में उच्च शिक्षा" विषयक संगोष्ठी के दौरान प्रस्तुत किए गए थे, जिसमें अनेक विषय-विशेषज्ञों, शिक्षाविदों और शोधकर्ताओं ने भाग लिया।

यह अंक शैक्षिक जगत में क्षेत्रीय भाषाओं की महत्वपूर्ण भूमिका को रेखांकित करता है और भारतीय भाषाओं में उच्च शिक्षा को प्रोत्साहित करने के आयोग के सतत् अभियान को आगे बढ़ाता है। इस अंक में शिक्षण विधियों, नीतियों, पाठ्यक्रम निर्माण और पारिभाषिक विकास जैसे विविध विषयों पर लेख प्रस्तुत किए गए हैं, जो उच्च शिक्षा में मणिपुरी (मैतेई) भाषा की समृद्धि और संभावनाओं को उजागर करते हैं।

पाठकों की व्यापक पहुँच सुनिश्चित करने के लिए प्रत्येक लेख के साथ हिंदी में सारांश भी प्रस्तुत किया गया है, जिससे भाषायी संवाद और समावेशिता को बल मिलता है।

इस विशेषांक की सामग्री के संयोजन और परिष्करण में सूक्ष्म एवं सराहनीय प्रयासों के लिए संपादकीय बोर्ड के सदस्यों के प्रति हार्दिक धन्यवाद ज्ञापित करता हूँ। मैं मणिपुर विश्वविद्यालय के प्रति भी अपनी गहरी कृतज्ञता व्यक्त करता हूँ, जिन्होंने संगोष्ठी के आयोजन एवं इन विद्वतापूर्ण लेखों के संकलन में सहयोग एवं समर्थन प्रदान किया।

हम उन सभी लेखकों का हार्दिक आभार व्यक्त करते हैं जिनके प्रयासों से यह प्रकाशन संभव हो सका। आशा है कि यह विशेषांक भारतीय भाषाओं को शिक्षा के क्षेत्र में और अधिक सशक्त बनाने की दिशा में नई पहलों को प्रेरित करेगा तथा हमारे बहुभाषी ज्ञान समाज को और मजबूत करेगा।

(प्रो. धनंजय सिंह)
अध्यक्ष

# Editorial

This special issue is a compilation of articles written in the Manipuri language, received from the seminar titled *"NEP 2020 and Higher Education through Indian Languages"* held in December 2022. The event was not merely an academic discussion, but a powerful assertion of the fact that Indian languages like Manipuri are not only carriers of cultural expression but also fully capable of knowledge dissemination, research, and innovation.

*Gyan Garima Sindhu* has emerged as a platform where regional voices take center stage and India's linguistic diversity enriches academic discourse. This issue showcases the meaningful contributions of Manipuri scholars on themes such as education policy, mother tongue-based technical instruction, linguistic coordination, and library science—reflecting a strong commitment to both linguistic identity and the national educational landscape.

The featured articles address critical topics such as science and technical education in the mother tongue, the place of Manipuri in Assam's education policy, the contribution of NEP 2020 to Manipuri language and literature, the challenges posed by limited resources, the role of digital platforms like the National e-Vidhan Application (NeVA) in promoting linguistic integration, and evolving approaches to literature education and bibliographic scholarship.

To ensure broader accessibility and promote inter-regional understanding, each article is accompanied by a Hindi summary. This initiative aligns with CSTT's continuous efforts to foster dialogue and cooperation among Indian languages.

Heartfelt gratitude is extended to all the authors, translators, seminar participants, and editorial collaborators, with special thanks to Prof. N. Aruna Devi, Prof. Ch. Ibohal Singh, Prof. I. Vijay Lakshmi, Dr. Ch. Rajketan Singh, and Shri Ningombam Nando Singh for their invaluable contributions in editing, reviewing, and translating the summaries.

*Gyan Garima Sindhu* is not merely a publication, but a symbol of our collective commitment to linguistic democracy, academic decentralization, and knowledge self-reliance. We hope this issue will inspire further research, dialogue, and policy initiatives in higher education through Indian languages.

(Chakpram Binodini Devi)
Assistant Director (S)

# संपादकीय

यह विशेषांक मणिपुरी भाषा में लिखे गए उन शोध आलेखों का संकलन है, जो दिसंबर 2022 में आयोजित *"नई शिक्षा नीति 2020,मणिपुरी भाषा में उच्च शिक्षा"* संगोष्ठी से प्राप्त हुए। यह आयोजन मात्र एक अकादमिक विमर्श नहीं, बल्कि यह स्पष्ट संकेत था कि मणिपुरी जैसी भारतीय भाषाएँ सांस्कृतिक अभिव्यक्ति के साथ-साथ ज्ञान-विस्तार, अनुसंधान और नवाचार की भी पूर्ण क्षमता रखती हैं।

*ज्ञान गरिमा सिंधु* एक ऐसा मंच बनकर उभरा है जहाँ क्षेत्रीय भाषाओं के स्वर प्रमुखता से गूंजते हैं और भारत की भाषिक विविधता अकादमिक विमर्श को नई दिशा प्रदान करती है। यह अंक दर्शाता है कि मणिपुरी विद्वान शिक्षा नीति, मातृभाषा में तकनीकी शिक्षण, भाषिक समन्वय, पुस्तकालय विज्ञान आदि विषयों पर गंभीर चर्चा कर रहे हैं—जो न केवल भाषाई पहचान को सुदृढ़ करता है, बल्कि राष्ट्रीय शैक्षिक परिदृश्य को भी समृद्ध करता है।

प्रमुख लेखों में मातृभाषा में विज्ञान एवं तकनीकी शिक्षा, असम की शिक्षा नीति में मणिपुरी का स्थान, राष्ट्रीय शिक्षा नीति 2020 का योगदान, संसाधनों की सीमाएँ, डिजिटल संसाधनों (जैसे एन ई वी ए) की भूमिका, साहित्य शिक्षण की समस्याएँ और ग्रंथ सूची में मणिपुरी की उपस्थिति जैसे विविध विषय शामिल हैं।

पाठकों की भाषिक विविधता को ध्यान में रखते हुए प्रत्येक लेख के साथ हिन्दी सारांश भी प्रस्तुत किया गया है, जिससे यह अंक अधिक व्यापक रूप से संप्रेषित हो सके और अंतर-क्षेत्रीय समझ को बल मिले। यह सीएसटीटी के उन सतत प्रयासों का अंग है, जो भारतीय भाषाओं के मध्य समन्वय और संवाद को प्रोत्साहित करते हैं।

इस विशेषांक से जुड़े सभी लेखकों, अनुवादकों, संगोष्ठी प्रतिभागियों और संपादकीय सहयोगियों का हार्दिक आभार। विशेष धन्यवाद प्रो. न. अरुणा देवी, प्रो. च. इबोहल सिंह, प्रो. इ. विजय लक्ष्मी, डॉ. चि. राजकेतन सिंह और श्री निंगोम्बम नंदो सिंह को, जिनका संपादन, समीक्षा और अनुवाद में योगदान इस अंक की गुणवत्ता में विशेष वृद्धि लाया है।

*ज्ञान गरिमा सिंधु* केवल एक प्रकाशन नहीं, बल्कि भाषिक लोकतंत्र, अकादमिक विकेंद्रीकरण और ज्ञान-स्वराज्य के प्रति हमारी सामूहिक प्रतिबद्धता का प्रतीक है। आशा है यह विशेषांक भारतीय भाषाओं में उच्च शिक्षा और अनुसंधान को नई दिशा देगा।

**( चकप्रम बिनोदिनी देवी)**
**सहायक निदेशक (विषय)**

# संपादन मंडल


**प्रधान संपादक**

प्रोफेसर धनंजय सिंह
अध्यक्ष

**संपादक**

श्रीमती चकप्रम बिनोदिनी देवी
सहायक निदेशक

**सह-संपादक**

श्री इन्द्रदीप सिंह
सहायक वैज्ञानिक अधिकारी(वाणिज्य)

## समीक्षा एवं संपादन समिति

**प्रो. नहाकपम अरुणा देवी**

मणिपुरी विभाग, मणिपुर विश्वविद्यालय, कंचीपुर, मणिपुर

**प्रो. चरोबम इबोहल सिंह**

विभागध्यक्ष, पुस्ताकालय और सूचना विज्ञान विभाग, मणिपुर विश्वविद्यालय, मणिपुर

**प्रो. एलांगबम विजय लक्ष्मी**

हिंदी विभाग, मणिपुर विश्वविद्यालय, मणिपुर

डॉ. चिरोम राजकेतन सिंह सहायक प्रोफेसर, मणिपुरी विभाग, मणिपुर विश्वविद्यालय, मणिपुर

## तकनीकी सहयोग

**श्री निंगोम्बम नंदो सिंह**

अनुसंधान छात्र, मणिपुरी विभाग, मणिपुरी विभाग, मणिपुर विश्वविद्यालय,मणिपुर

# চীফ এদিটর

প্রো. ধননজয় সিংহ

অধ্যক্ষ

## এদিটর

চকপ্রম বিনোদিনী দেবী

সহায়ক নিদশক

### সব-এদিটর

শ্রী ইন্দ্রদীপ সিংহ

সহায়ক বৈজ্ঞানিক অধিকারী

## এদিটোরিয়েল বোর্দ মেম্বর

**প্রো. নহাকপম অরুনা**

ফোর্মর দীন, স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

**প্রো. চরোইবম ইবোহল সিংহ**

হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট. লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্স , মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

**প্রো. এলাংবম ৰিজয় লক্ষ্মী**

দিপার্টমেন্ট ওফ হিন্দী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

**ডা চিরোম রাজকেতন**

এসোসিয়েট প্রোফেসর, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

## অথন্ননা তেংবাঙলিবা

**শ্রী নিংঙোম্বম নন্দো সিংহ**

রিসর্চ স্কোলর, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর

# अनुक्रमाणिका


| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. | अध्यक्ष की लेखनी से | | ii |
| 2. | संपादकीय | | iv |
| 3. | संपादन  मंडल एवं समन्वय | | vi |
| 4. | अनुक्रमाणिका | | viii |
| 5. | मातृभाषा में विज्ञान, गणित और तकनीकी शिक्षा – चुनौतियाँ और लाभ | प्रोफेसर सौगायजम दोरेन्द्रजित सिंह | 1 |
| 6. | असम की उच्च शिक्षा-नीति में मणिपुरी | प्रोफेसर एच. ननीकुमार सिंहा | 3 |
| 7. | मणिपुरी भाषा और साहित्य के विकास में नई राष्ट्रीय शिक्षा नीति 2020 का योगदान | डॉ. वाहेङबम कुमारी चनु | 7 |
| 8. | मणिपुर में शिक्षा के क्षेत्र में साधनों का अभाव तथा भाषाओं की उपयोगिता और चुनौतियाँ | डॉ. हन्जबम सुरमंगल शर्मा | 10 |
| 9. | प्राचीन मणिपुरी भाषा के माध्यम से उच्च शिक्षा में साहित्य-शिक्षण की समस्या | सुश्री सिनाम चाओतोन सिंह एवं वाहेङबम कमला देवी | 16 |
| 10. | विभिन्न भाषा-भाषी समुदायों में आपसी संपर्क एवं उनमें एकता स्थापित करने में नेशनल -ई विधान एप्लिकेशन (एन ई वी ए) का दायित्व | सुश्री लाइसङबम रिना देवी | 21 |
| 11. | उच्च शिक्षा एवं क्षेत्रीय भाषाएँ एन ई पी 2020 के विचार दर्शन | डॉ. कोइजम सोबिता देवी | 27 |
| 12. | एन ई पी 2020 के अनुसार उच्च शिक्षा के लिए मातृभाषा का प्रयोग | सुश्री निङोम्बम इरोशनी | 30 |
| 13. | भारत में उच्च शिक्षा में क्षेत्रीय भाषाओं के प्रयोग में आने वाली चुनौतियाँ और समस्याएँ: एन. ई. पी. २०२० की संक्षिप्त समीक्षा | डॉ. राजकुमारी सोफिया देवी एवं प्रोफेसर सीएच. इबोहल सिंह | 33 |
| 14. | राष्ट्रीय शिक्षा नीति 2020 के संदर्भ में उच्च शिक्षा में पुस्तकालयों के बदलते आयाम | डॉ. कैशाम संगीता एवं जी. कचमगाइल्यू | 41 |
| 15. | चयनित सारगर्भित आलेखों में क्षैत्रीय भाषाओं का स्थान: ग्रंथ सूची की दृष्टि से | श्री ज्ञानजीत युमनाम एवं प्रोफेसर सीएच. इबोहल सिंह | 46 |
| 16. | भाषा, मातृभाषा, मैतैलोन एवं नई शिक्षण पद्धति का स्वरूप | डॉ. एन सनातोम्बा सिंह | 56 |
| 17. | मणिपुरी भाषा, साहित्य एवं हमारा कर्तव्य | डॉ. के बिमोला देवी | 61 |
| 18. | लेखकों का विवरण | -- | 68 |

# য়াউফম তাকপা


| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. | **From Chairman's Desk** | | ii |
| 2. | **Editorial** | | iv |
| 3. | **Editorial and Coordination Committee** | | vi |
| 4. | য়াউফম তাকপা | | viii |
| 5. | ইমালোন্দা চুন্নৌশিং, অঙ্ক অমসুং শিনশারোল তম্বিবাঃ শীংনবা অমদি খুদোংচাবা | প্রো শৌগাইজম দোরেন্দ্রজিৎ সিংহ | 1 |
| 6. | আসামগী অৱাংবা থাক্কী শিক্ষানীতিদা মণিপুরী | প্রো. ঐচ ননী কুমার সিংহা | 3 |
| 7. | মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্য চাওখৎহনবদা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী থৌদাং | ডা ৱাহেংবম কুমারী চনু | 7 |
| 8. | মহৈ-মশিংগী হীরমদা মণিপুরগী মচাক মরলদা শোত্থরিবা লোনশিংগী কান্নরক্লীংঙাই অমসুং মায়োক্লগদবশিং | ডা হঞ্জবম সুরমঙ্গোল শর্ম্মা | 10 |
| 9. | হয়ার এদুকেসন্দা অরিবা মণিপুরী লোনগী সাহিত্য তম্বিবগী সমস্যা | সিনাম চাওতোন সিংহ অমসুং ৱাহেংবম কমলা দেবী | 16 |
| 10. | তোঙান-তোঙানবা মমালোন ঙাঙবা ফুরুপশিংবু পাউ ফাওদোক্লহন্দুনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা নেসনেল ঈ-ভিধান এপ্লিকেসন (নেভা) না লৌরিবা থৌদাং | লাইসংবম রিনা দেবী | 21 |
| 11. | হায়র এদুকেসন অমদি লমদমদুগী লোনঃ এন ই পি ২০২০ গী ৱাখল্লোন | ডা কোইজম সোবিতা দেবী | 27 |
| 12. | এন ই পি ২০২০ দা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বদা ইমালোন শীজিন্নবা | নিংঙোম্বম ইরোশিনি | 30 |
| 13. | ভারত্তা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বদা মমালোন শীজিন্নবদা থেংনরিবা ইস্যুশিং অমসুং শীংনবশিংঃ এন ই পি ২০২০ গী মীৎয়েংদগী | ডা আর. কে. সোফিয়া দেবী অমসুং প্রো. সিঐচ. ইবোহল সিংহ | 33 |
| 14. | এন ই পি ২০২০ না হায়র এদুকেসনগী লাইব্রেরিদা হোংহল্লক্লিবা মশক | ডা কৈশাম সঙ্গিতা দেবী অমসুং জি. কচমগাইলু | 41 |

| | | | |
|---|---|---|---|
| 15. | খনগৎলবা স্কোলরলি আর্টিকলশিংদা রিজনেল লেঙ্গুয়েজগী মফম- বিব্লিওমেট্রিক্কী মীৎয়েংদা | গ্যানাজীৎ যুম্নাম অমসুং প্রো. সিঐচ. ইবোহল সিংহ | 46 |
| 16. | লোন, ইমারোল, মীতৈলোন অমসুং অনৌবা লাইরিক মতম্বীগী হোংলক্লিবা য়াওল | ডা এন সনাতোম্বা সিংহ | 56 |
| 17. | মণিপুরী লোন, খোরিরোল অমসুং ঐখোয়গী থৌদাং | ডা কে বিমোলা দেবী | 61 |
| 18. | অইবশিংগী শক্তাক ৱারোল | -- | 68 |

# ইমালোন্দা চুঙ্লৌশিং, অঙ্ক অমসুং শিনশারোল তম্বিবাঃ শীংনবা অমদি খুদোংচাবা

প্রো শৌগাইজম দোরেন্দ্রজিৎ সিংহ

# मातृभाषा में विज्ञान, गणित और तकनीकी शिक्षा – चुनौतियाँ और लाभ

प्रोफेसर सौगायजम दोरेन्द्रजित सिंह

*सारांश:*

*विद्याथियों के लिए मातृभाषा में शिक्षा सर्वाधिक ज्ञानवर्धक हो सकता है।विज्ञान, गणित और तकनीकी शिक्षा मातृ भाषा में देने के लिए पुस्तकें अभी नहीं के बराबर लिखी गई हैं। इन की पठन-पाठन के लिए मैतैलोन की पारिभाषिक शब्दावली में लिखना आसान काम नहीं है। चुनौतियों को स्वीकार कर पारिभाषिक शब्दावलियों का निर्माण किया जाए, तो बच्चों तथा विद्यार्थियों के लिए पठन-पाठन में सुविधा होगी और भली-भाँति समझ सकेंगे।*

## *ৱাহৌদোক*

মৈতৈলোন হায়বা লোন অসি মণিপুরগী তম্পাকলমদা লৈরিবা মীশিংগী ইমারোলনি। চীংগী লমদা থায়নদগী খুন্দা-দুনা লৈরিবা দাইলেগ কয়াদা ঙাঙলিবা চীংমীশিংগী মরক্তা অমদি চীংমী-তম্মী অনীগী ফাওনলোন ওইরিবা লোন মৈতৈলোন অসিবু মণিপুরী লোন হায়না খঙনরে। মণিপুরদা লাইরিক তম্বা হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবা স্কুলগী থাক্তা মহৈরোয়শিংনা মণিপুরী লোন্দা ইবা তম্ন-লাইরিকশিং শীজিন্নদুনা লাকই। ঙসিদগী চাউরাক্লা চহী ৩৫ গী মতমদগী তম্পাক্কী লমশিংদা ইংলিশ লোন্দা তম্বিবা লনাইগী স্কুল য়াম্না লিংখৎনরক্কুনা লাকখি। অদুম ওইনমক সরকারগী স্কুলদদি তম্পাক্তনা মণিপুরী মরকখন (মেদিয়ম) অমসুং চীংদনা ইংলিশ মরকখন্দা লাইরিক তম্লি। হৌজিক্কী ওইনা শেম্লোক মরাঙ কায়দবা মমা মপাগী মচাশিংনা সরকারগী মহৈ তম্ফমশঙদা মণিপুরী মরকখন্দা ইবা তম্ন-লাইরিক শীজিন্নদুনা তম্নরি। অদুগা অয়াম্বা অঙাংশিংনা তম্পাকল-মদা ইংলিশ মরকখন্দা তাকপিবা লনাইগী স্কুলশিংদা মহৈ-মশিং তম্নরি। মচা ফহন্নীংবদগী অৱা-অনা কয়া মায়োক্লরবসু চরা নোংখন্নরবসু ইংলিশ স্কুলদা থানবা হোৎনরি। তাঞ্জাসিদা অঙাংশিংবু মওং-মরিল চুম্না তম্বিনবা, মতিং লৈবা মীশক ওইরক্নবা করন্না শেমগৎসিগে হায়না নৈনবা তঙায়ফদে।

## *ইমালোন্দা তম্বিবা*

ভারত লৈঙাক্লা লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল-২০২০ (এন ই পি ২০২০) কৌবা মহৈ তমজনবা অমদি তাকপি-তম্বি-নবগী অনৌবা চৎনলোন অমা পুথোরক্লে। অখণ্ড-অহৈ কয়ানা থৌশিল অসিগী অফ-ফত্ত নৈনরি। লৈঙাক্লা পীবা য়াথং অমদি পাউতাক তুংইন্না ষ্টেট অয়াম্বদা চৎনবা হৌরক্লি। খরা অমনা চৎনখিরোই হায়রি। মণিপুরদা এন ই পি ২০২০ চৎনবা হৌখ্রে। মীপূম তিংনা মতিং লৈবা মহৈ-মশিং ফংহনবদা, শেলথুমগী থাক ৱাংখৎহনবদা, চুঙ্লৌশিংবু (সাইন্স) য়াঙখৎহনবদা, লৈবাক্কী অমত্তা ওইববু অমসুং চৎনবীবু ঙাকপদা মহৈ-মশিংনা শোজে ওই হায়বসি মহৈ-মশিংগী থৌশিল খূদিংদা হায়রবা লোন হায়রবা, মীপূম তিংনা য়ানরবা ৱাফম অমনি। হান্নদগী চৎনদুনা লাক্লিবা লোন অহুমগী শূপ্তাক (ফোর্ম্যুলা) মখা তানা চথখি-গনি হায়রবসু য়ামদ্রবদা থাক ৫ (ক্লাস মঙাশুবা) ফাওবদি, অদুবু হেন্না ফবদি থা ৮ ফাওবদি মমালোন/ অদুৱায়দগী লোন/ মফমদুগী লোন্দা তম্বিগদবনি হায়না এন ই পি ২০২০ দা ফোঙদোক্লি। লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল ২০২০ চৎনরকপগা ঈৱোয়ননা ঐখোয়গী ইরমদমদা মহৈ-মশিং তম্বি-তাকপিবদা থেংনরিবা খুদোংচাবা অমদি খুদোংথীবা অনীমক লৈগনি।

## *শীংনবা*

চুঙ্লৌশিংগী মরুওইবা মচং ওইবা পথাপ/কাঙলোন (লো) অসি অতোপ্পা লৈবাক্কী চুঙ্লৌলোয়শিংনা (বৈজ্ঞানিকশিং) পুথোকপা ওইবনা নৈনচলদা (সবজেক্ট) দা শীজিন্নরিবা টর্মিনোলোজি অসি মৈতৈলোন্দা ইথোকপদা অৱাবা অমা ওইরি। ইমা-রোলদা চুঙ্লৌশিং, অঙ্ক অমসুং শিনশারোল (টেক্নোলোজি) গী টর্মিনোলোজি হন্দোকপা ঙমদবনা অয়াম্বনি। হান্না ইমারোলদা লৈজরম্বা ৱাহৈগা চূনবা খরদি ফংবা ঙমই মদু টর্মিনোলোজিনি হায়না ওস্লোকপা য়ারি। অখণ্ড-অহৈ ময়াম অমা ফম্মিন্নরগা অনৌবা ৱাহৈ শেম্লগা টর্মিনোলোজি শেমগৎপা য়াই। তৌবতবু নৌনা শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং অসি তম্বিগদৌরিবা শিন্তাকলোয়-শিংদা খঙহন্নবা ৱার্কশোপ/ সেমিনার কয়া পাঙথোকপা তঙায়ফদে। মদু পাঙথোক্লবা মতুংদা ফজনা তাকপি-তম্বিবা ঙমগ-দৌরিবনি। হান্না লৈজরম্বা ৱাহৈবু টর্মিনোলোজি ওইনা শীজিন্নবগী খূদম খরদং পীজরি।

১) cube- থাংজি

২) constant- লেপশিং/লেঙদশিং

৩) circle- লৈকোয়
৪) coupling- পাবোৎনবা
৫) line- লৈই
৬) volume- লমগন
৭) speed- খোঙজেল
৮) energy- মতীক
৯) mass- পোৎচঙ/পোৎচাক
১০) rainbow- চুমথাঙ
১১) superposition- লোন্নবা
১২) wave- ঈথক
১৩) sound- খোঞ্জেল
১৪) force- শাফু/হোংইন
১৫) umbra- পূংমম
১৬) microbes- হীংকুপ
১৭) solid- মকন/ মপং
১৮) orbit- লিক্লম
১৯) index- খঙনতাক/থিন্তাক/শীংতাক

তোঙান-তোঙানবা সবজেক্টশিংগী টর্মিনোলোজি শেম্বগী তঙায়ফদবা লৈরকই। শেম্লিবা অনৌবা ৱাহৈশিং অসিনা অরো-ইবনি হায়বদি লৈতে। নৌনা শেম্লুরিবা ৱাহৈদু অনৌবা ফজবা ৱাহৈ লৈরবা মতমদা শীন্দোকপা তারকই। অসুম্না ৱাহৈ শীংবুন ময়াম অমা শেমগৎপসি লোন চাওখৎহনবগী শরুক অমসু য়াওরিবনি। অশেম্বা টর্মিনোলোজি খরা মখাদা পীজরি।

১) Physics- পোত্তীকলোন/ পোৎলোন ২) Chemistry- মচাকলোন/ পোৎশারোল
৩) Science- চুম্লৌশিং
৪) Visible Spectrum- মচুথেল
৫) Electromagnetic Spectrum- ইলেক্ট্রোমেগ্নেটিক তীকথেল
৬) Network- শন্নশিল্লম
৭) Centre- য়ায়তোম
৮) Axis- উংজৈ
৯) Frequency-তোয়চাং
১০) Gravity- লৈচিং
১১) Efficiency-পাঙমচাং
১২) Monograph- তোমকুপনৈ
১৩) Conduction- থেংনশন্দোক
১৪) Chord- শোইতুপ
১৫) Fuction- থৌপান/লৈয়েক
১৬) Identity- মাঞ্জরবারা/শক্তাকপা ১৭) Infinite- শিংলেপ্তবা
১৮) Integral- পুঙহনৱা
১৯) Inertia- হোংফা
২০) Intrinsic- অথুপ্পা
২১) Matrix- শিত্তম

অসুম্না ইরকপদা হান্নদগী চৎনরিবা অতোপ্পা লোনগী টার্মশিং অদুম শীজিন্নদবা য়াদবসু য়াম্না লৈরি। খূদম ওইনা, কেমিষ্ট্রিগী/মচাকলোনগী পেরিওদিক টেবলদা য়াওরিবা এলিমেন্টশিং অয়াম্বনা হোংলোই। এটোম, মোলিক্যুল, ইলেক্ট্রোন, প্রোটোন, ন্যুট্রোন (শন্না এলিমেন্টরি পার্টিকলশিং) মপং ওইবা পোত্তীকলোন্দা শীজিন্নরিবা ক্বাশিপার্টিকলশিং (ফেনোন, পোলারোন, এক্সাইটোন, মেগ্নোন, গ্রেটোন...), ক্বান্টম থিওরি অসিনচিংবা ময়াম, অঙ্ক অমসুং চুম্লৌশিংদা শীজিন্নরিবা গ্রীক ময়েকশিং, কেমিকেল শূপ্তাক (ফোর্ম্যুলা), থিওরিগী মমিংশিং হোংদোক্তনা থমগনি। তৌবতবু চুম্লৌশিং, অঙ্ক অমসুং শিনাশারোলগী তন্ন-লাইরিক ইবদা ইমারোলদা ঙম্লিবমখৈ ইথোকপিরবদি তুংদা হৌরক্লিবা অঙাংশিংনা পাবদা অমসুং খঙবদা লায়না থোক্কনি। মসিনা ইমারোল চাওখৎহনবদসু মতেং ওইগনি।

# আসামগী অৱাংবা থাক্কী শিক্ষানীতিদা মণিপুরী

প্রো. ঐচ ননী কুমার সিংহা

# असम की उच्च शिक्षा-नीति में मणिपुरी

प्रोफेसर एच. ननीकुमार सिंहा

*सारांश:*

*भारत के उत्तर-पूर्व में स्थित राज्यों में सर्वाधिक बृहद राज्य असम में निवास करने वाले समुदायों में मणिपुरी समुदाय भी एक है।असम में 34 जिले हैं।अधिकांश जिलों में मणिपुरी लोग निवास कर रहे हैं। सर्वाधिक रूप से दक्षिण दिशा में बराक वेली के नाम से प्रसिद्ध स्थान में स्थित तीन जिलों- कछाड़, करीमगंज और हाइलाकांदि में 190 के लगभग मणिपुरी गाँव है। प्राचीन काल से अहोम तथा कछाड़ राज परिवारों के साथ मैतै राजकुमारियों की शादियाँ होती रही हैं, जो इनके बीच अच्छे संबंध को दर्शाता है। अतः असम में मणिपुरी लोगों का एक खास स्थान होने के कारण असम की शिक्षा व्यवस्था में मणिपुरी भाषा में शिक्षण की व्यवस्था भी की गई है। असम में प्रचलित भाषाओं में असमीया प्रमुख है, इसके बाद बांग्ला आती है। इन दो भाषाओं के बाद बोड़ो अथवा बोदो तथा मणिपुरी भाषाएँ समान्तर रूप से असम की शिक्षण व्यवस्था में शामिल है। इस आलेख में मणिपुरी भाषा ने असम की शिक्षण- व्यवस्था में किस तरह अपना स्थान बनाया, एल. पी., यू. पी. तथा उच्च कक्षाओं में किस तरह शिक्षण आरंभ हुआ, उसकी इतिवृत के साथ वर्तमान में इसकी स्थिति को स्पष्ट किया गया है। नई शिक्षा नीति 2020 के लागू होने पर उत्तरदायित्व के भाव के साथ  मणिपुरी को असम में किस तरह विकास किया जाए, इस पर चर्चा की गई है।*

## *ৱাহৌদোক*

আসাম অৱাং-নোংপোক্কী ভারতকী মচেম তরেৎ (seven sister) হায়না খঙনবা মচেমশিংলক্তগী মহৌশাগী চুং-ফিরাল চারবা ফিরেপকা লোয়ননা ৱাত্ত-পাদনা মশাগী পূক্কে থন্না লৈজবা রাজ্য অমনি। রাজ্যসিগী পুৱারীদা মণিপুরী জাতিগী শীংথানীংঙাই থৌদোক-থৌরমশিং কয়ানা লমদমসিগী পুৱারীগী লৈরোল শেমগৎপদা থৌদাং লৌরি। মোগলু পুখুরী নৎত্রগা মোগলু জয়কর পুখুরীনা অপ্পর আসামগী লৈবাক লৈহাউদা মণিপুরী জাতিনা মতৌ করন্না খুন্দাখি হায়বদু ফূরুপ অসিগী খুন্নাইচাশিংদা পা-উদল্লি। আসামগী খা থংবা মায়কৈরোমদমুক কাছাড়ী নিংথৌগী পুৱারীদা মৈতৈ নিংথৌগী মজাইবেম্মশিং হরিপ্রিয়া, ইন্দুপ্র-ভানচিংবনা মহারাণী ফমথোল ফংখিদুনা কাছাড়ী নিংথৌকোনুংদা ফম্বাল লাংখিবগী ৱারীশিং অসিনা অমুক মৈতৈ নিংথৌমচা অহুম চৌরজিৎ, মার্জিৎ অমসুং গম্ভীরসিং মখোয়শিং অসিনা লমদমসিদা নিংথৌ ওইনা পানখিবগী পুৱারীগা অমুক খূৎশন্নরি। খূদিংমক অসিনা রাজ্যসিদা মণিপুরী জাতিনা খুন্দাদুনা লৈখিবগী লংজিল অদু তশেং-তশেংনা খঙহল্লি।

ভৌগল্লিক্কী মতুংইন্না আসাম রাজ্যসি শরুক অহুমথোক্লা খায়দোকই। শরুকশিং অদুদি- ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী তম্পাক্কী লমদম, বরাক তুরেলগী তম্পাক্কী লমদম অমসুং চীংগী লমদম অসিনি। রাজ্যসিগী লৈঙাক্লোনগী খুদোংচাবা য়েংলগা চাউরাক্লা জিলা ৩৫ রোম থোক্লা খায়দোকই। জিলাশিং অয়াম্বদা মণিপুরীশিংনা খুন্দাদুনা লৈরি। তৌইগুম্বসুং মণিপুরীশিংনা মীশিং য়ান্না খুন্দাবা লমদমদি আসামগী খা থংবা মায়কৈদা জিলা অহুম্না কোনশিনবা (কাছাড়, করিমগঞ্জ, হাইলাকান্দি) মফমশিং অসিনি। লমদম অসিদা চাউরাক্লা মণিপুরী খুঙ্গং ১৯০ রোম হেন্না লৈরি। আসাম রাজ্য অসিদা লোন তিন্নদবা, লাইনীং খেন্নবা, সংস্কৃতি তোঙান-তোঙানবা মীওই ফূরুপ কয়ামরুম খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরি। মখোয়শিং অসিদগী আসামীজ লোন অমসুং সংস্কৃতিনা রাজ্যসিগী মরুওইবা লোন অমসুং সংস্কৃতি ওইরি। আসামীজ লোন্না রাজ্য সরকারগী লোন ওইজরবসু লম-লমগী মীওই ফূরুপকী শাফূদগী আসামগী মফম খরদা ফাওনলোনগী থাক্তদি লৈতবা মীয়াম্না শকখঙনবা অমদি ঙাঙনবা লোনশিং খরদি আসাম রাজ্যদা অদুমক লৈতবা নত্তে। আসামগী বরাক ভেল্লিদা বাংলা লোন অমসুং সংস্কৃতিনা দোমিনেট ওইবা লোন অমসুং সংস্কৃতি ওইনা চৎনরি, ঙাঙনরি। ব্রহ্মপুত্র ভেল্লিগী আসাম অমসুং ৱেষ্ট-বেঙ্গলগী য়ূমলোন্নবা লমদমদা লৈরিবা বোড়ো টেরি-টৌরিয়েল কাউন্সিল (বি টি সি) দা বোড়ো লোন্না মপূং ওইনা ঙাঙনরি। মতৌ অসুন্না রাজ্যসিগী মায়কৈ-মায়কৈদা ফূরুপশিংগী লোন অমসুং সংস্কৃতিগী শাফূ লৈজরবসু মপূংওইবা লোন্দি আসামীজ লোন্না ওইরি।

## *লোন*

লোন হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী য়ান্না মরুওইবা লন অমনি। উপালগী মরা (রূট) না মউ (ষ্টেম) মাশা অমদি মনাশিংগা

অচেৎপা মরী লৈনবগুম মীওইবগী লোনসু জাতিদুগী লিটরেচর, কলচর অমদি এদুকেসনগা তৎন-থানবা য়াদবা মরী অমখক য়াম্না চেকশিন্না লৈরিবনি। এদুকেসন্দি ইন্টরনেসনেল ফেনোমেনননি, মীওইবদা লৌশিং-জ্ঞানগীদমক শিবিবা লৈ পরেংনি। পান্দমদি, "Education is the perfection and menifestation of human life." হায়বদু খঙনবনি। অফবা মীওই অমা চুং-ফিরাল চারবা সমাজ অমগীদমক ঈখৌলাংবনি অমসুং ফংবা ঙম্নবনি। শন্না হায়রবদা চাওখৎ খোঙথাং পুরকপনি। চাওখৎপা হায়বসিমক্তবু পল্লেপফম লৈতবা খোঙচৎ অমনি হায়জনীংই। এদুকেসনগী চৎন-লোনচত্তসু অকক্লবা লেঙদবা হায়বসি লৈতে, হোংবা নাই। করিকুলম, ইনইক্বেলিটি, টীচিং অমদি লার্নিংনচিংবসি এদুকেসনগী চৎন-লোনচৎশিংনি।

মতম অমদা অৰাং-নোংপোক ভারত্তা এদুকেসনগী হব শেমগৎ-শাগৎপদা শিলং অসি ইপিসেন্টরনি। শিলং ঙল্লিঙৈ মতমগী আসাম রাজ্যগী কোনুং ওইরম্মী হায়বসিদি মীয়াম্না খঙনরবা ৰাফমনি। আসাম রাজ্যদা ফোর্মেল এদুকেসনগী মঙাল অসি ইংরাজি লোনগী খূদুং ইন্দুনা চঙশিল্লকখি। মীওইবগী সমাজদা জাতি অমগী মায়থোঙ ওইবা য়াবা মীয়ামগী প্রোপর্টি কয়ামরুম লৈরিবনি। প্রোপর্টিশিংসি অয়াম্বনা ট্রেদিসন ওরিয়েন্টেদ ওই। লোন, লাইনীং অমদি চৎন-লোনচৎনচিংবসি ময়েক লারবা খূদম ঙাক্তনি। মখোয়শিং অসিদগী লোন অসিদি এদুকেসনগী শাদোং ওইনা লৈবা মচল অমা ওইরি। ইংরেজশিংনা মখোয়গী লোনগী লোইলম শন্দোকপদা এদুকেসন অসি খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরকখি। মসিগী মহে ওইনা ঙসিসু ঐখোয়না ইন্দিয়ান ইংলিশ হায়না খঙনরিবসিনি। ভারত্তদি ফোর্মেল এদুকেসনগী খোঙদাফমসি বেঙ্গলনা ওইখি। বেঙ্গলগী হিন্দু কলেজ (১৮১৭) অসি ইংরেজশিংনা ফোর্মেল এদুকেসনগী লৈরাং চারা হুনফম মফমনি। আসামনা বেঙ্গলগা য়ুমলোন্নবা লমদম অমদি মহৌশাগী লন-থুম মরাঙ কায়না লৈবদগী ইংরেজশিংনা মীৎয়েং তাবা মফম অমসু ওইখি। রাজ্যসিদা ফোর্মেল এদুকেসনগী শাফূসি চাউরাক্লা খৃষ্ট কুম ১৯ শুবা চহীচাগী দিকেদ অহুমগী অদুৰায়দা চঙশিল্লকখিবগী খূদম উবা ফংই। মথংদা চাউরাক্লা খৃষ্ট কুম ১৮৩৫ গী মতম অসিৰায়সি রাজ্যসিদা ফোর্মেল এদুকেসনগী ফিরেপ অমা লাকখি। মতমসি আসামদা লাইরিক-লাইশু হৈবা মীওইশিং থোরক্তুনা অনৌবা যুগকীদমক মঙ মঙবা হৌখিবা তাঞ্জানি। চাউরাক্লা খৃষ্ট কুম ১৮৯৯ অসিৰায়সিদা আসামীজ সাহিত্যদা রিনাঁসা ওইখি। জ্যোতি প্রসাদ অগৰ্ৱাল, লক্ষীনাথ বেজ বৰুৱা অসামীজ সাহিত্যগী যুগ পুবা মীওইশিং ঙাক্তনি। আসামগী রিনাঁসাগী চৈথেং অসিনা আসামীজ জাতিগী লোন, সাহিত্য অমদি সংস্কৃতিদা অনৌবা মায়ওন পুরকখি। মসিনা জাতিসিগী মতমগী মায়চৌশিংদা মরৈবাক মজাতিগীদমক মতমগা চান-চুনবা মওংদা জাতিয়তাবাদী ৰাখল্লোনগা ঈৰোয়ননা মখোয়গী ওইবা লোন, সমাজ অমদি শিক্ষানীতিগীদমক ঈখৌলাংলকখি।

*লোন অমসুং এদুকেসন*

জাতি অমগী লোন্দা জাতিদুগী কম্যুনেল ফিলিংস অদু য়াওশিন্দুনা লৈ। এদুকেসনগী তাইবংদা লোন অমনা মেদিয়ম ওফ ইনষ্ট্রক্সন ওইদুনা মহৈ-মশিং তম্বনা জাতিগী থাক্তা কাখৎলকপা হায়বসি জাতিদুগী মায়থোঙ ওইবতা নত্তনা সভ্যতাগী ঙাম্ভোরক্লিবা এদুকেসনগী মঙাল অদুদা অরঙবা থৰানমিচাক্নুম্না মফম অমা কন্দুনা লৈবগুম্বনি। মওং অসিগী অনীংবা অপাম্বসি জাতি অমগী খুন্না-ইচাশিংলক্তা এদুকেসনগী লমদাংদা মহৈ য়াল্লবা অখঙ-অহৈশিংদা ফাওরকপা ঈহুলনি। অসিগুম্লবা অনীংবা অপাম্বসি ১৯ শুবা চহীচাগী অরোইবগী দিকেদ অদুৰায়দা আসামীজ ইন্টেলেকচুয়েলশিংদা ফাওখি। ভারতনা নীং-খা তম্বা ফংলবদা খৃষ্ট ১৯৪৯ দা মতমদুগী ভারত সরকারনা The linguistic minorities vide part-IV of the State Re-organisation Commission মিংথোনবা Commission অমা শেমখি। Commission অসিগী রিপোর্ট মতুংইন্না সংবিধানগী ক্লোজ (clause) ২১ দা মীশিং লিকচবা জাতিগী মীওইশিংনা মশাগী মমারোন্দা মহৈ-মশিং তম্বা য়াবগী ৰাফম সংবিধানসিগী আর্টিকল (article) 350 A দা হাপচিনখি। আর্টিকল (article) অসিনা ইংরাজি শিক্ষানা লাঙ্গোয় চল্লবা ভারতকী মফম মফমদা ফাওনলোন (lingua franca) ওইনা ঙাঙনবা লোনশিং মশীং লিকচরবসু মশাগী ইতিহাস, সংস্কৃতি অমদি ময়েক লৈজবা লোনশিংনচিংবসু মনীংতম্বা ফংহনখি।

নীংতম্লবা মতুংগী ভারত পুম্বগী এদুকেসন পোলিসিগী মতুংইন্না আসামদা খুন্দাদুনা লৈজবা মীওই ফুরুপশিংনা মমালোন্না মেদিয়ম ওফ ইনষ্ট্রক্সন ওইদুনা মহৈ-মশিং তমজবগী খুদোংচাবা ফংজখি । আসামীজ লোন্না রাজ্যসিগী মরুওইবা লোন ওইনা লৈবদগী মহৈ-মশিং তম্বদা খ্বায়দগী মাঙজিল থাবা লোন ওইবতা নত্তনা নেসনেল এদুকেসন পোলিসিগী চথরক্লিবা লীক্লমদা লোন অসিগী মরুম থুপ্পা অতৈ অতৈ লোনগী মেদিয়ম ওফ ইনষ্ট্রক্সন ওইবা লোনশিংদা রাজ্য সরকারগী পোলিসি মতুংইন্না থৌরমশিংদু পাঙথোকই। আসাম সরকারগী খুদোংচাবা য়েংদুনা মহৈ-মশিংগী লমদাংদা ওফিসিয়েল ওইবা মওংদা চথনবগীদমক Assam Basic Education Act কী মতুংইন্না খৃষ্ট কুমজা ১৯৫৪ দা Elementary Education লিংখৎখি। এদুকেসন দিপার্টমেন্তগী মীৎয়েং মখাদা Notification No. 159/61/37 dated 29/01/1962 গী মতুংইন্না সেকেন্দরি বোর্ড ওফ আসাম (SEBA) লিংদুনা মখা তানা এদুকেসনগী থবক থৌরম চথখি। হৌজিক-হৌজিক আসাম রাজ্যদা লৈরিবা এদুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংদা চাউরাক্লা পল্লবদা- লৱার প্রাইমারি লীশিং নিফুতরুক (৪৬০০০), অপ্পর প্রাইমারি লীশিং নিফুনিপান (৪৮০০০), হায়স্কুল লীশিং মরি (৪০০০), অসুম্না লৈরক-খিবনা অৰাংবা থাক্নী এদুকেসনদা লৈরিবা কলেজশিংদা চাউরাক্লা চামরিগা হুফুমাপল্লোম লৈ। কলেজশিং অসিদগী UGC গী NAAC

না চাংয়েং তৌদুনা মমিং লৈরবা কলেজশিংনি হায়না খল্লবা মশীংনা ২৯৮ নি। য়ুনিভর্সিটিনা রাজ্যসিদা ১৪ খক লৈ।

বোড়ো নত্রগা বোদো জাতি অসিসু আসামগী ব্রহ্মপুত্র ভেল্লিদা মশাগী ইতিহাস অমদি সংস্কৃতি লৈজবা কাঙলূপ অমনি। ফূরুপ অসিগী লোন্না মেদিয়ম ওফ ইনষ্ট্রক্সন ওইদুনা লাইরিক-লাইশু তম্লকখিবসি আসামীজ লোনগা চাংদম্নরুরবদি য়াম্না অথেঙবা মতমদা লৈরকই হায়বা য়াই। BTC দা বোড়ো লোন্না ওফিসিয়েল ওইবা লোন ওইনা লৈ। ভারতকী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চল্লবা লোন অমসুনি। ইং কুমজা **১৯৬৩** দা বোদো লোন্না লৱার প্রাইমারিগী থাক্তা মহৈ-মশিং তম্বা হৌখি। লোন অসিদা মহৈ-মশিং তম্বগী থাকসি আসাম সরকারগী রেকোর্দ মতুংইন্না লৱার প্রাইমারিগী থাক্তগীনা হায়স্কুল ফাওবগী মেদিয়ম লৈজে। হায়র সেকেন্দরিদগী হৌরগা UG ফাওবসিনা এম আই এল অমদি ইলেক্টিভ ওইনা তম্লি। মসিগী মতুংদা এম এ, পি জিগী থাক্তা দিপার্টমেন্ট হাংলদুনা বোদো লোন অমসুং সাহিত্য তম্বা য়াই। আসামদা GU , BU অমদি ডিব্রুগড় য়ুনিভর্সিটিনচিংবদা বোদো দিপার্টমেন্ট লৈ।

বাংলা পূক্কে থন্না লৈজবা লোন অমনি। ভারত্তা ঙাঙনরিবা লোনশিংগী মনুংদা মশাগী মঙম শান্না লৈজরিবা লোন অমসুনি। মহৈ-মশিংগী লমদাংদা য়াম্না ঙল্লিঙৈগী মতমদগী ফোর্মেল এদুকেসনগী লৈরোল খূদিংমক্তা মেদিয়ম ওফ ইনষ্ট্রক্সন ওইনা মচল শুনা লৈরবা লোন্নি। অৱাং-নোংপোক ভারত্তা লৈরিবা রাজ্যশিংদা বাংলা মেদিয়মগী মহৈ তম্ফমশঙশিংনা এদুকেসনগী লমদাংদা অচৌবা মফম অমা কন্দুনা লৈরি । ভারতবর্ষগী অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্ফমশঙশিংদা বাংলা দিপার্টমেন্ট অসিসু মযাম্না খঙনবা দিপার্ট-মেন্ট ওইরি। আসাম রাজ্যদদি লোন অসিগী য়াওল-য়াতাফম ওইবা মফমদি বরাক তম্পাক অসিদনি। মসিগী মরমদি তম্পাকসিগী পুৱারীদা চাউরাক্লা খৃষ্ট কুম **১৮৩২** বাংলাদেশকী সিলহেটেকী শরুক অমা ওইনা লৈরম্বা কাছাড় , বরাক তম্পাকসিনা আসাম রাজ্যদা তিনশিনখিবদগীনি। অমরোমদমুক ইংরেজশিংনা পানবা মতমদা আসামসিদা বাংলা লোনবু মরুওইবা লোন অমা ওইনা লৈরম্বসিনা আসামীজ অমসুং বাংলা লোন অনীসিগী মরক্তা করম্বনা রাজ্যসিগী ওফিসিয়েল ওইবা লোন ওইগনি হায়বগী তংদাংবা মফম খঙদবা মতম অমসু লৈখি। মরম অসিনা রাজ্যগী ওইবা লোনসি আসামীজ ওইজরবসু আসামগী বরাক তম্পাকসিদদি বাংলা লোন্না ওফি-সিয়েল ওইবা লোন ওইনা ঙসিসু চৎনরি।

*মণিপুরী লোনগী মফম*

আসাম রাজ্য সরকারগী মীৎয়েং মখাদা এদুকেসনগী লমদাংদা সরকারসিনা শকখঙবিবা লোনশিং খরসু লৈরি। মতমগী এদু-কেসনগী ঈচেলসিদা লৱার প্রাইমারিগী থাক্তগীনা অপ্পর প্রাইমারি ফাওবসিদা মহৈ-মশিং তম্বগী থোঙদা চঙশিল্লিবা লোনশিংদগী কার্বি , মার অমসুং খাসিনচিংবসি পনবা য়াই । মখোয়শিং অসিদগী আসামীজ অমসুং বাংলাগী ঙমথংদা রাজ্যসিদা বোদোগী মেদিয়ম ওফ ইনষ্ট্রক্সনগা লেং মান্ননা চৎমিন্নরিবা লোন অমদি মণিপুরীনি। আসাম রাজ্যদা মণিপুরী লোন্না মহৈ-মশিং তম্লকখিবসি কুনশুবা চহীচাগী ময়ায়চনবা মতমদা লমদমসিদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংগী হোনজমনগী মহৈনি। মতমদুগী ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিং, মায়চৌশিংগী ৱাখলদা মহৈ-মশিং তম্বগী ঈচেলদা মণিপুরী লোন অসিনা মফম অমা কন্দুনা লৈবা ঙম্লবদি রাজ্যসিদা নীংশিং খূদম ওইনা লৈহৌরগনি। পান্দমসিদা য়ূম্ফম ওইরগা খৃষ্ট কুম **১৯৩৬** তা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা, কাছাড় মশানা চেকশিনবা ৱারেপ অমা লৌখি। ৱারেপ অসিনা লীচিং ওইরগা মণিপুরীগী মখল-মথেলগী ওর্গনাইজেসনশিং অমত্তা ওইনা পূনশিল্লকখি। অরেপ্পা লৈতনা চঙশিনখিবা খোঙজংনা মতমদুগী আসামগী চীফ মিনিষ্টর শ্রীবিষ্ণুরাম মেধীগী সরকারনা মণিপুরী লোনবু আসামদা প্রাইমারি থাক্তা মহৈ-মশিং তম্বা য়াবগী ৱারেপ লৌখি। ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না Letter No. EM1211/53/10PF Shillong Dt . 7th June 1956 under the Secrctary Govt. of Assam না থোকপা চেরোলগী মতুংইন্না আসামদা মণিপুরী লোন্না মেদিয়ম ওফ ইনষ্ট্রক্সন ওইদুনা লাইরিক-লাইশু তম্বা হৌখি। মজাতিগীদমক কথোক্লবা হোৎনবগী চোকথবা লৈত্রবা মণিপুরী থৌবুবশিংনা লৱার প্রাইমারিগী থাক্তগী অপ্পর প্রাইমারিদা মণিপুরী লোন্না লাইরিক-লাইশু তম্বগী খোঙজংসিনা মথং-মথং মহৈ য়াল্লক্তুনা ঐচ এস এল সিগী থাক ফাওবা মণিপুরী লোন্না লাইরিক তম্বগী অয়াবা লৌবিরম্মী। অসিগুম্বা মথৌদাংশিং অসি আসামগুম্বা রাজ্যদদি অচৌবা চীংগী চীংজাও অমা ফুকপগুম্বনি, উমংগী শোঙলবা নারক মোংশোঙগী লম্বী চৎফম লৈত্রবা মফমদা উরি-ৱারী, উপাল-ৱাপাল, তিংখঙনচিংবা ককথত্তুনা অনৌবা লৈবাক মীয়াম চৎপা য়ানবা লম্বী অমা শেম্লম্বগুম্বনি। রাজ্যসিদদি হায়স্কুলগী থাক্তা মণিপুরী মেদিয়ম হাংদোকপগী মতাংদা মণিপুরী লোন্দগী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা লোনশিং ঙাঙবা মীওইশিংগী য়ূমলোন্নবা উপালনা মহৌ-মকা ফন্না ৱাংখৎহন্নীংদবগী অপীকপা পূকচেলদগী থোরকপা চৈফূগী-চৈনাশিংদু ঐখোয়গী লুচিংবশিংনসু ফংখিদবা নত্তে। মখোয়শিংদুগী মরক্তগী সেদ্যুল চন্দ্রিবা লোন অমগা, চল্লবা লোন অমগা মহৈ তম্ফমশঙগী শঙলেন অমত্তদা পূন্না তম্মিন্নবা য়ারোই হায়বা খোল্লাউসিনি। খূদিংমক অদু নমথদুনা মায়পাকপা ওইগনি হায়বগী আশা অমদি ইচং-থৌনাগা লোয়ননা মতমদুগী মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, আসামগী প্রসিদেন্ট শ্রীইরুংবম চন্দ্র সিংহগী লুচিং মখাদা খৃষ্ট **১৯৭২** দা অকনবা খোঙজং অমা চঙশিনখি। মসিগী মহৈ ওইনা মতমদুগী আসামগী চীফ মিনিষ্টর শ্রীশরতচন্দ্র সিংহনা মাগী সরকারনা অয়াবা পীদুনা থোকখিবা চেরোল SEBA/AB1M/1/MAN/8687 Dated 28th July 1979 গী মতুংইন্না মণিপুরী মেদিয়মগী মহৈরোয়শিংনা মেট্রিক পরীক্ষাদা মমালোন্না পাউখুম পীবা য়াবগী অয়াবসু ফংখি ।

হৌজিক হৌজিক্কী ওইবা আসাম রাজ্যগী এদুকেসনগী ষ্ট্রকচরদা মণিপুরী মেদিয়মগী ফিরেপ অসি লৱার প্রাইমারিদগীনা হায়স্কুলগী থাক ফাওবা মণিপুরী মেদিয়ম ওফ ষ্ট্রকচরসি লৈ। মথংদা 10 + 2 দগীনা UG ফাওবসি মণিপুরী এম আই এল অমসুং ইলেক্টিভ অমদি UG দা Hons. লৌদুনা মহৈ-মশিং তম্বগী খুদোংচাবসি লৈ। PG দা খৃষ্ট কুম ১৯৯৭ দগী Assam University, Silchar দা Manipuri Department হাংদোক্তুনা M A , Ph D অমদি Post Doctorate Degree ফাওবা তম্বা য়াবগী খুদোং-চাবদু রাজ্যসিদা সরকারনা পীরি। আসাম রাজ্যগী শিক্ষানীতিগী মতুংইন্না শেম্লকখিবা চৎন-কাঙলোন্দা আসামীজ মেদিয়মগা লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বদা বাংলা, বোদো অমদি মণিপুরী মেদিয়ম্নচিংবসু খুদোংচাবা লৈরি হায়বদু নৈনথ্রিবশিং অসিদগী খঙবা ঙমই। মতাংসিদা পঞ্জনীংবদি ভারত সরকারগী এন ই পি-২০২০ গী ষ্ট্রকচরদা থম্লিবা পান্দম অমসুং মীয়েংসিদা UG অমদি PG দা Manipuri গী ওইনা মপূং ফাবা ফিরেপ অমা লেপ্পসিনি। এন ই পি ২০২০ গী ভারত সরকারনা ফোঙবা বুকলেটকী লামায় ৩৩ দা পীরিবা হায়র এদুকেসনগী ৱারোল অদুগী মতুংইন্না পঞ্জনীংবদি Indian Language গী ওইবা দিপার্টমেন্টশিং নত্তবা রিজনেলগী Literature গী Department শিংগী ওইনা খরদি চেকশিনফম থোকই হায়বসি থমজনীংই। পঞ্জরিবা লামায় ৩৩ গী ৯ গী ৯.১ পেরেগ্রাফকী ৱারোলগী মনুংচন্না Higher Education significantly contributes towards sustainable livelihoods and economic development of the nation হায়রিবসি মহৈরোয়শিংনা তানশিল্লবা জ্ঞানশিংদু শেন্থোক লম্বীগা মরী লৈননা জাতিগী ওইনা লৈপাক্কী ওইনা কান্নবা পীবা ঙমহনবা অসিনি। অসিশুম্বা মীৎয়েং অসিগী পান্দমসি থবক ওইনা ওন্থোক্নবা হোৎনবদা IDC (Inter Disciplinary Course) শিংদা Skill Enhancement Course গী মওংশিং অসি Language and Literature গী সেক্সন্দা তঙায়ফদনা থম্বা চঙই হায়বসি থমজনীংই। মণিপুরীগী মখলসিগী course দা মণিপুরী উইভিং, মণিপুরী মার্সিয়েল আর্টস, মণিপুরী পার্ফোমিং আর্টস, মণিপুরী জ্বেলারি অসিনচিংবসিগী টেক্নিক ষ্টাইল অমসুং লিটরেচরনচিংবসি একাদেমিক ওইবা মওংদা শেম শাবা তারকই। মখা তানা ৯.১.১ দা ২১ শুবা চহীচাগী হায়র এদুকেসনদা তঙায়ফদনা শেম শাগদবদি Creative individuals , intellectual curiosity অমসুং constructive public engagement হায়বসোমদা ওইনা তৌই। অসিগুম্লবা মচাকশিং অসিগা চুনবা course ওইনা literature গী department শিংদা Manipuri গী নহানৱায়দগী লৈজরকপা, মনুং থীৎনদি নৈনবিদ্রবা literature অমসুং language গীদি কল্পতরু ওইরবা Manipuri Manuscriptology , Manipuri Chronicle Literature , Devotional Literature নচিংবগী হীরমশিং অসি ALF ( Apprenticeship Laboratory/ Intrenship (Field Project) ওইবা কোর্সশিংনা open choice কী কোর্স ওইনা লৈহনবগা লোয়ননা IDC ওইনা শেম্বদা চান-চুনবা ওইগনি খল্লি । এন ই পিগী কোর্স ষ্ট্রকচরদা ইনৌ নৌবা মওংগী কোর্স অমদি CCEC ( Compulsory Community Engagement course ) অসিনি । মখল অসিগী কোর্সশিংদা ফীল্দদা চত্তুনা মহৈরোয়শিংনা কম্যুনিটিগী মেম্বরশিংগা interaction, participation অমদি observation method নচিংবগী মতেংনা ঙমখৈ তানশিনবগী লম্বী অমা পীরি। মসি higher education গী ৯.১.৩ গী মতুংইন্না চান-চুনবা কোর্স ওইরি । অসিগুম্বা কোর্সশিংদা মীৎয়েং থম্লগা এন ই পি মণিপুরী Higher Education গী লমদাংদা মীৎয়েং থম্বগী তঙায়ফদবসু হৌজিক হৌজিক ওইরি ।

### *মতেং লৌজখিবশিং*


1. Choudhury, Ahmed Khan. *Srihatter Itibritta.* Sylhet, 1317.
2. Allen, B. C. *Cachar District Gazetteer.* 1905.
3. Bhattacharjee, J. B. *Cachar Under British Rule in Northeast India.* 1977.
4. Dutta, Debabrata. *Cachar District Records (1834-53).* 1969.
5. Gait, Edward. *The History of Assam.* 1984.
6. Kamai, K. Sridhar. "Language in Education: Minorities and Multilingualism in India." The Education Minorities, vol. 42, no. 4, 1996.
7. Internet Sources
8. Related Journal and Articles

# মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্য চাওখৎহনবদা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী থৌদাং

ডা ৱাহেংবম কুমারী চনু

# मणिपुरी भाषा और साहित्य के विकास में नई राष्ट्रीय शिक्षा नीति 2020 का योगदान

डॉ. वाहेङबम कुमारी चनु

*सारांश:*

*मणिपुर भारत के पूर्वोत्तर राज्यों में बसा एक छोटा सा पहाड़ी राज्य है। इन पहाड़ी क्षेत्रों में बसे समुदायों की अपनी-अपनी भाषाएँ हैं, पर सार्वजनिक रूप से सम्पर्क के लिए मणिपुरी यानी मैतैलोन का प्रयोग होता है। हमारी मणिपुरी भाषा की अपनी समृद्ध लिपि उपलब्ध है। प्रचुर मात्रा में साहित्य उपलब्ध है। मणिपुरी भाषा भारतीय संविधान की आठवीं अनुसूची में शामिल है। हमारी मातृभाषा भारतीय साहित्य अकादमी द्वारा स्वीकृत एवं प्रमाणित है। मणिपुरी भाषा के साहित्यक एवं सांस्कृतिक उन्नति में नई राष्ट्रीय शिक्षा नीति 2020 का भी बड़ा योगदान हो सकता है। मातृभाषा में शिक्षा के माध्यम से विद्यार्थी प्रारंभिक शिक्षा ही नहीं, उच्च शिक्षा में भी अपने मनपसंद वैकल्पिक विषय का चयन कर सकता है, अतः कहना होगा, मातृभाषा में शिक्षा के माध्यम से मणिपुरी भाषा एवं साहित्य के विकास को चरम सीम तक पहुँचाया जा सकता है।*

## *ৱাহৌদোক*

মণিপুরী হায়বা লোন অসি মশাগী ময়েক অমসুং সাহিত্য লৈজবা লোন অমনি। লোন অসি ভারত সংবিধানগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চল্লবা লৈঙাক্লা শকখঙলবা লোন অমসুনি। ভারতকী অৱাং-নোংপোক মায়কৈগী তিবেতো বর্মর্ন হায়বা সিনো-তিবেতান কাঙলুপকী মনুংচনবা লোনশিংগী মনুংদা মণিপুরীনা থোইদোক্লা শীংথানবা য়াবা মফম কল্লি। লোন অসিগী মশাগী চপ চাবা ময়েক থোরকপা, মথং-মথং চাওখৎলকপা; ময়েক অসিগা শাগোন্নবা পুৱারীগী রেকোর্দ কয়া, অইবা লাইরিকশিং, পুয়া অমদি সাহিত্যগী পোত্থোক কয়া থেংখাং নাইনা পুথোক্লরকখিবগী শাংলবা ইতিহাস অমা লৈজরি।

পুৱারীগা শাগোন্নরিবা মণিপুরী লোন অসি মতম অমদা ওন্থোক্লা থাক ৱাংনা লৈরম্মী। নীংশিংবা থোক্রবা মতমদগী নিংথৌগী লৈঙাক মখাদা লৈবাক ঙাক্তুনা পাল্লকখিবা লমদম অসিগী নিংথৌ-নিংথৌরেলশিংগী লৈঙাক্লোনগা মরী লৈনবা পুৱারীগী রেকোর্দশিং লোন অসিদা ইরম্বা ঙাক্তনি। চীনবুংদা হান্না লৈরম্বা লাইশোন-তীনশোন, লাইথৌ-তীনথৌগী ওইবা ৱারোল, লৈঙাক্লোন, অমাইলোন, অরিবা সাহিত্য, পুয়ানচিংবা ঙন্নমক লোন অসিদা ইশিন্দুনা থম্বিরম্বা ঙাক্তনি। খৃষ্টগী তরানিপাল অমদি তরামাপলশুবা চহীচাদা আর্য্যশিংগী লাইনীং লম্বী লমদম অসিদা চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা লোন অসিগী হেন্না নৌথোকহল্লবা অনৌবা শক্লোন অমা লাকখ্রে। মসিগী মতুংদসু নোংচুপকী এদুকেসন্না পুরকপা লোন অসিগী অনৌবা য়াওল ঈহৌ অমসু থোরকখ্রে। পুৱারীগী তাঙ্ককশিং অসিদা লাকখিবা খুন্নাইগী ওইবা অহোংবশিং অসিগা শাগোন্নদুনা ঙসি ফাওবা লোন অসিনা খোঙফম চেৎনা লেপ্লক্লি। পূন্নমক অসিনা লোন অসিগী মতিক-মগুণ ওইদুনা লৈরক্লিবনি। অদুম ওইনমক লোন অসিবু হেন্না চাওখৎহনবা অমদি হেন্না থাক ৱাংখৎহন্নবা হোৎনবগী তঙায়ফদবদি লৈরি। নাকল অমরোমদা মণিপুরী হায়বসি মণিপুরদা খুন্দারিবা তোঙান-তোঙানবা দাইলেক্ট ঙাঙবা মীওই ফূরুপশিংগী পাউ ফাওনলোনসু ওইরিবনি। আসামগী বরাক অমদি ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্তা খুন্দারিবা মৈতৈ অমদি মৈতৈ পাঙলশিং, ত্রিপুরা, ম্যান্মার, বাংলাদেশনচিংবা ভারতকী মনুং অমদি মপান লৈবাকশিংদসু লোন অসিনা মমারোল ওইবা মীওই ফূরুপ কয়া খুন্দারিবনি। লোন অসিবু চাওখৎহনবদা লোন অসি লোল্লিবা মীগী মশীং হায়বসিমসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। লোন অসিগা শাগোন্নরিবা কলা, সংস্কৃতি, জগোই, ঈশৈ, লাইনীংলোন, শেন্মীৎলোন, খুন্নাইরোল অমদি লোন অসিবু মমারোল ওইরিবা মীওই ফূরুপ অসিগী মশাগী ওইবা শক্তম, চৎনবী থাজনবী কয়া লোন অসিগা শাগোন্নদুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা লোন অসিনা চাওখৎলকপা অমদি হিংদুনা লৈবা হায়বসিদা পূন্নমক অসিবু হিংহল্লিবনি। মসিগী হেক ওন্ন-তৈনবদা লোন অসিনা শিথখিবদা মসিগা শাগোন্নরিবা সোসিয়েল ইথোসশিং, মিলিউশিংগা লোয়ননা মীওই ফূরুপ অসিসু মুৎখিগদৌরিবনি, মাঙখিগদৌরিবনি। মরম অদুনা লোন অসিবু ঙাক-শেন্দুনা থম্বা হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিদা য়াম্নমক তঙায়ফদবা অমা ওইরক্লি। তোঙান-তোঙানবা, শক-চু মান্নদবা, লোন তিন্নদবা মীওই ফূরুপ কয়ানা খুন্দারিবা অপূনবা ভারত লৈবাক্লি। খেন্নবা কয়ানা শাগৎপা অমত্তা ঙাইরবা অপূনবা ভারতকী মশক অসি হেন্না ফজহন্নবগীদমক তোঙান-তোঙানবা মীওই ফূরুপশিং অসিগী লোন অমদি সাহিত্যবু

য়োকখৎপা, চাওখৎহনবা হায়বসি নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী মপূংওইবা মীৎয়েং অমা ওইনা পুখৎলক্লি।

*মণিপুরী লোন অমসুং কলচর*

ৰারেং অসিদা মপূংওইবা মীৎয়েং থমজগদৌরিবসু মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্য চাওখৎহনবদা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ না লৌরিবা থৌদাং হায়বসিদনি। ৰারেং অসিগী মপূংওইবা য়ূম্ফম্না মণিপুরী হায়বা সবজেক্ট অসিগী অন্দর গ্রেজুয়েটকী সিলেবসতনি।

মালেম পূম্বগী ওইনা ইং কুমজা ২০৩০ দা এদুকেসনগী অচৌবা মঙলান অমা মঙফাওনহনবা হায়বসি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মপূং ওইবা পান্দম্নি। ওর্গাইজেসন অসিনা ইং কুমজা ২০১৫ দা লৌখিবা মালেমগী ওইবা মরুওইবা ৰাফম তরাতরেৎকী মনুংদা সস্টেনেবল দিভেলপমেন্ট গোল্ড ৪ শমজিন্না এস দি জি ৪ না হায়রিবা, “Insure inclusive and equitable quality education and promote lifelong learning opportunities for all.” হায়বসিদা মপূংওইবা পান্দম তরাখক য়াওরি। পান্দম তরা অসিগী মনুংদা তরেৎ অমনা ফংনবা হোৎনরিবা পান্দমশিংনি অদুগা অহুম অমনা পান্দমশিং অদু ফংহন্নবগী পাম্বৈ ওইনা থম্বনি। ফংগে নীংলিবা পান্দম তরেৎ অদুদিঃ ১) প্রাইমারি অমসুং সেকেন্দরি থাক্কী মহৈ-মশিং লেপ্না তমহনবা, ২) প্রি-প্রাইমারি থাক্কী মহৈগী চপ মান্নবা খুদোংচাবা ফংহনবা, ৩) টেক্নিকেল, ভোকেসনেল অমসুং হায়র এদুকেসনগীদমক শেনফম মতিক চানা কাইথোকপা, ৪) মশা মশাগী হৈথোই-শিংথোইবা লম্বীগা চান-চুনবা মওংদা শেল-থুমগী ওইবা মহৈ য়াল্লবা লম্বী-অমমমদা চৎকদবা মীগী মশীং হেঙ্গৎহনবা, ৫) মহৈ-মশিং তম্বগী লমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং হেক য়ারিবমখৈ কোকহনবা, ৬) মালেমগী ওইনা মীপূম খূদিংমক লাইরিক-লাইশুগী মঙাল ফংহনবা, ৰাখল খন্থবা ঙম্বা মীওই অমমম ওইহনবা অমসুং ৭) এদুকেসন্না পাম্বৈ ওইরগা সস্টেনেবল দিভেলপমেন্ট অমসুং গ্লোবেল সিটিজেনশিপ অমমম ওইনবা হোৎনবা হায়বসিনি। থম্লিবা পান্দম তরেৎ অসি ফংহন্নবা পাম্বৈ নৎত্রগা লম্বী অহুমখকসু পীরি। মখোয় অদুদিঃ ১) অনৌবা মহৈশঙ লিংখৎপা অমদি হান্নগী মহৈশঙশিং হেন্না মওং তানা শেমজিন-শাজিনবা অমসুং শেমগৎপা, ২) মালেমগী চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী হায়র এদুকেসনগী স্কোলারশিপ হেন্না মরাঙ কায়না ফংহনবা অমসুং ৩) মালেমগী চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা মতিক চাবা ওজাশিং মরাঙ কায়না লৈহনবা অসিনি।

এদুকেসনগী লমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা থম্লিবা পান্দম অসিদা মপূংওইবা মীৎয়েং থমদুনা ভারত্তসু নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী অনৌবা, হেন্না মপূংফাবা এদুকেসন সিস্টেম অমগী মঙ মঙবা হৌরকপনি। থাঙ্গৈশেংবসু মহৈ-মশিং হায়বসিনা হেন্না চাওখৎপা, নুংঙাই-য়াইফবা লৈবাক অমা, খুন্নাই অমা, মীওই অমা ওইহনবা ঙমগদৌরিবনি। অঙকপা ফংনা ওল্লক্লিবা, হোংলক্লিবা মালেম পূম্বগী ওইবা মীয়ামগী পুন্সিরোল, খুন্নাইরোল, শেন্মীৎলোন ঙম্নমকপু ঙাক-শেন্দুনা থমগদৌরিবসি মীওইবগী ৰাখল-লৌশিংনা ওইরিবনি। মদুগুম্বা লৌশিং-জ্ঞান অদুগী হৌরকফম, তানশিনফমগী পূক্কৈ ওইরিবা এদুকেসনবু মশা-মউ ফনা লৈহনবা, তীঞ্জং কায়জংদবা ওইহনবা হায়বসিদা ভারতকী নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ না অকূপ্পা মীৎয়েং থম্লকপনি। মীৎয়েং অসিগা লোয়ননা শক-চু মান্নদবা, লোন তিন্নদবা ভারতকী তোঙান-তোঙানবা লোন অমদি সাহিত্যশিং কোনশিন্দুনা মমারোল চাওখৎহনবা অমদি লোনদুগা শাগোন্নরিবা সাহিত্য চাওখৎহন্নবগী খুদোংচাবা অমা অনৌবা এদুকেসনগী পোলিসি অসিনা পুদুনা লাকখিবনি। ইশম-শম্না, অনৌবা এদুকেসনগী পোলিসি অসিনা হেন্না পাক্না চাউনা কোনশিল্লিবনা মনীং-মখা তম্বা, থোং মান্নবা, মরূপ-মপাং ওইবা, অচুম্বা হায়বা গনতান্ত্রিক ওইবা পূন্না হিংমিন্নবা মশাগী শক্তম, মনাৎ অমদি ইকাইখুন্নবগা লোয়ননা মশাগী মখোঙনা লেপচবা ঙম্লবা লৈবাক অমা, খুন্নাই অমা, মীওই অমা ওইনবগী পান্দম্নি। অদুগা হেন্না কূপশিন্না য়েংলগনা খেন্ন-খেন্নবা মীওই ফূরুপ কয়ানা খুন্দারিবা অপূনবা ভারত অসিবু শাগৎপদা য়াওরিবা অপীক-অপীকপা মীওই ফূরুপশিং অদুগা শাগোন্নরিবা মচৎ, মনাৎ, লোন, সাহিত্য অমদি ভেল্যু পূন্নমক ঙাক শেন্দুনা থন্নবগী পাম্বৈ অমসুনি।

*এন ই পি ২০২০ গী থৌদাং*

নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ১৯৬৮ না হৌদোক্লম্বা থ্রী-লেঙ্গুয়েজ ফোর্ম্যুলাগী মতুংইন্না হিন্দীনা মমারোল ওইবা ভারতকী ষ্টেটশিংগীনা ইংলিশ, হিন্দী অমসুং ভারতকী লোন অমনা মপূংওইবা এদুকেসনগী মেদিয়ম ওইহনবা অদুগা হিন্দীনা মমারোল ওইদবশিংগীনা ইংলিশ, হিন্দী অমসুং মমারোল নৎত্রগা রিজনেল লেঙ্গুয়েজ অমনা এদুকেসনগী মেদিয়ম ওইহনবগী মীৎয়েং অদু নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ দসু কায়দনা লৈরি। অনৌবা পোলিসি অসিদনা ভারত্তা ঙাঙনরিবা লোনশিং মদুগা শাগোন্নরিবা কলা অমদি সংস্কৃতি য়োকখৎপগী অচৌবা পান্দম অমা থম্লকপা অসিনি। এদুকেসনগী অনৌবা পোলিসি অসিনা হায়র এদুকেসনগীদমক থম্লিবা পান্দমশিংদিঃ

১) তঙায়ফদনা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংগী নৎত্রগা অনকপদা মল্টিদিসিপ্লিনরি ওইবা অচৌবা কলেজ নৎত্রগা য়ুনিভর্সিটি অমমম লৈহনবা, মদুগী মেদিয়ম্না ভারত্তা ঙাঙনরিবা লোন অমা নৎত্রগা মফম অদুগী অকোয়বদা ঙাঙনরিবা লোন অমনা ওইহনবা,

২) মল্টিদিসিপ্লিনরি ওইনা অন্দরগ্রেজুয়েট এদুকেসন্দা হেন্না মীৎয়েং চঙশিনবা,

৩)  ইন্সটিট্যুসনশিং অদুগী ফেকল্টিশিং অমদি মদুগী ওটোনোমিদা হেন্না মীৎয়েং থম্বা,

৪) হান্নদগী লৈরক্লবা করিক্যুলম, পেদাগোজি, এসেসমেন্ট অমসুং মহৈরোয়শিংগী ৱাখল-লৌশিং থোকহন্নবা মচাক মচলশিং হেন্না মওং তানা শেমগৎপা,

৫) তাকপি-তম্বিবা, রিসার্চ অমসুং পাঙগদবা থবক্তা হেন্না মায়পুনগদবা মশাগী ইন্টিগ্রিটি লৈবা ফেকল্টি মেম্বরশিং থবক চঙহনবা,

৬) একাদেমিক অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন অনীমক্তা হেন্না মশক থোকপা হায়র এদুকেসনগী ইন্সটিট্যুসনশিং ওইহন্নবা মতিক চাবা হেন্দোক্লা থবক ঙম্বা মনীংতম্বা বোর্দ লৈহনবা,

৭) য়াংতক তৌবা অদুম ওইনমক য়ুম্ফমদি য়াম্না চেৎপা সিঙ্গল রিগুলেটর অমা থম্বা অমসুং

৮) মীপূম অয়াম্বা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বা ফংহন্নবা খুদোংচাবা পীবা, শোন্থহৌরবা, নাতৈ  চাদ্রবা, লায়রবা মহৈরোয়শিংগীদমক প্রাইভেট নৎত্রগা ফিলানথ্রোপিক য়ুনিভর্সিটিশিংদা স্কোলরশিপ ফংহনবা, ওনলাইন এদুকেসন, ওপন দিষ্টেন্স লার্নিংগী খুদোংচাবা ফংহনবা অমসুং হকচাংগী ফিভম শোইনাইরবশিংগী হেন্না খুদোংচানবা লাইরিক-লাইশু তম্নবগী পাম্বৈশিং মতিক চানা ফংহনবনচিংবা য়াওরি।

ৱাখল্লোনশিং অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা শেমগৎলিবা হায়র এদুকেসনগী পান্দমশিং অসিনা মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্য চাওখৎহনবদা করি করম্বা থৌদাং লৌরিবগে হায়বদু অন্দরগ্রেজুয়েটকী মণিপুরী সবজেক্কী সিলেবসতা য়ুম্ফম ওইরগা খজিক্তং থম্নবা হোৎনজরি।

সেমিষ্টর নিপান্না শাবা চহী মরিগী অন্দরগ্রেজুয়েট কোর্সতা লার্নিং আউটকম বেজ করিক্যুলম ফ্রেমৱার্ক (LOCF) অমসুং চোইস বেজ ক্রেদিট সিষ্টেম (CBCS) গী ওইবা মণিপুরী সবজেক্টকী করিক্যুলমদা অহানবা চহীগী অহানবা অমসুং অনীশুবা সেমিষ্টরদা মার্ক চাম্মনা শাবা ক্রেদিট অমমমগী পূন্না ক্রেদিট তরুক-তরুক থল্লি। কোর কোর্সকী ক্রেদিট অনী অনী, এবিলিটি ইনহান্সমেন্ট কোর্সকী ক্রেদিট অমমম; স্কিল ইনহান্সমেন্টকী ক্রেদিট অমমম অদুগা ভেল্যু এদিসন কোর্সকী ক্রেদিট অনী অনীনি।

অহানবা সেমিষ্টরগী কোর কোর্সকী অহানবা ক্রেদিটতা 'শৈরেং অমসুং ৱারেং' অনীশুবা ক্রেদিটতা 'গ্রামার অমসুং কম্পোজিসন'; এবিলিটি ইনহান্সমেন্টতা 'শৈরেং, ৱারেং, গ্রামার অমসুং কম্পোজিসন'; স্কিল ইনহান্সমেন্টতা 'ট্রান্সলিটরেসন' নৎত্রগা 'অরাংফম'; অদুগা ভেল্যু এদিসন্দা 'থিয়েটর' দা ক্রেদিট অমা অদুগা 'পর্ফোমিং ফোক আর্ট' তা ক্রেদিট অমা, পূন্না ক্রেদিট তরুক তল্লি।

অনীশুবা সেমিষ্টরদসু পূন্না ক্রেদিট তরুক তল্লি। অহানবগী কোর কোর্সতা ক্রেদিট  অনী মথংশিংনা 'দ্রামা' অমসুং 'নোভেল অমসুং শোর্ট ষ্টোরি' তল্লি। এবিলিটি ইনহান্সমেন্টতনা 'এনভাইরনমেন্টেল সাইন্স' কী ক্রেদিট অমা অদুগা স্কিল ইনহান্সমেন্টকীনা 'ফুদ প্রোসেসিং' নৎত্রগা 'ফেসন দিজাইন্নিং' অনী অসিদগী অপাম্বা ক্রেদিট অমা খঞ্জবা য়াই। ভেল্যু এদিসনগী ক্রেদিট অনী মথংশিংনা 'পোট্রিরি' অমসুং 'হেন্দিক্রাফ' কী সবজেক্টশিং য়াওরি।

অনীশুবা চহীগী অহুমশুবা অমদি মরিশুবা সেমিষ্টরদনা ক্রেদিট মঙা মঙানা শাবা তোঙান তোঙানবা পেপর মঙা মঙা তল্লি। অহুমশুবা সেমিষ্টরদা কোর কোর্সকী ক্রেদিট অহুম মথংশিংনা 'মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস' হায়বসিদা ক্রেদিট অমা, 'অরিবা মণিপুরী সাহিত্য' হায়বসিদা ক্রেদিট অমা অমসুং 'খৃষ্টগী তরানিপালশুবা চহীচা মমাঙগী মণিপুরী কলচরগী মশক' হায়বসিদা ক্রেদিট অমা তল্লি। সেমিষ্টর অসিদা জেনেরিক ইলেক্তিভ কোর্সকী ক্রেদিট অমা 'ইন্ট্রদক্সন টু মণিপুরী লিটরেচর' হায়বসিদা থল্লি অদুগা ভেল্যু এদিসনগী ক্রেদিট অমা 'বর কন্যা শেন্নবা' হায়বসিদা থল্লি।

মরিশুবা সেমিষ্টরদনা কোর কোর্সকী  ক্রেদিট অহুম মথংশিংনা 'হন্দোকপা সাহিত্য', 'ইন্ট্রদক্সন টু লিঙ্গুইষ্টিক্স' অমসুং 'লমকোয় ৱারী' হায়বসি তল্লি। জেনরিক ইলেক্তিভ কোর্স হয়বসিদনা 'অরিবা মণিপুরী সাহিত্য' হায়বসিদা ক্রেদিট অমা অদুগা 'নর্সরি প্লান কলচর' হায়বসিদা ভেল্যু এদিসনগী ক্রেদিট অমা পূন্না ক্রেদিট মঙা তল্লি।

অহুমশুবা চহীগী মঙা অমসুং তরুকশুবা  সেমিষ্টরদা ক্রেদিট মঙা মঙাগী সবজেক্ট মঙা মঙা তল্লি। মঙাশুবা সেমিষ্টরদা কোর কোর্সকী ক্রেদিট অনী মথংশিংনা 'পুন্সি ৱারীগী সাহিত্য', 'মহাকাব্য অমসুং খন্দকাব্য' হায়বা ক্রেদিট অনী তল্লি। সেমিষ্টর অসিদা দিসিপ্লিন স্পিসিফিক ইলেক্তিভ কোর্স হায়বা পেপর অমা 'খ্বাইরাকপম চাউবগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য' হায়বসিদা ক্রেদিট অমা তল্লি। অদুগা জেনেরিক ইলেক্তিভ কোর্সতা 'ময়ায়চনবা মণিপুরী সাহিত্য' হায়বসিদা ক্রেদিট অমগা ভেল্যু এদিসন কোর্সকী 'এন এস এস' হায়বা হীরম অসিমগা পূন্না ক্রেদিট মঙা তল্লি।

তরুকশুবা সেমিষ্টরদনা কোর কোর্সতা 'খৃষ্টগী ১৮ দগীনা ২০ শুবা চহীচা ফাওবগী মণিপুরী কলচর' অমসুং 'ফোকলোরিষ্টিক্স অমসুং মণিপুরী ফোকলোর' হায়বা ক্রেদিট অনী তল্লি। মসিগা লোয়ননা দিসিপ্লিন স্পিসিফিক ইলেক্তিভ কোর্সতা 'লমাবম কমলগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য' হায়বসিদা ক্রেদিট অমা, জেনেরিক ইলেক্তিভ কোর্সতা 'অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য' হায়বসিদা ক্রেদিট অমগা ভেল্যু এদিসনগী 'এন সি সি' হায়বসিদা ক্রেদিট অমগা পূন্না ক্রেদিট মঙা তল্লি।

মরিশুবা চহী, তরেৎ অমসুং নিপালশুবা সেমিষ্টরদা ক্রেদিট মরি মরিনা শাবা মার্ক চামরি চামরিগী কোর্সশিং তল্লি। তরেৎশুবা সেমিষ্টরদা কোর কোর্সকী ক্রেদিট অনী মথংশিংনা 'ভারতকী সাহিত্য নৈনরোল' অমসুং 'নোংচুপকী সাহিত্য নৈনরোল' য়াওরি। দিসিপ্লিন স্পিসিফিক ইলেক্তিভ কোর্সতা 'অঙাংহলগী পুন্সি অমসুং সাহিত্য' অদুগা জেনেরিক ইলেক্তিভ কোর্সতনা 'মণিপুরী ফোক লিটরেচর' গী ক্রেদিট অমা পূন্না ক্রেদিট মরি তল্লি।

নিপালশুবা সেমিষ্টরদনা কোর কোর্সকী ক্রেদিট অনী মথংশিংনা 'রিসর্চ অমদি পব্লিকেসন্স ইথিক্স' অমসুং 'দিসার্টেসন' হায়বসি তল্লি। দিসিপ্লিন স্পিসিফিক কোর্স হায়বসিদা 'লাইশ্রম সমরেন্দ্র অমসুং মহাক্কী মতমগী মণিপুরী সমাজ' হায়বসিদা ক্রেদিট অমা অদুগা জেনেরিক ইলেক্তিভ কোর্সতা 'মণিপুরী কলচরগী ইতিহাস' হায়বসিদা ক্রেদিট অমা পূন্না ক্রেদিট মরি তল্লি।

সেমিষ্টর অনী অনীনা শাবা চহী অমমমগী কোর্স অসিদা ক্রেদিট মশীং চাং মান্ননা থমদুনা লৌখৎলিবা হীরমশিং অসিনা মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্যদা অকূপ্পা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা মখোয়গা শাগোন্নদুনা লৈরিবা মণিপুরী কলচরগী মশক অমসুং মরিক চুন্না নৈনবগী (তন্নবগী) খুদোংচাবা অমা অনৌবা এদুকেসনগী চৎন-কাঙলোন অসিনা পীরি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা হেন্না নুংঙাইরিবদি ভেল্যু এদিসনগী কোর্স অমা তরুকশুবা সেমিষ্টর ফাওবা লেপ্তনা তমহল্লিবা অসিনা পুন্সিগী শিনফম অমা ওইনা মহৈরোয়শিংনা খঙ্গবা নৎত্রগা পাঙথোকচবা য়ানবগী খুদোংচাবা ফংহল্লিবা অসিনি। মসিদসু নত্তনা জেনেরিক ইলেক্তিভ ওইনা থল্লিবা কোর্সশিং অসিনা খজিক্তং জেনেরেল ওইবা মওং অমদা মণিপুরী লোন, সাহিত্য অমসুং কলচরগী মরমদা বেসিক ওইবা ফাওন্দেসন অমা খঙহন্নবা পান্দম থম্বনি অদুগা মঙাশুবা সেমিষ্টরদগী নিপালশুবা সেমিষ্টর ফাওবা চৎথরিবা দিসিপ্লিন স্পিসিফিক কোর্স অসিদনা হেন্না কূপ্পা অমদি মমুৎ তানা লোন অসিবু অমদি লোন অসিগী সাহিত্য অমদি কলচরগী মরমদা খঙনবগী অমদি নৈননবগী খুদোচাবা ফংহল্লিবা অসিনি। অদুগা অকোনবা মরিশুবা চহীগী তরেৎ অমসুং নিপালশুবা সেমিষ্টরশিংদা রিসর্চ পব্লিকেসন্স অমসুং ইথিক্সকী ক্রেদিট অমগা দিসর্টেসনগী ক্রেদিট অসিমগনা গ্রেজুয়েসনগী থাক্তগী হৌনা পোষ্ট গ্রেজুয়েসন্দা হেন্না রিসার্চ ওরিয়েন্টেদ ওইহন্নবগী লম্বী অমা নীংথিনা শেম্লি।

*য়ারোইশিন*

মপূংদা অন্দর গ্রেজুয়েটকী মণিপুরী সবজেক্টকী সিলেবস অসি হেক য়েংবা মতমদা মহৈরোয়শিংনা কোর্স অসি হেক তম্বা লোইবগা মশাগী শেন্থোক লম্বী অমমম লেপচবা ঙমহনগদবা, মখা তানা হীরম অসিদা হেন্না অৱাংবা থাক্কী রিসর্চতা য়ূম্ফম ওইবা কূপ্পা খঙবা অমদি থিজিন্নীংবগী অপাম্বসু ফাওহনবা অদুগা লোন অসিগী সাহিত্য অমসুং কলচরগী মরমদসু কোর্স অসি তম্বা হেক লোইবগা তাঙ্কক তাঙ্কক্কী ওইনা অন্দরগ্রেজুয়েসনগী থাক্তা মমাঙদা অমুক্তা ফাওবা থোকখিদ্রিবা নৎত্রগা থেংনখিদ্রিবা মওংদা লাইরিক্কা পুন্সিগা শম্নবা, লাইরিক্কা পুন্সিগী শেন্থোক লম্বী ওইনবগী খুদোংচাবা পীবা ঙম্বা করিক্যুলম্নি হায়বদা থোইনা চিংননীংঙাই লৈতে। মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী পামজবা অমদি ইমুং-মনুংগী ফিভম্না করিগুম্বা মরক্তা লেপথোক্লুবসু তম্লুরিবা মহৈ অদুনা করিগুম্বা কান্নবা খরদি শোয়দনা ফংহল্লগদবা অদুগা হেন্না থৱায় য়াওবশিংদসু হেন্না মনুং হুজ্জিন্না রিসর্চ তৌদুনা হেন্না কূপ্পা খঙনবগী খুদোংচাবা অমা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ না মণিপুরী লোন অমসুং মসিগী সাহিত্যদা খূদোল তৌরে হায়না লৌবা য়ারগনি।

*মতেং লৌজখিবশিং*


১) National Education Policy 2020.

২) Undergraduate course Manipuri Syllabus based on NEP 2020.

# মহৈ-মশিংগী হীরমদা মণিপুরগী মচাক মরলদা শোত্থরিবা লোনশিংগী কান্নরক্লীংঙাই অমসুং মায়োক্লগদবশিং

ডা হঞ্জবম সুরমঙ্গোল শর্মা

# मणिपुर में शिक्षा के क्षेत्र में साधनों का अभाव तथा भाषाओं की उपयोगिता और चुनौतियाँ

डॉ. हन्जबम सुरमंगल शर्मा

*सारांश:*

*प्रागैतिहासिक काल से मणिपुर में निवास कर रही जातियों में विभिन्न भाषाएँ प्रचलित रही हैं। ये भाषाएँ तिब्बतो बर्मन भाषा समूह के अंतर्गत आती हैं जिसे आगे दो भागों में विभाजित कर सकते हैं-*

*1. नागा की भाषाएँ 2. कुकी की भाषाएँ। इन सब में मैतै लोन (मणिपुरी) ऐसी भाषा है, जिसे सबसे अधिक संख्या में बोली जाती है तथा भारत के संविधान की आठवीं अनुसूची में शामिल भाषा है, परंतु विश्व की विकसित भाषाओं की तुलना में कई मायनो में पीछे है। विश्व स्तर पर हो रहे परिवर्तन के इस दौर में अपनी जगह न बना पाना, अपनी भाषा की जगह दूसरों की भाषा के प्रयोग करके भी निश्चिंत रहना, सरकार की नीतियों में भाषा के विकास की कोई प्रावधान निश्चित न कर पाना, ये सब भाषा को समृद्ध करने में बाधक हैं। राष्ट्रीय शिक्षा नीति 2020 में प्रारंभिक शिक्षा के लिए मातृभाषा के उपयोग की सार्थकता बताई गई है। आगे इस आलेख में बहुभाषावाद के संबंध में यूनेस्को के 2003 की एम एल ई के उद्देश्य पर भी प्रकाश डाला गया है।*

## *য়াহৌদোক*

মৈহৌরোলদগী মণিপুরদা খুন্দারিবা ফূরুপশিংনা তোঙান-তোঙানবা লোনশিং ঙাঙলকই। হায়রিবা লোনশিংসি অপূনবা ওইনা তিবেতো বর্মন কাঙলূপকী মনুং চল্লি অমসুং মখা তানা শরুক অনী থোক্লা খায়দোকপা য়াই। মদুদিঃ (১) নাগা লোনশিং (২) কুকি লোনশিং। ময়ামসিগী মনুংদা মীতৈলোন্না (মণিপুরীনা) খ্বায়দগী মীশিং য়ান্না ঙাঙবা লোন ওইরি লোয়ননা ভারত সংবিধানগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনবা লোন অমসু ওইরি। মালেমগী চাওখৎলবা মাঙজিন থারিবা লোনশিংগা চাংদম্নবদা হীরম খূদিংমক্তা শোত্থনা মঙম শানবা ঙমদনা লৈরি। হোংলক্লিবা মালেমগী খোঙজেলদা হকথেংননা য়াওশিনবা ঙমদবা, ঙাঙলিবা লোনবু মহাম তারবনি, চন্নফম লৈত্রে খল্লকপা, ইশাগী লোনবু অতোপ্পা লোন্না মহুৎ শীঞ্জিল্লকপদা নুংনাংলক্তবা, লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন্দা লোন য়োকখৎপগী পান্দমবু মরিক চূমহনবা ঙমদবা হায়রিবশিংসি লোন অমনা নৎত্রগা লোনশিংনা মচাক মরলদা শোত্থহৌনবগী মরম খরদি ওইরি। অহানবদা পেপরসিদা খন্নরিবসি এন ই পি ২০২০ অমসুং লোনগী মতাংদনি। মসিদা মমালোন্দা ঙল্লিঙৈ মতমদগী মহৈ-মশিং তম্বিবগী কান্নবা উৎলি। অনীশুবা সেক্সন্দা, এন ই পি ২০২০ গী মল্টিলিঙ্গুয়েলিজম য়োকখৎপগা য়ুনেস্কো ২০০৩ গী এম এল ইগী মান্নবা পান্দম খন্নরি। অহুমশুবা সেক্সন্দা, এম এল ইগী তঙায়ফদবা মচং ওইবা থৌরমশিং তেন্তক্লা নৈনরি। মরিশুবা সেক্সন্দা, য়ুনেস্কোগী অশেং-ৱারোলগী মতাংদা শম্লপ্পা নৈনরি– মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিংনা থেংনরকপা লৌশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা তাকপি-তম্বিবা, লোয়ননা লোন অমদগী হেন্না শীজিন্নবা। মঙাশুবা সেক্সন্দা, এম এল ই অসিবু মায় পাক্লা পাঙথোকপদা থৌদাং লৌগদৌরিবশিং কনা কনানো হায়বগী মতাংদা শম্লপ্পা নৈনরি। তরুকশুবদা, মণিপুরদা লৈরিবা লোনশিংগী ফিভমদা খরদং নৈনরি। তরেৎশুবদা, সেদ্যুলদা চল্লবা মীতৈলোলসি মহৈ-মশিং তম্বিবদা কদায় ফাওবা শীজিন্নরবগে হায়বগী মতাংদা খন্নরি। নিপালশুবা সেক্সন্দা, বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন, মণিপুরনা সেদ্যুল চন্দ্রিবা মণিপুরগী লোন কয়া শকখঙলে হায়বগী মতাংদা পল্লি। মাপলশুবা সেক্সন্দা, কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন, মণিপুর (কোসেম) না সেদ্যুল চন্দ্রিবা লোন কয়াবু শকখঙলে হায়বসিগী মতাংদা নৈনবনি। তরাশুবদা, মণিপুর সরকারনা শকখঙলবা সেদ্যুল ত্রাইব মশীং কয়ানো অমসুং পীরিবা মমিংশিংদা চমন্নবা খরা খন্নরি। তরামাথোইশুবা সেক্সন্দা, কাঙলূপশিংনা ঙাঙলিবশিংসি তোঙান-তোঙানবা লোনশিংলা, লোন্থৈশিং য়াওরিব্রা হায়বগী মরমদা খরদং নৈনরি। তরানিথোইশুবা সেক্সন্দা, নৌনা মণিপুর সরকারনা লোনশিং তম্বিবগী থৌদাং মসিগী মরমদা খন্নরি।

অরোইবদা, ঐখোয়না করি তৌফম থোকপগে হায়বসিগী মতাংদা খন্ননীংঙাই ওইবা ৱারোল পীজরি।

## *এন ই পি ২০২০ অমসুং লোন*

এন ই পি ২০২০ গী তঙায়ফদবা চৎন-কাঙলোনশিংগী মনুংদা মল্টিলিঙ্গুয়েলিজম অমসুং লোনগী মতিংবু য়োকখত্তুনা মহৈ-মশিং তাকপিবদা অমসুং তম্বিবদা শীজিন্নবনি। মসিগা ঈরোয়ননা ওইথোকপা য়াবা তানফম খূদিংদা, য়ামদ্রবদা তাঙ্কক (গ্রেদ) ৫ ফাওবা অদুবু খন্ননীংঙাই ওইনা তাঙ্কক (গ্রেদ) ৮ ফাওবা অমসুং মসিগী মথক্কী থাক ফাওবা য়ূমগী লোন/মমালোন/খুনলোন (লোকেলগী লোন)/ অকোয়লোন (রিজনেলগী লোন) শীজিন্নদুনা মহৈ-মশিং তাকপি-তম্বিনবা হায়রি। মসিগী মতুংদা, ওইথোকপা য়াবা তানফম খূদিংদা য়ূমগী লোন/অকোয়লোনসি মখা তানা লোন অমা ওইনা তম্বিবদা মখা চথবা য়াই। অফবা তম্ন-লাইরিকশিং, সাইন্সকী য়াওনা য়ূমগী লোন্দা/মমালোন্দা ফংহনগদবনি (এন ই পি ২০২০ঃ ৪.১১)। অঙাং অমনা লাইরিক তম্বদা, মখোয়বু তাকপি-তম্বিবদা শীজিন্নরিবা লোন্দুনা মরম ওইরগা মখোয়গী অৱাবা ওইহল্লোইদবনি হায়বা হীরমসিদা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

## *এন ই পি ২০২০ গী মল্টিলিঙ্গুয়েলিজম য়োকখৎপদা মীৎয়েং অমসুং য়ুনেস্কো ২০০৩ গী এম এল ই*

য়ুনেস্কোগী এম এল ই (মল্টিলিঙ্গুয়েল এদুকেসন) গা অখন্নবা মরী লৈনরিবদি অহানবা-লোন (ফার্ষ্ট-লেঙ্গুয়েজ) দা মহৈ-মশিং তম্বা ফংহনবা হায়বদি অঙাং অমনা মহৈ তম্বা হৌবসি মশাগী মমালোন্দা হৌবা অমসুং অহেনবা লোনশিংসু অমুক মহৈ তম্বদা য়াওহল্লকপনি। মসি ময়েক শেংলবা ৱাফমনি অদুবু অশেংবসি পূন্নমক্কা খঙনরবরা হায়বদুমক্তি ওইদ্রি। মদুদি মশাগী মরোলদা মহৈ তমদবা হায়বসিনা মখল অনীগী খুদোংচাদবা মায়য়োক্লগদৌরিঃ অনৌবা লোন অমা তম্বগী খঙননবা অহেনবা হোৎনবা অসিদসু নত্তনা লোন্দুগী মতেংনা খঙহনগদৌরিবা ফোঙদোক্লিবা অনৌবা থেংনদ্রিবা লৌশিংনি। খুদোংচাদবশিংসি অখন্নবা কাঙলুপ খরদদি হেন্না খুদোং চাহন্দ্রি। ইবা পাবা, ফুরুপ মচাশিং, মীরমদা চঙজফম লৌরিবশিং মখোয়না মহৈ-মশিং নীংথিনা তম্বা ফংদবগী খুদোংচাদবা অমসুং অৱাবা নুংনাংবা ফিভমদা লৈ (য়ুনেস্কো ২০০৩ এদুকেসন ইন অ মল্টিলিঙ্গুয়েল ৱার্ল্ড পেরিস)।

## *এম এল ই (মল্টিলিঙ্গুয়েল এদুকেসন) গী মচং ওইবা থৌরমশিং*

(ক) মীশিং য়ামজদবা লোন ঙাঙবা কাঙলূপ্তগী মহৈ তম্লিবশিংনা তম্বা হৌগৎলকপদা মশাগী মরোল শীজিন্নগনি।

(খ) মখোয়না লৈঙাক-লোন্দুবুসু (ওফিসিয়েল লোনবুসু) সবজেক্ট অমা ওইনা তম্মী।

(গ) মহৈ তম্লিবশিংনা জাতিগী লোনবু ঙাঙবা, পাবা অমসুং ইবা হৈরক্লবদা ওজাশিংনা লোনসিবু তাকপি-তম্বিবদা শীজিন্নবা হৌগনি।

(ঘ) হৌবদগী লোইবা ফাওবা অঙনবা থাক্কী মহৈলোয়শঙশিংদা খ্বাইদগী ফবা এম এল ই থৌরমশিংনা মহৈ তম্লিবশিংবু লোন অনীমক্তা পাউ ফাওনবদা অমসুং মহৈ তম্বদা পূক্নিং থৌগৎলি।

## *য়ুনেস্কোগী মখল অহুমগী অশেং-ৱারোল*

(ক) মহৈরোয়শিংগী অমসুং ওজাশিংগী লৌশিং অমসুং থেংনরকপশিংদা য়ূক্ফম ওইরগা য়ুনেস্কোনা মহৈ-মশিংগী থাক হেনগৎনবা মমালোন্দা তাকপি-তম্বিবদা শৌগৎলি।

(খ) য়ুনেস্কোনা মহৈ-মশিংগী থাক খূদিংমক তম্বদা লোন অনী অমসুং/ নৎত্রগা অনীদগী হেন্না শীজিন্নবদা শৌগৎলি। মসিনা খুন্নাই অমসুং নুপা-নুপীগী থাক মান্নহল্লি। লোয়ননা মসি তোঙান-তোঙানবা লোন ঙাঙনবা খুন্নাইশিংগীদি তঙায়ফদবনি।

(গ) য়ুনেস্কোনা হায়, লোন হায়বসি নাৎ অমগা অমগগী মরমদা ফাওদোক্লনবা, খঙননবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌই। মসিনা মীওই কাঙলূপশিংগী মরক্তা অপাম-পামদা খঙদোক্লহল্লি অমসুং অমনা অমগী ফংফম থোকপবুসু ইকাইখুম্নে।

## *এম এল ই (মল্টিলিঙ্গুয়েল এদুকেসন) দা থৌদাং লৌরিবশিং*

মখাদা পল্লিবশিংসি এম এল ইগী থৌরম মায়পাক্লা পাঙথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ঙাক্তনি।

(ক) মহৈ-মশিং তম্লিবা মীওইশিং

(খ) তম্লিবশিংগী ইমুং মনুং

(গ) থৌরমসিদা মায়পুননা, হকথেংননা য়াওরিবা ওজাশিং, শিল্লম-শিন্তাকপশিং।

(ঘ) তম্নবা, পাননবা, মখল মথেল কয়া পুথোক্লিবা অইবা, অয়েকপা, খোমজিল্লিবা, য়েন্থোক্লিবা মীওইশিং।

(ঙ) থৌরমসিবু লুচিংবশিং।

(চ) খুনগী/লৈকায়গী মহৈশঙশিং (খুনগী/লৈকায়গী থৌরমসি অঙাংশিংগা মরী লৈনবা ওইরবদি)।

(ছ) মহৈ-মশিংগী মায়কৈদা সরকারগী থৌপাঙবশিং– লোকেল, ষ্টেট, নেসনেল।

শেইফর (Shaeffer; ২০০৩) গী মতুং ইন্না, করিগুম্বা এম এল ই অসি নীংথিনা চৎনহন্দ্রবদি মসিনা করি ফিভমদা ওইরকপা হায়বগী মতাংদা অসুম্না পল্লি। মীশিং য়ামদনা লোন ঙাঙলিবা কাঙলূপশিংবু মখোয় মখোয়না ঙাঙলিবা লোনগী মশক, মনাৎ, মশাগা শাগোন্নরক্লবা শক্তম, চৎন-লোনচৎ থাদোক্লমদুনা অচৌবা খুন্নাইদুগী লোন অমসুং চৎন-লোনচৎ লৌদুনা, অয়াম্বনা চৎনরিবা শক্তম অমদা তিলহল্লকই। মসি অনৌবা থৌওং অমদি নত্তে। হায়রিবসিমক মতম কুইরবদগী চৎনরক্লবা, ময়েক শেংনা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুমকপু মসি মীশিং য়ামজদবা লোন ঙাঙলিবা কাঙলূপশিংগীদি য়াম্না নুংঙাইতবা, নুংনাংনীঙাই ওইবা মালেম পূম্বগী ৱাফম ওইরি।

### *মণিপুরদা লোনশিংগী ফিভম*

মীতৈলোন য়াওনা মণিপুরদা ঙাঙনরিবা লোন খূদিংমক মচাক-মরল মপূং ফানা শেমগৎত্রিবা লোনশিংনি হায়বা য়াই। মখল-মখা হীরম কয়াগী চাউরাক্লা পনবা য়াবদা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি, হ্যুমেনিটিজ, সোসিয়েল সাইন্সেসকী লাইরিকশিং ইবা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। অৱাৎপা অহোবশিংসি মশক খঙদোকপা তঙায়ফদে। ময়ামসিগী মনুংদা মণিপুরগী লোনশিংদা মপূং ফাবা মখল মখাগী টর্মিনোলোজি শেমগৎপা তঙায়ফদে। মালেমগী য়াঙনা হোংলক্লিবা খোঙজেলদা য়াওবা ঙম্বা হায়বসিদা লোন হায়বসি নাথৈরম্বা য়াদে।

মীতৈলোন্না মণিপুরগী অতৈ লোনশিংদগী মচাক মরল লৈবা খরা হেল্লিবগী মরমদি – অহানবদা, হীরম কয়াদা ইশিন্দুনা থম্বগী চৎনবী লীশাং শীৎনা লৈরকই। অঙনবা মতমদা লোনসিবু মীতৈ ময়েক্লা ইরম্মী। নোংচুপলোমগী মহৈ-মশিংগী থৌওংনা মণিপুর য়ৌরকপা মতমদদি মীতৈলোনসি বাঙ্গলা ময়েক্তা পাক শন্না ইরবা লোন ওইরে। হৌজিক্তি বাংলা ময়েক্কী মহুত্তা মীতৈ ময়েক্লা অমুক শীঞ্জিল্লক্লে অদুবু মীতৈ ময়েকখক্তনা মীতৈলোন ইদুনা ফিভম খূদিংমক্তা শীজিন্নবদি মতম খরা চঙখিগনি। অতোপ্পা ভারতকী লোনশিংদগী মখল-মথেল কয়াগী মীতৈলোন্দা হন্দোকপা লৈ। মীতৈশিংনা লোনসি খুন্নাইগী চৎন-কাঙলোন্দা, মীখলগা মরী লৈনবদা, লৈঙাক্লোন্দা, নাৎকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা, মীতিনফমদা, ঈৱাৎ-থৌনিদা, চেবাউদা, পাউ-চেনচিংবা কয়াদা শীজিন্নে। ফিল্ম, টেলিভিজন, দ্রামানচিংবদসু ফাওনলোন ওইনা শীজিন্নে।

### *মহৈ-মশিং তম্বদা মীতৈলোনগী থৌদাং*

সরকারগী থৌরাং অমা ওইনা মীতৈলোন শীজিন্নদুনা ১০ শুবা থাক ফাওবদি হীরম খূদিংমক তম্বিবগী অয়াবা লৈ। তম্নবা লাইরিকশিং মীতৈলোন্দা ইদুনা পুথোক্লম্মী অমসুং সরকারগী মহৈশঙ খরদা মমালোন্দা হীরম খূদিংমক তম্বা য়াবগী খুদোংচাবসি মহৈরোয়শিংদা পীরম্মী। অদুমকপু লাইবকথীবদি মমালোন্দা মরিক চূন্না মঙম শান্না মহৈ-মশিং তম্বা ফংহনবা হায়বদু মপূং ফাখিদ্রে। মসি মতৌ করন্না মায় পাকপা ঙমখিদ্রিবনো অমসুং পান্দম য়ৌবা ঙমখিদ্রিবনো হায়বসিগী থৌরাং অমসুং ওইথোক্লবা পরিং য়াৎপদা মীৎয়েং চঙফম থোকই। তঙায়ফদনা খন্ননীংঙাই ওইবা ৱাফম খরদি– তম্নবা ইরিবা লাইরিকশিংসি চপ চাবা থাক্তা লৈরবরা, মহৈরোয়শিংনা মমালোন্দা ইবা লাইরিকশিংদু পারগা হীরমদুদা থুনা মরিক চুন্না খঙবা ঙম্লবরা? মমা মপাশিংনা মচাশিংবু অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা শোথহৌনি হায়বগী নুংনাংবা পোকপা। মমালোন্দা মহৈ-মশিং তম্বসি মতিং লৈতবা মহৈরোয়নি হায়না ঙাঙনবসিনা মরম ওইরগা মমালোন্দা তম্বা মহৈরোয় ওইনীংদবা।

### *বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা মাপলশুবা অমসুং তরাশুবা থাক্কী তম্ন-কায়াৎ (সিলেবাই) তা য়াওরবা সেদ্যুল চন্দ্রিবা লোনশিং*

বোসেমনা মণিপুরদা ঙাঙনরিবা সেদ্যুল চন্দ্রিবা লোন তরামঙাবু মথক্তা পল্লিবা থাকশিংদা তম্বিনবা শকখঙলে। হায়রিবা লোনশিংসি শীজিন্নদুনা অতোপ্পা হীরমশিংবু তাকপি-তম্বিবগী থৌরাংমক্তি উবা ফংদ্রি। অদুমকপু থৌরাং অসি লোনশিংবু ফিভম ফগৎহন্নবা পায়খৎপা থৌদাংনি হায়বা য়াই। মতাংসিদা পনবা য়াবা অমদি লোন অমনা মপূং মরৈ ফাবা মতিং লৈবা ওইরকপসি অহানবদা, মমালোন ওইনা ঙাঙলিবা মীওইশিংনা মশাগী মরোল শীজিন্নবদা চাউথোকচবা, ঙাক-শেনবিবা তঙায়ফদে। অনীশুবদা, লোন অমবু শেমগৎ-শাগৎপিবা, য়োকখৎপিবা হায়বসি মতম-মতমগী পাল্লিবা লৈঙাক্কী তঙায়ফদবা থৌদাংনি। বোসেমনা শকখঙলবা লোনশিংদুদি মখাদা পীরি।

(১) তাংখুল, (২) কোম, (৩) গাংতে, (৪) জৌ, (৫) মাওলা, (৬) সিমতে, (৭) পাইতে, (৮) থাদৌ কুকি, (৯) রুআংমৈ

(রোংমৈ), (১০) পাউলা, (১১) মিজো, (১২) মার, (১৩) ৱাইফৈ, (১৪) লিয়াংমৈ, (১৫) অনাল অসিনচিংবনি।

*৯) কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন, মণিপুর (কোসেম) না তরামাথোইশুবা অমসুং তরানিথোইশুবা থাক্কী সিলেবাইদা য়াওরবা সেদ্যুল চন্দ্রিবা মণিপুরগী লোনশিং*

কোসেমনা সেদ্যুল চন্দ্রিবা মণিপুরগী লোন তরানিথোইবু কোসেমগী সিলেবাইদা য়াওই। হৌজিক ফাওবদি লোনশিংসিদা অতোপ্পা হীরমশিং (সবজেক্টশিং) তম্বা অমসুং তাকপিবগী খুদোংচাবদি লৈত্রি। লোনশিংসিগী মরমদা নৈনবা ওইনা ৱারেং, শৈরেং কম্পোজিসন্নচিংবা খরদা য়ূক্ষম ওইরি। লোনশিংসিগী তাংদাংবা মশক-মওং তাকপি-তম্বিবদা নুংঙাইগদবা শাফগদবা মওংদা ইথোকপা লাইরিকশিং মরাঙ কায়না লৈবা উদ্রি। হায়রিবশিংসি লোনশিংসিবু ঙাঙলিবা থৱায় য়াওজবা মীহুৎশিংগা সরকারগী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগা খূৎশন্নরগা হীরম কয়াগী লাইরিকশিং শেমগৎপা, মপূং ফাহনবা তঙায়ফদে। মখাদা পীরিবশিংসি কোসেমনা শকখঙলবা সেদ্যুল চন্দ্রিবা মণিপুরগী লোনশিংনি।

(১) মিজো, (২) তাংখুল, (৩) মার, (৪) পাইতে, (৫) থাদৌ কুকি, (৬) জৌ, (৭) কোম (৮) ৱাইফৈ, (৯) রুআংমৈ, (১০) মাওলা, (১১) গাংতে অমসুং (১২) লিয়াংমৈ অসিনচিংবনি। মতাংসিদা মিজো লোনগী মরমদা শন্নপ্পা পনবা য়াবদি– হায়রিবা লোনসি সেদ্যুল চনবা লোন ওইদ্রবসু মিজোরাম য়ুনির্ভর্সিটিগী মখাদা গ্রেজুয়েট, পোষ্ট গ্রেজুয়েট, পিএচ ডি ফাওবা তম্বা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ।

*মণিপুর সরকারনা শকখঙলবা সেদ্যুল ত্রাইবশিং অমসুং মখোয়গী লোনশিংগী ঙাক্লৌ*

মণিপুর সরকারনা শকখঙলবা সেদ্যুল ত্রাইব ৩৪ (কুন্থ্রামরি) গী মমিংশিং মখাদা পীরি।

(১) আইমোল, (২) অনাল, (৩) অঙ্গামি, (৪) চিরু, (৫) চোথে, (৬) গাংতে, (৭) মার, (৮) কবুই, ইনপুই, রোংমৈ, (৯) কচা নাগা, লিয়াংমৈ, জেমে, (১০) কোইরাও, থাঙ্গাল, (১১) কোইরেং, (১২) কোম, (১৩) লমগাং, (১৪) মাও, (১৫) মরাম, (১৬) মরিং, (১৭) এনি মিজো (লুশাই) ত্রাইব, (১৮) মোনশাং, (১৯) মোয়োন, (২০) পাইতে, (২১) পুরুম, (২২) রালতে, (২৩) সেমা, (২৪) সিমতে, (২৫) সুকতে, (২৬) তাংখুল, (২৭) থাদৌ, (২৮) ৱাইফৈ, (২৯) জৌ, (৩০) পৌমাই নাগা, (৩১) তারৌ, (৩২) খারম, (৩৩) এনি কুকি ত্রাইব অমসুং (৩৪) মাতে অসিনচিংবনি।

হায়রিবা ত্রাইবশিংসি তোঙান-তোঙানবা লোনশিং ঙাঙই হায়না লৌই অদুমকপু ত্রাইব খরগী মরক্তা মখোয়-মখোয়না ঙাঙলিবা লোনশিংদা অমগা অমগা চাউনা মান্নবসু উবা ফংদবা নত্তে। ত্রাইবশিং অসিবু খঙনরিবা মমিংশিংগা মখোয়না ঙাঙলিবা লোনশিংগী মমিংশিংগা ইমান মান্নে। মথক্তা পল্লিবা ত্রাইবশিংগী মমিংদা ত্রাইব অমবু মমিং অমদগী হেন্না খঙনবসু উবা ফংই। সেরিয়েল (৮) দা কবুই, ইনপুই, রোংমৈ হায়না পূন্না থল্লিবসিনা তাক্লিবসি অহুম্মক ত্রাইব অমখক্লি হায়বনি। অদুমকপু কাঙলূপ কাঙলূপকী 'কবুই' হায়না কৌবনা পামজবা, 'ইনপুই' হায়না কৌবনা পামজবা, 'রোংমৈ' হায়না কৌবনা পামজবা লৈ। তোঙান-তোঙান মফমদা ঙাঙনবা লোন ওইবনা মখোয়গী মরক্তা করি খেন্নবা লৈবগে হায়বসিগী থিজিনবা, খোমজিনবা তঙায়ফদে। সেরিয়েল (৯) দা 'কচা নাগা' হায়রিবসি ময়েক শেংদবা, চমন্নবা মমিং ওইরি। মসি কাঙলূপ মশাগী মীওইশিংনা কৌজবা নত্তে, কাঙলূপসিগী ৱাংমদা লৈবা মীওইশিংনা পীবা মমিং ওইনা তৌই। অমরোমদা 'লিয়াংমৈ' অমসুং 'জেমে' কাঙলূপশিংসি ফুরুপশিংসিগী মীওইশিংনা তোঙান-তোঙানবনি হায়না লৌই। মসি পূনশিনবগী মহুত্তা তোঙান-তোঙান খায়দোক্তুনা থম্বনা ময়েক শেংবা হেনগনি। সেরিয়েল (১৭) তা 'এনি মিজো (লুশাই) ত্রাইব' অমসুং সেরিয়েল (৩৩) দা 'এনি কুকি ত্রাইব' হায়রিবশিংসি ময়েক শেংদবা চমন্নবা ওইহল্লি– করম্বা ফুরুপশিংবু 'এনি' গী কাঙলূপ্তা চনগদৌরি।

*কাঙলূপশিংনা ঙাঙলিবসি তোঙান-তোঙানবা লোনশিংলা নৎত্রগা লোন অমগী লোন্থৈশিংলা?*

মীওই অনীনা মশা মশাগী মমালোন্দা ঙাঙদুনা অমগা অমগা পাউ ফাওনবা ঙমদ্রবদি মখোয়না ঙাঙলিবদু তোঙান-তোঙানবা লোনশিংনি। অতোপ্পা থৌওং অমদনা মীওই অনীদুনা ঙাঙলিবদুদা শকওং মান্নদবা, খেন্নবা য়াওজরগসু অমগা অমগা পাউ ফাওনবা ঙম্লবদি মখোয়না ঙাঙলিবদু লোন অমখক্কী লোন্থৈশিংনি। হাউকিপ (২০১১) কী মতুংইন্না থাদৌ, পাইতে, ৱাইফৈ, সিমতে, গাংতে অমসুং জৌ– লোন্থৈ ওইনা লৌবা য়ারগসু তোঙান-তোঙানবা লোনশিংনি হায়না মশক তাকই। মরমদি মখোয়বু ভারতকী সংবিধান্না তোঙান-তোঙানবা সেদ্যুল ত্রাইবশিংনি হায়না শকখঙলি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা উখ্রুলদা ঙাঙনরিবা অমগা অমগা পাউ ফাওনবা ঙমদবশিংবু তাংখুল লোনগী লোন্থৈনি হায়না লৌরি মরমদি ভারতকী সংবিধান্না মখোয়বু তোঙান-তোঙানবা ত্রাইবশিংনি/লোনশিংনি হায়না লৌদে। মথক্তা খন্নখিবা লোন অমসুং লোন্থৈগী ফিভমসি ঐখোয়না তাকপি-তম্বিবদা শীজিন্নবা লোন অমসুং সবজেক্টকী লোন ওইনা শীজিন্নবা, শেমগৎপা মতমদা খন্ননীংঙাই ওই অমসুং মমুৎ তানা খঙফম থোকই।

*দাইরেক্টোরেট ওফ লেঙ্গুয়েজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন্না শীনবা লোকেল লেঙ্গুয়েজ ট্রেনিং প্রোগ্রাম*

দাইরেক্টোরেট ওফ লেঙ্গুয়েজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন (দি এল পি আই), গভর্মেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা 'লোকেল লেঙ্গুয়েজ ট্রেনিং প্রোগ্রাম' অমা শীনখি। হায়রিবা থৌরম পরেংসি ইং কুমজা ২০২২ দগী দিসেম্বর ২২ গী হৌখি। অহানবা হৌবা ওইনা মীতৈলোন য়াওনা লোন ৭ (তরেৎ) খক লৌখৎলি। অতোপ্পা লোনশিংদুদি রুআংমৈ (রোংমৈ), পাউলা (পুমৈগী লোন), তাংখুল, অনাল, পাইতে অমসুং থাদৌ অসিনচিংবনি। লোয়ননা প্রোগ্রাম অসি ছুটি খায়দোক্লগা নুমিৎ ৬০ (হুম্ফুনি) নি চথগদবনি। মসিগুম্বা থৌরাং অসি মমাঙদা অমুক্তা শীনখিদ্রি। প্রোগ্রামসিগী ক্লাস অমদা ট্রেনি নিফু লৈ। মিং চল্লবা ট্রেনী খুদিংমক্তা থাগী লুপা ১০,০০০ ষ্টাইপেন ওইনা পী। প্রোগ্রামসিদা ট্রেনী ওইবা য়াবগী চঙদবা য়াদবশিং অদু মখাদা পীরি।

(ক) মশাগী মমালোন তন্নবা এপ্লিকান্ট ওইবা য়াদে। অতোপ্পা লোন অমা তম্বগী অয়াবদমক পী।

(খ) এপ্লিকান্ট অদু চহী ৫০ দগী হেন্দবা ওইগদবনি।

(গ) এপ্লিকান্ট অদু য়ামদ্রবদা ১২ ষ্টেন্দর্দ পাস তৌগদবনি।

*মীৎয়েং অমসুং খন্ননীংঙাই ৱারোল*

অহানবদা মহৈ-মশিংগী লমদা মমালোন শীজিন্নদুনা মপূং ফাহনবদি ওইদ্রি। সেদ্যুল চন্দ্রিবা লোন খরদি এম আই এল ওইনা শকখঙলে, অদুবু তাকপি-তম্বিবদা শীজিন্নগদবা মচাকশিং, করি য়াওহনগদবা, তম্লিবশিংগী অপাম্বা, তম্বিরিবা মফম অসিনচিংবশিংসি পরিং চুমহনবা মথৌ তারি। মনিপুর সরকারগী থৌশিল মখাদা চথখিবা অনীশুবা লোন তন্নবগী 'লোকেল লেঙ্গুয়েজ ট্রেনিং প্রোগ্রাম' অসি খুদিংমক্লা শৌগৎফম অমসুং পূক্লিং থৌগৎফম থোকই। সরকারনা অহকপা মীৎয়েং চঙদুনা অসিগুম্বা ট্রেনিংসি লেপ্তনা চথবদা খুদোংচানবগীদমক ইন্সটিট্যুসন নৎত্রগা একাদমি অমা লিংখৎপা তঙায়ফদে। মালেমগী হোংলক্লিবা শাফূনা মখল-মখা কয়াদা অমাঙবা ওইহল্লক্লি। মসিনা মরু ওইনা মীশিং য়ামজদনা লোন ঙাঙলিবা ফূরুপশিংদা শংশংনা শোকপগী মমি চাউনা তারি। মালেমগী লৈমায়দগী লোন কয়া অমসু মূৎখ্রে, হৌজিক হৌজিকসু মূৎনীংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈরি। মণিপুরদসু হৈশিংনা চেকশিন্না কন্ননবা থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি লোন কয়া অমা মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরি। মণিপুরগী সেদ্যুল চন্দ্রিবা এম আই এল ওইনসু তম্বিবা হৌদ্রিবা লোনশিং অসি মতম চানা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

*মতেং লৌজখিবশিং*


১) 'এদুকেসন ইন অ মল্টলিঙ্গুয়েল ৱাল্র্ড' (২০০৩)। য়ুনেস্কো (UNESCO), পেরিস।

২) হাওকিপ, পাউথাং (এপ্রিল ২০১১) 'দ লেঙ্গুয়েজেজ ওফ মণিপুর: এ কেস ষ্টদি ওফ দ কুকি-চিন লেঙ্গুয়েজেজ' লিঙ্গুইষ্টিক্স ওফ তিবেতো বর্মন এরিয়া (LTBA), ভোল্যুম ৩৪.১।

৩) 'মল্টিলিঙ্গুয়েলিজম এন্দ দ পৱার ওফ লেঙ্গুয়েজ (৪.১১)' নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০, মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্স দিভলপমেন্ট, গভর্মেন্ট ওফ ইন্দিয়া।

৪) শেইফর, এস (২০০৩)। 'লেঙ্গুয়েজ দিভলপমেন্ট এন্দ লেঙ্গুয়েজ রিভাইটলাইজেসনঃ এন এদুকেসনেল ইম্পরেটিভ ইন এসিয়া'। ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স ওফ লেঙ্গুয়েজ দিভেলপমেন্ট, লেঙ্গুয়েজ রিভাইটলাইজেসন এন্দ মল্টিলিঙ্গুয়েল এদুকেসন, বেঙ্কোক, থাইলেন্দ।

www.tribal.nic.in/ST/LatestlistofScheduledtribes.pdf (accessed on December 2, 2022).

# হয়ার এদুকেসন্দা অরিবা মণিপুরী লোনগী সাহিত্য তম্বিবগী সমস্যা


সিনাম চাওতোন সিংহ

অমসুং

ৱাহেংবম কমলা দেবী


# प्राचीन मणिपुरी भाषा के माध्यम से उच्च शिक्षा में साहित्य-शिक्षण की समस्या


सिनाम चाओतोन सिंह

एवं

वाहेङबम कमला देवी



*सारांश:*

*प्रत्येक समाज की अपनी भाषा एवं साहित्य की धाराएँ होती हैं। प्रागैतिहासिक काल से मणिपुरी भाषा एवं साहित्य संबंधी पुस्तकें प्रचुर मात्रा में उपलब्ध हैं। 20वीं शताब्दी के मध्यांतर तक साहित्य की गति मंथर होने के बावजूद अपनी भाषा और साहित्य के प्रति प्रेम करने वालों ने अपने समुदाय के भाषा, लिपि एवं साहित्य के विकास का प्रयत्न किया। मणिपुर के साहित्यिक पुस्तकों को उच्च स्तर के विद्यालयों, महाविद्यालयों और विश्वविद्यालयों में पढ़ाया जाता है। यही नहीं पीएच.डी. तथा आइ ए एस की परीक्षा देने वाले इस क्षेत्र के विद्यार्थियों का मणिपुरी भाषा एक पसंदीदा विषय बन गया है। नई शिक्षा नीति 2020 में शुरू से अंत तक मातृभाषा में शिक्षा का प्रावधान रखा गया है। मातृभाषा में पठन-पाठन से विभिन्न विषयों को भलि-भाँति समझने में आसानी होगी। महाविद्यालयों एव विश्वविद्यालयों के पाठ्यक्रम में सम्मिलित साहित्यिक पुस्तकों के विश्लेषण के साथ प्राचीन मणिपुरी भाषा के साहित्यिक पुस्तकों के स्वरूपों पर प्रकाश डाला जाएगा।*


## *ৱাহৌদোক*

পেপর অসিদা পঞ্জরিবা সমস্যা অসি অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী লাইরিক তম্বদা থেংনরিবা খুদোংচাবা অমদি খুদোংচাদবা হায়বা অসিদা মীৎয়েং থমদুনা শাগৎচবনি। একাদমিক সেসন ২০২২-২০২৩ দগী এন ই পি ২০২০ মণিপুরগী higher educational institute শিংদা চৎনবা হৌরে। হান্নদি বি এগী কোর্সতা মণিপুরী সবজেক্ট লৌজরগসু ওপসনেল পেপর খরসু লৌদুনা ৫শুবা সেমিষ্টরদগী ওনর্সকী পেপর ওইনা মণিপুরী সাহিত্যগী লাইরিক পেপর নাইনা অমুক তন্নরম্মী । অদুবু হন্দক্তগীদি হায়বদি এন ই পি ২০২০ চৎনবদগী বি এ ফুল কোর্স ওইনা চহী মরিমক্তা মণিপুরী সবজেক্ট অসি মমালোন্দা তম্বগী খুদোংচাবা অমা পীরে। মসিনা মণিপুরী লোন অমদি সাহিত্যবু পামজবা, নুংশিজবা, তন্নীংবা কয়াগীদি নীংবা থুংলগনি। লোয়ননা মণিপুরী লোন অমদি সাহিত্যবু চাওখৎনবা হোৎনবদসু খোঙজেল খরগী মখৈদি য়াঙলগনি খঞ্জে ।

## *মণিপুরী সাহিত্যগী মশক*

মালেমগী ওইনা সাহিত্যগী খোঙহৌশিং অসি চপ মান্ননা চীনবুংদা লৈরম্বদগী অইবা সাহিত্যগী মশক অসিদা ওইরকখিবনি হায়বসি পূন্নমক্লা য়ানরি। লমদম অসিগী সাহিত্যগী খোঙহৌসু অসুন্না শক্ল-শোন্নব অমদি লাইনীং-লাইশোলগা ঈরোয়ননা চীনবুংদা লৈরম্বদগী ঙসিগী মশক অসি ওইরকখিবনি। মণিপুরী সাহিত্যবু নৈনরিবা অখঙ-অহৈ, স্কোলরশিংনা মোৎ অমত্তা ওইনা মণিপুরী সাহিত্য অসি অরিবা, ময়ায় অমদি অনৌবা (হৌজিক ফাওবগী মতম) হায়না তাঙ্কক কয়া থোক্লা খায়দোক্তুনা থম্মী। অরিবা সাহিত্যগী লাইরিকশিং অসিদা খুন্নাই অসিগী লাইনীং-লাইশোল, লৈশেম-নোংশেম, ঈরাৎ-থৌনি অমদি মহৌশাগী খোঙচৎশিং কয়াবু শৈথাদুনা ইরম্মী । মরম অসিনা অরিবা লাইরিকশিং অসিদা ঙল্লিঙৈ মতমদা চৎনরম্বা চৎনবীগী মশক কয়াবু ঐখোয়দা নৌহৌননা নীংশিংনবা পাউদমগুম্বা ওইনা তৌই। অদুগা ঙসিগী মীওইশিংনসু হৌজিক্কী খুন্নাই অমদি পুন্সিগা মরী লৈনবা অমদি থোকখি হায়না থাজনা লৌই।

### *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী হীরম*

মণিপুরী সাহিত্যগী অরিবা লাইরিকশিংগী হীরমশিং অসি লমদমসিগী মীয়ামগী পুন্সিগা হকথেংননা মরী লৈনবা ঙাক্তনি হায়বা য়াই। অসিগুম্বা অরিবা সাহিত্য অসিগী হীরমশিং অসি মখল কয়ামুক থোক্লা খায়দোক্লম্বগী মশক অসি নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস হায়বা লাইরিকসিদা উবা ফংই। খরদং পল্লবদাঃ

১) সাহিত্য, ২) লাইহুই, ৩) চীংলোন ৪) নুংলোন, ৫) খুন্থোকলোন, ৬) মৈহৌবরোন, ৭) ৱায়েন পথাপ, ৮) লম্মিৎলোন, ৯) লৈশেম নোংশেমলোন, ১০) য়াঙবী, ১১) শেকনীং, ১২) নাউয়োম, ১৩) জগোই ঈশৈ, ১৪) শা-লান, ১৫)

তুংদা থোক্লগদবা, ১৬) খোঙ্গুল, ১৭) পাঞ্জি, ১৮) লাইনীং-লম্বী, ১৯) লাইফমলোন, ২০) লায়েং-পথাপ, ২১) ঈরাৎ থৌনিরোল, ২২) লাইশোল-তীনশোন, ২৩) ঐতিহাসিক, ২৪) ধর্ম্মগী, ২৫) থিরেন, ২৬) মহৌ অমসুং ২৭ । পাউরৌ পাউতাক অসিনচিংবনি । (অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস ৪৬-৪৮)

*লোন*

মণিপুরী সাহিত্যগী অরিবা লাইরিকশিংদা শীজিন্নরিবা লোনশিং অসি য়াম্না লিরবা হৌজিক্কী মীরোলনা খঙবদা ৱাবা লোনগী মশক্নি। লমদম অসিদা খুন্দারম্বা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপ কয়াগী মান্নবা ৱাহৈশিং পূনশিন্দুনা ৱাহৈ পুংবা শেমদুনা ইরম্মী। নুং-পান নাইবা অর্থ লৈবা অমদি সিম্বল অমসুং ইমেজরি ওইনা শীজিন্নবা লোনগী মশক য়াম্না য়াওই। হায়বনা অমা হায়রগা খঙবনা অমা খঙহল্লি। তশেংনা মতমসিগী লোনগী মশকসি লাইনীং-লাইশোল অমদি ঈরাৎ-থৌনিগা মরী লৈনবা ওইনা তৌবা অৱাংবা থাক্কী ওইবা নীংথিনা শেম্লবা লোনগী মশক্নি। মীচমশিংনা অয়ূক নুমিদাংদা শীজিন্নরিবা অচম্বা লোনগী মশক্তু নত্তে ।

*ময়েক*

অরিবা লাইরিকশিং অসি ইরম্লিবা ময়েকশিং অসি খূৎইদা ওইনা লৈ। লাইরিকসু অহুম-মরি নৎত্রগা কোপি অমত্তমক ওই । মতমগী য়াওল তুংইন্না মৈতে ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা ইথোক্তুনা অরিবা সাহিত্যগী লাইরিকশিং ফোঙলকই। অদুগা অমুক হৌজিক্তা মৈতে ময়েক্তা অমুক তন্নবগী বাংলা ময়েক্তা লৈরিবসিদ্গী মৈতে ময়েক্তা ইথোক্তুনা তন্নরি। অদুবু হৌজিক লৱার ক্লাসতগী হায়র লেভেল ফাওবদা তম্লিবা মৈতে ময়েক অসিদি হান্নগী অরিবা ময়েক অদুমক্তি নত্তে। ইনৌ নৌনা শেম্বা ময়েকশিং ওইনা তম্লি। হৌজিক চৎনরিবা মৈতে ময়েক অসিনা হান্নগী লৈরিবা অরিবা লাইরিকশিং (পুয়া) পাবা য়াদে অমদি ঙমদে। মতাং অসিদা নৈনবা য়াবা ৱাফম অমত্তংদি হান্নগী অরিবা মৈতে ময়েক্লা ইদুনা লৈরিবা অশেংবা লাইরিকশিং (ওরিজিনেল মেনুস্ক্রিপ্ট) অমদি লাইরিকশিং অসিদা শীজিন্নরিবা ময়েক (স্ক্রিপ্ট) অসিগী মরায়বক্তি করম তৌবা হায়বা ৱাহং অমদি থোরকই । মরম অসিনা অরিবা লাইরিকশিং archival sources ওইরিবশিং অসি ঙাক শেন্দুনা থম্বগা ঈরোয়ননা অরিবা ময়েকশিং তম্বিবা অসিসু তঙায়ফদনা লৌখৎকদবা খোঙথাং অমা ওইরকই । হীরম অসিদা মরী লৈনবা পূন্নমক্লা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাবরা হায়না খঞ্জে।

*মৈতৈলোনগী থাক*

ঙসিদি মৈতৈলোনগী থাক অসি মালেমগী লোনশিংগী মরক্তা ফিদা অমা ফংলে হায়বা য়ারে মরমদি মণিপুরী লোন অসি সাহিত্য অকাদেমি এৱার্দ চহী খূদিংগী হায়বদি ১৯৭৩ দগী লমদমসিগী অইবা/অইবীশিংগী লাইরিক্তা ফংনরি। ইং ১৯৯২ দ্গী মণিপুরী লোন ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লবা ভারতকী লোন ২২ গী মনুংদা অমা ওইরে। লমদম অসিদসু সাহিত্যবু য়োকখৎপা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদ্গী ইং ২০০৮ দগী চহীগী ওইনা মণিপুর ষ্টেট লিটরেচর এৱার্দ পীরি। অসিদা নত্তনা মৈতৈলোনবু ওপসনেল সবজেক্ট অমা ওইনা এম পি এস সি অমদি য়ু পি এস সিগী খ্বাইদ্গী ৱাংলবা পরীক্ষা থাদুনা মীওই কয়া মায় পাক্লখ্রে। লোয়ননা এম এ তমদুনা পিএচ ডি তৌদুনা ডোক্টরেট ডিগ্রী ফংনরি। অসিদা নত্তনা মপানগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট হায়বদি আসাম য়ুনিভর্সিটি, সিলচরদসু মণিপুরী দিপার্টমেন্ট হাংদুনা এম এগী থাক ফাওবা তম্লি অমদি পিএচ ডি কয়া ফংনরি। মেঙ্গলোর য়ুনিভর্সিটিদা ইং কুমজা ২০১০ দগী, দিল্লী য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরী সবজেক্ট তন্নরি। লোন অসি মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী ফাওনলোন (লিঙ্গুৱা-ফ্রাঙ্কা) ওইনা শীজিন্নরি। হৌজিক হৌজিকসু লমদম অসিগী ওফিসিয়েল লেঙ্গুয়েজ অমসু ওইরিবনি অমদি য়ুনিকোদতা লোন অসিনা টাইপ রাইটিং তৌবা য়াদুনা চাওখৎলক্লিবা লোন অমা ওইরি। লোয়ননা হন্দক্তসু ক্লাসিকেল লেঙ্গুয়েজতা চন্নবা কন্না হোৎনরি হায়বগী পাউদমসু লৈরি। মণিপুরী লোনগী পূক্কৈ থল্লবা সাহিত্যগী লাইরিকশিং হীরম শুনা ইদুনা মরাঙ কায়না লৈরি।

*অরিবা মণিপুরী সাহিত্য তম্বগী সমস্যা*

অহানবদা, অরিবা মণিপুরী সাহিত্য তম্বদা থেংনরিবা সমস্যা অসিদা মীৎয়েং থমদুনা নৈনজরি । অরিবা মণিপুরী লোনগী সাহিত্যগী লাইরিকশিং অসি তম্বদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া লৈ মদুগী মনুংদা অরিবা লাইরিকশিং অসিগী লোন অসি ঙসিগী মীরোলনা শীজিন্নদ্রবা, খঙবদা ৱারবা অমদি অর্থ খঙবা ঙমদবনা মমুৎ তানা খঙবা ঙমদবা অসিনি। হীরম অসিবু তম্বিগদৌরিবা ওজা অসিসু মণিপুরী লৌবা খূদিংমক্লা অরিবসি তাকপদা খূৎলোইদে । মরম অসিনা অখন্নবা তক্ষম অমা অমদি হীরম অসিবু খঙবা অখন্নবা মীওইশিং তানবা চঙই।

অনীশুবদা, হৌজিক থেংনরিবা অচৌবা সমস্যা অমদি মণিপুরী হায়বা সবজেক্ট অসি বি এ দগী এম এ ফাওবদা

তমগদৌরিবা অসিগী টেক্স বুকশিং মরাঙ কায়না ফংহনবা ঙমদ্রি। মপূং ওইনা অরিবা মৈতৈলোনগী লাইরিকশিং অসি বাংলা ময়েক্না মহুৎ শীন্দুনা ইবা হৌরকই। চাউরাক্না খৃঃ ১৮৪৪ দগী লমদম অসিদা বাংলা ময়েক অসি মপূং ফানা শীজিন্নরে। (মণিপুরী নাৎকী পুৰারী ৪৪৮) হৌজিক্না অমুক ইং কুমজা ২০০৬ তগী মৈতৈ ময়েক্তা শীজিন্নবা হৌরক্তুনা এম এ ফাইনেল পীবা য়াওরে । অদুবু লাইবক থীবদি বি এ অমসুং এম এ দা তম্লিবা টেক্স বুকশিং অসি মরাঙ কায়না ফংহনবা ঙমদবসিনি। মসিগী মতাংদা ৰাথোক কয়া ওইরি ।

অহুমশুবদা, টেক্স বুকশিং অসি পাম্বৈ অমা তৌদুনা লৈরে হায়না লৌরবসু অসি খক্তনা য়ারবরা হায়বগী ৰাহং অমা থোক্লকই । মসিগী পাউখুমদি য়ারোই হায়বসিনি। মতাং অসিদা ঐখোয়না অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মশাজৎ খরদং নৈনবা তঙায়ফদনা চঙই । মদুদি অরিবা মণিপুরী সাহিত্যশিং অসি খূৎইদা ইদুনা থম্লম্বনি। লোন অরিবা শীজিন্নৈ, লোনশিং অসি হৌজিক্কী মীরোলনা শীজিন্নদ্রবা, পাবদা ৰানা থোক্লবা অমদি অর্থ খঙবা ঙমদ্রবনা অয়াম্বনি। অখন্ননা হীরম অসিদা তম্লুবা অমদি নৈনরুবা মীওই অমা অনী নত্তনা লৈরিবা অরিবা খূৎই লাইরিকশিং অসি হেক্তমক তাকপা অমদি পাবা ঙম্নদে। অর্থসু খঙবা ঙমদে। লাইবক থীবদি হৌজিক ওল্লক্লিবা ময়েকসিগা হান্নগী অরিবা খূৎইদা লৈরম্লিবা ময়েক অনীসিসু য়াম্না চাউনা খেন্নবা লৈ। অদুগা অমুক অরিবা লাইরিকশিং অসিগী হীরমশিং অসি লাইরোন-তীল্লোন, ঈৰাৎ-থৌনি অমদি লৈশেম-নোংশেম্বগী ওইবা হীরমশিংনা অয়াম্বা ওই (মথক্তসু হীরমশিং পঞ্জখ্রে)। অদুগা মাইবা-পাঞ্জিগী লাইরিকশিং নত্তনা সাহিত্যগী অসিগুম্বা তম্নবা লৌখৎলিবা লাইরিকশিং খূদম ওইনা পোইরৈতোন খুন্থোক, নুমিৎ কাপ্পা, পান্থোইবী খোঙ্কুল অমদি তুতেংলোন নচিংবা লাইরিকশিং অসি ইচম-চম্না ইরমদে। হায়বদি এল্লেগোরিগী মওংদা অর্থ লোৎলগা থম্বা মপান্দনা অমা ফোঙদোকপা অদুগা নুংদনা অমা থম্বগী মওংদা ইবনা অয়াম্বনি। লৌখৎলিবা টেক্স অসিখক্তমক পারগা অর্থ লোয়না খঙবা ঙমদে। ক্রোস রিফরেন্সিং ওইনা য়েংনবা লাইরিক ময়াম অমা থিবা চঙই। খূদম ওইনা হায়রবদা নুমিৎ কাপ্পা লাইরিক্তা নুমিৎ অসি কনানো হায়বা তাক্তে নুমিৎ অসি খঙনবা হোৎনবদা অতোপ্পা লাইরিক ময়াম অমা য়েংবা চঙই। লৈরিবা খূৎই লাইরিকশিং অসি অমগ-অমগা মরী লৈননা ইরম্মী। মরম অসিনা লাইরিক অমখক্তমক (টেক্সবুক) পারগা মমূৎ তানা খঙবা ঙমদবনা মরী লৈনবা খরা য়েংদবা শুংয়া য়াদে। খূদম অমত্তং পল্লবদা পোইরৈতোন খুন্থোক অসি তাক্লবা অমদি খঙনবা হোৎনবদা লাইরিক কয়ামুক য়েংবা চঙইঃ

> খানিংবা হোঙনতে ।। মিকোনপা হোঙনতে ।। খানিং মিকোন অমমা তৈপাতি ।। য়িয়ুৰা চিঙখোঙ পোইরয়তোন মখুয়োনপু কোনপানে ।। (*পোইরৈতোন খুন্থোক* ১)

লৌখৎচরিবা কোট অসি খঙনবগীদমক মরী লৈনবা রিফরেন্স ওইবা অরিবা লাইরিক কয়ামরুম হায়বদি চাদ লাইহুই, থিরেন লায়াৎ অমদি খমমোই য়াংমোই নচিংবা য়েংবা চঙই। হায়রিবা লাইরিকশিং অসিসু মহৈরোয়শিংনা পানবা ইথোক্তুনা ফংহনবা চঙই। মসিদা নত্তনা পোইরৈতোন খুন্থোক লাইরিক অসিগী অহৌবা ৰারীদা সিম্বল ওইনা জীবা কয়াগী ৰারীনা হৌরকই হায়বদি ‘সবী’, ‘ৰাবা’ অমদি ‘তোকপা’ হায়দুনা জীবা খরা য়াওরি। লাইরিক অসিদা পোইরৈতোনগী মরমদা চাউরাকপা খরদং তাক্লবসু হায়রিবা জীবশিং অসি কনা-কনানো হায়বা পল্লমদবনা খঙনবগীদমক অমুক তোঙান-তোঙানবা লাইরিক কয়ামুক হায়বদি লয়হৌ নোংহৌ, চেংলৈরোল, করথোং লমলেন অমদি পাখংবা নোঙ্গারোল নচিংবা অরিবা লাইরিক কয়া পাবা চঙই। মরম অসিনা ঐখোয়না টেক্স বুক অমখক ফংহনবনা য়াদ্রি। অরিবা লাইরিকশিং অসিদি সাইন্সকুম্না চপ-চপ চানা মরম খঙনা ইরম্বা নত্তে, পাউখোঙ ওইনা ইরম্বা ময়াম অমা য়াওরি। মসি পূন্নমকসি খঙনবগীদমক লৈরিবা অরিবা লাইরিক কয়াসু ফংহনবা অমা চঙই। হায়বদি ইতিহাস, ভুগোলগুম্বা নত্তে, সাহিত্য ওইবনিনা নুংগী অর্থ চেনবা কয়া অমা য়াওরি। অসিগুম্বা টেক্সবুক অমদি রিফরেন্স বুকশিং মরাঙ কায়না ফংহনবা মথৌ তারি।

নাকল অমরোমদা এন ই পি ২০২০ লাকপদা ইমালোন চাওখৎনবগা মরী লৈননা তম্নবা টেক্সবুক অমদি রিফরেন্স বুকশিং মশীং হেনগৎলক্লিবনি। মহৈরোয়শিংনা খঙজনবা অমদি পাবা থোকপা ময়েকশিংদা ইথোক্তুনা ফংহনবা চঙলি। মতাং অসিদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং অমদি থৌশিল চঙলকই, হংবা য়াবা ৰাহং অমদি লৈঙাক্না অসিগুম্বা অনৌবা পোলিসি চৎনরকপসিদা মরী লৈনবা লাইরিক ফংহন্নবা করম-করম্বা পোলিসি, প্লান্ট পায়খৎপিরবগে হায়বা ৰাহংশিং হংদুনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিনবা চঙই হায়বসিনি ।

মরিশুবদা, ঐখোয়গী লমদম অসিদদি মতিক চাবা পাব্লিশিং কম্পেনি লৈতবনা অচৌবা অৰাবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মরমদি মপানগী অচৌবা পব্লিশর খরনা অখন্নবা লাইরিক অমা অনী মার্কেটকী মওং য়েংলগা ফোঙবা নত্তনা কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিদা তম্নবা টেক্সবুকশিং ফোঙবদা মখোয়গী ইন্টরেষ্ট লৈতবগী মমি উই। মরমদি ঐখোয়গী মৈতৈ ময়েক্কী লাইরিকশিং অসিদি লমদমসিখক্তদা শীজিন্নবা ওইবনা লৈবিনবা অমদি পাবিনবা মীশিং য়ামদবা, ঐখোয়গী

লৈবাক মনুংখক্তদা শীজিন্নগদবা ওইবনা মখোয়দসু ইন্টরেষ্ট লৈরমদবা য়াই, মখোয়দা শাউরুবা অমদি ৱারৌরুবা য়াদে। লমদমসিগী মশাগী লোন, ময়েক অমদি সাহিত্যবু নুংশিবশিংনা লাইরিক অমা অনী ফোঙলবসু লৈবিনবা অমদি পাবিনবা মশীং য়ামদবনা অৱাবা কয়া মায়োক্লবনা মখা তানা ফোঙবগী চাংসু ৱাৎলি। হৌজিক্তি মৈতৈ ময়েক অমদি বাংলাগী মহুৎ শিন্নবগী লংদাই ওইবনা মতম অসিদদি হেন্না চাউবা অৱাবা, খুদোংচাদবা সমস্যা কয়া মায়োক্লখিগনি খল্লি। য়াম্না মরুওইবা মরম অমনা মণিপুরদা অচৌবা পব্লিশর লৈতে। মপানগী পব্লিশরশিংনা অসিগুম্বা লাইরিকশিং ফোঙনীংদ্রিবগী মরমদি মসি পাক শন্ন-শীজিন্নবা য়াদবা, লমদমসিখক্তগী ওইবা মীওইশিংতনা শীজিন্নবননি। অদুবু মতমগী অওনবগী খোঙচৎ মতুং ইন্না লাইরকশিং অসি তমদবদি য়ারোইদৌরি। লাইরিকশিং অসি ফংদবনা অনৌবা পোলিসি অসি ফেল ওইনবগী মরম ওইরকই। ওইহল্লোই মায় পাক্লা চৎহনগে হায়রবদি লৈঙাক্কী ওইবা অকনবা মীৎয়েং চঙবা অমদি মতম চানা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎপা দরকার লৈ। পোলিসি কয়া শেমদুনা লাইরিকশিং ফোঙবা অমদি ফংহন্নবা শীনবিবা নত্তনদি অৱাবা অসি লৈখিগনি হায়জনীংই।

### *অরিবা মণিপুরী সাহিত্য তম্বগী কান্নবা*

মমালোন্দা তম্বা হায়বসিদি অইবা লোন তম্বগী ৱাফম ঙাকসু নত্তে, মসিদি সবজেক্ট অমা ওইনা তম্বনি। সবজেক্ট খূদিংমক মমালোন্দা তম্বা হায়বা অসিদি টেক্নিকেল ওইবা কাঙলোন কয়ামুক লৈখ্রে। অদুবু হায়র এদুকেসন্দা মৈতৈলোন অরিবগী সাহিত্য তম্বা অসিগী কান্নবা হায়বসিদি অমুক হায়রুদ্রবসু পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। হায়বদি অসিগুম্বা অরিবা লাইরিকশিং অসিদা ঐখোয়গী মাঙলমচৎকী চৎনবী, নাৎ লাইনীং-লাইশোল অমদি সমাজগী মশক কয়া ৱারীগা শাগোন্নবা য়াওরিবনি। ঐখোয়গী লৈবাক অসি অঙনবা মতমদা ফূরুপ কয়ামরুম খুন্দাদুনা লৈরম্মী অমদি হায়রিবা ফূরুপশিং অসি অমুক খূৎকন-পাঙ্গনবা অমগী মখাদা অমত্তা ওইনা ঙসিগী মণিপুর অসি ওইরকখি ৱাফমশিং অসি অরিবা মণিপুরী লাইরিকশিং অসি পারগা খঙবা ঙমগদৌরিবনি। ঐখোয় ইশাগী লোন, ময়েক অমদি অইবা সাহিত্যগী লাইরিকশিং লৈজরম্বনা মালেমগী মীয়াম মমাঙদা চাউখোক্লা লেপ্পা ঙমজরিবনি। ইশাগী লোন, ময়েক্লা ইবা চহী লীশিং অনীগী লেঙদ্রবা অমদি তৎত্রবা ইতিহাস পুৱারী লৈজবা জাতি অমা ওইবগী চাউথোকচরিবনি। অরিবা সাহিত্যশিং অসি তম্বনা ঐখোয়গী আইদেন্টিটি, কলচর অমদি হিষ্ট্রি খঙবা ঙমগদৌরিবনি। খূদম ওইনা হায়রবদা পান্থোইবী খোঙ্গুল লাইরিক অসিদা য়াওরিবা করেক্তরশিং অসিদা খৃষ্টগী মমাঙ, হয়িচক্কী মতমদা নিংথৌ ওইনা পানখি থাজনরিবা নিংথৌ কাঙবগী মশূ শাপাইবগী ৱাফম পল্লিঃ

> হাওরৈ নোংচুপ লা পাংপারমকি মমা পিতিংকোয় লামপিচা, নিংথৌ শাপাইপা লৈমোল চাকোয় উথাপা... (*পান্থোইবী খোঙ্গুল* ২১)

অসুম্না পান্থোইবীনা চাউরক্লবদা মহাক্কী মপা চাবা মীনা হায়জবা হৌরে। নিংথৌ শাপাইবগী হায়রবদা য়াখিদে। অদুগ খাবা শোকচ্রোংবনা মচানুপা তরম খোইনুচাগী হায়নদুনা অওঙ-অউন তমদুনা লুহোংই। মতাং অসিদা পল্লিবা নিংথৌ শাপাইবা অমদি খাবা শোকচ্রোংবনচিংবসি লমসিদা খৃষ্টগী চহীচাগী মমাঙদা মনীং-মখা তন্না নিংথৌ ওইনা পান্দুনা লৈরম্বা মীওই কাঙলূপশিংনি। অসিদা নত্তনা লমদমসিগী অমত্তা ঙাইরবা নাৎকী মশক কয়া য়োকখত্তুনা ঙাক্তুনা থল্লিবা লাই হরাউবা হৌখিবগী ৱাফমশিং লাইরিক অসিনা রিফরেন্স ওইনরিবনিঃ

> তমপা নঙকি চয়রৈ শেৎনামল, শিঙলেন চিন নামল লৈরাং অমনপা শম লাং চোইনা কেললওপাপু তাঙচা পমতোং শমলাং শমপূমমা অসিপু তমপা নহাক শাংকুমপানে। থৌচাল ললকুপিরম-ও। নতাইরেম খাপা য়িখোয়সুং, তমপা নহাকপু শংশঙনা লৈপাকুমনা নিঙচারকে চিঙঙু প্রুমচারাকে। পোইরৈ লৈপাক ঙাকপি-ও হায়না খাপা পূন্ন হৌন য়াংপা পাকনা তাইনাতি কাওপী চিকারূকনা মালেম থৌরৈ লৈকা পায়ন প্রুল্লাপাতা...। (*পান্থোইবী খোঙ্গুল* ১৪০)

অসুম্না খাবা মরান য়াইদ্গী পান্থোইবীনা নোংমাইজিংদা লৈখ্রবদা খাবা শোকচ্রোংবগী নুপী মনুতেকঙানা, পান্থোইবীনা খাবা মরানয়াইদা লৈরিঙৈদা শীজিন্নরম্বা ফিমল, শমজেৎ হাৎপদা কেলহৌবা মশম, চিল্লম্বা লৈ নাচোম অমনবশিং পুদুনা পান্থোইবীবু খুরুমজদুনা লাৎচখি। অসুম্না চহী খূদিং চাক্লোন কত্তুনা লাই হরাউবা হৌখিবগী ৱাফমশিং অরিবা লাইরিকশিং অসিখক্তদগী খঙবা ঙম্মী। অরিবা সাহিত্যগী লাইরিকশিং অসিদা লম্মিৎ-তুম্মিৎ কয়াগী মমিং থোনখিবগী ৱারীশিংসু মরাঙ কায়না য়াওরি। মফম অমগী লম্মিৎলোনগী মরমদা কূপ্পা খঙগে, থিগে হায়রবদি অরিবা সাহিত্যগী লাইরিকশিং অসিদা ফংই। খূদম ওইনাঃ

> খোংচোমঃ তাউহুইরেং অহনপাতি য়িমু পাকতকনান।। য়িঙাঙ য়িচেন নারপাকী।। য়িমু খকমাতাখিপানা।। পামেন ৱুফৈথকতা পকলৌপাতি।। পামেল সায়িলৈপু ৱোইনা সালৱোনখিএ।। তাউহুইরেং অহনপাতি নুমিৎ

চয়চেনলা।। থপালান নংলা।। থিংলৌ য়াইনমনা।। মরোং লীচৈ চেননা।। লাইসনা কাকফৈ য়িপু।। য়িমু খকমাতারপনিকিনা।। খোইমোম লাইনা তৌপাকুম পাইথাখিরে।। নোংপোক তৌরিং লৈমচাকী।। লাংকোই থানুং থিৎলপকী।। হাওরৈ খানা পাংপলমতা।। খোংনা লাউনা পাইথখিএ।। অতুনোংকিপু খোংচোম লমনামুংৰো তৌনা কৌএ।। (*নুমিৎ কাপ্পা* ১৩-১৪ )

অসুন্না অরিবা লাইরিক্কী হীরমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লম্মিৎলোন (toponomy/place name) হায়বসিগী ৱারী কয়া অরিবা সাহিত্যগী লাইরিকশিংদা য়াম্না মরাঙ কায়না য়াওরি। অসিগুম্বা লম্মিৎলোনশিং অসি নৈনবদা হৌখ্রবা মতমদুগী ওইবা ইতিহাস, সমাজ অমদি কলচরগী মশক কয়াসি খঙবা ঙমগনি। লম্মিৎ-তুম্মিৎ তাকপা, মফম কয়া মিং থোনখিবগী ৱারীশিং অসিনা তুংগী চারোল-শূরোলগী মীরোলদা হৌখ্রবা মতমগী থৌদোক-ৱাথোক্কী ৱারী কয়া লৈরিবশিং অসি অরিবা সাহিত্যগী লাইরিকশিং অসি পারবা মতমখক্তদা খঙবা ঙম্লক্কনি। লম্মিৎলোন (toponomy/place name) হায়বসি হৌখ্রবা মতমগী হৌজিক ফাওবা হিংদুনা লৈরিবা প্রমাণ/খূদম্নি, "toponomy/place name is the living evidence of the past history, society, culture and literature etc." হায়র এদুকেসন্দা অরিবা মণিপুরী লোনগী সাহিত্য তম্বগী সমস্যা কয়াশিং অসি লৈবনা কূপ্না খন্ন-নৈনবগী তাঞ্জা অমা পুথোকপিরকপসি মতাং য়াম্না চাই হায়না লৌজৈ।

### *মতেং লৌজখিবশিং*


১) সিংহ, এল অশোককুমার, *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী পরীং,* অহানবা শরুক, অহানবা খূৎনম, ইম্ফাল, ১৯৮৮।

২) সিংহ, ও ভোগেশ্বর (সম্পাদক), *নুমিৎ কাপ্পা,* অনীশুবা খূৎনম, য়ুনিভর্সেল লিটরেরি এসোসিয়েসন মণিপুর, ইম্ফাল, ১৯৮৬।

৩) লুৱাং, নোংথোনবমচা অচৌ, *নিংথৌ কাঙবলোন,* অনীশুবা খূৎনম, ইম্ফাল, ১৯৯৪।

৪) সিংহ, মোইরাংথেম চন্দ্র (হন্দোকপা), *পান্থোইবী খোঙ্গুল,* মরিশুবা খূৎনম, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, ১৯৯৯।

৫) গৌরচন্দ্র, ময়াংলম্বম, *লম্মীৎলোন,* পিপলস ম্যুজিয়ম, ককচিং, ২০০৪।

৬) মোইরাংথেম চন্দ্র সিংহ, *পোইরৈতোন খুন্থোক,* পোক্লফম পব্লিকেসন, ইম্ফাল, ১৯৯৫।

৭) গুনিন্দ্র, পাওনম, *মণিপুরী কলচরদা মীৎয়েং অমা,* অনীশুবা ভোল্যুম, পোক্লফম পব্লিকেসন, ইম্ফাল, ২০০৬।

৮) সিংহ, খেলচন্দ্র, *চাদ লাইহুই,* ইম্ফাল, ১৯৬৬।

৯) সিংহ, খেলচন্দ্র, *অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস,* ইম্ফাল, ১৯৬৯।

১০) সিংহ, ইরোম অমুবী, *লৈহৌ নাউফমলোন,* ইম্ফাল, ১৯৮১।

১১) ইন্দ্রমনি, নাওরোইবম, *করথোং লমলেন,* ইম্ফাল, ২০০৬।

১২) ইবোচৌবা, এন, *থিরেল লায়াৎ,* ইম্ফাল, ১৯৮১।

১৩) মানওয়াইমা, নোংমাইথেম *তুতেংলোন,* ককচিং, ১৯৮০।

১৪) অশোক কুমার, এল, *মণিপুরী নাৎকী পুৱারী,* ইম্ফাল, ২০১৬।

# তোঙান-তোঙানবা মমালোন ঙাঙবা ফুরুপশিংবু

# পাউ ফাওদোক্নহন্দুনা অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা নেসনেল ঈ-ভিধান এপ্লিকেসন (নেভা) না লৌরিবা থৌদাং

লাইসংবম রিনা দেবী

# विभिन्न भाषा-भाषी समुदायों में आपसी सम्पर्क एवं उनमें एकता स्थापित करने में नेशनल ई विधान एप्लिकेशन (एन ई वी ए) का दायित्व

लाइसङबम रिना देवी

*सारांश:*

*डिजिटल इण्डिया इनिशिएटिव के तहत वन नेशन वन एप्लिकेशन विषय के अंतर्गत भारत सरकार द्वारा नेशनल ई विधान एप्लिकेशन (एन ई वी ए) परियोजना का आरंभ किया गया था। एन ई वी ए देश के विधायकों के प्रत्येक कार्यों में कागज के प्रयोग को रोककर डिजिटल सभा में तबदील करने की एक महत्वकांक्षी पहल है। सभा के कार्यसूची, प्रश्न, सूचना, बिल, कमिटी प्रतिवेदन, बुलेटिन, प्रस्ताव आदि को उस राज्य की भाषा अथवा अंग्रेजी भाषा या द्विभाषिक रूप में निर्वाचित सदस्यों तथा जनता द्वारा प्रयोग को संभव बनाने वाला यूनिकोड के नियमों का पालन करते हुए निर्मित किया गया एक सॉफ्टवेयर है। इसका मूल उद्देश्य विभिन्न भाषा-भाषी समुदायों के बीच सरकारी एवं राजनीतिक असंबद्धता को खत्म करना है।*

## *ৱাহৌদোক*

লেজিসলেচর হাউসশিং অসি ঈ-পাউ/ইনফোর্মেসন য়াম্না মথৌ তাবা লোইশঙশিংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লেজিসলেচরশিংনা তৌথোরকপা থবক, ঙাঙথোক শক্তোক্লকপা ৱাহৈ-ৱাতা, লৌরকপা ৱারেপ নৎত্রগা ফিরেপশিং, পাউতাক পীবা অসিনচিংবা পূন্নমক ফংলিবা নৎত্রগা পীরিবা ইনফোর্মেসন/ ঈ-পাউগী মখা ফজনা পোল্লি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইবনা মায়কৈ কয়াদগী খুদম ওইনা হায়রবদা মীওই মখল কয়াদগী, কাঙলূপ কয়াদগী, লোইশঙশিংদগী তরেৎ-তরা থোক্লা ঈ-পাউ মখল-মথেল কয়া অমা ফংই অমসুং হায়রিবশিং অসি মমুৎ তানা নৈনবা য়াম্না মরু ওই। ভারত অসি লোন মখল কয়া ঙাঙবা কাঙলূপ/ফুরুপ মখল কয়ানা খুল্লিংলগা শেম্বা অদুগুম্লবা অচৌবা লৈবাক অমা ওইবনা লৈঙাকপা/লেজিসলেচরসু কাঙলূপ তিন্নদবা ফুরুপ মান্নদবা তোঙান-তোঙানবা লোন ঙাঙবা ময়াম অমা পূন্না ফম্মিন্নৈ অমসুং লৈঙাক্লোন শেম্মিন্নবদা শরুক য়ামিন্নৈ। নেসনেল ঈ-ভিধান এপ্লিকেসন (নেভা) অসি ইলেক্ট্রোনিক্সকী মতেংনা লেজিসলেচর হাউসশিংগী থবক থৌরমশিংবু চে-চাং শীজিন্নদনা হেন্না খুদোংচাবা মওং অমদা চলাইনবা পায়খৎপা থৌশিল অমনি। মসিনা লৈঙাক্লোন শেম্বগী মরিক চুম্বা পরিং, লৈঙাক্কী ফিরেপ/ৱারেপশিং অমদি অরুবা চে-চাংশিং মীয়ামদা, লেজিসলেচরশিংদা অমদি ওফিসিয়েলশিংদা লায়না থিবা অমসুং পীথোক-পীশিন তৌবা ঙমহল্লি। নেভা অসি মেম্বরশিং অমদি মীপূম খূদিংমক্তা খূৎলোয়গদবা মওংদা শেম্বা এপ্লিকেসন অমনি। 'নেভাদা হাউসকী মখল-মখা কয়াগী বিজিনেসশিংবু মচা খায়না, মরিক চুম্না অরাইবা মওংদা মেম্বরশিংদা ফংহল্লি। মসিদা মেম্বরশিংগী কন্টেক্ট দিটেলশিং, রুলস ওফ প্রোসিজর, লিষ্ট ওফ বিজিনেস, নোটিস, বুলেটিন, বিল, ক্বেসন, পেপর্স লেদ, কমিটি রিপোর্ট, হাউসকী প্রোসিদিংসনচিংবশিং খূৎনা পায়রগা চৎপা ইলেক্ট্রোনিক্সকী দিভাইস/খূৎলায়শিংদা ইরায় লায়না ফংহন্দুনা লেজিসলেচরশিং অমদি লোইশঙ পূন্নমক্তা মপূং ফানা থবক তৌবা ঙমহল্লি।' (মিনিষ্ট্রি ওফ পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স, ২০১৮)। প্রোজেক্ট অসিনা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাগী এম পিশিং, রাজ্যশিংগী এম এল এশিং, লেজিসলেটিভ কাউন্সিলশিংগী ভোট কারবা নৎত্রগা খল্লবা মেম্বরশিং অমদি মীচম মীয়ামগী কম্মন ওইবা প্লেটফোর্ম অমা পীনবা হোৎনরি।

## *নৈনবগী পান্দমশিং*

মখাদা পীরিবা পোইন্টশিং অসি পেপরসিগী মরুওইবা ওবজেক্টিভ খরনিঃ

- লোন তিন্নদবা ফুরুপ/কাঙলূপশিংদা অমদি লেজিসলেচরশিংদা নেভানা করম হায়না অমগা অমগা পাউ ফাওনহনবগে অমদি ঈ-পাউ ফাওদোক্নহন্দুনা কান্নবা পীবগে হায়বদু নৈনবা।

- নেভানা করম হায়না রাজ্যগী লেজিসলেচরশিংগী থৌদাং খুদিংমকপু য়াম্না থাজবা য়াবা, মপূং ফাবা, ময়েক শেংবা, করিনো খঙবা য়াবা মওংদা পাঙথোকহনবগে হায়বা খঙদোকপা।

- শাফূ কন্না থোরক্লিবা রিজনেল লেঙ্গুয়েজশিংগী মরুওইবা নৈনবা অমদি নেভাদা রিজনেল লোনশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং নৈনবা।

- লেজিসলেটিভ হাউসশিংদা ফংবা/শীজিন্নবা মরুওইবা চে-চাংশিং, ফোঙবা লাইরিক/কম্পাইলেসন/ জর্নেলনচিংবশিং, লোইশঙশিংদগী লাকপা চেশিং মশক তাকপা অমসুং লোন মখলশিংদা পাবা য়াবা অমদি নমথোক্কুনা ফংহনবগী মতাংদা নৈনবা।

- নেভাবু লেজিসলেটিভ হাউশিংগী মেম্বরশিং, লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা অমদি মীয়ামদা করন্না হেন্না খঙহন্দুনা হেন্না মায় পাক্কা শীজিন্নগনি হায়বদু নৈনবা।

*শীজিন্নরিবা কাঙলোন*

নেভাগা মরী লৈনবা আর্টিকল ময়াম অমা নৈনবা, এন ই পি ২০২০ লাকপগা লোয়ননা লাইরিক-লাইশু তম্বদা শাফূ কন্না হৌরক্লিবা রিজনেল লেঙ্গুয়েজগী মরুওইবা মশক নৈনবা। নেভাদা ফরুপ কয়ানা ঙাঙলিবা লোন মখলশিংগী ওইরিবা মশক অমদি লৌরিবা থৌদাংশিংদু ৱেবসাইটশিংদা নৈনবা। অখন্নবা ভারতকী অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংগী এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটশিংদা চত্নুনা মরী লৈনবা ওফিসারশিং, নেভা ইন চার্জ অমদি লাইব্রেরিয়ান অমদি লাইব্রেরিগী ষ্টাফশিং উনদুনা ক্রেসন্নিয়ারশিংগী পান্থে শীজিন্নদুনা দাটা খোমজিনবা।

*নেসনেল ঈ-ভিধান এপ্লিকেসন (নেভা) গী তেন্তকপা ৱারোল*

নেভানা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লেজিসলেচর পুন্নমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা কম্মন ওইবা প্লেটফোর্ম অমা পীরবা মতুংদা য়ামখ্রবা দাটা কয়াগী তুংনফম ওইহন্দুনা মতম চঙনা মফম তোঙান-তোঙানবদগী থিরুগদবা দাটাশিং অতেনবা মতমদা ইৱা-ৱাদনা ফংহল্লি। নেভা অসি রাজ্যশিংগী লেজিসলেচরশিংবু ওটোমেট তৌনবা, পেপরলেস ওইহন্নবা পায়খৎলকপা মিসন মোদ প্রোজেক্ট অমনি। মসিগী প্রোজেক্ট অসি য়াম্লবা চে ময়াম অমা শীজিন্নবা লেপ্তুনা ‘গো গ্রীন ইনিসিয়েটিভ’ হায়বদি উমং-ৱামং কোকথোকপা হন্থহন্দুনা ইশং শংবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইবা খোঙথাং অমনি। মিনিষ্ট্রি ওফ পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা নোদেল ওফিস ওইদুনা লেজিসলেচর লৈবা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরি ৩১ দা নেভা ইং ২০১৫ দা অহানবা ওইনা লোঞ্চ তৌখি। মতাং অসিদা নেভা শেম্লকপগী পান্দম খরা টেবলগী মওংদা পীজরিঃ

*নেভা শেম্লকপগী পান্দম খরা*

 ভারতকী রাজ্যশিংগী লেজিসলেচর সেক্রেটরিয়েট খুদিংমক্তা কম্প্যুটরনা মপূং ওইনা থবক শূহনবা।

 নেভাগী পব্লিক পোর্টেল অসিদা মীয়ামদা সার্বিস পীদুনা কোন্না ফংহনবা। মীয়ামগী অপেন-পেন্দা কয়া অমসু পোর্টেল অসিগী খূথাংদা মরী লৈনবশিংদা য়ৌহন্দুনা তাহনবা।

 প্রজা মীয়ামগা লেজিসলেচরশিংগা ইলেক্ট্রোনিক্সকী মতেংনা পাউ ফাওদোক্নহনবা।

 লেজিসলেচরশিং, লৈঙাক্কী ওফিসিয়েলশিংগা শকখঙ-মায়খঙনহনবা অমদি মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা প্রজা মীয়ামদা হেন্না খঙহনবা।

 নেভানা অতৈ অতোপ্পা পান্থেশিংদগী হেন্না মপূং ফাবা মওংদা লেজিসলেচরশিংদা লেজিসলেটিভ রোলশিং পাঙথোকহনবা।

 রাজ্যশিংগী লেজিসলেচর সেক্রেটরিয়েটশিংদা নেভা সেভা কেন্দ্র লিংখত্তুনা মেম্বরশিংগী হাউসকী মরী লৈনবা থবক-থৌরমশিংদা মতেং পাংবা।

 নেসনেল দাটা সেন্টর ক্লাউদ ‘মেঘরাজ’ কী মখাদা লৈবাক অসিগী রাজ্যশিংগী লেজিসলেচরশিংগী ওইবা দাটাশিং তেক্ত কায়দনা তুং কোইগদবা মওংদা থম্বা।

মখা তারকপদা নেভানা মীয়ামদা ফংহল্লিবা কান্নবা কয়াদু মখাগী ফ্লো দাইগ্রাম অসিনা অরাইবা মওংদা উৎলিঃ




ফিগর ২ - নেভাগা মীয়ামগা লৈনরিবা মরীগী ফ্লো দাইগ্রাম

মথক্কী লাই অসিনা তাক্লিবসি মীচম মীয়াম্বু মপাঙ্গল কনখৎহনগে হায়রবদি মখোয়গী অৱাৎ-অপাশিং অদু মরী লৈনবা এম পি, এম এল এ অমসুং এম এল সি-শিংদা খঙহন্দুনা তাহনবা অমদি মখা তাবদা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমদি দিপার্টমেন্টশিংনা লৈরিবা অৱাৎ-অপাশিং/পেন্দবশিংবু কোকহল্লি হায়বনি।

*নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০, নেভা অমদি মমালোনশিং*

য়ামখ্রবা শক-চু মান্নদবা, লোন তিন্নদবা ফূরুপ নৎত্রগা কাঙলূপ কয়ানা পূল্লগা শেমগৎলকপা অচৌবা লৈবাক অমনি ভারত। নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী 'মল্টি লিঙ্গুয়েলিজম এন্দ দি পৱার ওফ লেঙ্গুয়েজ' হায়রিবা সেক্সন অদুদসু অসুন্না ইরি, "ময়ান্না মমূৎ তানা খঙনরে মদুদি লাইরিক তাকপা মতমদা অরুবা কন্সেপ্টশিং তাকপা মতমদা চহী নৌরিবা অঙাংশিংনা হোম লেঙ্গুয়েজ/মমারোলদা তাকপনা হেন্না থুনা খঙবা অমসুং লৌশিনবা ঙম্মী।" হীরম অসিগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল অমদি রাজ্য সরকারশিংনা অকনবা মওংদা লোনগা মরী লৈনবা ওজাশিংদা চাউরবা শেনফম কয়া থাদদুনা কন্সটিট্যুসনগী ৮ শুবা সেদ্যুল চনবা লোনশিংবু তাকপি-তম্বিনবা হোৎনরি। ভারতকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা রাজ্যশিংদগী থ্রী লেঙ্গুয়েজ ফোর্মুলা (লোন অহুম হৈহনবগী ফোর্মুলা) শীজিন্নদুনা ভারত্তা লৈরিবা খেন্নবা লোন ময়াম অসিবু অমনা অমদা তমহন্দুনা লোন অহুম হৈহন্নবা চাউনা পূক্নিং থৌগৎলি। এদুকেসনগী পোলিসি অসিনা মখা তানা অসুন্না হায়বসু থেংনৈ মদুদি লোন অহুম হৈহনবগী খোঙথাং অসিনা ভারতকী অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং য়াগনি। লৈবাক অসিগী ইনাক খুল্লবা নাৎ, চৎনবী ময়াম অসিবু হেন্না মপূং ফাহনবা অমদি চাওখৎহন্দুনা মালেম পূম্বদা অৱাংবা থাক্তা শক তাক্কদৌরিবনি।

*এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েত্তা ফংলিবা মচাকশিং*

তাঙ্কক অসিদা, মণিপুরগী মতাংদা এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটতা ফংলিবা মচাকশিংগী মতাংদা শম্লপ্পা নৈনজরি। মরুওইবা মচাক খরদি- চে, ক্লেসন, অন্সার, নোটিস, লাইরিক, বুলেটিন ১ অমদি ২, প্রোসিদিংস, রিপোর্ট, বিল অমসুং অতৈ অতৈনচিংবশিং অদু মনিপুরগী মতাংদা নৈনবা।

*গভর্নরস স্পীচ/গভর্নরনা পীবা ৱারোল*

ভারতকী সংবিধানগী আর্টিকল ১৭৬ (১) গী মখাদা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি অমগী জেনেরেল ইলেক্সন পাঙথোক্লবা মতুংদা ইহান হান্না ফম্বা এসেমব্লি হৌবা নুমিত্তা অমসুং চহী অমগী ইহান হান্না ফম্বা এসেমব্লি হৌবা নুমিত্তা রাজ্য অদুগী গভর্নরনা এসেমব্লিদা পীবা অখন্নবা এদ্রেস/ৱারোল অমা লৈ। হায়রিবা এদ্রেস/ৱারোল অসি রাজ্যগী গভর্নমেন্ট অদুনা চহী অমগী পাঙথোক্কদবা অমদি মমাঙ চহী অমদা মরুওইনা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রবা থবক থৌরমশিং মচং ওইনা য়াওবা অদুগুম্লবা দোক্যুমেন্ট অমনি।

ভারতকী সংবিধানগী আর্টিকল ২০২ গী মখাদা রাজ্যগী লেজিসলেচরনা হাউসতা থম্বা দোক্যুমেন্টশিং/চহীগী ওইবা শেল-থুমগা মরী লৈনবা ষ্টেটমেন্টশিং।

শেনবা চহী অমগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং, খূদম ওইনা হায়রবদা দিমান্দস ফোর গ্রান্টস, বজেট সমেরি, বজেট স্পীচ, এনুৱেল ফাইনান্সিয়েল ষ্টেটমেন্ট, বজেট এট এ গ্লান্স, প্রিভিয়স দিমান্দস ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টস, এপ্রোপ্রিয়েসন বিল, দিমান্দস ফোর এক্সেস গ্রান্টস ফোর প্রিভিয়স ইয়ার্স, জেন্দর বজেট, মণিপুর ফিস্কেল রেসপোন্সিবিলিটি এন্দ বজেট মেনেজমেন্ট ওর্দিনান্স, মেদিয়ম টার্ম ফিস্কেল পোলিসি ষ্টেটমেন্ট, ফিস্কেল পোলিসি ষ্ট্রেটেজি ষ্টেটমেন্ট অমসুং মেক্রো ইকোনোমিক ফ্রেমৱার্ক ষ্টেটমেন্ট এন্দ দিসক্লোজর্স অসিনচিংবা।

*প্রোভিজনেল কেলেন্দর*

রাজ্য অমগী গভর্নরনা এসেমব্লি সেসন অমা হেক কৌখ্রবা মতুংদা বিজিনেস এদভাইজরি কমিটি মীফম ফমদুনা এসেমব্লিগী ফমগদবা নুমিৎ মশীং থমগদবা বিজিনেসশিং লেপথোক্লবা মতুংদা প্রোভিজনেল কেলেন্দর অসি ফোঙই। মসিনা করি নুমিত্তা করি এজেন্দা লৈগনি হায়বদু চাউরাক্না খঙবা ঙমগনি।

## *লিষ্ট ওফ বিজিনেস*

এসেমব্লি সেসন ফম্বা মতমদা নোংমদুগী পায়খৎকদৌবা বিজিনেসশিং য়াওবা লিষ্ট অমা এসেমব্লিগী স্পীকরনা অয়াবা পীরবা মতুংদা এসেমব্লি সেক্রেটরিনা সহী তৌদুনা থোকই। মসিবু লিষ্ট ওফ বিজিনেস কৌই।

*ক্বেসন*

সোর্ট নোটিস ক্বেসনঃ মীয়ামগী য়াম্না মরুওইবা হীরম অমগা মরী লৈননা অতেনবা মতম নুমিৎ ১০ নিদগী তাবা মতমদা নোটিস পীদুনা হংবা ৱাহং। মসিগী ক্বেসন মখল অসি এষ্টরিস্ক মার্ক/খূদম অনী থমদুনা খঙনৈ।

ষ্টার ক্বেসনঃ হাউসকী স্পীকরগী অয়াবা লৌদুনা পীরিবা পাউখুম অদুগী মখা সপ্লিমেন্টরি ক্বেসনশিং হংবা য়াবা ৱাহং মখল অমা। মসি এষ্টরিস্ক খূদম অমা থমদুনা মশক তাক্লে।

অন ষ্টার ক্বেসনঃ হংলিবা ৱাহং অদুগী পাউখুম মেম্বর অদুদা অইবা ওইনা পীবা ৱাহং মখল অমা। মসিদা মখা তাবা সপ্লিমেন্টরি ৱাহং হংবা য়াদে।

রুলস ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেস ইন লেজিসলেটিভ এসেমব্লি

মসিগী রুলগী লাইরিক অসি লেজিসলেটিভ হাউসকী অমদি এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েট চলাইনবা গাইদ অমগুম্বনি। মসিদা মতমগী মতুংইন্না হাউসতা খঙহন্দুনা এমেন্দমেন্টশিং তৌই।

*প্রোসিদিংস ওফ দি হাউস*

মনিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী রুলস ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেসকী রুল নম্বর ৩৩৯ গী মতুংইন্না ফম্লিবা এসেমব্লি সেসন খূদিংমক্কী নোংম-নোংমগী ওইবা মরিক চূম্লবা মপূং ফাবা প্রোসিদিংস অমা এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটনা ইংলিশ অমদি মণিপুরী লোন্দা ফোঙই অমসুং স্পীকরগী অয়াবা লৌদুনা হাউসতা থম্মী।

## *কম্মিটিগী রিপোর্ট*

মনিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কমিটি ১৪ লৈ। কমিটিশিং অদুদি বজেট কমিটি, বিজিনেস এদভাইজরি কমিটি, হিল এরিয়াস কমিটি, জেনেরেল পর্পজ কমিটি, পব্লিক একাউন্টস কমিটি, ষ্টিমেটস কমিটি, পব্লিক অন্দরটেকিংস কমিটি, কমিটি ওন গভর্নমেন্ট এসুরেন্সেস, কমিটি ওন দেলিগেটেদ লেজিসলেসন, কমিটি ওন পেটিসন্স, রুলস কমিটি, সেলেক্ট কমিটি, কমিটি ওন প্রিভিলেজেস এন্দ এথিক্স, লাইব্রেরি কমিটি, কমিটি ওন দি ৱেলফিয়ার ওফ সেদ্যুল কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল ট্রাইবস, কমিটি ওন ৱেলফিয়ার ওফ ৱুমেন এন্দ চিলদ্রেননি। কমিটিশিং অসিনা মখোয়গী রিকম্মেন্দেসনশিং অমদি ফাইন্দিংশিং য়াওবা রিপোর্টশিং মতম মতমগী ওইনা ফোঙই অমসুং হাউসতা থম্মী। রিপোর্টশিং অসিদা য়াওবা রিকম্মেন্দেসনশিংগী এক্সন করি-করি লৌরবগে হায়বা থিদোক্লবা এক্সন টেকন রিপোর্টসু মতম মতমগী ফোঙই।

## *বুলেটিন পার্ট ১ অমদি পার্ট ২*

বুলেটিন পার্ট ১ অসি এসেমব্লি সেসন ফম্বা মতমদা এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটনা এদিটিং এন্দ ট্রান্সলেসন ব্রাঞ্চকী ট্রান্সলেসন ওফিসারগী টিম অমা থমদুনা ফোঙই। মসিদা সেসন্দুগী নোংমগী ওইবা প্রোসিদিংসকী তেন্তকপা সিনোপসিস অমসুং মরুওইবা হীরমশিংদা মতেক-মতেক শন্দোক্লা ইদুনা য়াওই।

বুলেটিন পার্ট ২ অসি মরুওইবা নোমিনেসনশিং, ইলেক্সনশিং, মেম্বরশিংবু কমিটিগী চিয়ার পার্সন খনবা, কমিটিগী মেম্বর ওইনা খনবা অমসুং এসেমব্লি সেসন কৌবা য়ৈথোকপা/প্রোরোগেসন্নচিংবা খঙহন্নবগীদমক ফোঙই।

## *মচাকশিং ফংহনবগী থৌওং*

মথক্তা পনখ্রিবা মরুওইবা চে, লাইরিক, রিপোর্ট, দোক্যুমেন্টস অমদি ইনফোর্মেসন্নচিংবশিং অসিবু করম্না ইলেক্টেদ নৎত্রগা নোমিনেটেদ মেম্বরশিংদা অমদি মীয়ামদা নেভাগী খূথাংদা ফংহনগনি হায়বগী মতাংদা শম্লপ্পা নৈনজরিঃ

মসিগী প্রোজেক্ট অসিনা মখল কয়াগী য়ুজরশিং হায়বদি লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী এম পিশিং, রাজ্যশিংগী এম এল এ শিং, লেজিসেলটিভ কাউন্সিলশিংগী ইলেক্টেদ নৎত্রগা নোমিনেটেদ মেম্বরশিং; ষ্টাফশিং, ওফিসিয়েলশিং অমদি

মীচম-মীয়াম্বু কম্মন প্লেটফোর্ম অমদা অমগা অমগা পাউ ফাওনহনবা ঙমহল্লি। মসিনা হাউসতা চে শীজিন্নবা লেপহনবগী পান্দম থল্লি। গ্লোবেল ক্লাইমেট চেঞ্জ হায়বদি মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা অঙৈং-অশাগী খল অসিবু খরমখৈ হন্থহন্নবগী অচেৎপা ফিরেপ লৌরি। য়াঙনা চৎলিবা ঙসিগী তাইবংপানসিগী খোঙলৈগা চান্ননা চৎপা ঙম্নবগীদমক্তা ইলেক্টেদ মেম্বরশিংসু য়াম্না থিজিন-খঙজিনবগী মথৌ তাই। ঈ-পাউ, লৌশিং ফংফম, লৌফমগী য়াম্না খুদোংচাবা সোর্স অমা নেভানা ওইরি। হায়রিবা প্লেটফোর্ম অসিদগী ভারতকী রাজ্যশিংগী লোন তিন্নদবা লেজিসলেচরশিংনা মখোয়-মখোয়গী মমালোনশিংদা পানীংবা, খঙনীংবা ইনফোর্মেসন ফংবা য়াগদৌরিবনি।

মখাদা পীরিবা নেভাগী হোমপেজ অসিদা ঐখোয়না উবা ফংই মদুদি ভারতকী মনুংদা লৈরিবা রাজ্যশিংগী তোঙান-তোঙানবা লোনশিংদা বাই-লিঙ্গুয়েল ওইবা মওংদা ফংহনবা য়ানবা শেমদুনা থম্মী। নেভানা রোল ইনেবল ৱার্ক ফ্লো হায়বদি শীন্নরিবা থৌদাং মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমহনবগী পাম্বৈ ওইহল্লি। দাইনামিক ওইবা সর্চ ইঞ্জিন্না ফংনীংবা মওং খূদিংমক্কী ইনফোর্মেসনশিংবু বটনগী ক্লিক অমদা ফংবা ঙমহল্লি।



ফিগর - ৩ নেভাগী হোমপেজ

*রারোইশিন*

দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী লৈঙাক্তা মরী লৈনবা, অচুম্বা অমসুং মতম চানা ইনফোর্মেসন ফংবা ঙমহনবা অসিনা লৈঙাকপশিংদা অফবা পোলিসি, ফিরেপ, লৈঙাক্লোন্নচিংবা শেম্বা ঙমগদৌরিবনি। ভারতকী প্রধান মন্ত্রী নরেন্দ্র মোদিনা অসুম্না হায়, "ইন্দিয়াগী হৈশিংবগা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগা পূন্না চৎমিন্নরবদি চাওখৎপা অমদি মাঙজিল থাবা ভারত অমা শোয়দনা ওইগদৌরিবনি, মরম অদুনা অনৌবা টেক্নোলোজি লৌশিন-হৈজিনবা অসি তঙাইফদে। নেভা হায়বসিসু এদভান্স ওইরবা অমসুং মতাংসু য়াম্না চারবা এপ্লিকেসন অমনি। মালেমগী ওইনা শাফূ কন্না হৌরক্লিবা রিজনেল লেঙ্গুয়েজ/হোম লেঙ্গুয়েজ/মমালোনবু চাওখৎহন্দবা য়াদে হায়বগী ইহৌ অসিগা লোয়ননা চৎমিন্নদুনা ভারতনসু নেভা পুথোক্তুনা লোন কনবগী অমদি য়োকখৎপগী ঈহৌ অসিদা শরুক য়ারি। হৌজিক হৌজিক য়াম্না নুংঙাইবা মওংদা নেভাগী সাইটতা চঙবা মতমদা আর্টিফিসিয়েল ইন্টেলিজেন্স শীজিন্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শেমগৎপা লেঙ্গুয়েজ ট্রান্সলেসন টুল 'ভাসিনি' (ভাষা ইন্টরফেস ফোর ইন্দিয়া) অসি শীজিন্নদুনা লোন তিন্নদবা য়ুজর অমনা অতোপ্পা লম/রাজ্য/পার্লিয়ামেন্টকী লিঙ্ক/হায়পর লিঙ্ক কয়াদা অপাম্বা লোনদা পাল্লিবা ঈ-পাউ পাবা অমদি খঙবা ঙমহল্লি। খূদম ওইনা হায়রবদা মনিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী নেভা পোর্টেলদা মরী লৈনবা চে চাং, ঈ-পাউ কয়া অমা থাংগৎলিবা অদু অতোপ্পা মমালোন তিন্নদবা রাজ্যা অমগী মেম্বর/মীচম অমনা মখোয়গী মমালোন্দা ওন্থোক্তুনা পাবা য়াহল্লিবনি। মসিনা লোন তিন্নদবা কাঙলূপ/ফুরুপ অমগা অতোপ্পা অমগা ফাওনহন্দুনা মরক খন্দুনা লৈরম্বা অহোবা অদু মেনশিনবা ঙমহল্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

নেভা শীজিন্নরিবা রাজ্যশিংগী নেভা পোর্টেলশিং নৈনরুবদা উবা ফংই মদুদি অয়াম্বনা হৌজিকমক্কী ওইনদি লেজিসলেটিভ হাউসশিংগা মরী লৈনবা চে-চাং, লাইব্রিক, রিপোর্ট, বুলেটিন, প্রোসিদিংস, মেম্বরশিংগী দিটেলসনচিংবখক্তা ওইনা ফংহনবগুম তৌই। অদুবু নেভাগী পোর্টেলদা অতোপ্পা কান্নরবা হীরম কয়াগী লিঙ্কশিং পীদুনা থম্বসু থেংনৈ। মরুওইবা অমা হায়রবদা, দিজিটেল লাইব্রেরি লিঙ্ক অসি অসুক্কী মতিক কান্নগদবা হীরম কয়াগী রিসোর্সশিংবু পাক-চাউনা কোনশিল্লকপা লম্বী অমনি।

মসি হায়বগী মরমদি এসেমব্লি অদুগী লৈজরিবা লাইব্রেরিশিং অদুগা নেভাগা ইন্টিগ্রেট তৌদুনা/শমজিন্নবা তারগদি মশীং য়াম্লবা অমসুং কান্নরবা লাইব্রেরিগী কলেক্সনশিং অদুসু মেম্বরশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংদা ইন্টর লাইব্রেরি লোনগী মওংদা ফংহনবা ঙমগদৌরিবনি। হায়রিবা মওং অসি ওরিষ্যা রাজ্যগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা মায় পাক্লা শীজিন্নবা হৌখ্রে। মখোয়না এন আই সিনা শেমগৎপা লাইব্রেরি ওটোমেসন সোফটৱেয়র ঈ-গ্রান্থালৈয়া শীজিন্নদুনা হান্নদগী ওটোমেট তৌদুনা লৈরবা লাইব্রেরি অদুবু নেভাগা ইন্টিগ্রেট তৌদুনা/শমজিন্নদুনা য়ুজর ময়ামদা লাইব্রেরি রিসোর্সকী কান্নবসু ফংহনখ্রে। মসিগী খোঙথাং অসি অতোপ্পা রাজ্যশিংনসু পায়খৎলবদি পূন্নমক্কী ওইনা য়াম্না কান্নবা ওইগনি।

*মতেং লৌজখিবশিং*


1. Batlang, C.S. "Matching MP's Information Needs and Information Services in the House of Commons." Library Management, vol. 20, no. 3, 1999, pp. 179-189.

2. Nair, R. Raman. "Information Services to the Legislators." Kelpro Bulletin, vol. 9, no. 1 & 2, 2005, pp. 59-64.

3. Lopatin, L. "Library Digitisation Projects, Issues and Guidelines: A Survey of the Literature." Library Hi-Tech, vol. 24, no. 2, 2016, pp. 273-289, https://doi.org/10.1108/07378830610669637.

4. Ministry of Parliamentary Affairs. "National E-Vidhan Application (NeVA) Project." Press Information Bureau, 2018, http://www.pib.gov.in.

5. Ministry of Parliamentary Affairs. "National E-Vidhan Application (NeVA): A Report." NeVA, 2018, http://neva.gov.in.

6. Ministry of Human Resource Development, Government of India. National Education Policy 2020, 2020, pp. 13-15.

7. Paulina, M., and Renee, S. "Linking Legislative Openness to Open Data in Canada." The Canadian Geographer, vol. 20, no. 20, 2017, pp. 1-14, https://doi.org/10.1111/cag.12408.

8. Rules of Procedure and Conduct of Business in Manipur Legislative Assembly. 10th ed., Manipur Legislative Assembly Secretariat, Imphal.

9. Satpute, G., and Sawant, S. "Legislature Library of Maharashtra State." Knowledge Librarians, vol. 7, 2018, pp. 7-14.

# হায়র এদুকেসন অমদি লমদমদুগী লোনঃ এন ই পি ২০২০ গী ৱাখল্লোন

ডা কোইজম সোবিতা দেবী

# उच्च शिक्षा एवं क्षेत्रीय भाषाएँ एन ई पी 2020 के विचार दर्शन

डॉ. कोइजम सोबिता देवी

*सारांश:*

*भाषा, मानव समुदाय के अस्तित्व, इतिहास और संस्कृति को व्यक्त करने का एक माध्यम है। भारतीय संविधान के अनुच्छेद 29 द्वारा भी भारत के विभिन्न क्षेत्रों में बसने वाले अल्प संख्यक समुदायों को अपनी भाषा संरक्षण का अधिकार प्रदान कया गया है। दु:ख की बात यह है कि पिछले 50 सालों में भारत की 220 से भी अधिक भाषाएँ संरक्षण के अभाव में विलुप्त हो चुकी हैं। इसके ऊपर यूनेस्को द्वारा भी भारत की 197 भाषाओं के विलुप्ति की संभावना की घोषणा कर दी है। यही नहीं, भारतीय संविधान की आठवीं अनुसूची में शामिल भाषाओं का अस्तित्व भी खतरे में दिखाई देता है। राष्ट्रीय शिक्षा नीति 2020 में छोटे-छोटे समुदायों की भाषाओं के विकास के लिए मातृभाषा में शिक्षा का प्रावधान किया गया है। इसे पूर्णतः लागू किया जाए, तो अंग्रेजी जानने वाले विद्यार्थियों को जो सुविधाएँ मिल रही हैं, उसी तरह मातृभाषा जानने वालों को भी मिलने लगेंगी और मातृभाषा के विकास के प्रयास में रुचि लेने लगेंगे। प्रमुख रूप से इस आलेख में राष्ट्रीय शिक्षा नीति 2020 में मातृभाषा के विकास के लाभ का विश्लेषण प्रस्तुत किया गया है कि मातृभाषा के विकास में हम सब मिलकर जिम्मेदारी उठाएँ, तो इस प्रावधान की सफलता से हम सब लाभांवित होंगे।*

## *ৱাহৌদোক*

আমেরিকাগী শক্লাইরবী অইবী এমি রুথ টন (Amy Ruth Tan) না ইবা ৱারীমচা 'ইমালোন' (Mother tongue) কৌবা অমদা অসুন্না ইরি, "I spend a great deal of my time thinking about the power of language - the way it can evoke an emotion, a visual image, a complex idea, or a simple truth." ৱারীমচা অসিদা লোন অমগী মতিক-মগুণ অমদি মরুওইবশিং ফোঙদোক্লি। টনগী ৱাফমদা খ্বাইদগী মরুওইরিবসি লোন্না ঐখোয়দা ফাওহল্লিবা অমদি ঐখোয়গী ৱাখলগী মহুৎ-শিল্লিবা মওংদুবুনি। লোয়ন-লোয়ননা লোন্না ঐখোয়গী থম্মোয়দা ঈথিল পীবা, শক্তম অমবু শাগত্তুনা উহনবদা নত্তনা অৱাংবা ৱাখল খলহনবা নৎত্রগনা ইচুম-চুমদুনা লৈজরবসু ৱাখল তাহনবা ঙম্বগী লম্বী ওইরি হায়না টন্না ফোঙদোক্লি।

সমাজ অসিদা ঐখোয় মীওইবশিংগী মরক্তা অমগ-অমগা পাউ ফাওনবা, মহৈ-মশিং তম্বদা অমদি চাওখৎ-থৌরাংগী থবকশিংদা ঐখোয়না ঙাঙনরিবা লোন অসিনা খূৎলায় অমগুম্না নুংতিগী পুন্সি অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। লোন্না মীপূম খূদিংমক্কী শক্লোন, পুৱারী, চৎনবীশিংগী অমদি মমাঙথক্কী থৌদোকশিং নীংশিংহনবগী পূক্কে ওইরি। মালেমগী মফমশিংদা মৈহৌরোলদগী ঙাঙনরকপা লোনশিংবু মশক খঙহনবগা লোয়ননা লোন্দুবু ঙাঙনরিবা অমসুং মালেমগী পুৱারীদা লোন অদুবু মরুওই হায়না খঙহনবিরিবা ফূরুপ-ফূরুপকী মীওইশিংবু তেংবাংনবা United Nations General Assembly না ইং কুমজা ২০১৯ বু 'The International Year of Indigenous Language' হায়না লাউথোকখি।

ভারতকী সংবিধান্দসু লম-লমগী লোনশিংবু ঙাক-শেন্নবগী ৱাফমশিং য়াওরি। সংবিধানগী আর্টিকল ২৯ না ভারতকী মফমশিংদা লৈবা মশীং য়ামজদবা ফূরুপশিংনা ঙাঙনরিবা লোন অদুবু ঙাক-শেনবগী হক পীরি। লোয়ননা আর্টিকল ১২০ না পার্লিয়ামেন্টতা (Sangshad) মেম্বর অমনা রাজ্য সভাগী চিয়ারমেন নৎত্রগা লোক সভাদা স্পীকরগী অয়াবা লৌরগা মেম্বরদুগী মমালোন্দা ৱাহৈ-ৱাতা ফোঙদোকপা য়াবগী হক পীরি। মশীং য়ামজদবা ফূরুপ্না ঙাঙনরিবা লোন্দুবু ঙাঙলিবা অঙাংশিংগী প্রাইমারি থাক্তা মহৈ তম্বদা মমালোন্দা ওইনবা রাজ্য (ষ্টেট) খূদিংনা হোৎনগদবনি হায়দুনা আর্টিকল ৩৫০ দা পনবদা নত্তনা সংবিধানসিগী ৮ শুবা সেদ্যুলনা লোন ২২ বু শকখঙলি।

লাইবক থীবদি হৌখিবা চহী ৫০ অসিদা ভারতকী লোন মশীং ২২০ গী মথক্তা নীংথিজনা য়েংশিনবিদবদগী মমি শামখ্রে। অসিগীসু মথক্তা UNESCO নসু ভারতকী লোন ১৯৭ পু মূৎথিবা য়াবগী খুদোংথীনীংঙাই ওই হায়না লাউথোকখিবা লৈরে। লুরিবা ৱাফম অমনা হৌজিক-হৌজিক ময়েক লৈজদবা ফূরুপ কয়াগী লোনশিং মূৎথিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরি। মরমদি য়েলহৌমী নৎত্রগা কাঙলূপ অদুগী লোন হৈবা অহল-লমন অমসুং মরুওইবা মীওই অদুনা লৈখিদবদা লোন অদুসু পূল্লপ মাঙখিগনি। মসিদা নত্তনা

ভারতকী সংবিধান্না ৮ শুবা সেদ্যুলদা শকখঙলবা লোন কয়া অমসু মায়কৈ কয়াদা খুদোংথীনীংঙাই ওইরক্লি।

মমাঙদা বৃটিশনা ভারত্তা পাল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা শেল্লকখিবা এদুকেসনগী কম্মিসন অমদি কমিটি কয়ানা মমালোন্দা মহৈ-মশিং তম্বগী তঙায়ফদবশিং তত্তনা ফোঙদোক্কুনা লাক্লি। খুদম ওইনা পল্লবদা Wood’s Despatch ১৮৫৪, লোয়ননা খ্বাইদগী নৌরিবা ভারতকী National Education Policy ২০২০ নসু মহৈরোয়শিংবু মমালোন্দা মহৈ-মশিং তম্বিনবগী পান্দম অমদি থৌরাং কয়া ইরি। মহৈ-মশিং তম্বিবদা অনেম-অৱাং, শক-চু, অচৌ-মচা, লৈত-লায়রা খেন্নবা লৈতনবা সরকারগী মরী লৈনবা বিভাগশিংনা হোৎনরবসু মমালোন্দা মমূৎ তানা তাকপি-তম্বিবা ৱাৎপদগী মহৈরোয়শিংনা হায়র এদুকেসনগী থাক য়ৌনা মহৈ তম্বগী চাং হন্থহল্লি।

ভারত অমদি অতোপ্পা এসিয়াগী লৈবাকশিংদা থিজিন-হুমজিল্লুবদগী মরমদমগী লোন্দা মহৈ-মশিং তম্বনা ইংরাজি লোন্দা তম্বদগী মহৈরোয়শিংদা য়াম্না হেন্না কান্নবা ফংবগী খূদম-চাংদম ফংলি। অসিদসু নত্তনা মহৈরোয়শিংনা হায়র এদুকেসন্দা মিং চনবগী চাং হেনগৎহল্লি। ইরমদমগী লোন্দা মহৈ-মশিং তম্বনা মহৈরোয়শিংগী পূক্নিং লৌশিং ফগৎহল্লি। মরম অদুনা খুঙ্গংগী মহৈরোয়শিংদা মরমদমগী লোন্দা মহৈ তম্বা তঙায়ফদে। মখোয়দা মীরমদমগী লোন্দা তাকপি-তম্বিরবদি তল্লিবা মহৈ অদু অতোপ্পা ৱাহন্থোক অমদা নাথৈদুনা চৎখিবগা লোয়ননা তাইওন্নবা ৱাখল্লোন অমদা পুখিবসু য়াই। মরম অদুনা হায়র এদুকেসনগী থাক ফাওবা মরমদমগী লোন্দা মহৈ-মশিং তম্বিরগদি মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা থেংনরিবা থৌদোকশিং মালেমগী থাক য়ৌনা মায়োক্লবা ঙমগনি। লোয়ন-লোয়ননা মখোয়গী খূৎকী হৈথোই-শীংথোইরবা শেম্বা-শাবা হৈবগী শিন্থা অদুগা য়াওশিল্লগদি খুন্নাই অসিদা মশা-মশাগী শিনফমদা থোইদোক হেন্দোক্লা খঙলবা মীওই কয়া থোরক্কুনা লৈবাক অসিবু চাওখৎপগী লম্বীদা খূমাঙ চাওশিনহনবা ঙমগনি।

লোয়ননা হৌজিক্কী মতমদা ইংরাজি লোন ঙাওবা মহৈরোয়শিংনা হেন্না খুদোংচারিবসি ইরমদমগী লোন্দা মহৈ-মশিং তম্নবদি খেন্নরিবা অসি হন্থরক্কনি। টেক্নিকেলগী লম্বীদা মহৈ-মশিং তম্বদা খূদম ওইনা ইঞ্জিনিয়ারিং (Engineering), মেদিকেল (Medical) অসিনচিংবা তম্বদা ইংরাজি হৈবা মহৈরোয়শিংনা হেন্না খুদোংচাখিবগী খূদম চাংদম লৈরি। এদুকেসনেল সাইকোলোজি হীরমগী চেফোঙশিংদা মশাগী মরমদমগী লোন্দা মহৈ-মশিং তম্বগী কান্নবা কয়া পল্লি। খূদম ওইনা মহৈরোয়শিংনা থৱায় য়াওবা হেনগৎলকপা, মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু হেন্না শৌগৎপিবা অসিনচিংবনি।

ভারতকী লোনশিং অসি হান্না ইপা-ইপুনা থম্বিরম্বা থাক্তগী মরাই-চাইথদনবগীদমক্তা ইরমদমগী লোন্দা মহৈ-মশিং তম্বসি তঙায়ফদবা অমদি মরুওইবা থৌদাং অমা ওইরক্লি। অসিগীসু মথক্তা হৌজিক-হৌজিক ইরমদম অসিগী মাঙদা তারিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং অমদি মীওই অমগ-অমগগী মরক্তা খেন্নরিবা ৱাখল্লোনশিং শংদাইনগে নৎত্রগা ৱাখল তামিন্নগে হায়রবদি নৈনরিবা ৱাফমশিং অদু ইরমদমগী লোন্দা হান্না খন্নবা মথৌ তাগনি। অতোপ-অতোপ্পা লৈবাকশিংদদি অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক্কা মরী-লৈনরিবা মরুওইবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং অদু মখোয়-মখোয়গী মমালোন্দা হান্নদগী হৌনা হন্দোক্কুনা মমুৎ-তানা খন্ন-নৈনবগী খুদোংচাবা কয়া ফংলি।

## *নেসনেল এদুকেসন পোলিসি (এন ই পি) ২০২০ গী ৱাখল্লোন*

মথক্তা পনথ্রিবা ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈননা এন ই পি ২০২০ না প্রাইমারিদগী হৌদুনা হায়র এদুকেসনগী থাক ফাওবা মরমদমগী মমালোন্দা লাইরিক তাকপি-তম্বিবগী পান্দম থম্লি। এন ই পি ২০২০ না হায়র এদুকেসনগী হান্না লৈরম্বা কাঙলোনশিংবু হোংদোক্কুনা শোখরবা খুন্নাইশিংগী মরক্তা শীংনরকপা কয়া লাকশিন্দুনা য়াম্না ফবা মতিক-মগুণ লৈবা অমদি খুন্নাইদুগী মহৈরোয় খূদিংমকপু মান্নবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা ভারতকী মফম খূদিংমক্তা হায়র এদুকেসনগী মহৈকোলশিংদা মমালোন্দা তাকপি-তম্বিনবা অচৌবা পান্দম থম্লি। য়াম্না মগুণ লৈবা খুন্নাইশিং ওইনবগীদমক মরমদমগী লোনখক্তা নৎত্রগা ইংরাজি অমদি মমালোন্দা পূন্না তাকপি-তম্বিবা হায়র এদুকেসনগী মহৈকোলশিং ভারতকী মফমশিংদা লিংনবগী খোঙথাং লৌখত্তুনা ইং কুমজা ২০১৮ দা হায়র এদুকেসন্দা মিং চনবগী চাং অসি ২৬.৩ ওইরিবসি লাক্কদৌরিবা ইং কুমজা ২০৩৫ দা চাদা ৫০ হেনগৎহনবগী পান্দম থম্লি।

লোয়ন-লোয়ননা তাইবং মহৈকোল অমদি কলেজকী ওজাশিংবু মতম খরগী নৎত্রগা শাংনা য়েংশিনবিদুনা লমজিং-লমতাকপিগদবা মতম কুইনা ওইরক্লবা নৎত্রগা থবক্তগী পোত্থারবা থোইদোক-হেন্দোক্লা হীরমদুদা খঙলবা ভারতকী লোন্দা অমদি মমালোন্দা তাকপি-তম্বিবা ঙম্বা অদুগুম্লবা ওজা ময়ামগী ওইবা থৌলূপ (Mission) অমা শেম্নবা পান্দমসু য়াওরি।

ঐখোয়গী খুন্নাই অমদি মহৈকোলশিংদা লাইরিক পাবগী হৈনবীসি লৈহন্নবা অফবা লাইরিকশিং মরাঙ কায়না ফংহনবসি তঙায়ফদবা পান্দম অমনি। মহৈ-মশিং তম্লিবা মহৈরোয়শিং পূম্নমক অমদি অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা দরকার লৈবা অঙাংশিং য়াওনা মখোয়গী চঙগদবা অমদি অপাম্বা লাইরিকশিং মরাঙ কায়না ফংহন্নবগীদমক মহৈকোল পূম্নমকপু মপাঙ্গল হাপ্পিবগা লোয়ননা মতমগা চুননা শেমগৎপগী মথৌ তাই। অদুগা মীয়াম অমদি লনাইগী লোয়শঙশিংনা ভারতকী তোঙান-তোঙানবা লোন্দা ফোঙলিবা লাইরিকশিংবু হেন্না মতিক-মগুণ লৈনবা অমদি লাইরিকশিং অদুবু পাবদা নুংঙাইনবা পাম্বৈ কয়া শেম্নবগী য়াওবা থৌশিল অসিনা ফোঙদোক্লি। অসিদসু নত্তনা অতোপ-অতোপ্পা খোঙথাংশিং ওইনা হৌজিক লৈরিবা লাইরিকশিং অসিগী মওং-মতৌবু অমুক হেন্না ফগৎহনবা অমদি খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা লোইজিং লোয়াশিংগী মফমশিংদা অফবা লাইরিকশিং অমদি লাইরিক পাফম থম্বিবা,

ভারতকী তোঙান-তোঙানবা লোনশিংদা নৈনবগী মচাকশিং মরাঙ কায়না ফংহনবা, হৌরক্লিবা অঙাং অমদি মহৈরোয়শিংগী ওইবা লেঙলোইদবা নৎত্রগা মফম হোংদোক-হোংজিন য়াবা লাইরিকশঙ হাংদোকপিবা, ভারতকী মফম খূদিংদা হীরম খূদিংমক্কী খুন্নাইগী ওইবা লাইরিক্কী ক্লবশিং হাংদোকপিবা অমসুং মহৈরোয়শিংদা লাইরিকশিংদা হেন্না ৱাখল-লৌশিং মতেং পাংহনবসিনি। ভারতকী তোঙান-তোঙানবা লোনশিংদা তাকপি-তম্বিবসি স্কুল এদুকেসন্দা নত্তনা হায়র এদুকেসন্দসু তৎন-থানবা য়াদ্রবা ওইনা লৌরি। লোনশিং অসিগী মতিক-মঙাল অদু মমি শামথখিদনবা লোনশিংদুদা অইবা লোন্দুগী চীন্থাং, ৱারোল, রেদিও, টেলিভিজন, ৱারেংনচিংবা অসিবু মীয়ামদা চাং নাইনা ফংহন্নবগী থৌরাং লৌখৎপা অসিনচিংবনি। অনৌ-অনৌবা থবক থৌরমদা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং মায় পাক্না মরমদমগী মমালোন্দা নৈনবা ঙম্নবা লোনশিং অদুগী ৱাহৈ-পূক্কে অমদি লনগৈদা ৱাহৈ-ৱাতাশিংবু মরী-লৈনবা লোইশঙগী খূথাংদা চাং নাইনা হাপ্পিগদবনি।

অমরোমদা মহৈরোয়শিংনা হায়র এদুকেসন্দা মিং চনবগী চাং হেন্না ৱাংহনবা অমদি মরমদমগী মমালোনশিং অদুবু মপাঙ্গল কলহনবা অমসুং মতিক মঙাল লৈহন্নবা হায়র এদুকেসনগী মহৈকোল খূদিংমক্তা লমদমদুগী লোন্দা অমদি মমালোন্দা হেন্না তাকপি-তম্বিনবা থৌশিল অসিদা হায়রি। ভারতকী য়াম্না মতিক মগুণ লৈরবা লোনশিং অদুবু তন্নবা মচাকশিং অমদি অতৈ মরুওইবা অইবা অমসুং চীন্থাং ওইনা লৈরম্বশিং অদু ভারত অমদি মপান লমগী লোন্দা ফংহন্নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবা Indian Institute of Translation Interpretation (ITTI) লিংখৎতুনা থমগনি হায়না ফোঙদোক্লি। লোয়ননা লম-লমগী অরিবা অমদি য়েলহৌমীগী লোনশিং অমসুং খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা লোনশিং য়াওনা ভারতকী লোন পূম্বা য়োকখৎনবা অমসুং কন্নবগী অনৌবা থৌনা হাপ্তনা হোৎনবগী পান্দম থল্লি। মীয়াম পূম্নমকসু পাক-শন্না শরুক য়ামিন্নবগী থৌরাং লৌখত্তুনা মীয়ামগী ৱাখল্লোন লৌদুনা অমদি শিনশালোন (টেক্নোলোজি) গী মতেং লৌদুনা অসিগুম্বা লোনশিংবু চাওখৎনবা হোৎনবগী থৌরাংসু য়াওরি। লোয়ন-লোয়ননা Digital India Campaign না লৈবাক পূম্বা দিজিটেলবু মপূং ফানা খঙবা অমদি হৈবা খুন্নাই অমদি লৌশিংদা তাংবা শেন্মীৎলোন (Knowledge economy) ওইহল্লি। NCERT, SCERT, CBSE, NIOS অমদি অতৈ মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা শেমগৎলিবা e-content শিং লম-লমগী লোন্দা ফংহন্দুনা অমদি DIKSHA plateform দা হাপ্পবগী পান্দম থল্লি।

### *ৱারোইশিন*

শিনশালোন (টেক্নোলোজি) অমদি মরী লৈনবা মহৈ-মশিংগী ৱাতাক (টার্ম) শিং ইংরাজি লোন্দা হেন্না নম্না লৈবনা অমদি ৱাতাকশিং অদু ইরমদমগী লোন্দা হন্দোকপদা খুদোংচাদবশিং য়েংলুরগদি ইংরাজি অমদি ইরমদমগী লোন্দা থাগোন্নদুনা মহৈ তম্বনা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাবা হেনগনি। মসিনসু মহৈরোয়শিংবু অনৌ-অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি মগুণ লৈবা শিনশাশিং ফংহন্দুনা মালেমগী থাক্তা পুখৎপিবা ঙমগনি।

মতাং অসিদা UGC গী মখাদা লৈরিবা ভারতকী তাইবং মহৈকোলশিংদা কোর্সশিং ইংরাজি লোন্দা তাকপি-তম্বিরবসু মহৈরোয়শিংনা কূপয়েং (একজামিনেসন) দা মরমদমগী লোন্দা ইবা য়াহন্নবগী পাউতাক পীরকখ্রে। অদুবু করম্না পাউতাক অসিবু হায়র এদুকেসনগী মহৈকোলশিংদা থবক্তা ওন্থোকপা য়াগদগে হায়বদুগী খন্ননীংঙাই ওইরি। খোঙথাং অসিনা মরমদমগী লোন্দা তন্নবা লাইরিক কয়া পুথোরকপা য়াবগী খোঙথাং কয়াদি লৈরক্লনি। এন ই পি ২০২০ না মহৈরোয়শিংবু মহৈ-মশিং তম্বদা কাঙলূপ অমগা কাঙলূপ অমগগী মরক্তা খেন্নবা লৈহন্দনা চপ মান্নবা মীৎয়েং থমদুনা মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা পান্দম থল্লি। ভারতকী তোঙান-তোঙানবা লোনশিংদা মহৈ তম্বগী থৌরাং অসি তঙায়ফদবা অমা ওইরক্লি। পূম্নমক অসি নৈনরুবদা ইরমদমগী লোন্দা মহৈ-মশিং তম্বসিগী অফ-ফত্তা কাঙলূপ খূদিংমক্কী মীৎয়েং অমদি লৈরিবা ফিভমদুগী মখা পোনগনি হায়জনীংই।

### *মতেং লৌজখিবশিং*


1. Ministry of Human Resource Development, Govt. of India. National Education Policy 2020.

2. Tan, A. Mother Tongue, Read, 2006, pp. 20-22.

# এন ই পি ২০২০ দা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বদা ইমালোন শীজিন্নবা

নিংথৌজম ইরোশিনি

# एन ई पी 2020 के अनुसार उच्च शिक्षा के लिए मातृभाषा का प्रयोग

निङोम्बम इरोशनी

*सारांश:*

*राष्ट्रीय शिक्षा नीति प्रारंभ से ही शिक्षा के क्षेत्र में व्यक्ति तथा समाज के विकास के लिए महत्वपूर्ण भूमिका निभाती रही है। नई राष्ट्रीय शिक्षा नीति 2020 भी मातृभाषा में शिक्षा के माध्यम से देश की प्रगति और संस्कृति के संरक्षण में महत्वपूर्ण भूमिका निभाने जा रही है। अध्यापकों द्वारा विद्यार्थियों को पढ़ाते हुए मातृभाषा के प्रयोग से होने वाले लाभ और संभावनाओं का उल्लेख इस लेख में प्रस्तुत किया गया है। इस सरकारी नीति का विश्लेषण करते हुए भारत के संविधान में स्वीकृत भाषाओं के बारे में भावी विद्यार्थियों और शिक्षकों को स्पष्ट रूप में बताए जाने की आवश्यकता का विश्लेषण भी इस लेख में किया गया है। अंत में इस नीति की रूपरेखा का अध्ययन करते हुए मातृभाषा में पठन-पाठन से नई शिक्षा नीति 2020 के लक्ष्य की पूर्ति का विवरण दिया गया है।*

## *ৱাহৌদোক*

সেকুলরিজম চৎপা লৈবাক অমা ওইনা, ইন্দিয়া হায়রিবা লৈবাক অসিদা মখল কয়াগী লোন ঙাঙবা অমসুং ইবা/পাবদা শীজিন্নরি। অপূনবা লোন ২২ অসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লি। ইন্দিয়া লৈবাক্কী কাচিন-কোয়া শীন-থুংনা শীজিন্নরিবা লোনশিং অসিবু হেন্না চাওখৎহন্নবা ইন্দিয়ান এদুকেসন সিষ্টেমদা প্রাইমারি লেভেলদগী হৌনা লৌবা য়াবা থৌদাং কয়া ভারত লৈঙাক্না লেপ্পা লৈতনা হোৎনরক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা নৌনা শেমখিবা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ দসু রিজনেল লেঙ্গুয়েজবু চাও-খৎনবা মচা খায়না শেমদুনা য়াওরি। এন ই পি ২০২০ দা রিজনেল লেঙ্গুয়েজ চাওখৎপদা মতেং ওইনবা করিক্যুলমদা ভারত লৈঙাক্না করি করম্বা পোরম য়াত্তুনা শেল্লি হায়বদু রিসর্চ পেপর অসিদা নৈনরি। পেপর অসি মিনিষ্ট্রি ওফ এদুকেসন, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙবা এন ই পি ২০২০ গী গাইদলাইন্স অদু নৈনদুনা ইথোকপনি।

## *এন ই পি ২০২০*

ভারতকী য়ুনিয়ন কেবিনেটনা এন ই পি ২০২০ অসি জুলাইগী ২৯, ২০২০ দা চৎননবগী অয়াবা পীখি। হায়রিবা পোলিসি অসিনা চহী ৩৪ শুরবা নেসনেল পোলিসি ওন এদুকেসন (এন পি ই) ১৯৮৬ বু মহুৎ শিনগদৌরি। এদুকেসন পোলিসি ১৯৬৮ অমসুং ১৯৮৬ কী মতুংদা এন ই পি ২০২০ অসিনা ইন্দিয়া লৈবাক্কী অহুমশুবা এদুকেসন পোলিসি ওইগদৌরি।

অনৌবা পোলিসি অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি প্রাইমারি, সেকেন্দরি অমসুং হায়র এদুকেসন সিষ্টেম অসিবু অনৌবা চাওখৎ-পা মায়ওন অমদা পুরকপসিনি। অসুম তৌনা পোলিসি অসিনা ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়া শীন-থুংনা চৎনরিবা, শীজিন্নরিবা রিজনেল লেঙ্গুয়েজশিং অসিবু চাওখৎনবা, তুং কোয়না চারোল-শূরোলদা রিজনেল লেঙ্গুয়েজবু মরা তানা লৈহৌনবা পোলিসি অসিগী মতেং লৈঙাক্না লৌগদৌরি। এদুকেসন পোলিসি ১৯৮৬/১৯৯২ মতুংদা এন ই পি ২০২০ না 'দ রাইট ওফ চিলদ্রেন টু ফ্রি এন্দ কম্পলসরি এদুকেসন এক্ট, ২০০৯' অসিবু মাঙদা থমদুনা য়ুনিভর্সেল এলিমেন্টরি এদুকেসন ফংনবা হোৎনরি।

হায়নবা লৈ চহী য়াম্না নৌরিবা অঙাংশিং অসি মীৎমাঙদা উরিবা খূদিংমক খঙনীংবনা অমসুং হৈনীংবনা লাংতক্লকহল্লি। পীক্লিবা চহী ২ দগী ৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং অসি লোন অমবু খঙবা অমসুং হৈবদা অদুক্কী মতিক থুই। মরম অদুনা চহী মতাংসিগী অঙাংশিং অসি তোঙান-তোঙানবা লোন্দা তাকপি-তম্বিরবদি মখোয়শিং অদু ৱাখল খনবা অমদি হীরম খূদিংদা হৈনীংবা খঙনীংবগী ঈথিল পোকহনবা ঙম্বদা চাউনা থৌদাং য়ারি। এন ই পি ২০২০ না হায়রিবদি ওজাশিংনা ছাত্রশিংবু লাইরিক তাকপি-তম্বিবদা গ্রেদ ৫ ফাওবদি, নৎত্রগা য়ারিমখৈ গ্রেদ ৪ ফাওবদি ইমালোন্দা তাকপি-তম্বিগদবনি। ছাত্রশিংনা ঙাঙনবা লোন অমসুং ওজাশিংনা তাকপি-তম্বিবদা শীজিন্নরিবা লোন অসি য়ারিমখৈ শমজিন্ননবা ওজাশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবা তঙাইফদে।

তাকপি-তম্বিবগী লোনগা ছাত্রশিংনা শীজিন্নরিবা লোনগা মান্নরক্তবা য়াওরবসু, ওজাশিংনা অয়াম্বা মতমদা লোন মখল অনী শীজিন্নরগা তাকপি-তম্বিবগী তঙায়ফদবদুসু এন ই পি ২০২০ না হায়বগা লোয়ননা অফবা মখলগী টেক্সবুকশিং ইমালোন্দা ফংহন্নবগী খুদোংচাবসু ময়েক শেংনা হায়রি। করিগুম্বা টেক্সবুকশিং ইমালোন্দা ইথোকপশিং অসি মতম চানা ফংদবা থোক্লবদি ওজাশিংনা তাকপি-তম্বিবা মতমদা

ইমালোন্দা অদুমক তম্বিবগী তঙ্গায়ফদবসু ফোঙদোক্লি।

ভারত জাতি কয়ানা খুন্দাদুনা লৈবা লৈবাক অমনি। জাতি খূদিংমক মশা মশাগী লোন লৈজবা মরম্না লৈবাক অসি মখল কয়াগী লোন ঙাঙবা নাগরিকশিংনা মফম খূদিং খুন্দাদুনা লৈরি। লৈবাক অসিদা ঙাঙনরিবা রিজনেল লেঙ্গুয়েজ খূদিংমক্কী ওজাশিং লৌনবা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি, মরু ওইনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনবা রিজনেল লেঙ্গুয়েজশিংদনা হেন্না মীৎয়েং চঙনবা এন ই পি ২০২০ দা হায়রি। পৃথিবীগী চাওখৎ খোঙথাংশিংদা ভারত লৈঙাকসি মতুং ইন্নদুনা চৎলি। অসুম তৌনা টেক্নোলোজিগী অঙকপা ফংনা চাওখৎলক্লিবা অসিদসু ভারত লৈঙাকসি অদুমক শরুক য়ারি। টেক্নোলোজি চা-ওখৎলকপগী কান্নবা কয়া অমা রিজনেল লেঙ্গুয়েজ চাওখৎনবা এন ই পি ২০২০ না পায়খৎলক্কদৌরিবা থৌরম-থৌদা কয়াদা মতেং লৌগদৌরি। ইন্দিয়ান রিজনেল লেঙ্গুয়েজশিং অসিবু তাকপি-তম্বিবগী লমদা অমসুং চাওখৎনবগীদমক টেক্নোলোজি মখল কয়া শীজি-ন্নবগী খুদোংচাবসু পীরি। ছাত্রশিংনা তমগদৌরিবা লোন অহুম অসি লৈরিবা লম, ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমসুং ছাত্রশিংনা খনবগী খুদোংচাবা পীরি। তমগদৌরিবা লোন অনী অদুমদি ইন্দিয়াগী মৈহৌরোলদগী চৎনরক্লবা লোন ওইগদবনি। অদুবু লোন অমবু ষ্টেটশিংদা অকক্লনা শীজিন্নদবা য়াদে হায়বগী চৎন-কাঙলোন্দি লৈতে।

সাইন্স অমসুং মেথমেটিক্সকী অফবা মখলগী লাইরিকশিং ইবা অমসুং ইংলিশতা হন্দোক্তুনা ফোঙনবা অকনবা মওংদা হো-ৎনগনি। হায়রিবা সবজেক্টশিং অসি ইমালোন অমদি ইংলিশতা তম্বিরবদি ছাত্রশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি হায়বগী থাজবা এন ই পি ২০২০ না থম্লি। মরমদি ইমালোন্দা তাকপি-তম্বিবা হায়বসিনা ছাত্র অমসুং ওজাদা হেন্না অখঙ-খঙদা তানবগী খুদোংচাবা কয়া অমা পীরি।

‘এক ভারত শ্রেসথা ভারত’ না শীন্দুনা পাঙথোকপা ‘দ লেঙ্গুয়েজ ওফ ইন্দিয়া’ হায়বা প্রোজেক্ট অসিদা গ্রেদ ৬ তগী ৮ ফাওবগী মনুংদা ছাত্র খূদিংমক্না শোয়দনা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা এন ই পি ২০২০ না পীরি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসিদগী ছাত্রশিংনা সংস্কৃত অমসুং ক্লাসিকেল লেঙ্গুয়েজশিংগী ভোকেবলরি, গ্রামার্টিকেল ষ্ট্রকচর, ফোনেটিক্সনচিংবগী জ্ঞান ফংবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়না থাজবা থম্লি। প্রোজেক্ট অসিগী খুত্থাংদা ছাত্রশিংনা মাগী-মাগী লমশিংদা শীজিন্নরিবা লোন অমসুং ইন্দিয়াগী মরু ওইবা লেঙ্গুয়ে-জগী ফ্রেজ অমদি সেন্টেন্সশিং খঙহনবদা অচৌবা মতেং পাংগদৌরি।

সংস্কৃত হায়রিবা লোন অসি ভারতকী অরিবা লোনশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। এন ই পি ২০২০ না স্কুল অমসুং হায়র এদু-কেসনগী থাক্তা সংস্কৃত লোন অসিবু তম্বগী খুদোংচাবা পীগদৌরি অমসুং থ্রী-লেঙ্গুয়েজ ফোর্মুলাদসু সংস্কৃত লোন খনবগী খুদোংচাবা এন ই পি  ২০২০ না ছাত্রশিংদা পীরি। ফাওন্দেসনেল অমসুং মিদল স্কুল লেভেলদা ফংহনগদৌরিবা টেক্সবুকশিং অসি সিম্পল ষ্টেন্দার্দ সংস্কৃত (এস এস এস) তা ইথোক্তুনা সংস্কৃত থ্রু সংস্কৃত (এস টি এস) হায়রিবা নিয়ম অসিদা ছাত্রশিংবু তাকপি-তম্বিগদৌরি। সংস্কৃতখক্তা নত্তনা, টামিল, টেলুগু, কনড়া, মলায়ালম, ওড়িয়া, পালি, পর্সিয়ান অমসুং প্রকৃট হায়রিবা লোনশিং অসিবু তম্নবগী ছাত্র-শিংনা অপাম্বা খনবা য়াবগী খুদোংচাবা পীগদৌরি। হায়রিবা ইন্দিয়ান ক্লাসিকেল লেঙ্গুয়েজশিং অসিবু চাওখৎনবগীদমক গভর্নমেন্টনা মখল কয়াগী চাংয়েং শীজিন্নগদৌরি। মসিগী মনুংদা ওনলাইন মোদুলস শীজিন্নদুনা হায়রিবা লোনশিং অসিবু ওজাশিংনা ছাত্রশিংদা তাকপি-তম্বিগদৌরি।

ইন্দিয়ান ক্লাসিকেল লেঙ্গুয়েজ তম্বগী খুদোংচাবা অসি গ্রেদ ৬ তগী ১২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অদু ছাত্রশিংদা এন ই পি ২০২০ গী মতেংনা পীরি। ইন্দিয়ান রিজনেল লেঙ্গুয়েজ অমসুং ইংলিশ তম্বগী খুদোংচাবা অসিগী মথক্তা ছাত্রশিংনা ফোরেন লেঙ্গুয়েজ হায়বদি কোরিয়ান, জপানিজ, থাই, ফ্রেঞ্চ, জর্মন, স্পেনিচ, পোর্টুগল অমসুং রুসিয়ান লোনশিং অসি সেকেন্দরি লেভেলদা ছাত্রশিংনা অপাম্বা খল্লগা তম্বগী খুদোংচাবসি পীরি। মসিনা ছাত্রশিংবু পৃথিবী শিন-থুংবগী কলচর খঙবা অমসুং মখোয়না পামজবা লমশিংদা চৎপদা অচৌবা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা থম্লি। অনৌবা এদুকেসন পোলিসি অসিগী খূত্থাংদা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ট্রান্সলেসন এন্দ ইন্টরপ্রিটেসন (আই আই টি আই) হায়বা ইন্সটিট্যুসন অমা শানবগী খুদোংচাবা লৌগদৌরি।

ওজাশিংনা ছাত্রশিংদা তকপি-তম্বিবদা গমিফিকেসন অমসুং এপ্লিকেসন শীজিন্নদুনা অনৌবা মখলদা তাকপি-তম্বিবগী চাংয়েং পাঙথোক্লবা এন ই পি ২০২০ গী মখাদা শেম শারি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নৌনা শেম্লিবা এদুকেসন পোলিসি অসিনা ময়ামগা মীমান্নদ্রবা তাবা ঙম্বগী শক্তি লৈত্রবা ছাত্রশিংগীসু চাউনা কান্নবা পীনবা গভর্নমেন্টনা থৌদাং লৌরি। ইন্দিয়ান সাইন লেঙ্গুয়েজ (আই এস এল) অসি লৈবাক শিন-থুংনা ষ্টেন্দার্দাইজ তৌনবা নেসনেল অমসুং ষ্টেটকী থাক্তা হোৎনদুনা হেয়ারিং ইম্পিয়ার্মেন্ট ওইবা ছাত্রশিংদা কান্নবা পীবগী ৱাফমসু এন ই পি ২০২০ দা পম্লি। ছাত্রশিংনা চহী নৌরিঙৈদগী ইমালোন অমসুং লোন মখল শুনা তাকপি-তম্বিবগী হীরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা ইন্দিয়ান গভর্নমেন্টনা এন ই পি ২০২০ দা তোঙানবা চৎন-কাঙলোন কয়া অমা য়াত্তুনা শেম্লিবা অসিনা মপূং ফানা চৎনরক্লবা মতমদা ইন্দিয়াগী তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা নাগরিক খূদিংদা অচৌবা কান্নবা অমসুং চাওখৎপা সমাজ অমা ওইনবা হোৎনবদা এন ই পি ২০২০ না অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু থম্লি।

## মতেং লৌজখিবশিং


Ministry of Education, India. "National Education Policy 2020." (2020). MHRD, 2020

https://www.education.gov.in>mhrd>files.

Varghese, Laly, and Sunanda Devi, Thokchom. "NEP 2020: An Analysis of 3 Language Policy." Global Journal of Applied Engineering in Computer Science & Mathematics (GJAECSMA). Vol. 1.,2020,pp. 14-19.

Mahapatra, Santosh Kumar and Anderson, Jason. "Languages for Learning: A Framework for Implementing India's Multilingual Language-in-Education Policy". Current Issues in Language Planning. Vol. 24 No. 1, 2021, pp. 102-122.DOI: 10.180/14664208.2022.2037292.

# ভারত্তা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বদা মমালোন শীজিন্নবদা থেংনরিবা ইস্যুশিং অমসুং শীংনবশিংঃ এন ই পি ২০২০ গী মীৎয়েংদগী

ডা আর. কে. সোফিয়া দেবী

অমসুং

প্রো. সিঐচ. ইবোহল সিংহ

# भारत में उच्च शिक्षा में क्षेत्रीय भाषाओं के प्रयोग में आने वाली चुनौतियाँ और समस्याएँ: एन. ई. पी. २०२० की संक्षिप्त समीक्षा

डॉ. राजकुमारी सोफिया देवी

एवं

प्रोफेसर सीएच. इबोहल सिंह

*सारांश*

*भारतीय शिक्षा व्यवस्था में राष्ट्रीय शिक्षा नीति (एन. ई. पी.) २०२० के लागू होने से दूरगामी और लंबे समय से अपेक्षित बहुत सारे सुधार और परिवर्तन घटित होंगे। यह इक्कीसवीं सदी की सर्वाधिक प्रगतिशील और महत्वाकांक्षी योजना है। इस नीति का महत्व एवं उद्देश्य वैश्विक धरातल पर एक ऐसी शिक्षा व्यवस्था को लाना है जिसका अपना सुनिश्चित स्वरूप हो और जिसकी जड़े भारतीयता में विन्यस्त हों और जो भारत को विश्व स्तर पर ज्ञान की महाशक्ति के रूप में सामने ला सके। इस नीति के अंतर्गत ऐसी संस्थाओं और संस्थानों को स्थापित करने की परिकल्पना की गई है, जहाँ भारतीय भाषाओं के संरक्षण और संवर्धन का भाव हो, साथ ही जहाँ मातृभाषा और स्थानीय भाषाओं को माध्यम भाषा के रूप में उच्च शिक्षा की विभिन्न संस्थाओं में प्रयोग पर आग्रह हो। यद्यपि भारत जैसे बहुभाषी देश में इस नीति के क्रियान्वयन में अनेक चुनौतियाँ हैं। क्षेत्रीय भाषाओं की पारिभाषिक शब्दावली के प्रयोग में भी अनेक बाधाएँ हैं और इसका कारण है विशेषज्ञों का मत वैभिन्य और संसाधनों की अल्पता, किंतु भाषाओं के संवर्धन के लिए इस नीति को विभिन्न राज्यों द्वारा प्रोत्साहन मिला है। इसी के साथ यह भी ध्यान रखना होगा कि कुछ बिंदुओं पर ऐसे समाधान तलाशने होंगे, जिसमें इस नीति की उपयुक्तता बनी रहे।*

## *ৱাহৌদোক*

মহৈ-মশিংগী থৌশিল থৌরাং এদুকেসন পোলিসি হায়বসি এদুকেসনেল সিষ্টেমশিংবু চৎনহল্লিবা কাঙলোন অমসুং পরিং-পথাপশিংবু খঙনৈ। মতিক লৈবা এদুকেসন পোলিসিনা লৈবাক অমগী খুন্নাই অমসুং শেল-থুমদা অকনবা শাফু পীরি। অনৌবা এদুকেসন পোলিসিশিং অসি শেম্বদা মরুওইনা লৌখৎকদবা মচাকশিংদিঃ পেদাগোজিকেল, মেথোদোলোজি, রিসোর্স মোবিলাইজেসন, করিক্যুলমগী মচাকশিং, অমসুং খ্বাইদগী মরুওইবদি মসিনা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপশিং অমসুং ষ্টেকহোলদরশিংদা অহোংবা ৱাখল্লোন পীহনবদুনি।

ভারত্তা অহানবা নেসনেল পোলিসি ওন এদুকেসন অসি ১৯৬৮ দা শ্রীমতী ইন্দিরা গান্ধীনা হৌদোকখি। মসি কোথারী কম্মিসন ১৯৬৪-১৯৬৬ গী রিপোর্ট অমসুং রিকম্মেন্দেসনশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা শেমখিবনি। মসি প্রাইমারিদগী হৌরগা হায়র এদুকেসন ফাওবগী মহৈ-মশিংগী থাক খূদিংমক কোনশিল্লিবা এদুকেসনগী মতাংদা অহানবা মখল মখা শুবা অমদি মপূং ফাবা কম্মিসন্নি। অমুক হন্না ১৯৮৬ তা রাজিব গান্ধীনা লুচিংবা সরকারনা ভারতকী নুপীশিং, সেদ্যুল কাষ্ট (এস সি) কম্ম্যুনিটিশিং অমসুং সেদ্যুল ত্রাইব (এস টি) গী ওইনা অখন্ননা মীৎয়েং থমদুনা এদুকেসনগী মতাংদা নৈনবা নেসনেল পোলিসি অমা পুথোকখি। মখা তানা ১৯৮৬ কী নেসনেল পোলিসি ওন এদুকেসন অসি ১৯৯২ দা পি ভি নরসিমহা রাওনা শেমদোকখি।

২০০৫ দা হান্নগী প্রধান মন্ত্রী ডা মনমোহন সিংহগী যুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এলাইয়েন্স (য়ু পি এ) সরকারগী কমন মিনিমম প্রোগ্রামদা য়ূম্ফম ওইবা অনৌবা পোলিসি অমা লৌখৎখি মদুদি প্রোগ্রাম ওফ এক্সন (পি ও এ) ১৯৯২ নেসনেল পোলিসি ওন এদুকেসন (১৯৯৬) কী মখাদা লৈবাক অসিদা প্রোফেসনেল অমসুং টেক্নিকেল প্রোগ্রামশিংদা কমন এন্ট্রান্স একজামিনেসন অমা পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখি (এন ই পি ১)।

## *অনৌবা এদুকেসন পোলিসি ২০২০ (এন ই পি ২০২০)*

২১ শুবা চহীচা অসিদা, অনৌবা এদুকেসন পোলিসি, ২০২০ (এন ই পি ২০২০) অসিনা অরিবা এদুকেসন পোলিসি ১৯৮৬ গী মহুৎ শীল্লিবনি। মসিনা এদুকেসনগী লমদা মল্টি-দিসিপ্লিনরি, প্রোফেসনেল অমসুং এদুকেসনবু ফ্লেক্সিবল ওইহল্লি। মসিনা ভারতপু মালেমগী নোলেজ সুপরপৱার অমা ওইহন্নবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা স্কুল অমসুং হায়র এদুকেসন্দা অহোংবা পুরক্লবা পান্দম থল্লি। এন ই পি ২০২০ অসি এক্সেস, ইকুইটি, ক্বালিটি, এফোর্দেবিলিটি অমসুং একাউন্টেবিলিটিদা য়ূম্ফম ওই। অমুকসু মসিনা ২০৩০ গী এজেন্দা ফোর সস্টেনেবল দিভলপমেন্ট গোল ৪ (এস দি জি ৪) গা মরী লৈনৈ, হায়বদি এক্সক্লুসিভ অমসুং ইকুইটেবল ক্বালিটি এদুকেসন শোয়দনা ফংহন্নবা অমসুং মীপূম খুদিংমক্কীদমক পুন্সি চূপ্পা তম্নবগী খুদোংচাবশিং য়োকখৎপা অসিনি। মরুওইবা শক্তম খরদিঃ

- অচৌবা মচাক-মথুম য়াম্না লৈবা তোঙান-তোঙানবা মহৈগী হীরমশিং য়াওবা (মল্টি-দিসিপ্লিনরি) ইন্সটিট্যুসনশিংগা লোয়ননা হায়র এদুকেসনগীদমক আর্কিটেকচর শেমগৎপা;

- হোংদোক হোংজিন য়াবা করিক্যুলম ষ্ট্রকচরশিং, ক্রিয়েটিব ওইবা ষ্টদি কম্বিনেসনশিং, মশীং য়াল্লবা একজিট পোইন্টশিং;

- তঙায়ফদবা সবজেক্টশিং স্কিল অমসুং কেপাসিটিশিংগী ইন্টিগ্রেসন এক্সপিরিয়েন্সিয়েল লার্নিংদা য়ূম্ফম ওইবা করিক্যুলম;

- হায়র এদুকেসনগী মরুওইবা শরুক অমা ওইনা প্রোফেসনেল অমসুং ভোকেসনেল এদুকেসন্দা মীৎয়েং চঙবা;

- হায়র এদুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংগীদমক অখন্নবা গভর্নেন্স অমসুং ওটোনোমি;

- প্রোগ্রেসিভ দিজিটেল লিটরেসি প্রোগ্রামশিং চথনবা অহেনবা ওপসনশিং;

- মগুণ লৈবা একাদমিক রিসর্চ অমসুং ইনোভেসন কেটলাইজ তৌনবা নেসনেল রিসর্চ ফাওন্দেসন;

- এদুকেসনগী ইন্টরনেসনেলাইজেসন প্রোগ্রাম অমসুং

- হায়র এদুকেসন্দা তম্বিবগী পাম্বৈ অমা ওইনা মমালোন নৎত্রগা রিজনেল লোনশিং য়োকখৎপা।

### *রিজনেল লেঙ্গুয়েজশিংদা এন ই পি*

হৌরকপদগী ভারতকী এদুকেসনেল পোলিসিশিংনা স্কুলশিং অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা রিজনেল লোন নৎত্রগা মমালোন তম্বিবগী মেদিয়ম অমা ওইনা শীজিন্নবদা অকনবা ৱাফম থমখি।

রিজনেল লোন নৎত্রগা মমালোন হায়বসি লমদমদুগী মীওই অয়াম্বনা অতোপ্পা লোনশিংদগী হেন্না পাম্নদুনা পাউ ফাওনবগী মওং অমা ওইনা শীজিন্নবা লোন অমনি অমসুং মসি মীয়ামগী মমালোন নৎত্রগা মখোয়না মখোয়গী সোসিও-লিঙ্গুইষ্টিক আইদেন্টিটি মশক খঙদোকপা লোন অমনি।

য়ুনেস্কোগী মতুংইন্না মালেমগী মীশিংগী চাদা ৪০ দি মখোয়না লৌশিনবা ঙস্বা নৎত্রগা ৱা ঙাঙবা ঙম্বা লোন অমদা মহৈ-মশিং তম্বগী খুদোংচাবা ফংদে। লোনশিং অসি মাঙহন-তাকহন্নবগী অকিবা পোকহনবা চাং অসিগী মহৈ ওইনা লিঙ্গুইষ্টিক দাইভর্সিটি অসি হেন্না খুদোংথীবা নংলক্লি।

প্লুরেলিষ্টিক সোসাইটি অমা ওইবনা ভারত্তা তোপ-তোপ্পা কলচর অমসুং পাক চাউরবা লিঙ্গুইষ্টিক দাইভর্সিটি লৈরি। মালেমগী ইথনোলোগ লেঙ্গুয়েজ কেটেলোগকী মতুংইন্না ভারতনা লোনগী মশীংগী মতাংদা ৪ শুবা মফমদা লৈরি। অদুম ওইনমক লিঙ্গুইষ্টিক আইদেন্টিটিশিংবু লেজিসলেটিভ অমসুং দিজিটেলাইজ তৌনবগী লোনশিং অসি মশীং থীবা অসি য়াম্না ৱানা থোকখিগনি। মসিদা নত্তনা ২০১১ গী সেন্সসকী মতুংইন্না ভারত্তা তোঙান তোঙানবা মমালোন ১২১ রেসনেলাইজ তৌরবা মমালোন ১৩৬৯ অমসুং তোঙান-তোঙানবা মীশিংনা ঙাঙনরিবা মশক খঙদবা মমালোন ১৯৫০০ হেন্না লৈরি (প্রেস ট্রষ্ট ওফ ইন্দিয়া ২০১৮) মসিগী মনুংদা ২২ দি সেদ্যুল লেঙ্গুয়েজনি, মদু লৈবাক অসিদা চৎনহল্লি। লেমহৌরিবা লোনশিং অসি নন সেদ্যুল লোনশিংগী ষ্টেটসতা লৈরি।

### *ভারত্তা হায়র এদুকেসন্দা রিজনেল লোনশিং*

ভারতকী এদুকেসন সিষ্টেম অসি হৌরকপদগী হৌনা রিজনেলগী ওইবা লোনশিংদা খুদোংচাবা পীদুনা লাক্লি। ভারতকী স্কোলরশিপকী এচীভমেন্টকী অরিবা পুৱারী 'তকসসিলা নালন্দা' অরিবা গুরুকুল সিষ্টেমশিং অসিনচিংবা অসি প্রমাণ ওইনা পনবা য়াই। মসি ঐখোয়গী লোনশিংদা য়ূম্ফম ওইরম্মী। ঐখোয়না ঐখোয়গী লোনশিং অসি রিসর্চ লার্নিং অমসুং এদুকেসনগী পাম্বৈ অমা ওইনা শীজিন্নরকপা মতমদা ভারত অসি লৌশিং অমসুং কলচরগী চাওখৎপদা মাঙজিন থাবা অমা ওইরম্মী। লোনশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা প্রি-বৃটিশ এলিমেন্টরি স্কুলশিং অসি বেঙ্গালি, পার্সিয়ান, অরাবিক অমসুং পার্সিয়ান বেঙ্গালি হায়না খায়দোকখি।

হিন্দু অমসুং মুসলিমখক্তবু য়েংদুনা অৰাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী মতাংদা সিন্ধুদা সংস্কৃত অসি তম্বিবগী মওং ওইনা পাথশালা নৎত্রগা কলেজশিং লৈরম্মী। মুসলমানশিংনা মদ্রাসাশিং অসি অৰাংবা থাক্কী মহৈ তম্বগী স্কুল ওইনা লৌরম্মী (Sinnappan, ১৯৭২)। ভারত্তা বৃটিশ লাকপগা লোয়ননা জাতি অসিদা ইংলিশ এদুকেসন পীররে। অদুম ওইনমক ইংলিশ এদুকেসনগী মতাংদা ৰারী শান্নবা অসি নীংতম্লবা মতুংদা ভারত্তা মখা চথখি। মসি য়ুনিভর্সিটি এদুকেসন কম্মিসনগী রিপোর্ট হায়না খঙনবা ১৯৪৮-৪৯ গী রাধাকৃষ্ণন কমিটিগী রিপোর্টতা ফোঙখি। হায়র এদুকেসনগী ইনষ্ট্রক্সনগী মেদিয়ম ওইনা ইংলিশকী মহুৎ শীন্দুনা ভারতকী লোন অমা চৎনহন্নবা য়ারিবমখৈ ঙন্না ইন্টিগ্রেসন কমিটি, এন ই পি ১৯৬৮ অমসুং এন ই পি ১৯৮৬/১৯৯২ শেমখি।

*মরুওইবা ষ্টদি খরা*

মমালোন্দা মহৈ-মশিং তম্বনা ইংলিশকুম্বা মেজোরিটি ওইবা লোনশিংগী মহুৎ শীন্নবা পান্দম থমদে অদুবু মাইনোরিটি ওইবা লোনশিংবু দোমিনেট তৌরবা লোনশিংগা লোয়ননা পূন্না লৈমিন্নবদা মতেং পাংনবা অমসুং নৎত্রগা মেজোরিটি ওইবা লোনশিংগা মান্নবা খোঙথাং অমা লৈনবা পান্দমদি থল্লি (Extra & Gorter, ২০০৭)।

য়ুনেস্কো অমদি অতৈ থিজিনবগী থবক কয়ানা তাক্লি মদুদি নহা ওইরিবা অঙাংশিংবু মখোয়গী মমালোন্দা তম্বিবনা মপান লমগী লোন্দা তম্বিবদগী হেন্না ফগৎহল্লি। লাক্কদবা পুন্সিগী তুংগী তাঙ্ককশিংগীদমক্তসু মসিমক ওইরি (Ghonkrokta, ২০২০)।

ট্রীটি ওফ লিসবন্দা ফোঙদোক্লিবা মতুংইন্না লিঙ্গুইষ্টিক দাইভর্সিটিবু ইকাইখুন্নবা উৎপদা হেন্না মীৎয়েং চঙলি (The European Union, ২০০৭)।

মাইনোরিটি লোনশিংবু য়েংশিন্দবনা মাইনোরিটিশিংগী পুন্সি মওং কয়াদা শোকহল্লি, মসিনা মখোয়বু হকচাং অমসুং ৰাখল অনীমক্তা নেগেটিব ওইবা ফলশিং থোকহল্লি হায়বসিগী মতাংদা এব্যারনেস পীবা হেনগৎলক্লি (Bates, et al., ২০১১)।

ষ্টদি অমদা, (Asraft, et al., ২০২১) পাকিষ্টানগী খুন্নাইদা লৈরিবা মল্টিলিঙ্গুয়েল গ্রুপিংশিং অসি য়েংলগা এদুকেসন পোলিসিদা লোনগী থৌদাং অমসুং এদুকেসনেল সেট্টিংশিংদা মসিগী চৎনবী অসি খঙদোক্লবা পোলিসি মেকরশিং অমসুং ওজাশিংগী অপূনবা থবকশিং য়েংশিনখি। পাকিষ্টান্দা জাতিগী লোন উর্দু অসি মহৈ-মশিংগী সেট্টিংশিং অমসুং লিঙ্গুৱা ফ্রাঙ্কা অমা ওইনা মসিগী থবক তৌবদা লিমিট লৈ। ইংলিশনা ওথোরিটিশিংদা ওফিসশিংদা অমসুং এদুকেসনগী সেট্টিংশিংদা মপূং ওইনা শীজিন্নৈ।

Ghonkrokta না অমুক হন্না ফোঙদোক্লি, মদুদি ঐখোয়না ইংলিশ অসি অৰাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদা তম্বিবগী মেদিয়ম ওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লি। মরুওইনা মেদিসিন, সাইন্স টেক্নোলোজি লো-গুম্বা অখন্নবা লমশিংদা হেন্না শীজিন্নরি। মরুওইবা ৰাফমদি ভারতকী লোনশিংদা মতিক চাবা লাইরিক অমসুং জর্নেলশিং মরাঙ কায়না লৈত্রি। অদুবু করিগুম্বা ঐখোয়না মচাকশিং অসি ঙাইরবদি মদুগী মতুংদা মচাকশিং অসি কৈদৌনুংদা পুথোকপা ঙম্লোই অমদি ৰাহৈ অমসুং মচাকশিং অসি মতমগী মতুং-ইন্না চাওখৎলক্কনি।

নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল লেভেলদা ফগৎলে অদুম ওইনমক স্কুলদা য়ূক্ষম ওইবা ইফেক্তিভ ওইবা ইন্দিজিনস প্রোগ্রাম (আই এল পি) অসি হৌজিক চথরিবা এক্সপ্লেনেসন অমসুং শোয়দ-ঙামদবগী মফম অমা ওইদুনা লৈরি (McCarty ২০০৩; Reyhmer and Eder, ২০০৪)।

*ইস্যুশিং অমসুং শীংনবশিং*

পোলিসি দোক্যুমেন্ট অসিগী মতুংইন্নাঃ

- ভারতকী লোনশিং অসি স্কুল অমসুং অৰাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তাকপি-তম্বিবদা হেন্না মরী লৈনহনবা মথৌ তাই।

- টেক্সবুক, ৰার্কবুক, ভিদিও, নাৎ, শৈরেং, নোভেল, মেগাজিন অসিনচিংৰা য়াওনা লোনশিং অসিদা অৰাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বদা নমথোক্লবা লার্নিং মেটরিয়েলশিং শেমগৎপা মথৌ তাই।

- লোনশিং অসিদা ৰারী শান্নবা অমসুং তাকপি-তম্বিবগী মরমশিংদা হেন্না শীজিন্নগদবনি। মসিনা মখোয়বু মরুওইনা মালেমগী লোনশিংদা হন্দোকপা অমসুং তন্নবগী রিসোর্সশিং প্রিন্ট মেটরিয়েলশিং অমসুং ৰারী শানবগী মতেং ওইনা শীজিন্নবা য়াহনগদবনি।

- ভারতকী লোনশিংদা দিক্সনারিশিং, ৰাহৈশিং চাং নাইনা অপদেট তৌবা অমসুং তন্নবগী মচাকশিং পুথোকপা অসি ইংলিশ, জর্মনি, হিব্রু, কোরিয়ান অমসুং জপানিজগুম্বা অতোপ্পা লোনশিংগা চাংদম্নবদা খরা শোন্থনা উবা ফংই।

- মসিগী মথক্তা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু ভারত্তা লোনগী মতিক চাবা, মশক থোকপা শিন্তাকলোয়শিংগী অৱাৎপা লৈরি।

- লোন তম্বিবা মতমদা গ্রামার, ৱাহৈ অমসুং সাহিত্য তম্বিবখক্তদা নত্তনা খঙহন্নীংলিবা লোন অদুদা ৱা ঙাঙবা অমসুং ৱারী শান্নবদা অকনবা মীৎয়েং থম্নবা শেমদোক-শাদোকপা মথৌ তাই।

*মায় পাক্লা থবক্তা ওন্থোক্লবগী লম্বী খরা*

- ক্লাসিকেল, ট্রাইবেল অমসুং মূৎশিল্লক্লবা লোনশিং য়াওনা ভারতকী লোন খূদিংমক ঙাক্তুনা থম্নবা অমসুং য়োকখৎনবা হোৎনবগী মরুওইবা মফম ওইগনি।

- মীয়াম্না এক্তিভ ওইনা শরুক য়াবা অসিনা থৌরাংশিং অসিগী মরুওইবা খোঙথাং ওইগনি। খূদম ওইনা ওড়িষা, ছটিস-গর অমসুং অন্ধ্র প্রদেশনা রাজ্যগী এন জি ওশিংগা লোয়ননা ট্রাইবেল মাইনোরিটিশিংগী মমালোনগী মহৈ-মশিংদা মীৎয়েং থম্বা স্কুলশিং শেমগৎনবা থবক তৌমিন্নরি অমসুং মসিনা মহৈ য়াল্লবা ফলশিং পুথোকখ্রে।

- হৌজিক ফাওবা মখোয়না ফংফম থোকপা মীৎয়েং ফংদবা মেন্যুস্ক্রিপ্ট লীশিং কয়া খোমজিনবা, ঙাক শেনবা, হন্দোকপা অমসুং থিজিনবদা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা ভারতনা মতৌ অসুম্না ক্লাসিকেল লোন অমসুং সাহিত্য পূন্নমক তম্নবগীদমক কখে-ান্ক্লবা ইন্সটিট্যুটশিং অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংগী মশীং হেনগৎহনগনি। লোকেল মাষ্টরশিংগা লোয়ননা হায়র এদুকেসন সিষ্টেমগী মনুংদা ভারতকী লোন, আর্ট অমসুং কলচর তম্নবগীদমক চহী খূদিংগী স্কোলরশিপ পীনবা শিনফম লিংখৎকনি।

- ভারতকী লোনশিং অসি চাং নাইনা ঙাঙনরবা অমসুং তম্বিবা অমসুং তম্বা অনীমক্তা শীজিন্নরবখক্তদা চাওখৎপা ঙমগনি।

- ভারতকী লোন পূন্নমক্তা থোইদোক হেন্দোকপা শৈরেং, নোভেল এন্দ ফিক্সনগী লাইরিকশিং, টেক্সবুকশিং, জর্নেলিজম অমসুং অতোপ্পা ৱারীশিং শোয়দনা ফংহন্নবা ইন্সেন্টিভশিং শেমগৎকনি। মদুদি কেটেগোরি খূদিংমক্তা ভারতকী লোনশিংদা অখন্নবা শৈরেং অমসুং প্রোজগী মনাশিং শেম্বিগদবনি।

- খ্বাইদগী নৌবা হীরমশিং অমসুং ৱাখল্লোনশিং লোনশিং অসিদা ইফেক্তিভ ওইনা খন্ন-নৈনবা ঙম্নবা ৱাহৈশিং অমসুং দিক্সনারিশিংদা চাং নাইনা ওফিসিয়েল ওইবা অহোংবা কয়া পুরক্কদবনি। মদুনা পাক-শন্না মীয়ামদা খঙহনবা ঙমগনি। ভারতকী লোনশিংদা হৈথোই-শিংথোইবা অসি থবক পীবগী খুদোংচাবশিংগীদমক্তা ক্বালিফিকেসন পেরামিটরশিংগী শরুক অমা ওইনা য়াওহনগনি।

- ভারতকী মূৎথরক্লবা লোন পূন্নমক অমসুং মখোয়গা মরী লৈনবা ইনাক খুল্লবা লোকেল আর্ট অমসুং কলচরশিং ঙাক-শেন্নবগীদমক ভারতকী লোন খূদিংমক অমসুং মসিগা মরী লৈনবা আর্ট অমসুং কলচরশিং ৱেব-বেজ প্লেটফোর্ম নৎত্রগা ৱিকিগী খূথাংদা দোক্যুমেন্ট তৌগনি।

- প্লেটফোর্ম অসিদা ফিল্ম, দিক্সনারি, রেকোর্দিং অমদি লোন ঙাঙবা অমসুং নাৎ, ফোক ম্যুজিক অমসুং নাৎকী ৱারী লীবা, শৈরেং পাবা অমসুং অতোপ্পা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা মীওই কয়া মরুওইনা অহলশিংনা হেন্না য়াওগনি।

- জাতি পূম্বগী মীয়াম্না তোঙান-তোঙানবা প্লেটফোর্মশিং ৱেবসাইটশিং অমসুং ৱিকিশিংদা মরী লৈনবা কন্টেন্টশিং হাপ-চিন্দুনা থৌরাংশিং অসিবু মতেং পাংনবা পূক্নিং থৌগৎকনি অমসুং প্লেটফোর্মশিং অসি ফগৎহনগনি।

- দিক্সনারিশিং শেম্বা মতমদা একাদেমিশিং অমগা অমগা পাউ ফাওনবসু য়াই অমসুং মতম মতমগী ওইনা মীয়ামগী রিকমেন্দেসনশিং শীজিন্নগনি। য়ারিবমখৈ কমন টর্মিনোলোজি য়াওহন্নবা হোৎনগনি অমসুং ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ট্রান্সলেসন এন্দ ইন্টরপ্রিটেসন (আই আই তি আই) অমা লিংখৎপগী পান্দম থমগনি।

- রিজনেল লোনশিংদা ষ্টদি মেটরিয়েল অমসুং কোর্সশিং শেম্নবা ভাষা কেন্দ্র লোন সেন্টর ২২ লিংখৎনবা সরকারনা থৌরাং তৌরি অমদি পালি, পার্সিয়ান অমসুং প্রক্রাইটকী নেসনেল ইন্সটিট্যুটশিং শেমগৎপা অমদি অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফমশ-ঙশিংদা সংস্কৃত অমসুং লোনগী বিভাগ পূন্নমক মপাঙ্গল কনখৎহনগনি।

- ওল ইন্দিয়া কাউন্সিল ফোর টেক্নিকেল এদুকেসন (এ আই সি টি ই) না চহী ২০২২-২৩ দা রিজনেল লোনশিংদা বি টেক দিগ্রী প্রোগ্রামশিং পীনবা অতোপ্পা ইন্সটিট্যুট ২০ দা অয়াবা পীখ্রে। মসিনা লৈবাক অসিগী রাজ্য ১১ গী মনুংদা অপূনবা মশীং অসি ৩৯ য়ৌহনখ্রে। অসিগুম্বা ইন্সটিট্যুটশিংগী মশীং খ্বাইদগী য়াম্না হৌজিক মধ্য প্রদেশতা ১২, মথংদা তামিল নাদুদা ১০ অমসুং উত্তর প্রদেশতা ৪ (Agarwal, ২০২২) লৈ।

*রিজনেল লিঙ্গুয়েজশিংদা ঈ-কন্টেন্ট*

- ইংলিশ অমসুং হিন্দী খক্তদা নত্তনা অচৌবা লোন ৮ দা ঈ-কোর্সশিং ফংহন্নবা থৌরাং তৌখ্রে।

- মরাথি, টামিল অমসুং টেলুগু লোনশিংদা কোর্সশিং পীগনি।

- প্রোজেক্ট অসি মখা তানা চথরি অমসুং কোর্স খরগী হন্দোকপগী থবক হান্নদগী লোইশিনখ্রে।

*রিজনেল লেঙ্গুয়েজশিংদা টেক্নোলোজি শীজিন্নবা*

রিজনেল লেঙ্গুয়েজদা টেক্নোলোজিগী মতেংনা রিসোর্সশিং ফংবগী সমস্যা অসিগী সোল্যুসন অমসুং অৱাংবা থাক্কী ইনষ্ট্র-ক্সনশিংগী মেদিয়ম অমা ওইনা মমালোন অসি লৌশিনবদা লৈরিবা অতোপ্পা অথিংবশিং অসিগী সোল্যুসন থিবা ঙমগনি।

ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি, কানপুর (IITK) না গ্রাফিক্স অমসুং ইন্টেলিজেন্স বেজ স্ক্রৃপ্ট টেক্নোলোজি (GIST) শেমগৎপদা মতেং পাংই। সেন্টর ফোর দিভেলপমেন্ট ওফ এদভান্স কম্প্যুটিং (C-DAC) পুনেনা, টেক্নোলোজি অসিগী মতাংদা মখা তানা থবক তৌরি। হোৎনরিবা পূন্নমকপু পুন্না থন্নবগীদমক DoE হৌজিক্তা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি মন্ত্রালয়না ১৯৮৭ তা অমত্তা ওইনা পূনশিন্নবা ইলেক্ট্রোনিক্স টুলস ফোর ইন্দিয়ান লেঙ্গুয়েজ (ETIL) গী প্রোগ্রাম অমা হৌদোকখি মথং তারকপদা ১৯৯০-১৯৯০ দা (TDIL) টেক্নোলোজি দিভেলপমেন্ট ফোর ইন্দিয়ান লেঙ্গুয়েজ ইনিসিয়েটিভ অসি পান্দম অমগা লোয়ননা হায়বদি "Digital Unite and Knowledge for All" "Communicating and moving up the knowledge chain by overcoming language barrier" হায়বা পান্দমগা লোয়ননা হৌদোকখি। TDIL না মল্টিলিঙ্গুয়েল নোলেজ রিসোর্সশিং শেমগত্তুনা অমসুং এক্সেস তৌদুনা লাক্লি। মখোয়বু ইন্টিগ্রেট তৌদুনা অনৌবা য়ুজর প্রদক্টশিং অমসুং সর্ভিসশিং শে-মগৎলি অমসুং ইনফোর্মেসন প্রোসেসশিং টুলশিং অমসুং টেক্নিকশিং শেমগৎলি। ভারতকী লোনশিংদা কম্প্যুটিং তৌবগী ষ্টেন্দর্দ অমা ওইনা ব্যুরো ওফ ইন্দিয়ান ষ্টেন্দর্দন (BIS) না "INDIAN SCRIPT CODE FOR INFORMATION INTERCHANGE (ISCII)" IS 13194:1991" ফোঙখি। BIS না লোন খুদিংমক্কী কিবোর্দ লেআউটশিংসু ষ্টেন্দর্দাইজ তৌখি। মীপূম খুদিংমক্তা টেক্নোলোজিগী কান্নবা ফংহনবা, অনৌবা ঈহৌ অমগা লোয়ননা AI model NLLB (No Language Left Behind) শীজি-ন্নদুনা লোন ২০০ গী মথক্তা হন্দোক্তুনা লোনগী ক্বালিটি হেনগৎহনবা ঙমখ্রে। হন্দক্তা Amazone না হিন্দী অমসুং অতোপ্পা রিজনেল লোনশিং তম্বদা মতেং পাংনবা ভারতকী প্রোগ্রাম অমা হৌদোকখ্রে। খ্বাইদগী চাউবা টেক-জাইন্ট Google ফাওবা মসিগী ফিচরশিং অসি হৌজিক ফাওবগী মীতৈলোন য়াওনা ভারতকী লোল ২৫ হেনবদা ইংলিশতা হন্দোক্তুনা শীজিন্নবা ঙম-হনখ্রে। ঙসিদি কঞ্জুমরশিংনা মখোয়গী চাংচত্তা মতমগী চাউরাক্পা চাদা ৫০ দগী ৬০ ফাওবা হিন্দীগী ভিদিওশিংদা শীজিন্নরি মদুগী মতুংদা য়াম্না নক্না চাদা ৩৫ দগী ৪৩ ফাওবা রিজনেল কন্টেন্ট ভিদিওশিংদা শীজিন্নরি অমসুং ইংলিশতা চাদা ৫ দগী ৭ খক্তমক শীজিন্নরি। মরম অদুনা হৌজিক্তি অচৌবা MNCs শিংনা মখোয়গী ওদিয়েন্সশিংগা ইমোসনেল কন্নেক্সন অমা থম্বা ঙম্নবা রিজনেল লেঙ্গুয়েজ অসি শীজিন্নরি। রিজনেল লোনশিংগী মশক থোকপা টেক অসি লোকেল লোনশিং ঙাঙবা মীওইশিং-গীদমক য়াম্না লায়না য়াবা ঙমগনি। ওটোমেটেদ ভোইসতগী হৌরগা YouTube তা মপূং ফাবা ওনলাইন ভিদিও ফাওবা টেক সোল্যুসনশিং অসি মতৌ করম্না রিজনেল লোনশিংদা পাক শন্না য়ানবগে হায়বদু ঐখোয়না উবা ফংলে। অরোইবদা রিজনেল লোনশিংদা ওনলাইন লার্নিং কোর্সশিং পীবগী ওপসন অমা পীবনা তোঙান-তোঙানবা জিওগ্রাফিকেল লোকেসনশিংদগী লাকপা মহৈরোয়শিংনা এক্সেস তৌবা য়াহনগনি। খুঙ্গং অমসুং মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা অচুম্বা এক্সপোজর ফংদবনা মরম ওইদুনা হেন্না ফবা টেক্নোলোজিগী দিভেলপমেন্টশিং লৈবা ফংদে। ওনলাইন লার্নিং মেটেরিয়েলশিং রিজনেল লোনশিংদা voice-enabled য়াবা ইন্টর্নেট য়ুটিলিটিশিং অমসুং অতোপ্পা অসিগুম্বা ৱাফম কয়া অসিনা বেসিক কষ্টমর ইন্সটিট্যুট অসি হেন্না ফ্রেন্দলি টেক্নোলো-জিশিং এদোপ্ট তৌনবা থৌনা হাপ্পগনি।

*কম্মিসন ফোর সাইন্টিফিক এন্দ টেক্নিকেল টর্মিনোলোজি (CSTT) গী থৌদাং*

কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪৪ গী ক্লোজ ৪ গী প্রোভিজনগী মখাদা ভারত সরকারগী রিজোল্যুসন অমনা দিসেম্বর ২১, ১৯৬০ দা কম্মিসন ফোর সাইন্টিফিক এন্দ টেক্নিকেও টর্মিনোলোজি (CSTT) অসি পান্দম অমগী মখাদা লিংখৎখি। মরুওইবা পান্দমশিং অদুদিঃ

- হিন্দী অমসুং ভারতকী লোন পূন্নমক্তা সাইন্টিফিক অমসুং টেক্নিকেল টার্মশিং লোয়ননা গ্লোসরিশিং, দিফিনিসনেল দিক্সনারিশিং, এনসাইক্লোপেদিয়ানচিংবা শেম শানবা অমসুং শন্দোক্পা তাক্নবা।

- শেমগৎলক্লিবা ৱাহৈশিং অমসুং মখোয়গী ৱাহন্থোকশিং অসি মহৈরোয়শিং, ওজাশিং, স্কোলরশিং, সাইন্টিষ্টশিং, ওফি-সরশিং অসিনচিংবদা য়ৌবা ঙম্নবা।

- কান্নরবা ফিদবেক লৌদুনা ৱার্কশোপ, সেমিনার, ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রামশিংগী খুত্থাংদা তৌখিবা থবকশিং অদু মতিক চানা শীজিন্নবা মথৌ তাবা অপদেট তৌবা কোকহনবা ফগৎহনবা।

- হিন্দী অমসুং অতোপ্পা ভারতকী লোনশিংদা টর্মিনোলোজিগী য়ুনিফোর্মিটি শোয়দনা লৈহন্নবা রাজ্য পুন্নমক্কা কো-ওর্দিনেট তৌবা।

*কম্মিসন অসিগী মখাদা পাঙথোকপা থবক-থৌরমশিংদি*

- ইংলিশ, হিন্দী অমসুং অতৈ ভারতকী লোনশিংগা মরী লৈনবা বাইলিঙ্গুয়েল অমসুং ট্রাই লিঙ্গুয়েল গ্লোসরিশিং শেম্বা অমসুং ফোঙবা।

- নেসনেল টর্মিনোলোজি শেম্বা অমসুং ফোঙদোকপা।

- স্কুল লেভেল টর্মিনোলোজি অমসুং দিপার্টমেন্টকী গ্লোসরিশিং মশক খঙদোকপা অমসুং ফোঙদোকপা।

- পান ইন্দিয়ান টার্মশিং মশক খঙদোকপা।

- দিফিনিসনেল দিক্সনারি অমসুং এনসাইক্লোপেদিয়া শেম্বা।

- য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা টেক্সবুকশিং, মোনোগ্রাফশিং অমসুং জর্নেলশিং শেম্বা।

- রিজনেল লোনশিংদা য়ুনিভর্সিটি থাক্কী লাইরিকশিংগীদমক একাদেমিশিং টেক্সবুক বোর্দশিং অমসুং য়ুনিভর্সিটি সেলশিংদা গ্রান্ট ইন এদ পীবা। হৌজিক ফাওবদা ভারতকী লোন ১১ হায়বদি  ১) আসামীজ ২) বেঙ্গালি ৩) গুজরাতি ৪) হিন্দী ৫) কনাড়া ৬) মলায়ালম ৭) মরাথি ৮) ওরিয়া ৯) পঞ্জাবী ১০) টামিল  অমসুং ১১)  টেলুগু দা লাইরিক ফোঙখ্রে।

- প্রোগ্রাম, ৱার্কশোপ, অমসুং সেমিনার অসিনচিংবগী খূথাংদা শেমখিবা অমসুং শেমদোকপা ৱাহৈশিংগী প্রোপাগেসন, এক্স-পান্সন অমসুং ক্রিটিকেল রিভিয়ু তৌবা।

- পব্লিকেসনশিং ফ্রী ওইনা য়েন্থোকপা।

- নেসনেল ট্রান্সলেসন মিসন্দা মথৌ তাবা টর্মিনোলোজি পীবা।

*নেসনেল ট্রান্সলেসন মিসন (NTM)*

নেসনেল ট্রান্সলেসন মিসন অসিনা সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়ান লেঙ্গুয়েজ CIIL মাইসুরগী মখাদা ভারতকী সংবিধানগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা য়াওরিবা লোন পুন্নমক অসিগী তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংগী য়ুনিভর্সিটি অমসুং কলেজগী টেক্সবুকশিং হন্দোকপদা শীজিন্নরি।

*য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসন (য়ু জি সি)*

য়ু জি সিনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি মাপনদা “Establishment of Centre for Endangered Languages in Central Universities” হায়বা প্রোগ্রাম অসিগী খূথাংদা মতেং পাংলি অমসুং লৈবাক শিনবা থুংনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী কোর্সশিংদা রিজনেল লোনশিং শীজিন্নবদা পূক্নিং থৌগৎলি। মসিগী মথক্তা কেন্দ্রগী এদুকেসন মন্ত্রালয় অমসুং য়ু জি সিগী মখাদা ভারতিয়া ভাষা সমিতিনা  ভারতকী লোনশিং য়োকখৎনবা অখঙ-অহৈশিংগা থবক তৌরি।

*ইন্দিয়ান নোলেজ সিস্টেম (IKS)*

ইন্দিয়ান নোলেজ সিষ্টেম (IKS) অসি  হীরম খূদিংমক্তা ইন্টর্দিসিপ্লিনরি রিসর্চ চাওখৎনবা মখা তাবা রিসর্চ অমসুং খুন্নাইগী ওইবা এপ্লিকেসনশিংগীদমক ভারতকী হেরিটেজ অমসুং ট্রেদিসনেল নোলেজশিং ঙাক্কুনা থম্নবা অমসুং শন্দোক্লবা অনৌবা সেল অমা ওইনা লিংখৎখিবনি। মসিনা ঐখোয়গী লৈবাক্কী ইনাক খুল্লবা হেরিটেজ অমসুং ট্রেদিসনেল নোলেজশিং অসি হায়বদি আর্ট অমসুং লিটরেচর, বেসিক সাইন্স, এগ্রিকলচর অসিনচিংবগী লমদা কঞ্জার্ভেসন অমসুং শন্দোক্লবগীদমক্তা এক্তিভ ওইনা থবক তৌরি।

*ভারতকী সংবিধান্দা য়াওরিবশিং*

রিজনেল লোনশিংগী কন্সটিট্যুসনেল সেফগার্দশিংদি মখাগী অসিনিঃ

- আর্টিকল ২৯ - মাইনোরিটিশিংনা মখোয়গী লোন ঙাক শেনবগী হক।

- আর্টিকল ১২০ - পার্লিয়ামেন্টকী মীহুৎশিংনা মখোয়গী মমালোন্দা ফোঙদোকপগী হক।

- আর্টিকল ৩৫০A - প্রাইমরীগী থাক্তা মমালোন্দা তম্বিবগী খুদোংচাবশিং।

- আর্টিকল ৩৫০B -রাষ্ট্রপতিনা লিঙ্গুইষ্টিক্স মাইনোরিটিশিংগী অখন্নবা ওফিসর খনবগী হক।

- আর্টিকল ৩৫১ - হিন্দী লোন চাওখৎনবগী দিরেক্টিভ।

*অতোপ্পা লোনশিংগী মথক্তা ইংলিশ লোনগী দোমিনেসন*

চাইনিজ, স্পেনিশ, জর্মন, ফ্রেঞ্চ, জপানিজ, পোর্তুগীজ, রশিয়ান অমসুং অতৈ লোন কয়ানা মখোয়গী মমালোন অসি অৰাংবা থাক্কী মহৈ তম্বদা শীজিন্নদুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক হেন্না ফবা নৎত্রগা ফত্তবা ওইরবসু ইংলিশ লোন অসিনা মালেমগী লোনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ঙাঙনবা লোন অমা ওইরে হায়বদি বিজিনেস, সাইন্স, এদুকেসন, পোলিটিক্স অমসুং পোপ ম্যুজিক্কী হীরমশিংদা লিঙ্গুৰা ফ্রাঙ্কা ওইরে। ভারত্তসু ইংলিশতা পাউচে ৩০০০ হেন্না লৈরি। য়ুরোপিয়ান ফ্রী ট্রেদ এসোসিয়েসনগী মেম্বর ৬ কী মনুংদা অমত্তা ইংলিশ ঙাঙবা লৈবাক ওইদ্রবসু লল্লোন-ইতিক পূন্নমত্তা ইংলিশ লোন শীজিন্নরি।

অপূনবা অসিগী শরুক খরখক্তমক অপেদট তৌরবা ওক্সফোর্দ ইংলিশ দিক্সনারিদা য়াওরিবা ৱাহৈ ৬১৫০০০ অমসুং ৱেবষ্টরগী থার্দ নিয়ু ইন্টর্নেসনেল দিক্সনারিদা য়াওরিবা ৱাহৈ ৪৫০০০০ দা য়াওরি। টেক্নিকেল অমসুং সাইন্টিফিক টর্মিনোলোজি লাখ কয়া হেনগৎলগনি। অপূনবা ওইনা ইংলিশকী ৱাহৈ চাউরাক্লা ২০০০০০ রোম কমন ওইনা শীজিন্নরি। মসি জর্মনিগী ৱাহৈ ১৮৪০০০ দগী হেন্না  অমসুং ফ্রেঞ্চ লোন্দা ১০০০০০ গী য়াম্না হেন্না ইংলিশ লোন শীজিন্নরি। ইংলিশ লোন ঙাঙলিবশিংনা ইংলিস লোন অসি য়াম্না লুবা অমসুং শীজিন্নবা য়াবা সিনোনিমশিং য়াম্না লৈবনা মরম ওইদুনা ইংলিশ ঙাঙদবা মীওইশিংনা তৌবা ঙমদবা মওংদা য়াম্না তোয়না খেন্নবা য়াই (Bryson, ১৯৯০)।

*সজেসন অমসুং রিকম্মেন্দেসনশিং*

এন ই পিনা ভারত্তা হায়র এদুকেসন সিষ্টেমদা চপ মান্নবা ইন্টিগ্রেট তৌদুনা ভারতকী লোনশিং য়োকখৎনবা লম্বী পীরবসু ট্রাঞ্জেক্সন তৌগদবা ৱাফম কয়া লৈরি।

- তোঙান-তোঙানবা এক্সপার্টশিংগীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা লোনশিংদা টর্মিনোলোজি কয়া শেমগৎপা উবা ফংই অদুম ওইনমক রিজনেল লোনশিংদা ইংলিশকী টর্মিনোলোজিশিংগী অর্থ পীবদা কন্সিষ্টেন্সি লৈতে।

- রিজনেল লোনশিংদা টেক্নিকেল টার্মশিং হন্দোকপা মতমদা হায়ব্রিদ অপ্রোচ অমা শেমগৎপা য়াই। মসিনা খ্বাইদগী নৌবা লোশিং অমসুং টেক্নোলোজিগা লোয়ননা লোকেল, গ্লোবেল ইন্টিগ্রেসন অমা ওইহনগনি অমসুং মহৈরোয়শিংদা মালেমগী ওইবা এক্সপোজর অমসুং এক্সপার্টশিং পীগনি।

- রিজনেল লোনশিংদা STEM গী প্রোগ্রামশিংগী করিক্যুলম হৌদোকপনা মফম অদুগী নহাশিংগী মরক্তা সাইন্টিফিক ওইবা ৱাখল পোকহনবদা মতেং পাংই মদুনা ইংলিশ ঙাঙলিবা মীশিং অমসুং মমালোন ঙাঙলিবশিংগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা হন্থহনবদা মতেং পাংই।

- মসিদা নত্তনা অকক্লবা ৱাহৈ অমগীদমক কেস খরদদি হন্দোকপা ৱাহৈ অদুগা মান্নবা অর্থ পুদুনা চৎলিবা ৱাহৈ অমদগী হেন্না লৈ। মসিনা মতিক চাবা টর্মিনোলোজি শীজিন্নবদা খুদোংচাদবা থোকহল্লি।

- রিজনেল লোনশিংদা সবজেক্ট অমা তম্বিবদা অকক্লবা বেসিক পেরামিটরশিং অমসুং অতোপ্পা মথৌ তাবশিং মপূং ফাহনবা মথৌ তাই।

- ইংলিশতগী ভারতকী লোন অমদা হন্দোকপগী থবক অসি পূন্না হোৎনমিন্নবা মতম অমসুং শেল হেন্না মথৌ তাই। পূন্নমক অসিগী মতুংদা হন্দোকপা অসি অমুক হেন্না তমথীরবা থবক অমনি। মসিগীদমক্তা টর্মিনোলোজি শীজিন্নবদা কন্সিষ্টেন্সিসু মথৌ তাই। মসি অচৌবা ৱাফম অমনি।

- ভারত্তা মালেমগী লোনশিংদগী মরুওইবা মচাকশিংগী হন্দোকপগী থবক অসি য়াম্না তপ্পা তপ্পা চত্থরকপা উবা ফংই। মসিনা অৰাংবা থাক্কী মহৈ মশিংদা শীজিন্ননবা তম্নবগী মচাকশিং পুথোকপদা অকায়বা পীরি।

- মালেম শিনবা থুংনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগীদমক করিগুম্বা MOOCs প্রোগ্রামশিং অসি ঐখোয়গী লোনশিংদা লৈরবদি, মসিনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং থেংনবা মথৌ তাই।

- ইন্সটিট্যুসন কয়াদা ওনলাইন মোদতা পীরিবা প্রোগ্রামশিং অসিসু ঐখোয়গী ইমালোন্দা পাঙথোকপা মতমদা য়েংশিনবা মথৌ তাই।

*ৱারোইশিন*

এন ই পি ২০২০ ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মতুং ইন্না হায়র এদুকেসন্দা রিজনেল লোনশিং শীজিন্নবদা ৱাফম কয়া লৈরবসু পোলিসি দোকুমেন্ট অসিনা হায়রিবশিং অসিনা করিগুম্বা ভারতকী লোনশিং অসিনা আর্ট অমসুং কলচর, দাইভর্সিটি লৈবনচিংবা অসি প্রমোট তৌবা তারবদি ভারতকুম্বা তোপ তোপ্পা লিঙ্গুইষ্টিক্স লৈবাক অমগীদমক অমসুং  অচেৎপা ভারত অমা

ওইহন্নবা শাংলবা মীৎয়েং অমা লৈরি। লৈরিবা রিছোর্সশিং অসি শীজিন্নদুনা হায়র এদুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংনা ভারতকী লোনশিং রিজনেল লোনশিং শীজিন্নবদগী হৌনবা মাঙজিন থাগদবনি। মতম অদুমক্তদা পোলিসি দোকুমেন্টনা পাল্লিবদু মপূং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা রিসোর্স বেজ শেমগৎপা মথৌ তাই। মসিগী মতাংদা HEI শিংগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী দিপার্টমেন্টশিংনা খূদম ওইনা CSTT গুম্বা ইন্সটিট্যুসনশিংগা কো-ওর্দিনেট তৌগদবনি অমসুং অতোপ্পা মসিগা মান্নবা ইন্সটিট্যুসনশিংগা লোয়ননা মখোয়গী মরী লৈনবা হীরমশিংগী টর্মিনোলোজিশিং শেমগৎনবা অমসুং টেক্সবূকশিং থেংখাঙ নাইনা হন্দোকপা তাই। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা লৈবাক অসিগী অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং  তম্ফমশিংদা  ভারতকী লোনশিং য়োকখৎপা  অমসুং   এন ই পি ২০২০ মায় পাক্না ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙমহল্লগনি।

*মতেং লৌজখিবশিং*


1. Agarwal, H. "AICTE Allows Another 20 Institutes to Offer BTech in Regional Language from This Year." The Indian Express, 7 Aug. 2022, https://indianexpress.com/article/education/aicte-allows-20-institutes-offer-btech-in-regional-language-from-this-year-8074065/.

2. Ashraf, M. A., et al. "Multilingual Language Practices in Education in Pakistan: The Conflict Between Policy and Practice." SAGE Open, 2021, https://doi.org/10.1177/21582440211004140.

3. Bates, L. M., et al. "Reconsidering the Role of Social Disadvantage in Physical and Mental Health: Stressful Life Events, Health Behaviors, Race, and Depression." American Journal of Epidemiology, vol. 173, no. 11, 2011, pp. 1348–1349, https://doi.org/10.1093/aje/kwr110.

4. Bell, L., and H. Stevenson. Education Policy Process, Themes and Impact. Routledge, 2006.

5. Bryson, Bill. Mother Tongue. William Morrow & Co, 1990.

6. "Centre Plans 22 'Bhasha Kendras'." Hindustan Times, 16 Oct. 2022, https://www.hindustantimes.com/india-news/centre-plans-22-bhasha-kendras-101665942185701.html.

7. Commission for Scientific & Technical Terminology. http://cstt.education.gov.in/en.

8. Extra, G., and D. Gorter. "Regional and Immigrant Languages in Europe." Language and Communication: Diversity and Change, edited by M. Hellinger and A. Pauwels, vol. 9, pt. 1, Mouton de Gruyter, 2007, pp. 15–52.

9. Gautam, A. "Use of Regional Languages to Understand Technology Programs Will Be the Next Significant Evolution in India." Times Now News, 3 Mar. 2021, https://www.timesnownews.com/education/article/use-of-regional-languages-to-understand-technology-programs-will-be-the-next-significant-evolution-in-india/727345.

10. Ghonkrokta, S. S. "Mother Tongue as Medium of Instruction for Higher Studies." Newsroom Post, 3 June 2020, https://newsroompost.com/opinion/mother-tongue-as-medium-of-instruction-for-higher-studies/523704.html.

11. "History of Education Policy in India." e-PG Pathshala, https://epgp.inflibnet.ac.in/epgpdata/uploads/epgp_content/S000033SO/P000300/M013097/ET/145258955205ET.pdf.

12. Indian Knowledge Systems. https://iksindia.org/.

13. "India's Linguistic Diversity." The India Forum, 12 Aug. 2021, https://www.theindiaforum.in/article/what-census-obscures.

14. McCarty, T. L. "Revitalising Indigenous Languages in Homogenising Times." Comparative Education, vol. 39, no. 2, 2003, pp. 147–163.

15. "National Education Policy 2020." Wikipedia, 14 Feb. 2023, https://en.wikipedia.org/wiki/National_Education_Policy_2020.

16. National Education Policy 2020. Ministry of Education, https://www.education.gov.in/sites/upload_files/mhrd/files/NEP_Final_English_0.pdf.

17. "Press Information Bureau Press. Government of India, Ministry of Education." Press Information Bureau, 1 July 2019, https://pib.gov.in/Pressreleaseshare.aspx?PRID=1576524.

18. Reyhner, J., and J. Eder. American Indian Education: A History. University of Oklahoma Press, 2004.

19. Sinnappan, P. An Historical Analysis of the Language Controversy in Indian Education - 1614 to 1970. Master's thesis, Loyola University Chicago, 1972, https://ecommons.luc.edu/luc_theses/2604.

20. "Taking Higher Education to the Grassroots." The Hindu, 22 July 2021, https://www.thehindu.com/education/why-it-is-important-to-offer-higher-education-programmes-in-regional-languages/article35462680.ece.

21. The European Union. "Treaty of Lisbon." Report No. 2007/C 306/01, 2007.

22."UGC to Introduce UG, PG Programmes in Regional Languages." News18, 21 Nov. 2022, https://www.news18.com/news/education-career/ugc-to-introduce-ugpg-programmes-in-regional-languages-6434341.html.

# এন ই পি ২০২০ না হায়র এদুকেসনগী লাইব্রেরিদা হোংহল্লক্লিবা মশক

ডা কৈশাম সঙ্গিতা দেবী

অমসুং

জি. কচমগাইলু

# राष्ट्रीय शिक्षा नीति 2020 के संदर्भ में उच्च शिक्षा में पुस्तकालयों के बदलते आयाम

डॉ. कैशाम संगीता
एवं
जी. कचमगाइल्यू

*सारांश:*

*शिक्षा वह प्रक्रिया है, जो मनुष्य के आचार- व्यवहार में वांछित परिवर्तन ला सकती है।यह व्यक्ति में कुशलता और जीवन की समझ लाती है। पुस्तकालय संसाधन और सेवा द्वारा विद्वतापूर्ण सम्पर्क की सुविधा देता है। पुस्तकालय की सेवाएँ ज्ञान क्षेत्र को विस्तारपूर्वक विकसित करने का अनिवार्य साधन है। देश में प्राथमिक शिक्षा को उच्चतर शिक्षा व्यवस्था तक बढ़ावा देने के लिए नई शिक्षा नीति एक आवश्यक सरकारी दस्तावेज है। भारत सरकार ने हाल ही में अपनी तीसरी राष्ट्रीय शिक्षा नीति 2020 की घोषणा की है। पिछले 34वर्षों में यह अपनी तरह की प्रथम संपूर्ण शिक्षा नीति होगी। इस लेख में नई शिक्षा नीति पर पुस्तकालयों के संबंध में चर्चा अधिक संदर्भों के साथ की गई है। यह लेख पेशेवर पुस्तकालयों के लिए ही नहीं योजनाकर्ताओं और नीति निर्माताओं के लिए भी सहायक सिद्ध होगा। पुस्तकालय नई शिक्षा नीति के अंतर्गत अधिक गतिशील होगा। उच्चतर शिक्षा के पुस्तकालय विद्यार्थियों एवं शोधार्थियों के सहायक केन्द्र के रूप में विकसित हों और मार्गदर्शक की भूमिका निभाएँ। अध्ययन की सुविधाएँ उपलब्ध कराने के अलावा पुस्तकालय की भूमिका सामान्यतः कार्यात्मक साक्षरता, शिक्षा की निरंतरता, सहयोग और ज्ञानार्जन को वृहत आयाम और व्यवहार को बढ़ावा देना है। यह अध्ययन पुस्तकालय की भूमिका और आशाओं को भी सुनिश्चित करता है। नई शिक्षा नीति 2020 के अंतर्गत सभी उम्मीदों का स्पष्टतः उल्लिखित करना शेष है। तथापि अच्छे संग्रह और वेब आधारित संसाधन स्तरीय शिक्षा में सहायता करेंगे।*

## *হৌদোক*

এদুকেসন হায়বসি মীওই অমনা লৌশিং খোমজিনবা, চাংদম্নবা, ওর্গনাইজ তৌবা অমসুং ইফেক্টিভ ওইনা শন্দোকপা ঙমদুনা খুন্নাইদা পোজিটিভ ওইবা হাখল্লোন ফোঙদোকপা ঙম্বা তম্বনি। মীওইবা, খুন্নাই অমসুং লৈবাক্কী য়াইফনবা ঐখোয়গী লৈবাক্কী টেলেন্ট অমসুং রিসোর্সশিং চাওখৎনবগী অচুম্বা লম্বীদি এদুকেসন্নি। এন ই পি ২০২০ না হোলিষ্টিক, মল্টি-দিসিপ্লিনরি অমসুং তুংগী ওইবা এদুকেসন পোলিসিগী মথৌ তাবশিং অদু ফোঙদোল্লি। মসিনা মগুণ লৈবা রিসর্চ তৌবদা মীৎয়েং থম্লি অমসুং এদু-কেসন্দা হেন্না ফবা থাক অদু য়ৌবা ঙম্নবা টেক্নোলোজিবু অচুম্বা মওংদা শীজিন্নবগী ওইথোকপা য়াবশিং অমসুং মথৌ তাবশিংদা মীৎয়েং থম্মী। লাইব্রেরি সার্ভিসশিং অসি মথৌ তাবা সপোর্টিং টুল অমনি। পোলিসি অসি লৈবাক অসিদা বেসিক্তগী অরাংবা থাক ফাওবগী মহৈ-মশিং য়োকখৎনবা তঙায়ফদবা লৈঙাক্কী পোলিসি দোক্যুমেন্ট অমনি।

## *নেসনেল এদুকেসন পোলিসি*

নেসনেল এদুকেসন পোলিসি অসি লৈবাক অসিদা এদুকেসন পীনবা শেম্বা ভারত সরকারনা ফ্রেম তৌরবা মরুওইবা পোলিসি দো-ক্যুমেন্ট অমনি। মসিনা এদুকেসনগী এক্সপেক্টেসন অমসুং একাউন্টেবিলিটিগীদমক ক্বালিটিগী ষ্টেন্দরশিং শেমগৎপদা মতেং পাংই। মসিগী পান্দম ফংনবগীদমক লৈবাক অসিগীদমক এদুকেসন সিষ্টেম শেম্বনি। মসিনা ভারতকী সংবিধান্না ইক্যুইটেবল অমসুং ইনক্লুসিভ সোসাইটি অমা শেমগৎনবা প্রদক্তিভ ওইবা অমসুং কন্ট্রিব্যুট তৌগদবা নাগরিকশিং পুথোক্নবা পান্দম থম্লি।

পোলিসি অসিনা ভারতকী খুঙ্গং অমসুং সহরদা লৈরিবা এলিমেন্টরিদগী হৌনা হায়র লেভেলগী ফোর্মেল অমসুং ইনফোর্মেল এদু-কেসন পুম্নমক কোনশিল্লি। প্রধান মন্ত্রী ইন্দিরা গান্ধীনা ১৯৬৮ দা কোথারি কমিসন হায়না খঙনবা ভারত সরকারগী অহানবা এদুকেসন পোলিসি লাউথোকখি। কনষ্টিট্যুসনেল প্রোবিজন অসিগী মতুংইন্না পোলিসি অসিনা চহী ১৪ ফাওবগী অঙাং খূদিংমক ফ্রী অমসুং কম্পলসরি এদুকেসন্দা মতিক চাবা মীৎয়েং থম্লি।

চহী তরাগী মতুংদা অনীশুবা এদুকেসন পোলিসি প্রধান মন্ত্রী রাজিব গান্ধীনা ১৯৮৬ তা মোদিফায় তৌখি, অমসুং রিভাইজ তৌবা

নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ১৯৯২ দা স্কোলরশিপ পাকথোক-চাউথোকহনবা, এদল্ট এদুকেসন প্রমোট তৌবা, এস সিশিংদগী ওজাশিং এপোইন্ট তৌবা, লাইব্রেরি, অঙাংশিংদা ইনসেন্টিভ পীবা অমসুং অনৌবা ইন্সটিট্যুটশিং হাংদোকপদা মীৎয়েং থম্মী।

মসিনা লৈবাক অসিদা প্রোফেসনেল অমসুং টেক্নিকেল প্রোগ্রামশিংদা এদমিসন তৌনবগীদমক পূন্না ইন্ট্রান্স একজামিনেসন শীন্নবা রিকমেন্দ তৌখি অমসুং ইন্টিট্যুসন অদুদা লাইব্রেরিগুম্বা অতোপ্পা রিসোর্সশিং পীগনি হায়না কন্না পল্লি।

*নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০*

পোলিসি অসি ২০২০ গী জুলাই ২৮ দা মন্ত্রী মণ্ডলনা অয়াবা পীখিবা ২১ শুবা চহীচাদা শেম্বা অহানবা এদুকেসন পোলিসিনি। চহী ৩৪ গী মতুংদা অনৌবা এদুকেসন পোলিসি অসিনা মমাঙগী অনীশুবা পোলিসি ১৯৮৬ অমসুং রিভাইজ তৌরবা পোলিসি ১৯৯২ গী মহুৎ শিল্লে। পোলিসি অসিনা এলিমেন্টরিদগী হৌরগা অৱাংবা থাক্কী এদুকেসন অমসুং ভোকেসনেল ট্রেনিং ফাওবগী ময়েক শেংবা মীৎয়েং অমসুং অপূনবা ফ্রেমৱার্ক অমা পীরি। মসিনা রাজ্য সরকার পূন্নমকপু মতেং পাংনবা অমসুং চুন্না থবক পাঙথোক্লবা পূক্নিং থৌগৎকনি। পোলিসি অসি ২০৪০ ফাওবদা ভারতকী এদুকেসন সিষ্টেমদা মগুণ লৈবা অহোংবা অমা পুরক্লবা থৌশিলনি। এন ই পিনা হৌজিক লৈরিবা স্কুল করিক্যুলম ১০+২ ষ্ট্রকচরগী মহুত্তা ৫+৩+৩+৪ ষ্ট্রকচরনা শিন্নবা ৱাফম য়াওরি। স্কুল এদুকেসনগী লমদা অতোপ্পা শীংথানীংঙাই ওইবা ৱারোলশিংগী মনুংদা ইবা পাবা, ময়েক চৎহনবা, সরকারগী স্কুলশিংদা ফ্রী লপ্চশিংগা লোয়নননা ফ্রী ব্রেকফাষ্ট, ক্লাস VI দগী ভোকেসনেল এদুকেসন অমসুং বোর্দ পরীক্ষাশিংগী মওং মতৌদা অহোংবা পুরকপনচিংবা য়াওই।

এন ই পিনা ভারতকী হায়র এদুকেসন্দা রেগুলেসন, ষ্টেন্দর্দ-মেকিং, এক্রেদিটেসন অমসুং ফন্দ পীনবগীদমক অনৌবা রেগুলেটরি বোদি অমা পর্পোজ তৌরি। মসিনা মমিং লৈরবা য়ুনিভর্সিটিনা ভারত্তা কেম্পস লিংখৎনবা থোঙ হাংদোক্লি অমসুং চহী মরিগী অন্দরগ্রেজুয়েট দিগ্রী কোর্স হাংবা অমসুং এম ফিল প্রোগ্রামদা অথিংবা থন্নবা ৱাফম য়াওরি। এদুকেসন সিষ্টেম পূন্নমক্না খন্নদুনা য়াম্না থুনা মহৈ-মশিং তম্নবগী মাঙদা চঙশিন্দুনা সষ্টনেবল দিভেলপমেন্ট গোল ২০৩০ য়ৌনবা পান্দম থল্লি।

*এন ই পি ২০২০ অমসুং হায়র এদুকেসন*

হায়র এদুকেসন্না মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা অমসুং ভারত চাওখৎহনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। ভারত অসি নোলেজ ইকোনোমি অমসুং সোসাইটি অমা ওইরকপগা লোয়নননা নহা ওইরিবা ভারত মচাশিংনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী অপাম্বা হেনগৎলকপা য়াই। Higher Education Institutions (HEIs) শিংদা অশেংবা থক্কবা ঈশিং, অনানবা টোইলেটশিং, ব্লেকবোর্দশিং, ওফিসশিং, তম্বিবগী পোৎলমশিং, লাইব্রেরিশিং, লেবশিং, নুংঙাইরবা ক্লাসরুমগী মফমশিং, কেম্পসশিং য়াওনা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপা মথৌ তাই।

*অনৌবা এদুকেসন পোলিসি অমসুং লাইব্রেরিশিং*

লাইব্রেরিশিং অসি ঐখোয়গী সোসিয়েল, কলচরেল, এদুকেসনেল, ইন্টেলেকচুয়েল অমসুং পুৱারীগী ওইবা হেরিটেজগী মরুওইবা রিপোটরি অমনি। লাইব্রেরিশিংগী থৌদাং অসি মরুওই, অদুবু মগুণ লৈবা লাইব্রেরি সার্ভিসশিং ফংনবা ভারতকী অপাম্বা অদু হৌজিক ফাওবা তশেংনা ফংবা ঙমদ্রি। য়ুজরশিং অমসুং খুন্নাইদা মগুণ লৈবা লাইব্রেরি সার্ভিসশিং ফংহন্নবা ঐখোয়না য়াম্না ফজনা শেম শাবা মগুণ লৈবা লাইব্রেরিশিং অমসুং য়াম্না প্রোফসনেল ওইবা ষ্টাফশিং মথৌ তাই। লাইব্রেরিশিং অসি সংবিধানগী কনকরেন্ট লিষ্টতা য়াওরি। মরম অদুনা রাজ্যশিংগী মতেং অমসুং অয়াবা য়াওদনা লৈবাক্কী থাক্তা খুদোংচাবা ফংবদা থীন্থগনি।

অনৌবা পোলিসি অসিগী মখাদা লাইব্রেরিশিংগী থাজবা য়াবা অহোংবশিং য়াওরি মদুদি, লাইরিক পাফম, পূন্না ময়াম খন্নফম অমসুং কোলাব্রেটিভ লার্নিং স্পেসশিং। য়ুজরশিংগী মথৌ তাবা মপূং ফাহনবা অমসুং এন ই পি ২০২০ গী শীংনবশিং মায়োক্লনবা স্কিলশিং লৈহনবা য়াম্না মথৌ তাই।

এন ই পি ২০২০ দা ওজাশিংগীদমক্তা অনৌবা করিক্যুলমগী মতুংইন্না অহোংবা অমসুং খ্বাইদগী নৌবা রিসোর্সশিংগী প্রোভিজনশিং লৈরি। লাইব্রেরিশিংদা পোলিসিগী মীৎয়েং অসি খ্বাইদগী নেম্মী। পোলিসিসিগী মতাংদা হায়র এদুকেসন্দা লাইব্রেরিশিংগী মগুণ অসি থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হেন্না পূক্নিং চঙবা অমসুং খন্ন-নৈনবা মথৌ তাই হায়রি। মসিদা হৌজিক লৈরিবা লাইব্রেরি পূন্নমক মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা, ভারতকী লোনশিংদা পানবা (লাইরিক্লচিংবা) মচাকশিং, ফংহন্নবা অঙাংশিংগী লাইব্রেরিশিং, মোবাইল লাইব্রেরিশিং হাংদোক্লবা, এদুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং লাইব্রেরিশিংগী মরক্তা হেন্না ফবা পূন্না থবক তৌমিন্ননবা থৌরাংশিং য়াওরি।

*লাইব্রেরিশিংগী হোৎনক্লিবা মশকশিং*

২১ সুবা চহীচাগী হৌরকপদা লাইব্রেরিশিংনা অনৌবা দাইমেন্সন অমসুং ফোর্মেসনগী সেরিজ অমা স্পোর্ট তৌনবা দিভপমেন্টকীদমক সার্ভিস কয়া অমা হৌদোকই।

*হায়র এদুকেসন সিষ্টেমগী দিষ্টেন্স মোদতা লাইব্রেরিশিংগী থৌদাং*

দিষ্টেন্স এদুকেসন সিষ্টেমদা লাইব্রেরিশিং অমসুং লাইব্রেরিয়ানশিংগীদমক্তা ঙসিগী মরুওইবা শীংনবা অসি ট্রেদিসনেল মহৈরোয়না ফংলিবা রিসোর্সশিংগা মান্নবা রিসোর্সশিং ফংহনবনি। ইনফোর্মেসন লিটরেসি অসি দিষ্টেন্স এদুকেসন লার্নরগীদমক্তসু য়াম্না মরুওই। মরমদি লাইব্রেরিয়ানশিংনা খনগৎলবা হীরম অদুগীদমক্তা শীজিন্নগদবা খ্বাইদগী চৎনবা য়াবা অমসুং থাজবা য়াবা রিসোর্সশিং লেপথোকপদা লমজিংই।

## *রিসর্চ অমসুং দিভেলপমেন্টকীদমক হায়র এদুকেসন্দা লাইব্রেরিশিংগী থৌদাং*

রিসর্চ অমসুং দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্ট অমা লোইশিনবদা মশীং য়াম্লবা রিফরেন্স দোকুমেন্টশিং মথৌ তাই। ইনফোর্মেসন লিটরেসি প্রোগ্রাম অমসুং য়ুজর-ওরিয়েন্টেদ ইনফোর্মেসন সার্ভিসনা মহৈরোয়শিংবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। হায়র এদুকেসনেল ইন্সটিটুসনেল লাইব্রেরি অসিনা স্কোলরগী পাব্লিকেসনশিংগী রিপোজিটরি অমসুং আর্কাইবেল রেস্পোন্সিবিলিটি লৈ অমসুং লাইব্রেরিগী মচাকশিংগী লম্বী য়াৎপগী রিমেদিয়েল ট্রিটমেন্ট অমা পীরি। লিটরেচর সর্চ অসি রিসর্চ স্কোলরশিংনা দেটা বেজশিং, ওনলাইন জর্নেলশিং অমসুং মরী লৈনবা ইনফোর্মেসনশিং লৌথোকপদা মতেং পাংই।

## *রিদিং কলচর শেমগৎপা*

এন ই পিনা অতোপ্পা ষ্টাব্লিশমেন্টশিংগা লোয়ননা পব্লিক লাইব্রেরিশিং অমসুং অহেনবা দিজিটেল লাইব্রেরিশিংগী নেটৱার্ক অমা শেমগৎনবা অকনবা ৱাফম থমদুনা ভারত শীনবা থুংনা রিদিং কলচর অসি য়োকখৎনবা পান্দম থল্লি। এন ই পিনা ভারতকী লোনশিংদগী হন্দোকপকী থবকশিংদসু য়াম্না মরুওইবা মীৎয়েং থল্লি। বুক ক্লবশিংনা অহেনবা পাবা অমসুং মীয়ামগী লাইব্রেরিশিং অমসুং মীয়ামদা কো-ওর্দিনেট তৌবা য়াই। লাইব্রেরিশিংনা মরুওইনা লৌগদবা থৌদাংদি রিসর্চকী লমদনি। রিসর্চ মেথোদোলোজি, ষ্টেটিষ্টিকেল এনালাইসিস, ওপন ছোর্স টেক্নোলোজি, রিসর্চকীদমক্তা সপোর্টিভ টুলশিং, রিফরেন্স মেনেজমেন্ট অমসুং রিফরেন্স রিট্রাইভেল টেক্নোলোজিশিংদা অখন্নবা হৈথোই-শিংথোইবা রিফরেন্সশিংগীদমক্তা তোঙানবা লাইব্রেরি অমা মথৌ তাই।

## *য়ুনিভর্সিটিবু মল্টি-দিসিপ্লিনরি ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা থবক তৌনবা মতেং পাংই*

টেক্নিকেল ইন্সটিটুটশিংনা সোসিয়েল সাইন্সেস অমসুং হ্যুমেনিটিজগী লমদা থিজিনগদবনি। মসিগা লোয়ননা সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিদা সোসিয়েল সাইন্স অমসুং হ্যুমেনিটিদগী মীয়াম্না মতিক চাবা মীৎয়েং চংগদবনি। মফম অসিদা লাইব্রেরি প্রোফেসনেলনা মল্টি-দিসিপ্লিনরি কেরেক্টর ওইনা শেমগৎকদবনি। মখোয়না সবজেক্ট দোমেনগী ঙমখৈ লান্থোকপা মতম খক্তদা ওইথোকপা ঙমগনি।

## *মহৈরোয়শিংগী সপোর্ট পীবা*

এন ই পিনা য়াম্না ফজনা শেম শাবা লাইব্রেরিশিং অসি অফবা তম্নবগী অকোয়বগী মরুওইবা শরুক অমা ওইনা লৌই। মসিনা এদুকেসন সিষ্টেমগী কম্পোনেন্ট মরি- করিক্যুলম, পেদাগোজি, এসেসমেন্ট অমসুং মহৈরোয়শিংগী মতেং পাংবদসু অখন্নবা ৱাফম থম্মী। মখোয়শিং অসি এক্সেস তৌনবা ক্বালিটেটিভ রিছোর্সশিং অমসুং সিষ্টেমেটিক ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসিনা মহৈরোয়শিংদা অচেৎপা সপোর্ট পীরি। হৌজিক লাইব্রেরিশিং অসি রিসর্চ সপোর্ট সেন্টর ওইনা লিংখৎকদবনি। ঈ-রিছোর্সশিং লৌবা, মখোয়না ফজনা শীজিন্নবা, রিমোট এক্সেস অমসুং য়াম্না ফজনা শেম শাবা রিদিংরুমশিং অসি মহৈরোয়শিংগী মতেং পীবগা লোয়ননা লাইব্রেরিশিংগীদমক্তা য়াম্না মরুওই। তম্বিবা ঙম্নবগী থবক থৌরমশিং অসিনা মণ্ডণ লৈবা লাইব্রেরি রিছোর্সশিংগা লোয়ননা অহেনবা সপোর্ট মথৌ তাই। লাইব্রেরিশিংনা এদভান্স রিদিংগীদমক্তা এটমোস্ফিয়ার অমা শেমগৎকদবনি। মখোয়না ক্লাসরুম, লেবোরেটরিশিং, ওজাশিং, মহৈরোয়শিং, রিসর্চ স্কোলরশিং অমসুং অইবশিংদা মথৌ তাবা মতমদা মচাকশিং ফংহনগদবনি।

## *পব্লিকেসনগী ইথিক্স*

লাইব্রেরিশিংনা ইন্সটিটুসনেল প্লেজেরিজম পোলিসি অদু ফোঙদোক্কদবনি। একাদেমিক ইথিক্স অমসুং পব্লিকেসন ইথিক্স অসি লাইব্রেরি প্রোফেসনেলশিংনা একাদেমিক ওইনা পূকচেল শেংনা শন্দোকপদা মতেং পাংগদবনি।

## *লাইব্রেরিশিং অসি পুন্সি চুপ্পা তম্নবগী সেন্টরশিং ওইনা লৌই*

ইন্সটিটিট্যুসনশিংনা ফোর্মেল এদুকেসন খক্তমক পীবা ঙমগনি। মতিক চানা মহৈ-মশিং তম্বা লোইরবা মতুংদা কনাগুম্বা অমনা মশামকপু থিজিনবা নৎত্রগা ট্রেদিসনেল ঙমখৈশিংগী মপান্দা চাওখৎপা মথৌ তাবা মতমদা লাইব্রেরিশিং অসিমথৌ তাই। লাইব্রেরিশিংনা কৈদৌঙৈদসু কাষ্ট, ক্রিদ নৎত্রগা সেক্সতা য়ূফম ওইদুনা মেম্বরশিপ লৈবা য়ারোই। পুন্সি চুপ্পা তম্বা হায়বসি লৌশিং লৈবা খুন্নাই অমা শেমগৎপগী য়ূফম ওইরি।

## *নেসনেল অমসুং কলচরেল হেরিটেজ ঙাক শেনবা*

লাইব্রেরিশিংনা মতম শাংনা কলচরেল হেরিটেজগী ষ্টোরহাউস অমা ওইনা থবক তৌদুনা লাক্লি। মখোয়না ভারতকী মশক নাইবা

পুরারী, কলচর, চংনবীগী লৌশিং, কলা, লোন, চংনবী ঙাক্তুনা থমগদবনি। ক্বালিটেটিভ ঈ-রিছোর্সশিংগী সবস্ক্রিপসন অমসুং মসিগী মথক্তা, মহৈরোয়শিং, রিসর্চরশিং অমসুং ফেকল্টি মেম্বরশিংগা অচেৎপা মরী থমদুনা একাদেমিক ইথিক্স ঙাক্লা চত্তুনা মথৌ তাবা ইনফোর্মেসনশিং ফংহনবদা মতেং পাংনবা য়াম্না মথৌ তাই।

*মহৈরোয়শিংগী কোগনেটিভ এবিলিটিশিং হেনগৎহনবা*

হায়র এদুকেসন্দা লৈবা লাইব্রেরিশিং অমসুং ইনফোর্মেসন সেন্টরশিংনা মহৈরোয়শিংগী কোগনিটিভ এবিলিটিশিং হেনগৎহন্নবা অচৌবা মতেং পাংই। লাইব্রেরিশিংনা মখোয়গী সার্ভিসশিংনা ষ্টেকহোলদরশিংগী কোগনেটিভ এবিলিটিশিংদা ঈথিল পীনবগীদমক তঙায়ফদবা তৌবা ঙম্বশিং অদু তৌবা মথৌ তাই।

*কম্যুনিটি অমসুং ওরিয়েন্টেসন সার্ভিসশিং*

ইনষ্টিটিয়্যুসনশিং লিংখৎলিবা হোষ্ট কম্যুনিটিশিংনা ওরিয়েন্টেসন নৎত্রগা এক্সটেন্সন সার্ভিসশিং, রিদিং মেটরিয়েলশিং পীবা, নৎত্রগা হোষ্ট কম্যুনিটিশিংদা লাইরিক ৰাইবগী মওংদা একাদেমিক লাইব্রেরি সার্ভিসশিংদা রিদিং মেটরিয়েলশিং পীবা, নৎত্রগা হোষ্ট কম্যুনিটিশিংদা লাইরিক ৰাইহনবগী মওংদা একাদেমিক লাইব্রেরি সার্ভিসশিংদগী কান্নবা লৌবা মথৌ তাই। একাদেমিক লাইব্রেরিশিংনা ট্রেনিং অমসুং পাব্লিক ইনলাইটনমেন্ট প্রোগ্রামসু ওর্গানাইজ তৌবা য়াই অমসুং হোষ্ট কম্যুনিটিশিংগীদমক্তা ক্লাসরুমশিং, রিদিং রুমশিং নৎত্রগা কম্যুনিটি লাইব্রেরিশিং শেম্বা য়াই। একাদেমিক লাইব্রেরি পূম্নমক্লা ইনষ্টিট্যুটশিংদা নৌনা থবক পীরিবা ষ্টাফশিংগীদমক্তা ওরিয়েন্টেসন পীগনি হায়না থাজে। হায়র এদুকেসন ইনষ্টিট্যুসনশিংদা সার্ভিস অসি কাউন্সেলিং সার্ভিসশিংগী মনুংদা অমনি। একাদেমিক লাইব্রেরিশিংদা মহৌশানা অনৌবা মীওইশিং (লাইব্রেরি য়ুজরশিং অমসুং ষ্টাফশিং) বু অনৌবা এনভাইরোনমেন্ট অদুদা চুশিন্নহনবদা মতেং পাংলিবা য়ুজর এদুকেসন প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা অমনি।

*লাইব্রেরি সার্ভিসশিংদা থোরক্লিবা ট্রেনশিং*

দিজিটেল লার্নিং নৎত্রগা ঈ-লার্নিং হায়বসি কম্প্যুটরদা হেন্না চাওখৎপা লার্নিংবু খঙনৈ। হায়র এদুকেসন সিষ্টেম অসি হেনগৎলক্লি অমসুং ঈ-লার্নিংদা হেন্না মখা পোল্লি, মসিগী খুদোংচাবশিং অসি ফজনা শীজিন্নবা য়াবা, ফ্লেক্সিবল ওইবা অমসুং ইন্টর্নেট ফংবগা লোয়ননা মতম অমত্তদা মফম অমা হেক্তদগী থবক তৌবগী ওপসন অসিনি। ঈ-লার্নিং হায়বসি কম্প্যুটরদা য়ূফম ওইবা লার্নিংনি, মসিনা তম্বিবা অমসুং তম্নবগীদমক দিজিটেল এনভাইরোনমেন্ট অমা শীজিন্নৈ। লাইব্রেরিগী ৰাখল্লোন অসি আই সি টি দিজিটেল লাইব্রেরি অমনা হৌজিক্তি দিজেটেল কলেক্সনশিং, ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমসুং সার্ভিসশিং থমদুনা পুন্সি চুপ্পা তম্বা ঙম্নবা ইনফোর্মেসন শন্দোকপা য়ারে। স্কোলরশিপকী পাউ ফাওননবগীদমক রেকোর্দ তৌরবা ইনফোর্মেসনশিং ঙাকথোকপা অসি লাইব্রেরিশিংগীদমক্তা য়াম্না মরুওই। পেপরদা য়ূফম ওইবা দোক্যুমেন্টেসনশিং হায়বদি লাইরিক, জর্নেল, মেপ অমসুং অতৈ কয়া ঙাক্তুনা থম্মা হায়বসি লাইব্রেরিগী মথৌনি। লাইব্রেরিগী মচাকশিং ঙাক-শেনবা অমসুং কঞ্জার্ব তৌবা অসি লাইব্রেরি অমসুং ইনফোর্মেসন মেনেজমেন্ট সিষ্টেমশিংদা য়াম্না মরুওই। লাইরিকশিং অসি মতম চুপ্পদা লৈবা ঙম্লোই হায়বা ঐথোয়না খঙই, মরম অদুনা লাইব্রেরিশিংনা তুংগী মীরোলগীদমক মচাকশিং অসি ঙাক্তুনা থমগদবনি।

টেলিকম্যুনিকেসন সিষ্টেমশিং শেমগৎপা অমসুং আই সি তি হৌজিক মতম অসিদা অয়াম্বা লাইব্রেরিশিংনা লাইব্রেরি অমসুং ইনফোর্মেসন সার্ভিসশিংদমক্তা শীজিন্নবদা অকক্নবা মখলগী ভেল্যু- এদেদ সার্ভিস খরা পীরি। মখোয়গী মনুংদা অমদি ৰেভ ওপেকনি। মসিগী খূখাংদা য়ুজরনা লাইব্রেরিদা মখোয়গী আইটেম অদু ফজনা থিবা ঙমগনি অমসুং মসি খক্তা নত্তনা, মহাক্না মসিগীদমক্তা লাইব্রেরিদা লাকপা ফাওবা মথৌ তাদে। অতোপ্পা মরুওইবা সার্ভিস অমদি সি এ এস (করেন্ট এৱার্নেস সার্ভিস) নি। রিসর্চ স্কোলর নৎত্রগা সবজেক্ট স্পেসিয়েলিষ্ট অমনা সার্ভিস অসিগী খূখাংদা মখোয়গী সবজেক্টিক্তকী মতাংদা খ্বাইদগী নৌবা ইনফোর্মেসন নৎত্রগা হৌজিক্কী ওইবা দিভেল-পমেন্টশিং লৌবা য়াই। হৌজিক মতম অসিদা অয়াম্বা হায়রগা এদুকেসন ইনষ্টিট্যুসনেল লাইব্রেরিশিংনা সার্ভিস অসি পীনবগীদমক চানবা টেক্নোলোজি শীজিন্দুনা থবক তৌরি। সেলেক্টিভ দিসেমিনেসন ওফ ইনফোর্মেসন (SDI) হায়বসি হেন্না ফবা ভেল্যু-এদেদ সার্ভিস পীদুনা অনৌবা ইনফোর্মেসন ফংহনবা ঙম্মী। দোক্যুমেন্ট দেলিভরি সার্ভিসশিং অসিনা লাইব্রেরিশিংনা য়ুজরগী দরকার লৈবা আর্টিকেলশিং অমসুং দোক্যুমেন্টশিং সপ্লাই তৌই। য়ুনিভর্সিটিনা লাইব্রেরিদা লাইরিক অমসুং দোক্যুমেন্টশিং ফংবগী কম্মন ওইবা প্রোভিজন অমা থেংনরকপা মতমদা কন্সোরটিয়ম সার্ভিসশিং শীজিন্নদুনা য়ুজরশিংদা ফংহল্লি।

*রিকম্মেন্দেসনশিং পীবা*

একাদেমিক লাইব্রেরিশিং য়াওবা এদুকেসন সেক্টরদা থেংনরিবা ৰাফমশিং অমসুং শীংনবশিংদা য়ূফম ওইরগা, মরী লৈনবা ওথোরিটি অমসুং মরী লৈনবা মীওইশিংদা সজেসন খরা পীরি। করিগুম্বা হায়র এদুকেসন সেক্টরদা মতিক চানা ফন্দ পীরবদি একাদেমিকশিংদা পোজিটিভ ওইবা মওংদা শোকহনগনি অমসুং মখোয়গী সার্ভিস প্রোভিজন হেনগৎহনগনি। মহৈ-মশিংদা মরু ওইবা অসি লুম্না লৌগদবনি। একাদেমিক লাইব্রেরিশিংদা এপোইন্ট তৌবা অমসুং প্রেক্টিস তৌবা য়াহনবগী প্রোফেসনেলিজম অসি তঙায়ফদবা অমনি।

*রারোইশিন*

যুনিভর্সিটিগী থাক্তা লৈবাকসিগী ওইবা অপূনবা এদুকেসন পোলিসি অমা থম্বা হায়বসি তঙাঈফদবনি মরমদি এদুকেসন্না শেল-থুমগী অমসুং খুন্নাইগী ওইবা অহোংবা কয়া পুরকই। ঙসি চৎনরিবা ফিভমশিং অসি য়েংলগা অফবা এদুকেসন সিষ্টেম অমা এদোপ্ট তৌবা অসি য়াম্না মরুওই। লাইব্রেরি সার্ভিসশিং অসি লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা দিভিদেন্স পীগদবা খ্বাইদগী ফবা ইনভেষ্টমেন্টনি। এন ই পিগী লাইব্রেরিগা মরী লৈনবা প্রোভিজনশিং অসিনা লাইব্রেরিশিং অসি হেন্না শেমদোক-শেমজিন তৌবা য়াওহনবা অমসুং ইম্পেক্ট লৈবা ওইহনগনি। পোলিসি অসি ভারতকী লাইব্রেরিশিং অমসুং মীওই অমমম অমসুং খুন্নাইগী চাওখৎ-থৌরাংগীদমক তশেংনা ট্রান্সফোর্মেটিভ ওই। রিফোর্মশিং অদু তৌরবা মতুংদা অহোংবশিং অদু খুন্নাইদা মশা মথন্তা উবা ফংগনি। এন ই পি ২০২০ অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা মরু ওইরিবগী মরমদি মসিনা এদুকেসন সিষ্টেম অসি হোলিষ্টিক, ফ্লেক্সিবল, মল্টি-দিসিপ্লিনরি অমসুং ২১ শুবা চহীচা অমসুং ২০২০ গী সষ্টেনেবল দিভেলপমেন্টকী পান্দমশিংগী মথৌ তাবশিংদা চুনবা ওইহন্নবা পান্দম থম্লি। মসিনা হায়র এদুকেসনগী লমদা হোংহল্লকপদা লৈরিবা লাইব্রেরিশিংসু শেমগৎ-হৌদুনা অহোংবা পুরকহৌবা তঙাঈফদে।

*মতেং লৌজখিবশিং*


1. Balakrishnan, K. "Emerging India through Excellence in Education-Reflections on NEP 2020." Elementary Education Online, vol. 20, no. 1, 2021, pp. 3596-3602, https://doi.org/10.17051/ilkonline.2021.01.406.

2. Bharti, M.C. "National Education Policy-2020 and Value of the Libraries." Role of Information and Communication Technology in Library Science Education, Sentics Publications, 2022, pp. 40-47.

3. Dattatray Bapte, V. "Libraries in the Context of National Education Policy." Annals of Library and Information Studies, vol. 69, 2022, pp. 221-224, https://doi.org/10.56042/alis.v69i3.63666.

4. Kumar, A. "Higher Education System in India: Role of the Library and Information Resource Centres." Educational Quest: An International Journal of Education and Applied Social Science, vol. 9, no. 1, 2018, pp. 53-63, https://doi.org/10.30954/2230-7311.2018.04.08.

5. Kumar, D. "A Critical Analysis and a Glimpse of New Education Policy-2020." International Journal of Scientific & Engineering Research, vol. 11, no. 10, 2020.

6. "NEP 2020." Ministry of Education, 2 Aug. 2022, https://www.education.gov.in/sites/upload_files/mhrd/files/NEP_Final_English_0.pdf.

7. Shashidharan, M., et al. "A Review on National Education Policy 2020 and Its Influence on Academics." Journal of Legal, Ethical and Regulatory Issues, vol. 24, no. 1S, 2021.

8. Shukla, G.M., and R.P. Bajpai. "Significance of Libraries in Indian Education Policies." International Journal of Information Dissemination and Technology, vol. 10, no. 4, 2020, pp. 180-184.

# খনগৎলবা স্কোলরলি আর্টিকলশিংদা রিজনেল লেঙ্গুয়েজগী মফম- বিব্লিওমেট্রিক্কী মীৎয়েংদা

গ্যানাজীৎ য়ুম্নাম
অমসুং
প্রো. সিঐচ. ইবোহল সিংহ

# चयनितसारगर्भित आलेखों में क्षैत्रीय भाषाओँ का स्थान: ग्रंथसूचीकी दृष्टि से

ज्ञानजीत युमनाम
एवं
प्रोफेसर सीएच. इबोहल सिंह

*सारांश:*

*क्षेत्रीय भाषा एक निश्चित भौगोलिक क्षेत्र के अंतर्गत या निश्चित समुदाय द्वारा प्रयोग की जाने वाली होती है तथा इस भाषा का प्रयोग कार्यालयी और औपचारिक रूप से भी किया जा सकता है। इस शोध में 1990 से 2022 तक के वेब ऑफ सांइस कोर कलेक्शन डेटा बेस का प्रयोग करते हुए क्षेत्रीय भाषाओं के संबंध में शोध आलेखों के प्रकाशन और उसके प्रभाव का विश्लेषण किया गया है। इस शोध के परिणामों से यह पता चलता है कि क्षेत्रीय भाषाओँ में शोध आलेखों का प्रकाशन समय के साथ बढ़ रहा है। संयुक्त राष्ट्र द्वारा सबसे अधिक क्षेत्रीय भाषाओं में शोधालेखों का प्रकाशन किया जाता है। इस शोध से क्षेत्रीय भाषाओँ के प्रति बढ़ती रुचि और इस क्षेत्र में रिसर्च के प्रति दृष्टिकोण ज्ञान क्षेत्र को विकसित कर सकता में हैं।*

## *হাৌদোক*

রিজনেল লোন অসি অকক্লবা জিওগ্রাফিকেল রিজন নৎত্রগা এরিয়া অমদা ঙাঙনৈ অমদি লোন অদু ঙাঙলিবশিংগী কলচরেল অমসুং সোসিয়েল আইদেন্টিটিদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। অয়াম্বনা লোনশিং অসিনা ইথনিক কাঙলূপ নৎত্রগা কম্যুনিটি অমগী পুৱারী, চৎনবীশিংগী মতাংদা ফোঙদোকই (Harish & Rangan, 2020)। রিজনেল লোনশিং অসিনা অকক্লবা রিজন অমগী কলচরেল হেরিটেজ, অমদি মীয়াম ঙাক্তুনা থম্বদা মতেং পাংই। লোনশিং অসিনা হৌখিবা মতমগী মীওইশিংগা মরী শম্নহল্লি (Nurutdinova et al., 2020)। মপূং ওইবা লোনশিং হায়বদি ইংলিশ, স্পেনিশ নৎত্রগা মেন্দারিন অসি শন্দোরকপনা রিজনেল লোনশিংদা খুদোংথীবা থোকহল্লি। মসিনা লিঙ্গুইষ্টিক্স দাইভর্সিটি অমসুং কলচরেল হেরিটেজ মাঙহনবা য়াই। ইং কুমজা ২০১০ দা ফোঙবা United Nations Educational, Scientific and Cultural Organization (UNESCO) না পাঙথোকখিবা থিজিনবদা মালেম শিন-থুংনা ঙাঙনরিবা লোন চাউরাক্লা ৭০০০ গী মনুংদা শরুক অহুম থোকপগী অমদি মথংগী চহী চাগী মনুংদা মাঙখিবগী খুদোংথীবা লৈ হায়না পানরি (Bromham et al., 2021)। মসিগী মথক্তা লৈবাক অমগী শেন্মীৎলোনগী চাওখৎপদা রিজনেল লোনশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। মখোয়না টুরিষ্ট য়োকখৎনবা অমসুং লোকেল বিজিনেসশিংদা মতেং পাংনবা শীজিন্নবা য়াই। মখোয়শিং অদুদি রেষ্টুরেন্টশিং, হোটেলশিং অমসুং ট্রান্সপোর্টেসন সার্ভিসশিংনি (Al-Pansori et al., 2022; Bruyel-Olmedo & Juan-Garau, 2015)। মলেম শীনবা থুংনা ঙাঙনরিবা রিজনেল লোন লীশিং কয়া লৈরিবশিং অসি অখন্নবা মগুণ অমসুং মওং-মতৌ লৈ।

রিজনেল লোনশিং অসি এদুকেসনগীদমক্তসু মরু ওই। মরমদি মখোয় অসি স্কুলশিংদা তম্বিবগী মেদিয়ম ওইনা শীজিন্নবা য়াই। মসিনা লিঙ্গুইষ্টিক মাইনোরিটি গ্রুপশিংগী অঙাংশিংদা এদুকেসনগী হেন্না খুদোংচাবা ওইহনবতা নত্তনা ইফেক্তিভ ওইহল্লি। হায়র এদুকেসন্দা রিজনেল লোনশিং শীজিন্নবনা মহৈরোয়শিংগী এক্সপরিয়েন্স য়াম্না হেনগৎহনবা ঙমগনি। মখোয়-মখোয়গী মহৈরোয়শিংদা মমালোনবু তম্বিবগী মেদিয়ম অমা ওইনা শীজিন্নদুনা তম্বিরিবা মচাকশিং অদু হেন্না খঙবা ঙমগনি (Varughese, 2017)। রিজনেল লোনশিং অসিনা মল্টিলিঙ্গুয়েলিজম অমসুং লিঙ্গুইষ্টিক দাইভর্সিটি য়োকখৎপদসু মতেং পাংই। ভারত্তা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি (এন ই পি) ২০২০ না অৱাংবা থাক্কী মহৈরোয়শিংদা রিজনেল লোনশিংগী মরুওইবাদু কান্নবা ফংহল্লি। ভারত্তা মহৈরোয় কয়ানা মখোয়গী মমালোন নৎত্রগা রিজনেল লোন্দা তম্বদা হেন্না নুংঙাইবা ফাওই হায়বা খঙলদুনা পোলিসি অসিনা লোনশিং অসি য়ারিবমখৈ তম্বিবগী মেদিয়ম অমা ওইনা শীজিন্নবনা ৱাফম ওইরক্লি (Lata et al., 2022)। মসিগীদমক্তা এন ই পিনা স্কুল অমসুং হায়র এদুকেসনেল ইন্সটিট্যুটশিংদা মহৈরোয় খুদিংমক য়ামদ্রবদা গ্রেদ ৫

ফাওবা মখোয়গী মমালোন নৎত্রগা রিজনেল লোন্দা তম্বিনবা রিকমেন্দ তৌরি। পোলিসি অসিনা মহৈরোয়শিংবু লোন অহুমদা তম্বিগনি, মদুগী মনুংদা অমনা মখোয়গী মমালোন নৎত্রগা রিজনেল লোন ওইগনি। অতোপ্পা অমনা মোদর্ন ইন্দিয়ান লোন ওইগনি অমসুং অহুমশুবা অদু ইংলিশ নৎত্রগা মপাল লমগী লোন অমা হেক্তা ওইগনি (Arun et al., 2022)। মসিনা লোন কয়াবু প্রোমোট তৌগনি অমসুং মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী কলচরেল হেরিটেজগা শম্নহনবা ঙমগনি। মসিগী মথক্তা পোলিসি অসিনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা লমশিংগী সাহিত্য, কলচর অমসুং পুৱারী য়াওহনগদবনি অমসুং হায়র এদুকেসন ইন্সটিটিট্যুসনশিংদা লমদম অসিগী লোনশিং তম্বিবদা মথৌ তাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং রিসোর্সশিং শেমগৎনবা হোৎনগদবনি (Ministry of Human Resource Development, 2020)।

ষ্টদি অসিনা মালেমগী রিজনেল লোনশিংগী রিসর্চ পব্লিকেসনশিংগী বিব্লিওমেট্রিক এনালাইসিস তৌরি। মসিদা ১৯৯০ দগী ২০২২ ফাওবগী রিজনেল লেঙ্গুয়েজ রিসর্চকী আউটপুটশিংগী পব্লিকেসনগী, মরু ওইবা আর্টিকলশিং, জর্নেলশিং, আথরশিং অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিং খঙদোক্লবা হোৎনরি।

### *লিটরেচর রিভিয়ু*

অকক্লবা লমদম অমগী কলচরেল হেরিটেজ ঙাক্তুনা থম্বদা অমসুং মালেম শীনবা থুংনা লোনশিংগী তোপ-তোপ্পা মওং-মতৌ অদু ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক রিজনেল লোনশিং অসি য়াম্না মরুওই। রিজনেল লোনশিং শীজিন্নবনা ৱাঙাঙলোয়শিংগী মরক্তা আইদেন্টিটি অমসুং চাউথোকচবগী ফিভম হেনগৎহনবা ঙম্মী। মরুওইনা রিজলেন লোন অসিনা মাইনোরিটি ওইরবা লোনশিংবু ঙাঙলিবা মীওইশিংগী চৎনবীশিং অমসুং চৎনরিবশিং ঙাক্তুনা থম্বদা মতেং পাংবা ঙম্মী (Kloss, ১৯৯৭)। রিজনেল লোন্না মপা-ঙ্গল কনবা কম্যুনিটিশিং শেমগৎপসু য়াই, মরমদি মখোয়বু শীজিন্নবনা মীয়ামবু পূনশিনবদা মতেং পাংই (Hmmar-Ortiz & Palmer, 2020)। UNESCO (২০১৫) না মালেমগী লোনশিংগী শরুক তংখায় অমদগী হেন্না খুদোংথীনীংঙাই ওইরে হায়রি। রিজনেল লোনশিং ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক লোনশিং অসিবু এদুকেসন, মেদিয়া অমসুং সরকার য়াওনা খুন্নাইগী হীরম খূদিংমক্তা শীজিন্নবা হেনগৎহনবা অসি য়াম্না মরু ওই (Shah & Brenzinger, ২০১৮)। রিজনেল লোনশিংবু নহা ওইরিবা মীরোলশিংদা তম্বিদুনা, নুংতিগী পুন্সিদা শীজিন্নবা হেনগৎহন্দুনা, মখোয়গী মরুওইবা অদু খঙহন্দুনা অমুক হন্না হিঙ্গৎহন্নবা অমসুং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পান্দম থম্লি (Fishman, ১৯৯১)।

কলচরেল হেরিটেজ ঙাক্তুনা থম্বদা অমসুং মালেম শীনবা থুংনা লিঙ্গুইষ্টিক দাইভর্সিটি থম্বদা রিজনেল লোনশিং অসি য়াম্না মরু ওই। খুন্নাইগী হীরম খূদিংমক্তা মখোয়বু শীজিন্নবা হেনগৎহনবা অসিনা লোনশিং অসিবু হিঙ্গৎহন্নবগীদমক য়াম্না মরু ওইরি। অসুম্না রিজনেল লোনশিংনা ঐখোয়গী মালেমগী ইনাক খুল্লবা কলচরেল অমসুং লিঙ্গুইষ্টিক দাইভর্সিটি ঙাক্তুনা থম্বা ঙমগনি।

### *মেথোদোলোজি*

ষ্টদি অসিনা সিষ্টেমেটিক ওইনা রিজনেল লোনগী মতাংদা ফোঙবা রিসর্চ পব্লিকেন্সশিংগী বিব্লিওমেট্রিক্কী দাটাশিং Web of Science (WoS) Core Collection Database দগী জনুৱারি ১৫, ২০২৩ দা খোমজিনখি। মরী লৈনবা পব্লিকেসনশিং অসি দাটা বেজদগী টাইটল ফিল্ড শীজিন্নদুনা রিজনেল লোনগী হীরমদা লৌথোকই হায়বদি "টাইটল = ("Regional Language" OR "Local Language" OR "Regional Dialect" OR "Local Dialect" OR "Regional terminology" OR "Local terminology" OR "vernacular Language")।" ১৯৯০ দগী ২০২২ ফাওবগী মনুংদা অপূনবা দোক্যুমেন্ট ২২০ লৌথোকখি। ষ্টদি অসিগীদমক বিব্লিওমেট্রিক সোফৱেয়ার অনী শীজিন্নৈ। মদুদি Biblioshiny (Aria & Cucurullo, 2017) অমসুং BibExcel (V2017) (Persson et al., 2009) নি। সোফরে-য়ারশিং অসি ফ্রী ওইনা ফংই অমসুং একাদেমিক অমদি রিসর্চকী লমদা পাক-শন্না শীজিন্নৈ।

### *ষ্টদি অসিগী ফলশিং মখাদা মচা তানা খায়দোক্তুনা নৈনজরি*

### *দোক্যুমেন্ট মখলশিং*

টেবল ১ দা পীরিবা অসিনা তাক্লি মদুদি রিজনেল লোনগী রিসর্চ পব্লিকেসন ২২০ গী মনুংদা আর্টিকলশিং অসিনা কম্মন পাব্লিকেসন ওইদুনা পাব্লিকেসন ১২৫ ফংখি। মসিগী মথক্তা আর্টিকলশিং অসিনা খ্বাইদগী য়াম্না সাইটেসন ফংদুনা অপূনবা সাইটেসন ৯৯৫ ফংখি। বূক রিভিয়ুনা অনীশুবা খ্বাইদগী কম্মন ওইবা পাব্লিকেসন ৬৮ ওইখি। মদুগী মতুংদা আর্লি এসেস আর্টিকলশিংনা পব্লিকেসন ৮ ওইখি। টেবল ১ দা পীরিবা দাটা অসিনা তাক্লি মদুদি রিজনেল লোনগী রিসর্চকী লমদা আথরশিংনা আর্টিকলবু মখোয়গী প্রাইমারি পব্লিকেসন ওইরি।

*টেবল ১ঃ দোক্যুমেন্ট মখলশিং*

| Document Types | TP | TC | TCP | C/P | h-index | h-core |
|---|---|---|---|---|---|---|

| | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Article | ১২৬ | ৯৯৫ | ৯৫ | ৭.৯০ | ১৮ | ৫৩০ |
| Book Review | ৬৮ | ০ | ০ | ০.০০ | ০ | ০ |
| Article Early Access | ৮ | ০ | ৫ | ০.৬৩ | ১ | ২ |
| Correction | ৫ | ০ | ০ | ০.০০ | ০ | ০ |
| Editorial Material | ৩ | ৩৮ | ২ | ১২.৬৭ | ২ | ৩৮ |
| Poetry | ৩ | ০ | ০ | ০.০০ | ০ | ০ |
| Review | ৩ | ১৬ | ৩ | ৫.৩৩ | ১ | ৭ |
| Proceedings Papers | ২ | ৪ | ১ | ২.০০ | ১ | ৭ |
| News Item | ২ | ১ | ১ | ০.৫০ | ১ | ১ |

* TP = Total Number of Publications; TCP = Total Cited Publications; TC = Total Citations; C/P = Average Citations Per Publication; C/CP = Average Citations Per Cited Publication; h-core = Citation Sum within the h-core.

*পব্লিকেসন অমসুং সাইটেসন গ্রোথ*


১৯৯০ দগী ২০২২ ফাওবদা রিজনেল লোনশিংগী মতাংদা রিসর্চ পব্লিকেসনশিং লেপ্তনা হেনগৎলকই। চহী খূদিংগী চাংচত্তা ৯.০৫ গী গ্রোথ রেট লৈরি, মদুদি টেবল ২ অমসুং ফিগর ১ দা উৎলি। R2 গী ভেল্যু ০.৬৯৪৭ অসিনা তাক্লে মদুদি হেনগৎলকপগী চাং অসি য়াম্না ৱাংলবসু অকা-অকুমদা লৈরি। রিসর্চ পাব্লিকেসন খ্বাইদগী য়াম্না ফোঙবা অসি ২০১৯ না ওইরি, অপূনবা ১৯ পাব্লিকেসন ওইখি, মসিগী মতুংদা চহী ২০১৭ অমসুং ২০২২ দা পাব্লিকেসন ১৬ লৈখি। অমরোমদা চহী ২০১১ দা খ্বাইদগী য়াম্না সাইটেসন ফংখি। মসিদা সাইটেসন ২১৯ ওইখি। মথংদা ২০১২ দা সাইটেসন ৯৯ অমসুং ২০০৩ দা সাইটেসন ৯৩ ফংখি। ২০০৮ তা পাব্লিকেসন অমদা চাংচত্তা খ্বাইদগী ৱাংবা সাইটেসন (C/P) মশীং রেকোর্দ তৌদুনা ২৩.২৫ লৈখি। মসিগী মতুংদা ২০১০ না C/P = ২২.৫০ ওইখি। মসিনা তাক্লি মদুদি রিজনেল লোনশিংগী মতাংদা পাব্লিকেসনশিংগী মশীং অসি লেপ্তনা হেনগৎলক্লবসু ফংলিবা সাইটেসনশিংগী ইম্পেক্টকী থাক অসি য়াম্না নেম্লি। হীরম অসিদা হেন্না ইম্পেক্ট লৈবা রিসর্চকী মথৌ তাবা হৌজিকসু লৈরি। মদুনা রিজনেল লোনশিং অসি মোদর্ন ৱার্ল্ডদা মখোয়গী মরুওইবা অদু হেন্না পাক চাউনা হেনগৎহনবদা মতেং পাংবা ঙমগনি।

*টেবল ২ঃ ইং ১৯৯০ দগী ২০২২ ফাওবদা সাইটেসন্না চাওখৎলকখিবা মওং-মতৌ*

| Year | TP | TC | TCP | C/P | h-index | h-core |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1990 | 1 | 21 | 1 | 21.00 | 1 | 21 |
| 1991 | 3 | 1 | 1 | 0.33 | 1 | 1 |
| 1992 | 0 | 0 | 0 | 0.00 | 0 | 0 |
| 1993 | 3 | 0 | 0 | 0.00 | 0 | 0 |
| 1994 | 4 | 0 | 0 | 0.00 | 0 | 0 |
| 1995 | 3 | 0 | 0 | 0.00 | 0 | 0 |
| 1996 | 1 | 0 | 0 | 0.00 | 0 | 0 |
| 1997 | 4 | 5 | 1 | 1.25 | 1 | 5 |
| 1998 | 6 | 30 | 4 | 5.00 | 2 | 28 |
| 1999 | 5 | 0 | 0 | 0.00 | 0 | 0 |
| 2000 | 5 | 2 | 0 | 0.00 | 0 | 0 |
| 2001 | 2 | 0 | 0 | 0.00 | 0 | 0 |
| 2002 | 1 | 4 | 1 | 4.00 | 1 | 4 |

| | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 2003 | 3 | 0 | 0 | 0.00 | 0 | 0 |
| 2004 | 1 | 0 | 0 | 0.00 | 0 | 0 |
| 2005 | 5 | 21 | 1 | 4.20 | 1 | 21 |
| 2006 | 5 | 12 | 1 | 2.40 | 1 | 10 |
| 2007 | 4 | 6 | 2 | 1.50 | 2 | 6 |
| 2008 | 4 | 93 | 4 | 23.25 | 4 | 93 |
| 2009 | 7 | 77 | 7 | 11.00 | 5 | 71 |
| 2010 | 4 | 90 | 4 | 22.50 | 4 | 90 |
| 2011 | 12 | 219 | 9 | 18.25 | 6 | 204 |
| 2012 | 9 | 99 | 6 | 11.00 | 4 | 97 |
| 2013 | 9 | 24 | 6 | 2.67 | 4 | 22 |
| 2014 | 12 | 34 | 5 | 2.83 | 4 | 33 |
| 2015 | 8 | 41 | 5 | 5.13 | 4 | 40 |
| 2016 | 15 | 77 | 8 | 5.13 | 4 | 71 |
| 2017 | 16 | 84 | 8 | 5.25 | 6 | 82 |
| 2018 | 11 | 43 | 6 | 3.91 | 3 | 37 |
| 2019 | 19 | 46 | 11 | 2.42 | 4 | 29 |
| 2020 | 10 | 20 | 7 | 2.00 | 3 | 14 |
| 2021 | 12 | 1 | 1 | 0.08 | 1 | 1 |
| 2022 | 16 | 9 | 5 | 0.56 | 2 | 5 |

*TP = Total Number of Publications; TCP = Total Cited Publications; TC = Total Citations; C/P = Average Citations Per Publication; C/CP = Average Citations Per Cited Publication; h-core = Citation Sum within the h-core




ফিগর ১ঃ ১৯৯০ দগী ২০২২ ফাওবদা সাঔটেসন্না অহোংবগী মওং-মতৌশিং

*প্রোলিফিক কন্ট্রি*

লৈবাক ৪৯৩ দগী রিজনেল লোনশিংগী মতাংদা রিসর্চ পাব্লিকেসনশিং পুথোরক্লি। টেবল ৩ দা লম অসিদা খ্বাইদগী য়াম্না পাব্লিকেসন (T/P) পুথোকখিবা মকোক থোংবা লৈবাক ১০ গী মতাংদা পল্লি। অঙকপা ওইরোইদবা রাফম অমনা য়ুএসএনা T.P. = 88, T.C. = ৫৮২ অমসুং h-index = ১৩ গা লোয়ননা হীরম অসিদা লুচিংবা ওইনা থোরক্লি, মসিনা আমেরিকাগী রিসর্চরশিংনা লম অসিদা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌরি হায়বা তাক্লি। য়ুনাইটেদ কিংদম্না T.P. = ২০, T.C. = ১৪৬ অমসুং

h-index = ৪ গা লোয়ননা য়াম্না নক্লা তুংদা লৈরি অদুগা জর্মনিনা T.P. = ৭, T.C. = ২১ অমসুং h-index = ২ গা লোয়ননা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

টেবল ৩ঃ রিজনেল লোনশিংদা খ্বাইদগী ৱাংবা রিসর্চ পাব্লিকেসন পুথোকপা লৈবাকশিং

| Country | TP | TC | C/P | h-index | h-core |
|---|---|---|---|---|---|
| USA | 44 | 582 | 13.23 | 13 | 458 |
| UK | 20 | 146 | 7.30 | 8 | 138 |
| Germany | 7 | 21 | 3.00 | 2 | 21 |
| France | 6 | 27 | 4.50 | 2 | 27 |
| Netherlands | 6 | 15 | 2.50 | 2 | 14 |
| Canada | 5 | 50 | 10.00 | 3 | 50 |
| Switzerland | 5 | 75 | 15.00 | 2 | 70 |
| India | 5 | 1 | 0.20 | 1 | 1 |
| Slovenia | 4 | 4 | 1.00 | 2 | 4 |
| Hungary | 3 | 8 | 2.67 | 2 | 8 |

*TP = Total Number of Publications; TC = Total Citations; C/P = Average Citations Per Publication; h-core = Citation Sum within the h-core

অদুম ওইনমক লৈবাক ১০গী মনুংদা সুইজর্লেন্দনা পেপর অমদা চাংচত্তা সাইটেসন (C/P) ১৫.০০ ফংদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইরি। মসিনা সুইজর্লেন্দনা পুথোকপা রিসর্চ পাব্লিকেসন অসি থোইদোক হেন্দোক্লা অৱাংবা ওই হায়বা তাকপা য়াই। দাটা অসিনা তাক্লি মদুদি য়ুএসএ অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমনা খ্বাইদগী এক্তিভ কন্ট্রিব্যুটরশিংনি, অদুগা সুইজর্লেন্দনা রিসর্চতা মশক থোকপা ওইরি।

## *প্রোলিফিক আথরশিং*

রিজনেল লোনশিংগী লমদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা আথর ১০ গী পাব্লিকেসনশিং টেবল ৪ দা পীরি। হায়রিবা আথরশিং অসিগী মনুংদা ৬ তি য়ু এস এদগীনি, ২ দি য়ু কেদগীনি অমসুং অমনা নিদর্লেন্দদগীনি। মকোক থোংবা ১০ গী মনুংদা খ্বাইদগী পোথোক লৈবা আথরদি য়ুএসএগী য়ুনিভর্সিটি সিষ্টেম ওফ ওহিয়োগী সিনথিয়া জি কোপ্পরনি। মহাক্কী পাব্লিকেসন ৮ লৈরে অমদি অপূনবা সাইটেসন ১৪৪ নি। পব্লিকেসন ৫ অমসুং সাইটেসন ৬০ লৈবা রোবর্ত এ ফোক্সনা অনীশুবা মফমদা লৈরি। ৱাফম অমনা মকোক থোংবা আথর ১০ গী মনুংদা মঙাদি য়ু এস এগী য়ুনিভর্সিটি সিষ্টেম ওফ ওহিয়োদগীনি।

টেবল ৪ঃ শাফূ পীবা ঙস্বা প্রোলিফিক আথর ১০

| Author | Affiliated Institution |
|---|---|
| Cynthia G. Clopper | University System of Ohio, USA |
| Robert A. Fox | University System of Ohio, USA |
| Ewa Jacewicz | University System of Ohio, USA |
| Terrin N. Tamati | University System of Ohio, USA |
| R Mann | University of Colorado Boulder, USA |
| Laura Wagner | University System of Ohio, USA |
| Francoise D. Alsaker | University of Bern, Switzerland |
| Will Amos | University of Warwick, UK |
| Richard R. Andrews | University of London, UK |

| | |
|---|---|
| Leonie Cornips | Royal Netherlands Academy of Arts and Sciences (KNAW), Netherlands |

*TP = Total Number of Publications; TC = Total Citations; C/P = Average Citations Per Publication; h-core = Citation Sum within the h-core

দাটাশিং অসিদা আথরশিং অসিনা পীরিবা মরুওইবা কন্ট্রিব্যুসনশিং অমসুং হৌজিক লৈরিবা রিসর্চকী লম অসি শেম-গৎপদা মখোয়না পীরিবা শাফু অদু উৎলি। য়ুএসএনা লম অসিদা রিসর্চ তৌবদা মাঙজিন থারি হায়বসু তাক্লি অমসুং অতোপ্পা লৈবাকশিংগী রিসর্চরশিংগী রিসর্চশিংনা য়ুএসএগী স্কোলরশিংগা পূন্না থবক তৌমিন্নবগী কান্নবা ফংবা য়াই।

## *প্রোলিফিক ইন্সটিট্যুসন*

ইদি অসিনা রিজনেল লোনশিংদা রিসর্চ তৌবা মালেমগী ইন্সটিট্যুট ১৯৬ মশক খঙদোকখি। টেবল ৫ না উৎলি মদুদি ১৯৯০ অমসুং ২০২২ গী মরক্তা মখোয়গী রিজনেল লোনশিংদা রিসর্চতা য়ূক্ষম ওইরগা খ্বাইদগী পোত্থোক লৈবা ইন্সটিট্যুসন ১০ উৎলি। ওহিয়ো ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিনা পাব্লিকেসন ১৪ গা লোয়নননা মকোক থোংবা মফমদা লৈরি।

টেবল ৫: রিজনেল লোন্দা রিসর্চ তৌবা প্রোলিফিক ইন্সটিট্যুসনশিং

| Institution | Country | TP |
|---|---|---|
| Ohio State University | USA | 14 |
| Indiana University | USA | 5 |
| McMaster University | Canada | 4 |
| University of Helsinki | Finland | 4 |
| Radboud University Nijmegen | Netherlands | 3 |
| University of Bern | Switzerland | 3 |
| University of Groningen | Netherlands | |
| University of London | United Kingdom | 3 |
| University of Zurich | Switzerland | 3 |
| Aalto University | Finland | 2 |

*TP = Total Number of Publications

ইন্দিয়ানা য়ুনিভর্সিটি অসি পাব্লিকেসন ৫ গা লোয়নননা য়াম্না নক্না অনীশুবা মফমদা লৈরি। কনাদাগী মেকমষ্টর য়ুনিভর্সিটি অমসুং ফিন্ডলেন্দগী হেলসিনকী য়ুনিভর্সিটিনা পাব্লিকেসন ৪ লৈরি। ইদি অসিনা লমসিদা মমিং লৈরবা ইন্সটিট্যুটশিং খঙদো-কপদা মতেং ওইরি। মকোক থোংবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী লিষ্ট অসিনা মখোয়গী রিসর্চকী মগুণ অদু উৎলি। মসিনা রিসর্চরশিং, এদুকেটরশিং অমসুং মহৈরোয়শিংদা অমত্তা ওইনা রিজনেল লোনশিংদা রিসর্চ মতেং পাংই। ইদি অসিনা য়ুনিভর্সিটিশিং অমসুং রিসর্চ ইন্সটিট্যুসনশিংনা রিজনেল লোনশিংবু মাঙলোমদা পুখৎপদা লৌরিবা মরুওইবা থৌদাং অদু ফোঙদোক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা তোঙান-তোঙানবা লমশিংগী লিঙ্গুইষ্টিক অমসুং কলচরেল দাইভর্সিটি ঙাক্তুনা থম্বদা মতেং পাংই।

## *সাইটেসন খ্বাইদগী ফংবা পেপর*

টেবল ৬ তা পীরিবা ইদি অসিনা ১৯৯০ দগী ২০২২ ফাওবগী রিজনেল লোনশিংগী লমদা সাইটেসন য়াম্না ফংবা পেপর ১০ গী এনালাইসিস অদু পীরি। খ্বাইদগী য়াম্না সাইটেসন ফংবা পেপর অসি ২০১১ দা Journal of Phonetics তা ফোঙবা Clopper অমসুং Smiljanic না ইবা "Effects of gender and regional dialect on prosodic patterns in American English" নি। পেপর অসিনা অপূনবা ওইনা সাইটেসন ৬৯ ফংখি।

মসিগী মতুংদা ২০১০ দা British Journal of Developmental Psychology দা ফোঙখিবা Von Grunigen et al. না ইবা "Immigrant children's peer acceptance and victimization in kindergarten: The role of local language competence" অসিনা অপূনবা সাইটেসন ৫০ গা লোয়নননা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি। এনালাইসিস অসিনা রিজনেল লোনশিংগী লমদা খ্বাইদগী ঈথিল পীবা পেপরশিংগী ময়েক শেংবা রাফম উৎলি। ইদি অসিনা রিসর্চরশিংদা হৌজিক

লৈরিবা রিসর্চকী অৱাৎপশিং খঙদোকপদা অমসুং তুংগী ষ্টদিশিং দিজাইন তৌবদা মতেং পাংবা ঙমগনি।

টেবল ৬ঃ রিজনেল লোনশিংগী মতাংদা য়াম্না পাম্নখিবা আর্টিকলশিং

| Article Title | Authors & Year | Journal | TC | TCPY | NTC |
|---|---|---|---|---|---|
| Effects of gender and regional dialect on prosodic patterns in American English | Clopper & Smiljanic, 2011 | Journal of Phonetics | 69 | 5.75 | 3.78 |
| Immigrant children’s peer acceptance and victimisation in kindergarten: The role of local language competence | Von Gr□nigen et al., 2010 | British Journal of Developmental Psychology | 50 | 3.85 | 2.22 |
| Learn English, not the local language! Ethnic Russians in the Baltic States | Toomet, 2011 | American Economic Review | 49 | 4.08 | 2.68 |
| Language as an issue in international internal communication: English or local language? If English, what English? | Louhiala-Salminen & Kankaanranta, 2012 | Public Relations Review | 45 | 4.09 | 4.09 |
| The 2007 general election in Kenya and its aftermath: The role of local language media | Ismail & Deane, 2008 | The International Journal of Press/Politics | 36 | 2.40 | 1.55 |
| Effects of semantic predictability and regional dialect on vowel space reduction | Clopper & Pierrehumbert, 2008 | The Journal of the Acoustical Society of America | 34 | 2.27 | 1.46 |
| Regional dialect variation in the vowel systems of typically developing children. | Jacewicz et al., 2011 | Journal of Speech, Language, and Hearing Research | 31 | 2.58 | 1.70 |
| Local-language literacy and sustainable development in Africa | Trudell, 2009 | International Journal of Educational Development | 27 | 1.93 | 2.45 |
| Sustaining local language relationships through indigenous community-based tourism initiatives | Whitney-Squire, 2016 | Journal of Sustainable Tourism | 25 | 3.57 | 4.87 |
| Non-native English-speaking professors’ experiences of English-medium instruction and their perceived roles of the local language. | Kim & Tatar, 2017 | Journal of Language, Identity & Education | 21 | 3.50 | 4.00 |

*TC = Total Citations; TCPY = Total Citations per Year; NTC = Normalized Total Citations

*প্রোলিফিক জর্নেল*

রিজনেল লোনশিংগী মতাংদা থিজিনবগী থবক অসিনা তোঙান-তোঙানবা জর্নেল ১৫৭ মশক খঙদোকখি। রিজনেল লোনশিংদা ফোঙবা আর্টিকল মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা মকোক থোংবা জর্নেল ১০ টেবল ৭ অসিদা পীরি।

টেবল ৭: রিজনেল লোনশিংগী লমদা খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নবা জর্নেল

| Journal | TP | TC | C/P | h-index | h-core |
|---|---|---|---|---|---|
| Zeitschrift Fur Dialektologie Und Linguistik | 12 | 2 | 0.17 | 1 | 2 |
| Journal of the Acoustical Society of America | 6 | 77 | 12.83 | 4 | 75 |

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Annales-Anali Za Istrske in Mediteranske Studije-Series Historia Et Sociologia | 6 | 4 | 0.67 | 2 | 4 |
| Language in Society | 4 | 11 | 2.75 | 2 | 11 |
| Journal of Multilingual and Multicultural Development | 4 | 4 | 1.00 | 1 | 2 |
| Dialectologia et Geolinguistica | 4 | 1 | 0.25 | 1 | 1 |
| Zeitschrift Fur Romanische Philologie | 4 | 0 | 0.00 | 0 | 0 |
| American Speech | 3 | 15 | 5.00 | 2 | 15 |
| International Journal of Bilingual Education and Bilingualism | 3 | 4 | 1.33 | 1 | 3 |
| English Today | 3 | 6 | 2.00 | 1 | 6 |

*TP = Total Number of Publications; TC = Total Citations; C/P = Averag  e Citations Per Publication; h-core = Citation Sum within the h-core

মসিগী মনুংদা “Zeitschrift Fur Dialektologie Und Linguistic” অসিনা খ্বাইদগী রিজনেল লোনশিংগী মতাংদা পোথোক লৈবা জর্নেল ওইখি। মসিগী মতুংদা “Journal of the Acoustical Society of America” অমসুং “Annales Anali Za Istrske in Keidteranske Studije-Series” পোথোক লৈবা জর্নেলনি। জর্নেলশিংগী মনুংদা “Journal of the Acoustical Society of America” না খ্বাইদগী ৱাংবা সাইটেসন কাউন্ট লৈখি, মসিদা অপূনবা সাইটেসন (TC) ৭৭ ওইখি।

## *ষ্টদি অসিগী লিমিটেসনশিং*

বিব্লিওমেট্রিক ষ্টদি অসিনা রিজনেল লোনগী লম অসিদা মশক থোক্লা মতেং পাংখ্রে। অদুবু ষ্টদি অসিগী অৱাৎপা অমসুং লিমিটেসনশিং অসি খঙবা অসি য়াম্না মরু ওই। ষ্টদি অসিনা ইন্দেক্স তৌরবা পব্লিকেসনশিং অমসুং সাইটেসনশিংগীদমক্তা Web of Science (WoS) Core Collection Database খক্তমক শীজিন্নখি। অদুম ওইনমক Scopus অমসুং Dimension গুম্বা অতোপ্পা দাটাবেজশিং য়াওখিদবনা মরী লৈনবা সাইটেসনশিং অমসুং পব্লিকেসনশিং ৱাৎলম্বা য়াই। মসিনা ষ্টদি অসিগী ফলশিংদা অহোংবা পীবসু য়াই। অদুগা লিমিটেসন অসিনা মতুং তারকপদা রিসর্চ ষ্টদিশিংদা আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্সনা মথৌ তৌবা টেক্স মাইনিংগী খূৎলায়শিং অমসুং মশীং য়াম্লবা একাদেমিক দাটাবেজশিংদগী ইন্টিগ্রেট তৌদুনা হেন্না মপূং ফাবা ষ্টদি অমা ওইনা নৈনবা য়াই। মসি তৌবনা রিসর্চরশিংনা ষ্টদি অসিগী থবকশিংগী অচুম্বা অমসুং মপূং ফাবা হেনগৎহনবা ঙমগনি।

## *ৱারোইশিন*

হৌখিবা চহী খরসিদা রিজনেল লেঙ্গুয়েজগী রিসর্চ অসি হেন্না মশক থোকপা অমা ওইরক্লি। রিসর্চরশিংনা মখোয়গী রিসর্চ পব্লিকেসনশিং অসি আর্টিকলগী মওংদনা হেন্না ফোঙদোকই। ষ্টদি অসিনা ১৯৯০ দগী ২০২২ ফাওবদা রিজনেল লোনশিংগী মতাংদা রিসর্চ পাব্লিকেসনশিংগী মশীংদা লেপ্তনা হেনগৎলকপা উবা ফংই। মসিদা চহীগী ওইনা চাংচত্তা ৯.০৫ হেনগৎলকপগী চাং উরি। খ্বাইদগী ৱাংবা পাব্লিকেসন মশীং অসি ২০১৯ দা অপূনবা পাব্লিকেসন ১৯ ওইখি। রিসর্চ আউটপুটকী মতাংদা য়ু-নাইটেদ ষ্টেট ওফ আমেরিকানা রেঙ্কিংদা মকোক থোংলি। মসিনা য়ুএসএগী রিসর্চরশিংনা রিজনেল লেঙ্গুয়েজ রিসর্চকী লমদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি হায়বা তাকই।

লোইশিল্লকপদা রিজনেল লোনশিং অসি মালেমগী লিঙ্গুইষ্টিক অমসুং কলচরেল দাইভর্সিটিগীদমক তঙাৱফদবা অমা ওইরি অমদি লোনশিং অসি ঙাক্তুনা অমসুং অমুক হন্না হিংগৎহন্নবা হোৎনরি। ষ্টদি অসিগী ফলশিং অসিনা স্কোলরশিং, রিস-র্চরশিং অমসুং পোলিসি মেকরশিংদা মখা তানা রিসর্চ তৌবগী মথৌ তাবা লমশিং খঙদোকপদা মতেং পাংবা ঙমগনি অমসুং রিজনেল লোনশিংদা রিসর্চকী মীৎয়েং অমসুং ইম্পেক্ট ফগৎহন্নবা ষ্ট্রেটেজিশিং শেমগৎপদা মতেং পাংগনি।

## *তৌবিমল উৎচবা*

রিসর্চ আর্টিকল অসি ইংলিশতগী মণিপুরী (মণিপুরী বেঙ্গলি) দা হন্দোকপদা থোইদোক হেন্দোক্লা মতেং পাংবিখিবগীদ-মক চরাংপাৎ মনীং লৈকায়দগী মিস খরিবম লীলাপতিবু থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমদি তৌবিমল খঙবা উৎচরি।

## *মতেং লৌজখিবশিং*

1. Al-Pansori, M. J., et al. "Degradation of Sasakneseness Language in Lombok Tourism, Indonesia." Journal of Positive School Psychology, vol. 6, no. 7, 2022, pp. 3838-3848.

2. Aria, Massimo, and Corrado Cuccurullo. "Bibliometrix: An R-tool for Comprehensive Science Mapping Analysis." Journal of Informetrics, vol. 11, no. 4, 2017, pp. 959-975, https://doi.org/10.1016/j.joi.2017.08.007.

3. Arun, D. P., et al. "Perceived Challenges of National Education Policy, 2020 by the Students." Indian Journal of Extension Education, 2022, pp. 73-76, https://doi.org/10.48165/ijee.2022.58214.

4. Bromham, Lindell, et al. "Global Predictors of Language Endangerment and the Future of Linguistic Diversity." Nature Ecology & Evolution, vol. 6, no. 2, 2021, pp. 163-173, https://doi.org/10.1038/s41559-021-01604-y.

5. Bruy□l-Olmedo, Anna, and Maria Juan-Garau. "Minority Languages in the Linguistic Landscape of Tourism: The Case of Catalan in Mallorca." Journal of Multilingual and Multicultural Development, vol. 36, no. 6, 2015, pp. 598-619, https://doi.org/10.1080/01434632.2014.979832.

6. Clopper, Cynthia G., and Janet B. Pierrehumbert. "Effects of Semantic Predictability and Regional Dialect on Vowel Space Reduction." The Journal of the Acoustical Society of America, vol. 124, no. 3, 2008, pp. 1682-1688, https://doi.org/10.1121/1.2953322.

7. Clopper, Cynthia G., and Rajka Smiljanic. "Effects of Gender and Regional Dialect on Prosodic Patterns in American English." Journal of Phonetics, vol. 39, no. 2, 2011, pp. 237-245, https://doi.org/10.1016/j.wocn.2011.02.006.

8. Fishman, Joshua A. Reversing Language Shift: Theoretical and Empirical Foundations of Assistance to Threatened Languages. Multilingual Matters, 1991.

9. Harish, B. S., and R. K. Rangan. "A Comprehensive Survey on Indian Regional Language Processing." SN Applied Sciences, vol. 2, no. 7, 2020, https://doi.org/10.1007/s42452-020-2983-x.

10. Ismail, Jamal A., and James Deane. "The 2007 General Election in Kenya and Its Aftermath: The Role of Local Language Media." The International Journal of Press/Politics, vol. 13, no. 3, 2008, pp. 319-327, https://doi.org/10.1177/1940161208319510.

11. Jacewicz, Ewa, et al. "Regional Dialect Variation in the Vowel Systems of Typically Developing Children." Journal of Speech, Language, and Hearing Research, vol. 54, no. 2, 2011, pp. 448-470, https://doi.org/10.1044/1092-4388(2010/10-0161).

12. Kim, Jiyun, and Bar□□ Tatar. "Nonnative English-Speaking Professors' Experiences of English-Medium Instruction and Their Perceived Roles of the Local Language." Journal of Language, Identity & Education, vol. 16, no. 3, 2017, pp. 157-171, https://doi.org/10.1080/15348458.2017.1295811.

13. Kloss, Heinz. The American Bilingual Tradition. Newbury House, 1977.

14. Lata, P., et al. "National Education Policy (NEP)-2020: Transforming the Landscape of Teaching and Learning in India." Journal of Positive School Psychology, 2022, pp. 5691-5690.

15. Louhiala-Salminen, Leena, and Anne Kankaanranta. "Language as an Issue in International Internal Communication: English or Local Language? If English, What English?" Public Relations Review, vol. 38, no. 2, 2012, pp. 262-269, https://doi.org/10.1016/j.pubrev.2011.12.021.

16. Ministry of Human Resource Development. National Education Policy 2020. 2020, https://www.education.gov.in/sites/upload_files/mhrd/files/NEP_Final_English_0.pdf.

17. Nurutdinova, N., et al. "The Role of Regional Media in the Promotion of Regional Languages in the Context of Linguistic Diversity." INTED Proceedings, 2020, https://doi.org/10.21125/inted.2020.0721.

18. Persson, Olle, et al. "How to Use BibExcel for Various Types of Bibliometric Analysis." Celebrating Scholarly Communication Studies: A Festschrift for Olle Persson at His 60th Birthday, 2009, pp. 9-24, https://urn.kb.se/resolve?urn=urn:nbn:se:umu:diva-25636.

19. Shah, Syed, and Matthias Brenzinger. "The Role of Teaching in Language Revival and Revitalization Movements." Annual Review of Applied Linguistics, vol. 38, 2018, pp. 201-208, https://doi.org/10.1017/s0267190518000089.

20. Toomet, Ott. "Learn English, Not the Local Language! Ethnic Russians in the Baltic States." American Economic Review, vol. 101, no. 3, 2011, pp. 526-531, https://doi.org/10.1257/aer.101.3.526.

21. Trudell, Barbara. "Local-Language Literacy and Sustainable Development in Africa." International Journal of Educational Development, vol. 29, no. 1, 2009, pp. 73-79, https://doi.org/10.1016/j.ijedudev.2008.07.002.

22. United Nations Educational, Scientific and Cultural Organization. Atlas of the World's Languages in Danger. UNESCO Publishing, 2015.

23. Varughese, Roy. "National Policy on Education and Higher Education." Higher Education for the Future, vol. 4, no. 2, 2017, pp. 158-165, https://doi.org/10.1177/2347631117706275.

24. von Gr□nigen, Reto, et al. "Immigrant Children's Peer Acceptance and Victimization in Kindergarten: The Role of Local Language Competence." British Journal of Developmental Psychology, vol. 28, no. 3, 2010, pp. 679-697, https://doi.org/10.1348/026151009x470582.

25. Whitney-Squire, Karen. "Sustaining Local Language Relationships through Indigenous Community-Based Tourism Initiatives." Journal of Sustainable Tourism, vol. 24, nos. 8-9, 2015, pp. 1156-1176, https://doi.org/10.1080/09669582.2015.1091466

# লোন, ইমারোল, মীতৈলোন অমসুং অনৌবা লাইরিক মতম্বীগী হোংলক্লিবা য়াওল

ডা এন সনাতোম্বা সিংহ

# भाषा, मातृभाषा, मैतैलोन एवंनई शिक्षण पद्धति का स्वरूप

डॉ. एन सनातोम्बा सिंह

*सारांश:*

*भाषा, बोलने वालों और सुनने वालों के बीच संवाद के लिए प्रयुक्त कूट शब्दावली है। विश्व भर में बोली जाने वाली 6500 भाषाओं में 43% विलुप्ति के कगार पर है। माना जा रहा है कि प्रत्येक दो सप्ताहों में एक-एक भाषा विलुप्त हो रही है। भारत की लगभग 750 भाषाओं में से पिछले 50 सालों में 250 भाषाएँ विलुप्त हो चुकी हैं। मैतै लोन भारत के उत्तर पूर्वी हिमालय क्षेत्र में बसे राज्य मणिपुर में बोली जाने वाली है, जो सिनो -तिब्बतन भाषा परिवार के अंतर्गत आती है। अपनी लिपि मैतै मयेक वाली मैतै लोन भारतीय संविधान के 71 वें संशोधन के द्वारा 20 अगस्त 1992 से भारतीय संविधान की आठवीं अनुसूची में शामिल हो चुकी है। विश्वविद्यालय में स्नात्कोत्तर की शिक्षा और पीएच.डी के लिए ही नहीं बल्कि भारत के संसद तक में प्रयोग किया जा सकता है।राष्ट्रीय शिक्षा नीति 2020 के साथ भारत की शिक्षा के क्षेत्र में बड़े परिवर्तन की संभावना है, पर इसे संभव करना या न करना हमारी जिम्मेदारी है। सरकार द्वारा निर्मित नीतियों का यदि हम पालन नहीं करेंगे, तो नीतियाँ व्यर्थ पड़ी रहेंगी। श्रेष्ठ और ज्ञानवर्धक पुस्तकों को मातृभाषा में उपलब्ध कराने की व्यवस्था की जानी चाहिए।स्थान और अवसरानुसार अपनी मातृभाषा बोलने और लिखने का हरसंभव प्रयास करना चाहिए।*

## *লোন*

লোন হায়বসিমক তাইবং মীওইবতগা শাগোন্নবা য়াম্না কমপ্লেক্স ওইরবা ফেনমিনন অমনি। লোন অমনা মী অমগী মপূক্লিংদা ফাওরিবা ঈহুলশিং, খল্লিবা ৱাখলশিং, য়েংলিবা মীৎয়েংশিং অদু পরিং নাইনা অতোপ্পা মীওই অমদা পাউদম্নবা পাম্বৈ ওই। লোন অমা মীতম্লকপদা খোঙথাং কয়ামুক চঙই। অহানবদা ঙাঙগদৌরিবা মী অদুগী মশাদা ঈহুল অমা ফাওরকই। ফাওরিবা ঈহুল অদুমক মথংগী থেংখাং অমদা করম্না ফোঙদোক-হায়দোক্নুনা পাউদমগদগে হায়না খল্লি। খল্লিবদুমক মপান্দা পুথোক্লকপদা ৱাঙাঙ কায়াৎশিংগী মতেংগা লোয়ননা খোঞ্জেল খরা পুথোক্নুনা পানগী লম্বেল অমদা চৎহন্দুনা তারিবা মীগী মনাকোং য়ৌরকই। মখোলগী কোদ ওইনা লাকখিবা ঙাঙলিবা মীওইগী মপূক্লিংগী ৱাফম লৌশিনবা ঙম্মী। মসিদা তারিবা অমসুং ঙাঙলিবা অনীমক খোঞ্জেলগী কোদ

অমসুং মসিনা পুরিবা ৱাহন্থোক খঙমিন্নৈ। মসিমক খঙননবা হোৎনবসি লোন তম্বগী শরুক অমা ওইনা হান্নবা ৱাখলদা লৌশিন্দুনা তমশিনখ্রবনি। নৎত্রবদি ঙাঙলিবা, হায়নীংলিবা পূন্নমক তারিবনা খঙবা ঙমদে। মরম অসিমক্কা লোন হায়বসি পূক্লিংগী ঈহুলশিংবু মখোন্না মহুৎ শিন্দুনা (সিম্বোলাইজ) ফোঙদোকপনি। মখোল খোনহায়খক্তনা লোন ওইবা য়াদে। ঈ-পাউ চৎনবদি পাম্বৈ কয়ামুক পাঙথোকখিবা য়াই। অদুমকপু ঈ-পাউ চৎনবগী পাম্বৈ পূন্নমক লোন ওইদে। লোন অমদা সিম্বল ওইরিবা মখোলশিং অসিসু ৱাঙাঙ কায়াৎশিংখক্তদগী পুথোরকপা ওইগদবনি। ঙাঙলিবগা তারিবগা অনীনা অওক-অথোম তৌনবা হায়বদি রেসিপ্রোকেটিং ওইগদবনি। ঙাঙলিবা মীশক অদুমক্কা ঙাঙগনি হায়বা য়াদে, তারিবা মীশক্তুনা অমুক্কসু ঙাঙবা য়াই, ঙাঙলিবসুনি।

ঙাঙগদৌরিবা মীগী মপূক্লিংদা ফাওরিবা, খল্লিবা অসি ইন্টর্নেল লেঙ্গুয়েজনি অদুগা ঙাঙথোক্লকপা খোঞ্জেল অমসুং মসিগী ৱাহন্থোকশিং অসিনা এক্সটর্নেল লেঙ্গুৱেজনি। অহানবগী ফেজ- নীংবা, খনবা, ঙাঙথোক্লকপা ৱাঙাঙ কায়াৎশিংগী চৈঙাক লৌনবা হোৎনবা অসিনা আর্টিক্যুলেটরি ফেজ, পানগী লম্বেল অমদা তারিবা মীগী নাকোং য়ৌশিনখিনবা চৎলিবা খোঙচৎ পরিংবুনা একোষ্টিক ফেজ অমসুং অতাবনা লৌশিনবা, ৱাহন্থোক্কী পরৈহনবা অসিবুনা ওদিটোরি ফেজ হায়না খঙনৈ।

লোন অমবু ঙাঙলিবা মীশক অসিমক তারিবা মীওইসু ওইরিবনি। অহানবদা লোন অমবু ঙাঙনরিবা মীওই কাঙলূপ অমগী মরক্তগী মীওই অমনা পূক্লিংদা ফাওরিবা মান্নবা ঈহুল অমবু খোন্থোক অসিমনা মহুৎ শিল্লসি হায়না মনীংতম্না লৌই। মসি কাঙলূপ অসিগী মীওইশিংনা পাম্নরবদি, মদুমা হায়রবদি মসিমা খঙনরসি হায়না চৎন-য়ানখ্রে হায়বদি কনভেন্সন ওইখ্রে।

অসুম্না কনভেন্সনেলগী থাক য়ৌরবদা মসিমক নিয়ম অমগী ফিবান্নুংদা য়াচন্নখিবদগী লোন অসিগী চৎনবী নিয়ম ওইরকখি-বনি। হায়বদি আর্বিট্রেরি ওইনা ঈহৌরকখিবা মীওইবগী মপূক্নিংগী ঈহুলশিংবু মহুৎ শিল্লিবা ৱাঙাঙ কায়াৎশিংনা পুথোক্লকপা মখোলশিং কনভেন্সনেল ওইরক্কুনা লোন অমগী সিষ্টেম শাগৎলকই। অহিংবা লোন অমা হায়বসি হোংবা নাই। অহোংবা অসি পানগী ওইবা অমসুং নুংগী ওইবা হায়না অনী থোক্না য়েংবা য়াই। নুংগী ওইনা হোংবদি লোন অমগী চাওখৎনবগী মচাক হুনবনি। পানগী ওইবা অহোংবদি খুদোংথীনীংঙাইনি, লোন অমা মৃৎখি-মাঙখিনবগী মচাক্নি। লোন অমা হায়বসি ইপা-ইপুগী ঈ-তোংদগী শমথহৌবা লনশিং শক্তাকচনবগী মঙাল ওইজরবসু মশামক্তি মপানাৎ মপুনাৎকী ঈরমদগী চিথহৌবা তমশিন্দনা হেক্তমক হৈরগা পোক্লক্কদবা ঈ-তোংদা য়াওরক্লবা মশিন অমদি নত্তে। 'শানা শিবনা খোঙ্গুন্দা, মীনা শিবদি চীন্দা' হায়নরিবনি। ৱাঙাঙ হৈতবসু মপা চৈবা শক্লে। ফজবা মৱাহৈনা মীবু শুম্মী। ফনমক চুমদুনসু খোন্দা থীবা ৱাহৈনা নুংশি চান্নববু কায়নহল্লি। পূম্নমক অসিনা লোন অসি লৈরম্বমক্তনা তাইবং মীওইবনা শাগী কাঙলূপ্তগী লিথোকচদুনা মীওইবা হায়বসিমক ওইরিবনি। লোন হেক য়াওদবদা মীওইবসি শাগী অশেংবা শক্তমদা চপ চানা হঞ্জিল্লক্কনি। লোন অমবু মশক তাকখিবশিংলক্তগী অমদা অসুম্না পাউদম্মী-

> A system of communication by sound i.e. through the organs of speech and hearing among human beings of a certain group or community using vocal symbols possessing arbitrary conventional meaning. - Mario A Pei & Frank Gaynor, Dictionary of Linguistics1954 (ed.)

লোন অমগা অমগা খেন্নজরবসু কম্যুনিকেটিভ প্রোসেসতা মান্নবা মরমচৎ অমা লোয়নরি। মসিবুনা এবসোল্যুট য়ুনিভ-র্সেল হায়না খঙনৈ। খেন্নবা শক্তমশিংবুনা পেরামেট্রিক ভেরিয়েসন কৌই। লোন অমগী এবসোল্যুট য়ুনিভর্সেল অমসুং পেরা-মেট্রিক ভেরিয়েসন অনীগী খলবু পেরামেট্রিক রেঞ্জ কৌই। মসিনা লোন্তম্লোয় অমগী ৱাখল মীৎয়েংদা খল মান্ননা থম্বা হায়বদি মরেপ (রেঞ্জ) কদায়দা মান্নরিবা, কদোমদা খেন্নরিবা হায়বদু ওন্দুনা লোন অমবু তমশিন-হৈজিনবদা লায়থোকহল্লি। তশেংনমক লোন অসি ঙাঙলিবা অমসুং তারিবা অনীগী ঈ-পাউ ফাওদোক-ফাওজিন তৌনবগীদমক শীজিন্নরিবা কোদশিংনি।

### *ইমালোলগী মরুইওবা*

> If you talk to a man in a language he understands, that goes to his head. If you talk to him in his language, that goes to his heart. (Nelson Mandela)

ফেব্রুৱারি ২১, ১৯৫২ দা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিং বঙ্গলাদেশকী কোনুং ধাকাদা মীহাৎ থীনা হাৎখিবগী অকি-তুজুং-নীংঙাই ওইরবা থৌদোক অমা থোকখি। ১৯৪৭, ইন্দিয়া পাকিষ্টান খায়দোকঙৈদো নোংচুপ থংবনা ভারতকী ঙমখৈনুংদা চল্লগা নোংপোকথংবনা নোংপোক পাকিষ্টান ওইনা লৈখি। মতম অদুদা শেল-থুমগী, খুন্নাইরোলগী, নাৎকী অমসুং লোনগী চয়েৎনবা কয়া থোকখি। ১৯৪৮ দা উর্দুবু পাকিষ্টান জাতিগী লোন ওইরগনি হায়না লাউথোক্লকপদা মীশিং য়াম্বা বাংলা ঙাঙবা প্রজাশিংগী অকনবা ঈহৌ ঈরোয়নরকখি। থিংবা ঙম্বগী পংখৈ পল্লান্নখ্রবা ঈহৌ অসিদা ধাকা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় মরি সিফাইগী নোংমৈনা পান্দুনা পুন্সি পিখন্নখি। চহী খূদিংগী ফেব্রুৱারি ২১ বু থৌদোক অসিদগী বাঙ্গলাদেশ নেসনেল হোলিদে ওইনা লাউথোক্তুনা মমারোলগী নুমিৎ ওইনা পালন তৌনরি।

য়ুনেস্কোগী লমজিং মখাদা নবেম্বর ১৭, ১৯৯৯ দগী মমারোলশিংবু কঞ্জনবগীদমক তোমথিন্নাইরবা নুমিৎ অমা মালেমগী ইমারোলগী নুমিৎ পালন পাঙজনবগীদমক, নীংশিংনবগীদমক, চেকশিঞ্জনবগীদমক অমসুং ঙাক–শেঞ্জনবগীদমক লেপ্পসি হায়না য়ানখি। তনৌরবা মহৈরোয়শিংগী ঈখেংলক্তা ঈৱায়নখিবা মমারোল নুংশিবগী ঈরিকশিংনা ঈয়েক্লরিবা নুমিৎ, ফেব্রুৱারি ২১ বু য়ুনেস্কোনা অখন্ননা লৌখত্তুনা ইন্টর্নেসনেল মাদর লেঙ্গুৱেজ দে হায়না ফেব্রুৱারি ২১, ২০০০ দগী হৌনা পালন তৌজরকখি। আষ্ট্রেলিয়াগী সিদনি এফসিল্দ পার্কতা ইন্টর্নেসনেল মাদর লেঙ্গুৱেজ দেগী নীংশিং য়ূম্বী য়ুংলি। য়ূম্বী অসিগী মায়থোঙ থম্বাল লকা'মদা গ্লোবকী শক্তম, থম্বাল লকা'মদনা বেঙ্গালি অমসুং ইংৱাজি লোন অনীমক্তা অসুম্না “We will remember the martyrs of 21st February” হায়না লাচল্লি। হন্দক চহীগী ওইনসু ফেব্রুৱারী ২১, থৌরম অসি লৈপাক কয়াদা সেমিনার ৱার্কশোপ কয়াগা লোয়ননা পাঙথোক্লি।

মালেমগী ওইনা লোন ৬৫০০ রোম ঙাঙনরিবসিগী মনুংদা ৪৩% দি মাঙখিগদ্রা হায়বগী খুদোংথীনীংঙাই ওই। চয়োল অনী খূদিংগী লোন অমমম মাঙই হায়না পানৈ। ভারতকী ওইনা লোন ৭৫০ রোম লৈবগী মনূংদা হৌখিবা চহী ৫০ রোম অসিদা লোন ২৫০ রোম কনঙমদনা মাঙখ্রে। লোন ১০০ রোমতমক দিজিটেলগী ওইবা ঙসিগী মালেমদা শীজিন্নে। ইংলিশ, চাইনিজ, স্পেনিশ, অৱাবিক, পোর্টুগিজ, জপানিজনচিংবা লোন খরতমক ইন্টর্নেট কম্যুনিকেসনদা শীজিন্নরি। মশাগী মনাৎ, মশক্তম, মৱাখল, মরৌশিং, মপুন্সি মহিং, হিংবগী পরিং লীশাং (সিভিলাইজেসন), পূম্নমক মমারোন্দা তাংদুনা, নপশিন্দুনা লৈরিবনি। রিতা মেৱাউননা অসুম্না হায়, "Language is the road map of a culture. It tells you where its people come from

and where they are going." তশেংনমক জাতি অমগী শক্তম লোননা লেপ্পে। মসিমক মালেমগী মমারোনগী নুমিৎনা য়াকায়হল্লিবনি। লোন অমনা খোঙ্গুল মুৎখিবা হায়বসি মালেমগী মমল য়াম্লবা লনগৈ লনমাঙনখ্রবনি, তুংগী তীক-ঙল মাঙহ-ল্লগদৌরিবা খুদোংচাবশিং লমাঙজরবনি। য়ুনেস্কোগী দাইরেক্টর জেনরেল ওইরিবা ওদ্রে অজলিনা হায়, "... মমারোন্দা খনবা মৱাখন্না ৱাখলগী লংজিন থৌবা মহেল্লে, নহাশিংনা মসিগী খুদোংচারবা তাংফম অসি মাঙহনফদে।" অজলিগী লেঙদ্রবা মোৎনি।

নৌরবা অঙাংশিংনা মমাগী মিনুংশিগী নাওয়োম্লুংদগী নাওদমজরক্লবা মমারোন্নি। মমাগী নাওশুমগী খোয়থুম্নরবা মৱাহৈসু মমালোন্দনি। পকচনা কেগে হায়রবদি ইমারোন্দা কেবা তাই। মথম্মোয় খোন্না মীকপচগে হায়রবসু মমারোলখক্তদমক মীকপ্প-গদবনি। ইমারোল হায়বসি নুংঙাইবা পুন্সি অমগী ঈহৌনফম্নি।

*ইরোল-ইয়েক*

মণিপুরী লোন মীতৈলোন অসি খা-নোংপোকথংবা হিমালয়ান ষ্টেট ওইরিবা সিনো-টিবেতান লোনগী মনূং চল্লিবা ভারতকী অৱাং নোংপোক থংবা কংলৈ মণিপুরদা ঙাঙনরিবা লোন অমনি। লোন অসি লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদা শীজিন্নবা লোন্নি। ভারতকী অতৈ ষ্টেটশিং– আসাম, ত্রিপুরানচিংবদা লোন অসিগী মফম কল্লি। ভারতকী ৱাংমদা বাঙ্গলাদেশ, ম্যান্মারনচিংবদসু লোন অসিগী ফিদা লৈরি। মশাগী ময়েক-মীতৈ ময়েক লৈজবা লোন অসি ২০১১ গী মীকোক থীবদা য়ূম্ফম ওইরগা মীওই মিলিয়ন ১.৮ লোন্না ঙাঙই হায়না পানরি। য়ুনেস্কোনা লোন অসি মাঙখিবা য়াবগী মীপাইনীংঙাই ওইরক্লিবা লোনগী মনূং চল্লবা লোন অমনি হায়খ্রব-নি। ৭১শুবা ভারত সংবিধানগী এমেন্দমেন্ট অমনা ১৯৯২ গী ওগষ্ট ২০ দা লোন অসি ভারত সংবিধানগী নিপালশুবা সেদ্যুলদা চনখি। য়ুনিভর্সিটিগী মাষ্টর অমসুং পিঐচ. ডি ডিগ্রী ফাওবা নৈনবা য়ারবা লোন অসি ভারতকী পার্লিয়ামেন্টতা ঙাঙবা য়াই।

১৯৮০ এপ্রিল ২২ দা গভর্নরগী মিংদা সেক্রেটরি টু দি গভর্নর ওফ মণিপুর জে. কে. সংলুরানা থোকখিবা ওর্দর নম্বর No.1/2/78-SS/E না ১৯৭৮ নভেম্বর ১৬ তা মৈতৈ ময়েক এক্সপার্ট কম্মিটিনা লানখৎখিবা ময়েক ২৭ অসি লোনশুম, চৈতপ, খূদম অমসুং চৈশিং ময়েক য়াওনা মণিপুরগী মহৈ তম্ফমশঙশিংদা চৎনরগনি হায়না লাউথোকখি। চহীসিমক্কী হুন্নি চনবা নুমিৎ এপ্রিল ২৫ দা কোরিজেন্দম অমা থোক্লগা 'মৈতৈ' ৱাহৈ অসি 'মীতৈ' হায়গদবনি হায়না শেংদোকখি।

অসুন্না লৈঙাক্কী য়াথং তাউথখ্রবসু থেঙ্গুগুম মঙম শানখিদ্রবা থৌশিন্না মহৈ তম্ফমশঙশিংদা চান্ননা তমহনবদি ঙমখিদে। মতাং অসিদা মীতৈ ঈরোল ঈয়েক লোইনশিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল), দিরেক্টোরেট ওফ লেঙ্গুয়েজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টে-সন অমসুং ৱাখল মান্নবা মীওই অমদি লূপশিংগী হোৎনজমন্না ২০০৬ তগী থেংখাং নাইনা মহৈ তম্ফমশঙশিংদা তমথরকপনা হৌজিক্তি মাষ্টর ফাওবা তম্বা লোইদুনা পিঐচ ডি ফাওবা তৌবা য়াওররে।

*ইমালোনগীদমক ঐখোয়না করি শিক্ষা শিনপাংসিগে?*

এন ই পি ২০২০ লাকখিবগা লোয়ননা ভারতকী মহৈ-মশিং তম্বিবগী লমদাংদা চাউনা অওনবা অহোংবা অমা লাক্লগ-নি হায়না খন্নরি। মসি ওইথোকহনবা ওইথোকহন্দবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌদাংনি। লৈঙাক্লা শেম্বা কাঙলোন কয়া ঙাক্কদবা ঐখোয়না ঙাকপিদ্রবা, ইনগদবা ঐখোয়না ইনবিদ্রগদি শেল্লিবা কাঙলোন কয়া কাঙখথাঙ তাদুনা মাঙখিবা তাবনি। অনৌবা মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোন এন ই পি ২০২০ না য়ামদ্রবদা ক্লাস ফাইভ ফাওবা, অদুগা ক্লাস আইট ফাওবা শাংদোক্তুনা শুকশোয় শোয়দনা মমারোন্দা লাইরিক তমজনবগী অয়াবা পীরি। মসিদা নত্তনা ডিগ্রী কলেজ, য়ুনিভর্সিটি, প্রোফেসনেল এদুকেসন কয়াসু মমারোন্দা তাকপিনবগী ঈঙ্গিৎ ফাওবা পীখিবা লৈরে। লৈঙাক্লা পাল্লিবদি মীরোন তম্নবা হোৎনরিঙৈদা লৌশিং অমত্তা তানশি-নবা ঙমদবা নৎত্রগা ঙল্লগসু মঙম ইশান শান্দবনা ভারতকী চাওখৎপগী লমজেল থীন্থহল্লে। চাইনা, জপান, কোরিয়ানচিংবনা খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎ-লমজেন্দা চৎলিবসি মমারোন্দা লাইরিক তম্বসিনসু চাউনা মতেং পাংলিবনি।

বৃটিশ লোইলম মতমগী ইংরাজি লোন লোন্তম্নবা হোৎনরিঙৈ ঐখোয়গী লৌশিং তানশিনবগী লম থীন্থহল্লে। মীরোনগী য়োৎহ্লিংনা পুন্দুনা লোইলম লমদম ইশানা ওইহঞ্জবা অসি হৌজিক্কী মালেমগী লৈপাক কয়ানা মিতানফম ওইরবা ভারতকী খুন্নাইদা য়াম্না চুনদ্রে। ৱাষ্ট্রপিতা মহাত্মা গান্ধীনা মমারোন্দা লাইরিক তমহন্দুনা নৌরিবা অঙাংশিংদা লৌশিং-জ্ঞান পীনবা হে-াৎনবিগদবনি হায়বিরম্মী। স্কুলদা তম্নরিবা নোলেজ বেজ টেক্স অসিদা নত্তনা অহেনবা পান-লাইরিক (Outbook), য়েংশিন লাইরিক (Reference Book), থিজিন লাইরিক (Thesis) অসিনচিংবা কয়া ইমারোন্দা ইথোক্তুনা ফোঙদুনা ইমারোলগী লনগৈ চোলহল্লগা ৱাত্তা-পাদবী ইমা মণিপুর লোন ওইহন্নবা হোৎনগদবনি।

হৌজিক মাঙদা তারিবদি তুংগী য়ূম্বীরেন ওইগদৌরিবা খুন্নাই অসিগী মতিং ওইরিবা নহাশিং মীতৈ ময়েক্তা ইবা লাইরি-কশিংগী জ্ঞান-লৌশিংনা মীতৈ খুন্নাইগী চারোল শমথহৌগদৌরিবনি, খুন্নাইরোল শাংথহনগদৌরিবনি। মখোয়দগী এদমিনিষ্ট্রেটিপ ওফিসারশিং- আই এ এস, এম সি এস, লৌশিং-পূক্নৈনরিবা ওজাশিং লোয়ননা খুন্নাইবু খুনঙাকওঙম্বা শূরোনশিং শন্দোক্কদে-

ৗরিবনি। লুরিবদি মখোয়গী মহৈ-মশিংগী লম্বীদা তনৌজরিবা ৱাখলনা শৈদমজরিবা লাইরিকশিং, নৈনজরিবা নৈন-মচাকশিং মপা-মপুশিংগী খুনামজরিবা ঈনাৎ শক্তম ঈনোৎনরিবা ঈরিশিং, ঈরৌশিং, ঈহৈনফম ওইবা লাইৱাশিং, ইনাৎকী ইহন্নরবা ঈফূৎশিং ফিজেৎ, শমকক, লাইনীং, মশান্না, মীহৌরোনগী চৎন-কাঙলোন, পুৱারী, ইশক্তম ইমিরেল মিরেল মিতম্বা লাইরিক-শিং মরাঙ কায়হন্দ্রবনা পাগী পালেপ পুগী পুলেপ লেপখিদুনা কংলৈ ইখুন্নাইগী অরিবা লীক্লম লিকখ্রগদ্রা হায়না মিপাইনরে। মসিনা পাগী পাশক পালেপ্নবা, পুগী পুশক পুলেপ্নবা ঙমদদুনা তুংদা নাৎনাইরক্তবগী অৱাবা তারগদ্রা মিপাইনরে। মরমদি পীক্ল-কাখুনুংগী তম্ন-লাইরিক (টেক্সবুক) তগীদা ফংলকপা য়ামদ্রবা মরৌশিংনা কমদৌনা শাংলবা পুৱারীগী লোইনাইদ্রবা পাগী পারম পুগী পুরম শক্তাকচবা ঙম্লুগনি। মসিমক তুংগী খুন্নাই শূরোনশিংগী মরায়বক্তা হংফম থোকপা অরুবা ৱাহং অমনি। অঙনবা মতমগী, ময়ায় চনবা মতমগী লোয়ননা অনৌবা মতমদা নৌনা য়েন্নীং হুল্লকপা য়ামখ্রবা শৈরেং-ৱারেং, পুন্সি শক্তম, হিংবগী নীতি, চৎকদবা লীচৎশিংগী পরম্লাক, চেফোঙ, মেগাজিন, ঈ-পাউ, পাউচে, নুংতিগী থৌদোক-ৱাথোক, য়াম্লবা লৌশিং, শাংখ্রবা খোঙচৎ, ফজখ্রবা পন্থুং ওইথোকপদা ৱারোইদ্রা? খনবদা অমম্বনি, তুজুংনফমনি। হৌজিক অসিদা বেঙ্গালি ময়েক্তা ইবা তোঙান-তোঙানবা লাইরিক কয়াগী মনম তারক্লুবা, কংলৈ নাৎকী লৌশিং তানশিল্লক্লিবা মী অরিবশিংনা মতমগী শাফূনা, হোংল-ক্লিবা য়াওল্লক্তা ইমারোল মণিপুরী লোন অমসুং ইমারোন্দা য়েক্লিবা কংলৈ ইমাগী তোপ্লবা শক্তম মমি ফাওবা মমি শাম্লবদা নৱা ওইঔদেগী তম্ন-লাইরিক্তগী ফংলকপা মরৌশিংগী ফিবান্নুংদগী হেল্লক্রবা হৌজিক্কী মহৈরোয়শিংনা মমা লৈবাক্কী মশক্তম কঞ্জবা ঙমগনি হায়বসিমক চিংননীংঙাই ওই, য়াম্না চিংননীংঙাই ওই।

মরম অসিনা তাঞ্জা মাঙনহন্দনা তুংগী মীরোনগী, ইমা ইরমদমগী তুং ৱাখন্না লানগী লাল্লাওখোন্নদুনা তম্ন-লাইরিকশিংখ-ক্তা নত্তনা ফংলিবা মন্নাইদ্রবা লাইরিকশিং থিদুনা ময়েক ওন্থোকপা (transliterate) তঙায়মক ফদ্রে। থীল্লে, তাঞ্জা তনহেন্নখ্রে। কলেজগী মহৈরোয়শিংনা ঙৈহাক শংবদা পাদুনা নৈনদুনা মশাগী ওপসনেল সবজেক্তগী নাথৈননা নুংঙাইবা ঈরোকফম ওইবা ৱারী লাইরিকশিং উবা ফংদ্রি। লাইরিক্কী লৌশিংদি তম্লিবা লাইরিকশিংদগী ফংখিবা য়াই। ইপা-ইপুশিংগী খোঙ্গুল লীক্লম্নরিবা লাইশুশিংদি তম্লিবা লাইরিকশিংসিখক্তদগী ফংবা ওইথোক্তবনি। মসিনা তুংদা মশাগী শক্তম খঙজদবগী লায়না অমা লাক্কনি হায়বসি কক্কীংঙাই লৈরোই। লোনগী লোনচৎ চুম্বা, লোনশক থোক্লুবগীদমক মীতৈলোনগী মীতৈ ময়েক্তা ইবা লেক্সিকেল, এনসাইক্লোপেদিয়া থম্নবা হোৎনগদবনি। মীতৈগী অরিবা পুয়াশিং কংলৈ খুন্নাইগী লাইৱারী, লৈশেম্লোন, লম্মিৎলোন, পুৱারী, শেন্মীৎলোন, লৈঙাক্লোন, হিদাক-লাংথক্লোন, ৱাংঙুরোন, লোইনশিল্লোন পূম্নমক য়াওন্নরি। কংলৈ ঐখোয়গী চাওখৎলোন পূম্নমক ঐখোয়তগী ওইবা পুয়াশিংদা শেংনা ইরি, থিবা তাই। মরম অসিনা ইমারোল চাওখৎহনগে, ইমারোল য়োকখৎকে, ইমারোল পুঙ্গিহনগে নীংলবদি পুয়াশিং অসি খোমজিনবা অমসুং নৈননবগীদমক নৈন-লোইশঙ অমা লিংগদবনি। অসুম্না লোন, ময়েক, নাৎ, ইশাগী শক্তম পূম্নমক হিংহনবা হায়বসি তরাইবদি নত্তে।

লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা চৎনবা লোন্নি, ময়েক্লি হায়রবদি করিগীদমক লোয়শঙ অমগা লোয়শঙ অমগা চে লান্নবদা ইংরাজি নৎত্রগা হিন্দী লোন্নচিংবদা লান্নরিবনো? তঙায়মক ফদবা লৈরবদি মদুমক হন্দোক্লোয় অমনা অপাম্বা লোন অমদা হন্দোক্তুনা শীজিন্নবা য়াই। মণিপুর লৈঙাক্কী শিন্থারোই (কর্ম্মচারি) শিং খনবদা লেঙ্গুয়েজ প্রোফিসেন্সি টেষ্ট অমা মণিপুরী ঙাঙবা অমসুং ইবা হৈরব্রা চাংয়েংহৌগদবনি। মপানগী আই এ এস কেদরনচিংবা মণিপুরদা পোষ্টিং পীরকপদা মণিপুরী লোন হৈহন্ন-বগীদমক অখন্নবা কোর্স অমা তঙায়ফদবা ওইহনগদবনি। মপান লমদগী পুশিল্লকপা পোৎলম চৈরমশিং লিষ্টিং তৌদুনা মার্কেট সর্ভে তৌরগা ইমারোলদা মমিং থোন্দুনা লেভেল নপ্লবা মতুংদতা অনৌবা পোৎলমশিং য়োলহনবগী অয়াবা পীগদবনি। মহৈ তম্বগী খোংচৎ পরিংদা এদিসনেল ইংলিশ, অলটর্নেটিভ লেঙ্গুয়েজ খনবগী ওপসন মণিপুরী নেটিভ স্পীকর অমদা পীরোইদব-নি। জ্ঞান-লৌশিং পীবা ফর-ফরবা লাইরিকশিং ঙম্লিবমখৈ ইমারোন্দা ফংহন্নবা থৌশিল পায়খৎকদবনি। লোন তম্নবা হোৎনবদা অমসুং তমগদৌরিবা হীরম অদুবু লৌশিন্নবা হোৎনবগী পোৎলূম মহৈরোয়শিংদা পীরোইদবনি। ইশাগী ইমারোন্না ঙাঙবা অমসুং ইবা য়াবা মফম অমসুং তাঞ্জাশিংদা য়ারিবমখৈ ইমারোল শীজিন্নগদবনি।

চৎনখ্রবা ইয়েক্লি কংলৈ ইখুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক্তসু কংলৈ ইফূরুপচাশিংগী নৈন-পরিং শমথরকপদা মশানা থিজিঞ্জর-ক্তবা য়াররোইদবা ময়েক কয়াসু লৈরি। হৌবদা মঙাইরি। চাওখৎ লম্বীদা মতা চারবদা লৌশিন্দুনা খোঙলোইনরকপসু ময়ারি। ঐখোয় ফূরুপকী অনী থোকপীগী লীচৎ অসিনা ইমালোল অমসুং ইয়েক্কী তাংফমদা পূকচেল তিন্ননা খোঙ থাংমিন্নবা তঙায়ফদে। হান্না চৎনখিনবা হোৎনগদবনি, শেম্বদি কোন্না শেম্বা য়াই। ইশাগী ইরলনি, ইনাক্তগী চেল্লরোইদবনি। ঐখোয় পূন্না লিংজেল মান্ননা চাম্মরক হন্নসু শেম্বা য়াই। ক্লাসিকেল ষ্টেটস ফংনবা হেন্না থৱায় চঙনা হোৎনবা চঙলি, শেলয়েক্তা লাচনহৌদবগী ইমায় খুরি। ওফিসিয়েল লেঙ্গুয়েজ এক্তগী 'রিটন ইন বাঙ্গালি' ফাওবা লৌথোকপদা ৱাওইনরি। ওন্থোকপা লমদম্নি! অশাও পরৈনবনা ইমাবু হিংহাৎনবদি ফরোই। ঐখোয় হৌজিক্তি চেদতা থৌবা, চীম্বানখক্তদা শৈথাবা, খৌনাওদগী মরৈবাক নীংবা, মীৎলুদগী পিরাং শুংবা তোকপা তাই।

মতেং লৌজখিবশিং


1. Abrams M.H. *A Glossary of Literary Terms.* Earl Mc Peek, 2003.
2. Cuddon J.A. *Dictionary of Literary Terms and Literary Theory.* Penguin Books, 1998.
3. Ghosh J.C. *Bengali Literature.* Curzon Press Ltd., 1976.
4. Habib M.A.R. *Modern Literary Criticism and Theory.* Blackwell Publishing, 2008.
5. Singh, L. Ibungohal. *Introduction to Manipur.* S. Ibochaoba Singh, 1987.
6. Dr. R.L. Varshney. *An Introductory Text Book of Linguistics and Phonetics.* 1999

# মণিপুরী লোন, খোরিরোল অমসুং ঐখোয়গী থৌদাং

ডা কে বিমোলা দেবী

# मणिपुरी भाषा, साहित्य एवं हमारा कर्तव्य

डॉ. के बिमोला देवी

*सारांश:*

*प्राचीन काल में वर्तमान मणिपुर को अनेक नामों से संबोधित किया जाता था।विस्तृत क्षेत्रों में बिखरे हुए विभिन्न समुदायों के सम्मिलित रुप मैतै और उनके स्तुति सादृश्य काव्यात्मक मौखिक साहित्य की नींव बहुत पहले पड़ गई थी। मणिपुर के स्वरूप को समझने के लिए यहाँ के लोगों की वीरता- साहस, धैर्य और देश भक्ति के गुण की चर्चा करना आवश्यक है। आज के जीवन संघर्ष से भरे व्यवसायिक युग में अपने समुदाय की भाषा के प्रति उपेक्षा स्पष्ट दिखाई देती है। यही कारण है कि आज अपनी मातृभूमि को जानने वाले और उसे प्रेम करने वालों की संख्या कम होती जा रही है। अतः मणिपुरी भाषा प्रकोष्ठ की स्थापना कर काम करने की आवश्यकता है। अखबारों, रेडियो, मास मीडिया में खबरों के प्रसारण में हरसंभव अपनी ही भाषा का प्रयोग कर उसके विकास का प्रयास करना चाहिए। विचारणीय है कि क्या आधुनिकीकरण और भूमण्डलीकरण की मार के बीच अपनी पहचान दर्ज करना संभव होगा ? चिंता की बात यह है, कि आँखें खुली रखते हुए भी अपनी पहचान भूलकर, अपनी भाषा बोलने में अक्षमता दिखाते हुए गर्व का अनुभव करना है।*

## *ৱাহৌদোক*

লোন্না কাঙলূপ অমগী শক্তম তাকই। মশাগী তোপ তোপ তারবা লোন্না কাঙলূপ অসিগী শক্তম তাকপদা চাউনা মতেং পাংই। ভারতবর্ষদা ঙাঙনরিবা লোনশিং শাগৈ মরি লৈ। মখোয়দুদি ইন্দো-আর্য্যন ফেমিলি, দ্রাভিডিয়ান ফেমিলি, ওষ্টিক ফেমিলি অমদি তিবেতো বর্মন ফেমিলি অসিনচিংবনি। ১৯শুবা চহীচা লোইশিল্লকপা ২০ শুবা চহীচানা হৌগৎলকপদা মণিপুরী লোনবু করম্বা লোন শাগৈদা চনগদগে হায়বসিদা তোঙান-তোঙানবা লিঙ্গুইষ্টশিংনা মোৎ কয়ামুক পীনরকখি। মখোয়গী মোৎশিংসি মখাগীশিং-সিদগী য়ূম্ফম ওইদুনা শাগৎখিবনিঃ

অ) লমখৈগী মতুং ইন্না লোনগী কাঙলূপ খায়বা

আ) জাতি/ধর্ম্মগী মতুং ইন্না লোনগী কাঙলূপ খায়বা

ই) দেশ-দেশকী মতুংইন্না লোনগী কাঙলূপ খায়বা

ঈ) মতমগী মতুংইন্না লোনগী কাঙলূপ খায়বা

উ) লোনগী মতুংইন্না লোনগী কাঙলূপ খায়বা

অদুমকপু হেন্না বৈজ্ঞানিক ওইবা অমদি অচুম্বা ফল ফংবদি মশক মওংগী মতুং ইন্না লোনগী কাঙলূপ খায়বসিনা হেল্লি। মরমদি চপ মান্নবা হৌরকফম অমত্তগী হৌরকখিবা লোন্না মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা ফনা লাকখিদুনসু নুংতিগী থাদোক্লদনা শাগোন্নবা লোনগী মশক অয়াম্বা মান্নে, হোংদে। ভারতকী লোনশিংবু কূপ্পা থিজিন্দুনা নৈনরগা লিঙ্গুইষ্ট গ্রীয়ার্সন্না মাগী *লিঙ্গুইষ্টিক সর্ভে ওফ ইন্দিয়া* দা মণিপুরী লোনবু কুকি-চিন কাঙলূপকী মনুং চল্লি হায়না মোৎ পী। মাগী মোৎসিগীসু অচুম্বা লৈ। মরমদি মহাক্না পল্লিবা 'চিন' হায়রিবসি চিনাবু নত্তে, বর্মাগী চিনবুনি। অদুমকপু লোনগী মশাজৎ য়েংদুনা কূপ্পা নৈনবদা লোনবু ঙাঙলিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীবরোমদা হেন্না মীৎয়েং চিংশিনখিবনা বৈজ্ঞানিক ওইবা, মীয়াম্না য়ারবা পূমচুম চুম্লবা মোৎতি গ্রীয়র্সন-গীসিনা ওইখিদে। মীতৈলোন কুকি-চিন কাঙলূপকী লোন নত্তে। মতুংদা পি কে বেনেদিক্টনা মণিপুরী লোনবু তিবেতো বর্মনগী লোনগী মনূংদা চনগনি হায়না মোৎ পীরকই। মরমদি হায়রিবা লোন শাগৈসিগী মনুংদা চল্লিবা লোন কাঙলূপশিংগী খোন্থোক, ৱাহৈ, ৱাহৈপরেং অমদি ৱাহৈ পূক্কেশিং বৈজ্ঞানিক ওইনা চাংদম্নদুনা নৈনরগা মান্নবা কয়া ফংবা ঙম্মী।

অসিগুম্বা লোন শাগৈসিগী মীওই কাঙলূপ কয়া হিমালয় চীংজাউগী অৱাং-নোংপোক্লোমদা শন্দোক্লিবা চীংশাং নাপোম-শিংদা খুন্দারিবশিং অসিনি। মরুওইবা তিবেত্তগী বর্মা ফাওবগী মনূংদা লৈরিবা মীওই কাঙলুপশিংনা ঙাঙনরিবা লোলশিং অসি তিবেত্তো বর্মন লোন কাঙলূপ্নি। বেনেদিক্টকী মোৎসি মীয়াম্না য়ানরিবসিগী মরমদি মণিপুরী লোন অসি ৱাতপ্লা মপূং ওইনা

শাগৎপা লোন ওইবগুম চাইনিজ অমদি বর্মিজ লোনশিংসু ৰাতপ মরাঙ কায়না য়াওই। মথংদা লোন শাগৈসিগী লোন পূম্নমক মণিপুরী লোনগুম অরুম অয়াংগী মতুং ইন্না ৰাহৈগী অর্থ হোংহনবা ঙম্মী। হায়বদি তোনেল ওই। অহুমশুবদা পনবা য়াবা অমনা লোন শাগৈ অসিগী লোনশিং গ্রামাটিকেল কেটেগোরাইজ হায়বদি তেন্স, মুদ, কেস, পার্সন, জেন্দর, নম্বরশিংগী মওং মতৌদা মান্নবা মশক অমা উবা ফংই। ময়েক্কী মতাংদসু মণিপুরী লোনগী ময়েক খরা হেন্না লাইগী মশক্তা শাগৎখ্রবসু হায়রিবা লোন শাগৈশিং অসিগী ময়েকশিংগা য়াম্না মান্নবা মশক উবা ফংই। মণিপুরী লোনগী ৰাহৈ খরদং লৌখত্নুনা মসিনা তিবেত্তো বর্মন কাঙলূপকী লোনশিংগা মান্নবা মরমচৎ পীবা তারবদিঃ

| মণিপুরী | বর্মীজ | কুকি/নাগা | তিবত |
|---|---|---|---|
| মী/পোঙ | মী/পোঙ | মী | মী |
| ঙা | ঙা | ঙা | ঙা |
| অমা | অমা | অমা | অমা |
| চে | চে | চে | চে |

অতোপ্পা চাইনিজগা মান্নবা (তোনগী মতাংদা) খূদম অমনা চাইনিজগী তোন মঙা লৈ। ঐগী ওইবা মীৎয়েংদগীদি মণি- পুরীদা অহুম লৈ। চাইনিজকী লেবেল (-), রাইজিং ('), ফোল্লিং (.), রাইজিং ফোল্লিং (^) অমসুং ন্যুট্রেল (o) নি। মীতৈলোন- গীদি রাইজিং ('), ফোল্লিং (.) অমদি লেভেল/মীদ (-) অসিনি। অসুম্না মান্নবা লোনচৎ কয়াসিদগী শ্রীনন্দলাল শর্ম্মনা হায়খিবা, "Manipur is the most widely used Tibetto- Burman Language of India." অসিনি। তিবেতো বর্মন হায়বা লোন শলাই অসি এসিয়াগী অৱাং নোংপোক্তা লৈবা লৈবাকশিংদা ঙাঙনবা লোনশিংগী অপূনবা শাগৈ অমনি। লোন শাগৈ অসিগী মনূং চনবা লোন য়ামা চিন অমসুং লুসাই চীংশাংনা কোনবা লমশিংদা ঙাঙনৈ। লোন শাগৈ অসিগী মীওইশিং অসি মী পীকই, মনাতোন নম্মি, মমীৎ খূই, কুচু হাইফেৎ ঙৌই, পিশুম চাউনা য়াওদে, শোংদে। লোন শাগৈ অসিদা লোন মচা অমদি ফূরুপৰা কয়া য়াওরি। লোন শাগৈ অসিদা মশা মরি (৪) থোক্লা খায়দোক্তুনা নৈনবা য়াই। মদুদিঃ

১) অৱাং নোংপোকথংবা চিনলোমদা ঙাঙনবা লোন- মসিদা থাদৌ, পাইতে, ৰালতেনচিংবা চল্লি। থাদৌনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ঙাঙনবা লোন্নি। থাদৌ লোনবু ঙাঙবা থাদৌ কাঙলূপশিংসি মণিপুরগী লুসাই চীং অমদি কাছাড়গী খা-থংবা শরুকশিংদা ঙাঙনৈ।

২) ময়ায় থংবা চিনলোমদা ঙাঙনবা লোন- তিবেতো বর্মন লোন শাগৈগী মশা ওইরিবা কাঙলূপসিদা আইমোল, লুসাই- নচিংবা লোনশিং চল্লি। ময়ামসিদা লুসাই কাঙলূপশিংগী 'লুসাই' লোন্না খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ঙাঙনৈ। ফূরুপ অসি লুসাই চীংশাং ফাওবা শন্দোকই।

৩) অরিবা কুকি লোনগী মশা- মসিদা হলান, কোইরেং, কুকি, মান্তক, মরিং, চোথে, চিরু, অনাল, আইমোল, লাঙ্গোং অসিনচিংবা লোন চল্লি। লোনসিদা 'হলান' লোন্না খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ঙাঙবা লোন্নি। লোন অসি ঙাঙবা ত্রিপুরা অমদি সিল্লেট্টা মরাঙ কায়না লৈ।

৪) খা-থংবা চিন লোনগী মশা- মসিদা বেলুং, খাসি, চিনথেক, খ্বাং অসিনচিংবা লোনশিং চল্লি। খাসি হায়রিবসিনা মাশা অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা লোন্নি। লোন অসিগী হৌরকফম লোন অনীসিবু লোনবা মীওইশিং লৈ। খ্যাংনা লোন শাগৈসিগী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্না লোনবা লোন্নি।

গ্রীয়র্সন্না কুকি চিন শলাই অসি বোদো, মুণ্ডানচিংবা কয়া থোক্লা নৈনরম্মী। অসিগুম্বা কুকি চিন কাঙলূপশিংগী মরক্তা মণিপুরী লোনবু চনশিন্দুনা নৈনৈ। অদুগা বেনেদিক্টনদি মণিপুরী লোন্দি তিবেতো বর্মন কাঙলূপ্তা চন্দুনা থম্মী। অদুমকপু তিবেতো বর্মন কাঙলূপ্তা চনগনি হায়রিবসিনা হেন্না চুম্না লৌনরি।

তিবেতো বর্মন লোন হায়বসি হিমালয় চীংজাউগী অৱাং নোংপোক্লোমদা শন্দোক্লিবা মশা মরেঙ চীংশাং নাপোমশিং অসিদা খুন্দারিবা মরুওইনা তিবেতো বর্মা ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মীওই কাঙলূপশিংনা ঙাঙনরিবা লোন্নি। লোন শাগৈসিদা মণিপুরী, কুকি, মার, নাগা, পাইতে, মিজো, মরিং তাংখুল, সেমা, আও, লেথানচিংবা লোনশিং য়াওরি। ভারতকী মনুংদা লৈবা তিবেতো বর্মন লোনশিংগী মনুংদা মীতৈলোন অসিনা খ্বাইদগী চাওখৎপা থাক্তা লৈ। মরমদি লোন অসিগী মশাগী ইতিহাস চাউরাক্লা চহী ২০০০ রোমগী মমাঙদগী লৈরক্লে হায়না লৌনৈ। লোনসিগী মশাগী ময়েক (মীতৈ ময়েক) লৈজরি। ময়েকসিনা ইরম্বা অরিবা লাইরিক কয়া লৈজৈ। অহুমশুবদা লোনসিনা ইবা মণিপুরী লোনগী লৌশিংগী লাইরিক কয়া, সাহিত্যগী লাইরিক কয়া, টেক্সবুক কয়া, হিদাক লাংথক অমদি আইনগী ওইবা লাইরিক কয়া লৈরি। প্রাইমরি থাক্তগী এম এ, এম ফিল , পিঐচ

ডি ফাওবগী থাক লোনসিনা তম্বা অমদি নৈনবা য়াই। মণিপুরগী মনুংদতা নত্তনা য়ুমথংনরিবা রাজ্য আসাম ফাওবদা লোনসি বিশ্বাবিদ্যলয়গী থাক্তা শকখঙনৈ। লোনসিগী ওইনা এম সি এস, এম পি এস সি, আই এ এসনচিংবা অৰাংবা থাক্কী পরীক্ষাশিং থাবা য়াই। ভারতকী আইন সভাগী পার্লিয়ামেন্ট হাউসশিং- অপর অমদি লৱার অনীমক্তা চৎনবা লোন ওইরি। মণিপুরী লোন অসি ষ্টেটকী ওফিসিয়েল লেঙ্গুয়েজ ওইবদা নত্তনা ১৯৯২ গী ওগষ্ট ২০ দা লোন অসি ভারত সংবিধানগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনশিনখ্রে। লোন অসি নেসনেলগী থাক্তা লৈবা অৰাংবা থাক্কী মনা সাহিত্য অকাদেমি মনা কয়া লোন অসিগী সাহিত্যনা ফংবা য়ারে অমদি ফংনরি। অসুন্না মৈতৈলোন্না কংলৈ খুন্নাইচাশিংবু কংলৈ লৈময়োনখক্তদা শক্তাক-শকখঙহনবা ঙম্বতা নত্তনা কংলৈ কায়দোং লিংলুবা মালেম কাঞ্জুল খূদিংমক্তসু কংলৈ অসিগী শক্তম ময়েক শেংনা তাকপা ঙম্মী।

*পুৱারীগী লিক্লম, নাৎকী লৈচল, সাহিত্য-কলাগী শক্তম লাচল্লিবা মীতৈলোন*

সাহিত্য হায়বসি তোঙান-তোঙানবা তাঙ্কক্তা তোঙান-তোঙানবা মিংথোলগা লোয়ননা ঐখোয় তাইবং মীওইবগী সভ্যতাগা য়াওন্নরকখিবনি। মসি কলা অমনি, তাইবং মীওইবগী লোন অমসুং ৱাহৈ-ৱাতানা ফোঙদোক্লবগী পাম্বৈ ওইবা লৈচল অমনি, অপাবা ভাবকশিংগী থম্মোয়দা নুংঙাইবা ঈনোৎ অমা পীবা ঙমগদবনি। As a man is, so is his speech. ৱাহৈনা সাহিত্য (লোয়নশিল্লোল, খোরিরোল) গী শাদোর্ংনি। ৱাহৈনা ফোঙদোক্লবগী পাম্বৈ ওইনা শাফোঙলক্লবা মতমদতা সাহিত্য কৌগদৌ-রিবনি। মীওই কাঙলূপ অমগী শক্তম ঙাকপদা মীওই কাঙলূপ অসিগী ফজবা ৱাহৈগী শৈরোল, ৱাঙাঙ শাঙাঙ অমসুং খোল্লৈ খোন্দানা চাউনা থৌদাং লৌরি। অসিগুম্বা ফজবা ৱাহৈগী লাচনফম সাহিত্যখক্তনি। মরম অসিনা সাহিত্যদি খুন্নাইগী মিংশেলনি, খুন্নাইচাশিংগী শক্তম শকউৎনফম্মি, শকউৎ- শক্তম মিতানফম্মি, তমজনফম্মি। মীওই কাঙলূপ অমগী তোপ তোপ্পা শক্তম শক-য়েংনগে হায়রবদি কাঙলূপ অসিগী সাহিত্যদা য়েংবা তারকই। সাহিত্যদা খুন্নাইচাশিংদুগী পুঙ্সি মরেল, ৱাখল, মশান্না, চাউখৎ মঙাল-সভ্যাতাগী শকপাম্হোং শকঙান্হোক্লকই। লোন য়াওদবদা সাহিত্য লৈতে, সাহিত্য লৈতবদা খুন্নাইদি জাৎ নাইদবা ইশম শন্না খুন্নাইগী শক্তম শকচেন্নদ্রবা কাউশিংগী পুঙ্সি মরেলনি।

তাইবং মীওইবনা কাঙলূপ নাইবা জীবা ওইরক্লবা মতমদা মী অমগা মী অমগা ঈ-পাউ ফাওনবগী খ্বাইদগী অথোইবা পাম্বৈ ওইরিবা 'লোন' হায়বসি লৈরকপনি হায়না অখঙ-অহৈ পূন্নমক্না য়ানৈ। জিবশিংগী ঈ-পাউ ফাওননবগীদমক শীজিন্নরিবা উপায়শিংদগী লোন্না অথোইবনি অমসুং লোনগী মপু ওইজরুবনা তাইবং মীওইবনা সংসারদা খ্বাইদগী মৰোশিং লৈবা, কাঙখুন মূত্তবা কাঙলূপ অমা ওইজবসু ঙম্লিবনি। লোন্না ঙসি ফাওবদা মীরোল অমদগী অমদা মীথাঙ য়ৈনা শন্দোরক্লিবা লৌশিংগী পূক্কৈ ওইরিবা বিষয় খূদিংমক্কী শন্দোরক্লবগী পাম্বৈসু ওইরি। অসুন্না লোন হৌরকঙৈদগী তাইবং মীওইবগী লনাই নৎত্রগা মখোয় কাঙলূপ অমগী মরক্তা থোকপা থৌদোক-ৱাথোক ৱারী শিংবুন কয়া লীনদুনা, তাক্লদুনা তাবদগী ওইরক্লিবা সাহিত্য কলাগী শন্দোক্লবগী উপায়সু লোন্না ওইরি। তশেংনা হায়রবদা লোন হৌরকপগা সাহিত্য হৌরকপগা থংমু-নাউমু ওইনা হৌমিন কা-মিন্নরকখি। মমৈদা লোনবু য়েকশিন-ইশিন্দুনা থম্নবা পাম্বৈ ওইরিবা ময়েক পুথোক্লকপদগী সাহিত্য কলাগী খোঙচৎতা অচৌবা মায়ওন অমা পুরকখি। লোন খূদিংমক্কী সাহিত্যগী পুৱারী থিগৎলুবদা চীনবুং সাহিত্যনা অইবা সাহিত্যদগী হান্না লৈরম্লৈ হায়বসি চুম্লবা ৱাফম্মি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু লোন্না ফোঙদোক্লবগী পাম্বৈ ওইদুনা সমাজগী থৌদোক-ৱাথোক কয়াগী মমি মিতম লাক্তুনা থৌদোক অদুদা অইবনা ফাওরিবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোক্তুনা উৎলিবা কলাবুনি সাহিত্য হায়বসি।

কংলৈপাক মণিপুর, করম্বা মতমদগী চপ চানা খুন্দা লৈতাদুনা শেল্লক-ওইরকখিবগে হায়বা খঙবা ঙমদবা, মীগা লাইগা শম্নরিঙৈদগী হৌরকখিবা ওইগনি থাজনবা লমদম অমনি। 'মৈহৌরোন থিরেন' নচিংবা অঙনবা মতমগী পুয়াশিংদা লাইগী চাদা নাওদা ওইনা কংলৈগী পারী-পুরীবু মশক তাকই। এন বিরচন্দ্রনা ইবা 'মৈতৈ লৈবাক্তা য়েক শলাই হৌরকপা অমসুং চাওখৎ-লকপা' হায়বা ৱারেংদা অসুন্না হায়ঃ

> য়েক-শলাই ওইরকপা, হৌরকপা অসি হৌজিক ফাওবদি চমন্নবা মওংদা লাই-তিনগী ৱা ওইনা লৈরি। মৈতৈশিংগী পুয়াশিংদা তোঙান তোঙানবা মত পিরি। অদুবু পুয়াশিং অসিগী নুংগী ওইবা মত য়েংলুরবদি য়েক শলাই অসি মপা মমা অমত্তগী চাদা নাওদা ওইনা উৎননবা হোৎনরি, থাঙ্গৈশেংবদি integration গী motive অমগী অমগী মখাদা শেমগৎলকপা মচাকশিংনি। মত অসিগী মতুং ইন্না সরারেন কৌবা অমনা মচা ৯ পোকই, মখোয় পুন্নমক য়ুম অচৌবা কা ৯ লৈবা অমদা পূন্না লৈমিন্নদুনা ফিচেৎ চাকচা লোন অমতা ওইনা লৈমিন্নরম্বদগী খাইদোকখি-দুনা শলাই ৯ য়েক ৭ অসি ওইরকখি। হায়রিবা অসি নত্তে হায়বা মী অদো তুন্না মাংও হায়বসু শাপ তৌরমই। (থিরেন লয়াৎ)

অসুন্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী ময়ায় কোয়রেন পোইরৈ নমথক শারোনপুং, তিল্লিকোকতোম অহনবা, মীরা পোংথোকলম, তিল্লিকোক লৈকোয়রেন, মুৱাপল্লি, চকপা লাংবা, ৱাংগম তান্হোঙ ময়ুং কুইবা লেমথোঙ মফৈ পাক হায়না চক কয়াদা তো-

ঙান-তোঙানবা মমিং কৌনদুনা মণিপুর সনা লৈবাক অসি লৈরকখি। পোইরৈতোন খুন্থোরকপগী মতমদা পোইরৈ মৈতৈ অমসুং মণিগী লৈবাক্কি হায়দুনা মণিপুর কৌখিবগী ৱাফম লৈরি। মতাং অসিগা মরী লৈননা ৱাহেংবম য়ুমজাওনা অসুন্না হায়ঃ

> Near Nunggoibi and between Taibongthong there is a stone with supernatural power known as Mani or precious stone on account of which the place is known as Manipur.

মশাগী তোপ-তোপ্পা চৎনবী, লোন, সাহিত্য অমসুং ইতিহাস লৈজবা মণিপুর মপূং ওইনা শাগৈ তরেৎ খুন্দাবা লমদমনি। মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা ঙানবা অমসুং চেংলৈনচিংবা শাগৈ তরেৎমক য়াম্না খূৎকন পাঙ্গন্না মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবাক মচা মচা শেমদুনা পাল্লমখি। খৃষ্টগী ৩৩ শুবা চহীদা মঙাং শাগৈগী নোংদা লাইরেন পাখঙবনা ফম্বাল তোংদুনা তোঙান তোঙানবা শাগৈ  অমসুং কাঙলূপশিংবু অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা অপূনবা মণিপুর শেমখি, মণিপুর জাতিগী সভ্যতাগী অনৌবা কুম তম্বা হৌখি। মতমসিদগী চোইজাইননা লৈরম্বা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপ কয়াগী চীনবুং সাহিত্যগী মচাক ওইরিবা লাইনীং-লাইশোল অমসুং লাইরোল-তীল্লোনগা নকশিন্নবা শৈরেংগী মওং ওইনা তৌবা লাইশোল-তীনশোল কয়ানা অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা মণিপুরী জাতিগী ওরেল লিটরেচরগী য়ূম্ফম থোনবা হৌখ্রে।

মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবগী ফম্বাল তোংবদা শকখিবা ‘ঔগ্রী’ লাইরোল তীল্লোন ওইনা তৌজরবসু অশৈবনা সাহিত্যগী মচাক য়াওনা শৈরেংগী উচন্দা শেমগৎলম্মী হায়বসি খঙবা ঙম্মী। হৌজিক ফাওবদা শৈশক অসি জাতি অসিগী নাৎ-কুম্মৈ ‘লাই হরাওবা’ দা শক্করি। অসুন্না চীনবুং সাহিত্য ওইনা ঈহৌরকখিবা মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙচৎকী ঈখায় পীখিবদি মৈদিংঙু সামৈরাংগী মপারী উরা কোন্থৌবা (খৃষ্ট ৫৬৮-৬৫৮) গী মতমনি। মৈদিংঙু অসিগী মতমদগী মণিপুরী সাহিত্যবু লাচন্নবা মশাগী ময়েক পুথোক্লকপা হৌরে হায়বসি খঙবা ঙম্মী। ময়েক পুথোকখ্রবনা চীনবুং সাহিত্যগী পরম্পরাদগী অইবা সাহিত্যগী অনৌবা পরম্পরা অমদা হোংলকখি। মতাং অসিগা মরী লৈননা আর কে ঝলজিৎনা অসুন্না হায়ঃ

> By the middle of the 7th century, the Manipuri language came into existence. King Ura Konthouba, also named kavichandra, who reigned from 568 to 658 AD. issued bronze coins inscribed with a letter of the Manipuri script. The letter is ‘U’ which is the initial letter of his name.

অসুন্না নিংথৌরোল কয়া চথরকপনা খৃষ্টগী ৭শুবা চহীচাদা পানখিবা মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী মতমদগী ওজা গুরু নাইনা মহৈ-মশিং তম্বগী চৎন-লীক্লম লৈরে হায়বসিসু খঙবা ঙম্মী। নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা পুয়াদা নাউথিংখোংনা লুৱাং নিংথৌ পুঙ্গিবদগী ঔগ্রী, লাইরোল ঈশৈ, লৈবাক ৱায়েন্নচিংবা কয়া তমখিবগী ৱাফম অসুন্না শৈথারিঃ

> ইনোংয়ায় লাইরেন হোঙনেময়োয় খুনজাও লংমাই তেংনা য়িমকাবা-ও! নঙনা নয়ু নুংবান অয়িমনাকপু ইন্দাল্ল-কপদি পোইরৈ ৱারমলেন অরুবা, থায়না মালেম লৈহৌঙৈ য়েনহৌ খোইরা অহানবা নম্মু পোং চারি লমথারকপা পোংথাঙ চারি তৎতবা, চীংঙু ওচা চীংমাংবনা মমোম কোরৌ অৱাংমীগা মদু হৈনা কোঙ্গৌই শেমনা শামদোন মশা ককনা ৱা পোংনু কোনাল-ও পাওমেন লৈ ঔগ্রী কোনলৌৱাক হংগেন ,কোনলো পাউতাকশৈ খেনচো লাংমৈ লীহৌৱাক পোইরৈ ৱারমলেন অরুবা, লাইজা তরঙ ঈপাকথক্তা মালেমলীরি লীহৌৱাক তানখোঙ লেমখোঙ খাঙবরম, উকাক লাথা হৌনা ৱা, পোইরৈ ৱারমলেন পুন্নমকপু পাউতাকপীগে নয়ু ইপাউনাক নূংবান য়োয়না ইরনকুবু উনবী খোয়খৈ তানা খন্নমৌ-ও, নয়ু নুংবান অয়িমনাক নয়ুৱা চীংখোঙ পোইরৈতোন্না মালেম খুনথোকলকঙৈদা লুখুম অসিদা ইন্দানলকঙৈদা কোরৌ নুমিৎ মপুম পানা ফায়েং নোংফাইরম্মে অদু নোংগীবু পামং লম ওন্থোকও থোল্লে। নুংবান অয়িমনাক পামং লম ওন্থোক অসিদা কোল্লোয় তৈনা শা শঙলেন তৈনা শেম্বিগে।

মতৌ অসুন্না ওজা নাইনা  তম্নরক্তুনা মওং-মরিন তারবা মণিপুরী সাহিত্যগী হেন্না নীংথিরবা শক্তম অমা মৈদিংঙু ইরেংবগী মতম খৃষ্টগী ১০ শুবা চহীচাদা লৈরম্লে হায়বসিসু চেৎশিনহল্লদুনা আর কে ঝলজিৎনা হায়ঃ

> Incidentally, it may be mentioned that king Irengba was fond of reading and writing even in his old age. This reference to him is one of the authoritative chronicles of Manipur makes the existence of books and learning in the 10th century in the kingdom of Manipur an established fact.

মখা তানা মণিপুরী সাহিত্যগী খোঙহৌ, খোঙচৎ নৈনরুবদা হেন্না হেন্না ময়েক লাহল্লক্লিবদি কুম্বাবা ইবা হৌখিবা মৈদিংঙু ক্যাম্বগী সনা হাক্তক হায়বদি খৃষ্টগী চহীচা ১৪ দগী অশেংবা মণিপুরী লোন অমসুং সাহিত্যগী তাংদাংবা শক্তম অমা উবা ফংলে

হায়বসি য়েৎননীংঙাই লৈত্রে। মণিপুরী লোনগী লাইরিক পুথোক্তুনা তাকপি-তম্বিবা হৌখিবনা মৈদিংঙু খাগেম্বা (খৃষ্ট ১৫৯৭-১৬৫২) গী মতমদগীনি। “মোইরাংথেম শানোংগী কুমদি শক ১৫৩৮ দা মৈদিংঙু খাগেম্বনা মৈতৈ লাইরিক থোকহন্দুনা তম্বা হৌএ” হায়না চৈথারোল কুম্বাবা দা ময়েক শেংনা পল্লিবসিনা অইবা সাহিত্যগী মপূং ফারবা শক্তম উবা ফংলে হায়বনি। মতৌ অসুম্না চহী ২০০০ রোম হেনবগী ইতিহাস, লোন, সাহিত্য অমসুং কলা-সংস্কৃতিগী খোঙচৎকী পরিং অমা লাক্তুনা জাতি অসিগী তোপ-তোপ্পা শক্তম অমা শাগৎলকখি। চেন্থরক্লিবা লমদম অমগী মীওইশিংগী সাহিত্যগী লী-ক্লমদা সাহিত্যদুগী হীরম, লোন, চৎনরম্বা খূৎই অমসুং মফোঙদোক্লকচিংবদা মীৎয়েং থম্লগা লম অসোমদা য়াম্না চাউনা অচৌবা খূনীংথেক অমগা লোয়ননা হোংলকপা মতমদা জাতি অদুগী সাহিত্যগী ইতিহাসকী তাঙ্কক্তা অহোংবা লাকই। অমরোমদা জাতি অমগী সাহিত্যদা জাতিদুগী ধর্ম্মনীতি (লাইনীংলোন), অর্থনীতি (শেন্মিৎলোন) অমসুং রাজনীতি (লৈঙাক্লোন) নচিংবা সমাজ অমগী হিংবগী শক্লোনশিংগী মমি শোয়দনা তাই। মরম অসিনা জাতি অমগী সমাজকী ইতিহাসকী খোঙচৎসু জাতিদুগী সাহিত্য ইতিহাসকী খোঙচৎকা নকশিন্নবা মরী অমা লৈনরি।

*ঐখোয়' কাঙলূপকী শক্তম ঙাক্লিবা মীতৈলোনগীদমক হৌজিকসি ঐখোয়না করি ?*

থাক ৱাংলবা মণিপুরীশিং লোইনমক্কী পুন্সি কম্মর্সিয়েল ওইশিল্লকখ্রে। মখোয়না কমদৌনা মরৈবাক নুংশিবদা সেরিয়স ওইরুগনি, করম্নবু মরমদমগী শক্তম শক্লোন্ননা শক্তাকঙমগনি। মরমদি লমদম অমগী সাহিত্যদা লমদম অদুগী সমাজগী থৌ-দোক-ৱাথোকশিংগী মমি তাই। লম অদুগী মপানাৎ মপুনাৎ অমসুং পুৱারী লমদম অদুগী সাহিত্য নৈনরগা খঙবা ঙম্মী। মরম অদুনা সাহিত্যদি নৌরিবা অঙাংশিংদগী গ্রেজুয়েসন ফাওবা কম্পলসরি এম আই এল সবজেক্ট অমা ওইনা লৌহনফম থোকই। কনাগুম্বনা মণিপুরী লৌরোই হায়রগসু ভারতকী সেদ্যুল লেঙ্গুয়েজ নৎত্রগা মশাগী কম্যুনিটিগী ওইবা অদুগা রাজ্যশিং অদুনা শকখঙলবা লোন অমা লৌজনবগী হক পীবা য়াই। মদুতনা মণিপুরী মজাতিবু নুংশিগদবনি। ইংলিশতি জেনরেল ইংলিশতা নত্তনা সবজেক্ট পূম্নমকসু মেদিয়ম ওফ ইন্সট্রক্সন ইংলিশনা ওই। কমদৌনা ইংলিশ ফাওন্দেসন শোল্লুগনি। লমদম অমগী পুৱারী অমসুং মপা-মপু মশক খঙদবশিংনা কমদৌনা নেসনেলিজমগী ঈহুল চেনগনি? নেসনেলিজম শমায় লৈখিবা তাবনি, মমা লৈবাক নুংশিবগী চাং হন্থরকপা তাবনি, মরমদমগী আইদেন্টিটিনা কদোমদা? মমা লৈবাক্কীদমক কখোক্লবশিংগীদমক্তা মসিবু বিষয় অমা ওইনা তম্বা ছাত্রশিংগী মশীং ক্লাস নাইন, টেন, টুয়েল্ভ, গ্রেজুয়েট অমসুং এম এ দা থেংখাং নাইনা অসুম হন্থরক্লি।

কমলা অমগী মপূম ওইবা মশক খঙলবদি কমলা অদুগী মশূংশিংগী শক্তমসু উগনি। মদুতনা হৈ অসিগী অশেংবা মগুণ খঙবা ঙম্মী। মণিপুর ভারতকী অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈবা রাজ্য অমনি। মণিপুরীশিংনা ভারতকী অপূনবা শক্তম শাগৎপদা মতেং পাংবগুম ভারতনসু মণিপুরগী তোপ-তোপ্পা শক্তম্বু মশক খঙনা লৈঙাক্কদবনি। মসিদা মণিপুর ইমাগী শক্তম অসি লেঙদনা থমগে হায়রবদি মরুওইনা মণিপুরীশিংগী মথৌনা মরিংজেল, অখাঙ কনবা অমসুং মরৈবাক নীংবগী মগুণ য়াম্নমক নৈনদবা য়াদ্রি। ঙসিগী গ্লোভেলাইজেসনগী যুগ অসিদা পেট্রিওটিজম হায়বসিমক্তবু য়াম্না তায়ওন্নবা য়েংনরে। রিজনেল পেট্রিওটিজম্বু গ্লোবেল পেট্রিওটিজমগী অপাকপা মীৎয়েংদা থম্বা হায়বসি সভ্যতাগী মঙাল ঈরোয়নরিবা মীপূম খূদিংমক্কী অপাম্বনি। অদুমকপু পাক-চাউনা য়েংলিবা মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী মথম্মোয়গী মীৎলমদা লাংতক্লজরিবদি মশাগী মরমদমগী খূবামনুংদা মালেম পূম্ববু থম্বনি। মালেমগী মীপূম খূদিংমক মশা-মশাগী কাঙলূপশিং পীক্লবসু চাউরবসু হিংননবা হোৎননৈ।

মরম অসিনা মণিপুরীশিংনা মণিপুরী জাতিগী আইদেন্টিটি ঙাকচগদবনি। হৌজিক্কী মতম অসিদদি মণিপুরীশিং অসি হেন্না কম্মর্সিয়েল ওইশিনখিবনা হিংননবগী লানফমদা মজাতিগী লোনবু মীরাইরকপগী মমি চাউনা তারি। মরম অসিনা মমালৈ-বাক মশক খঙবা, মমালৈবাক নুংশিবা, মমালৈবাক নীংবা মণিপুরীগী মশীং অসুম হন্থরক্লবগী মরম ওইরি। মণিপুর লেঙ্গুয়েজ সেল হাঙদোক্তুনা মথৌ তৌহনবা মথৌ তাই। খবরদা, রেদিওদা, মাস মেদিয়াদা ঈ-পাউ শন্দোকপা মতমদা য়ারিবমখৈ ইশাগী লোন শীজিন্নদুনা মণিপুরী লোন চাওখৎহন্নবা হোৎনবা তাই। মপান্দগী চঙলকপা টর্মিনোলোজি অমসুং অতৈ ৱাহৈ-ৱাতাশিং, অখঙ-অহৈশিংগী মতেংনা প্রজাশিংগী মথম্মোয়দা চুশিনখিদ্রিঙৈদা ঐখোয়গী ওইবা চানবা লোনশেম শেমহৌদুনা মীয়ামদা য়ৌহনবনা লোনশেম অদু হৈনহনবদা মতেং ওইবতা নত্তনা মপান্দগী চঙলকপা ৱাহৈ অদু ইশামক্কী ইরল ওইনা খলহনবা ঙমগনি। খূদম ওইনা থেঙনা শেমখিবা লোনশেম ‘মালং হিথাংফম’ (এয়রপোর্ট) কনানসু থওইনা ঙাঙনরুদে। মাস মেদিয়াদা ঋৈহাক লৈতনা পন্নরবসু ‘এয়রপোর্ট’ হায়বা উচ্চারণদা শীজিন্নবনা ৱাহৈ অসিগী চন্নফম লৈতে। তোঙান তোঙানবা বিষয়শিং অমসুং বিষয়শিং অসিগী রিফরেন্স ওইবা য়াবা মমল য়াম্লবা লাইরিকশিং মণিপুরী লোন্দা হন্দোক্তুনা মার্কেত্তা ফংহন্ননবা সর-কারনা খোঙথাং লৌখৎপা তাই। মসিনা মণিপুরী লোন চাওখৎপতা নত্তনা বিষয় অমবু মমুৎ তানা খঙহনবদা মতেং ওইগনি। অঙাংশিংনা ক্লাসতা থেংনরিবা সমস্যা অসি বিষয়শিং অদুবু হৈননবা হোৎনগদরা নৎত্রগা ইংলিশপু ঙাঙননবা খঙননবা হোৎনগ-দৌরিব্রা হায়বসিদা অৱাবা অমা ওইনরি। হীরম অসোমদা য়ুম্ফম ওইদুনা লাইরিক তন্নীংবগী ঈহুল পোল্লুক্তদুনা লাইরিক তম্বদগী শমায় লৈনখিবা কয়ামা য়াওরিবনি। খঙলক্রবদি তন্থরকপা মশানা তাবনি।

মমারোন্দা ঙাঙনবনা থম্মোয়গী অনীং-অপাম্বা হেন্না ময়েক শেংই হায়বসি তাকনরুদনা কৈদৌনরুনি? মণিপুরীদা ইবা ৱারেং, খবর পাবদা ৱারোল লায়না খঙলবসু ষ্টেন্দার্দ লৈতবগুম লৌনরি। ইংলিশকী ৱারেং অমসুং খবর পাদদুনা লাইরিক-লাইশু হৈবা মান্নবগীদমক্তা য়েংবগী হৈনবী থাদোকপা মতম ওইরে। হৌজিক্তদা স্কুল কলেজশিংদা তম্লিবা তোঙান-তোঙানবা বিষয়শিং অমসুং বিষয়শিং অসিগী রিফরেন্স ওইবা য়াবা মমল য়াম্লবা লাইরিকশিং মশা-মশাগী মরমদা লোন্দা হন্দোক্লবগী পান্দমদা ৱা-র্কশোপ্পচিংবা কয়া পাঙথোক্লক্লিবসি থেঙমল্লবনি। আর্টস অমসুং সাইন্সকী নোলেজ ফজনা অমসু মপূং ফানা শন্দোক্কে হায়রবদি মশা মশাগী মমারোন্দা তাকপি-তম্বিরবা মতমদা হেন্না মঙম শানবা ওইগনি। ইংলিশ নৎত্রগা লোন অমদা ফংবা বিষয় অমগী জ্ঞান অদু ইংলিশ নৎত্রগা লোন অদু হৈত্রবদি ফংলোই হায়না খন্নরিবসি অরানবনি। ইংলিশ লোন্দা ইবা লাইরিকপু ফংলবদি প্রোফেসনেল ট্রান্সলেটরশিংনা মমারোন্দা হন্দোকপগী মথৌদাং পুজখিগনি। মসিনা থবক ফংদবগী সমস্যাসু খরমখৈ হন্থহনবা ঙমগনি। বিষয় অদু তাকপি-তম্বিবা মপান লমদা চৎকে হায়রবসু থুংলুগদৌরিবা লমদম অদুগী লোন খঙননবা ফাওন্দেসন কোর্স অমা হান্ননা তমথোক্কদবনি।

হৌজিকমক কংলৈ লমদা ইং কুমজা ২০০৬ ক্লাস ৱানদগী হৌনা ইরম্বা মণিপুরী লোনগী তম্নরিবা লাইরিকশিং মথং-মথং মীতৈ ময়েক্তা ট্রান্সলিটরেট তৌরকপনা হৌজিক হৌজিকমক অৱাংবা থাক হায়বদি মাষ্টর লোইদুনা পিএইচ ডিগী থাক য়ৌরক্লে। তুংগী যূম্বী ওইরগদবা মেচ্যুর ওইরবা খুন্নাইগী মতিং লৈবা নহাশিং মখোয়না ওইরক্কদৌরিবনি। মখোয়দগী আই  এ এস, এম সিএস, ওজা ওইবা অমদি তোঙান-তোঙনবা মণিপুরী খুন্নাইবু ঙাকহৌগদবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসরশিং থোক্লক্লগনি। লুরিবদি মখোয়গী মহৈ-মশিংগী লম্বীদা থেংনরকপা, মখোয়না নৈনরক্লিবা লাইরিকশিং খুন্নাইসিগী শক্তম, ইনাৎ, লাইনীং, মশান্না, ফিজেৎ, মীহৌরোলগী চৎন-কাঙলোন, পুৱারীনচিংবা কংলৈ ঐখোয়গী শক্তমগী মমি তাবা লাইরিকশিং থেংনরক্তবা, নৈনরক্তবনা তুংদা মশানা মশাবু মশক খঙজদবগী আইদেন্টিটি ক্রাইসিস অমা শোয়দনা লাক্লনি।

ফক্লাং মরিগী মনুংদা ওজাশিংনা তাক্লিবা লাইরিক খরসিনা মহৈরোয়শিংগী কংলৈ খুন্নাই মশক খঙজনবগী অৱাৎপা জ্ঞানশিং মেনশিনবা ঙম্লগদ্রা? মসি তুংগী খুন্নাইগী লাইবক লেপকদবা অরুবা ৱাহং অমনি হায়ররোইদ্রা? মসিগীদমক্তা মেদিয়া-ভেল মতমগী তুংদা বৃটিশনা পাল্লবা ১৮৯১ এঙ্গলো মণিপুরী ৱার মতুংদগী ইনরিবা বাংলা ময়েক্কী লাইরিকশিং তুংগী মীরোলগী খল্লগা মীতৈ ময়েক্তা ট্রান্সলিটরেট তৌবগী তঙায়ফদবসি থেঙমল্লে। মাষ্টর পাস তৌরবা মহৈরোয়শিং, পিএইচ ডি তৌরিবা মহৈরোয়শিংনা তম্নরিবা টেক্সবুক্তগী হেন্দোক্তুনা অহেনবা লৌশিং তান্নবা অহেনবা লাইরিক পানবা হোৎনবদা বাংলা ময়েক্তা ইরবনিনা পাবা ফংদ্রে, লৌশিং চাউখৎপদা থীন্থহল্লে।

মরমসিনা অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসি থোক্তনবা, আইদেন্টিটি ক্রাইসিসকী প্রোব্লেম লৈতবা শক ১৯৭৯ গী মণিপুর লৈঙাক্কী গেজেটতা লৈরিবা মীতৈলোনগী মতাংদা 'রিটন ইন বেঙ্গালি' হায়বসি 'রিটন ইন মীতৈ ময়েক' হায়না শেমদোক্লবা ওর্দর থোক্তুনা অথুবদা হোৎনবা তঙায়ফদে। য়েৎনবা লৈত্রবা লোন অমসুং ময়েক অসি ভারতকী করেন্সি নোটশিংদা হাপহন্নবা হোৎ-নগদবনি। বাংলা ময়েক্তা ফংলিবা মণিপুরী লাইরিকশিং ট্রান্সলিটরেসন তৌনবগীদমক কম্মিসন অমা শেম্বগী তঙায়ফদবা লাক্লে। মণিপুরী লোনগী লোনশক নিয়ম চুন্না লৈহৌনবা হৌজিক শৈহৌ অসিদগী হৌনা য়ারিবমখৈ মীতোপলোন-লোনয়ান য়ানশিন্দনবা হোৎনবা তঙায়ফদে। মরম অসিনা মীতৈলোনগী লেক্সিকোন (মপূং ফারবা দিক্সনারি) অমা অথুবদা শেম্বা তঙায়ফদবমক্লি।

মণিপুরী লোনগী মেন্যুস্ক্রিপ্ট অমসুং অফোঙবা ওইনা লৈরিবা লাইরিক-পুয়াশিং অসি মমল য়াম্না য়াম্মী। মসিদা কংলৈ ঐখোয়গী লাইৱারী (মিথোলোজি), লৈশেম্লোন (থিওরি ওফ ক্রিয়েসন), লম্মিৎলোন (জিওগ্রাফি), পুৱারী (হিষ্ট্রি), শেন্মীৎলোল (ইকনমিক্স), লৈঙাক্লোন (পোলিটিক্স), হিদাক-লাংথক্লোল (কেমিষ্ট্রি), ৱাংঙুরোল (ফিলোসোফি) পুম্নমক য়াওরি। মরম অসিনা লোন, ময়েকখক হৈরগা লোয়নশিল্লোল/খোরিরোল (লিটরেচর) খক নৈনরগা পুয়াশিংদগী ফংগদবা অশেংবা কংলৈগী মহৈগী লন অদুদি ফংবা ওইথোক্তবনি। মরম অসিনা পুয়া করন্না পাগনি, পুয়াদা করি নৈনরি হায়বা খঙহনবসি হৌজিক্কী মীরোন্দা তঙায়ফদ্রে। মসি টুরিষ্টশিংদফাও মীৎয়েং তাহন্দুনা কংলৈ ঐখোয়গী চাওখৎলোন (সিভিলাইজেসন) খঙহনবা ঙমগদৌরিবনি। পুয়াশিং নৈনজবা ফংনবগীদমক নৈনলোয়শঙ 'রিপোজিটরি' অমা অথুবদা থম্বা তঙায়ফদে। মণিপুরী লোন অসি অৱাংবা থাক্কী লোন 'ক্লাসিকেল লেঙ্গুয়েজ' ওইনা শকখঙদুনা ভারত লৈঙাক্লা মীতৈলোন চাওখৎনবা অহেনবা ফন্দিং পীথহন্নবা হোৎনবসু থীল্লবনি।

মণিপুর লৈঙাক অসিনা চহী অমা অনীগী মতুংদা অঙাংশিং হৌজিক চৎনরিবা বাংলা ময়েক অসি তোক্লগা মীতৈ ময়েক্তা আই এ এসনচিংবা সেন্ট্রেল কম্পিটিটিভ একজামশিং থারগনি। আসামনচিংবা মণিপুরী এম এ, বি এ কোর্স হাংলিবা মফমশিংগা লোনগী অহোংবা য়াওল্লক্তা খেন্নবা মান্নদবা থোক্তনবা লৈঙাক অমদি নন-গভর্নমেন্টেল ওর্গানাইজেসনশিংনা চেকশিন্না য়েংশি-নহৌগদবনি। নৎত্রবদি অপূনবা কাঙলূপকী শক্তম শাগৎপা অমসুং নাৎকী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা থোং মান্নদবগী ৱাখল্লোন

মান্নদবগী ময়ি অমা শোয়দনা চিংলগনি। সেন্ট্রেল লাইব্রেরিনচিংবা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা মরী লৈনবা লোয়শঙশিং অমসুং কলেজ, য়ুনিভর্সিটিনচিংবগী লাইরিক লৈবদা মীতৈ ময়েকখক খঙবা মহৈরোয়শিংনা পাগদৌরিবনা মীতৈ ময়েক্তা ইবা লাইরিক-শিংতমক নৎত্রগা তঙায়ফদে খল্লগা ময়েক অনীমক্তা বাংলা অমদি মীতৈ ময়েক্তা ফোঙবা লাইরিকশিংতমক লৈগদবনি হায়বগী পোলিসি অমা থম্নবা হোৎনগদবনি। ঐখোয় হৌজিক তূমদুনা লৈবা মতম নৎত্রে। মোদর্নাইজেসন অমসুং গ্লোবেলাইজেসনগী চৈফূরক্তা ঐখোয়গী শক্তম ঙাকপা ঙমগদৌরিব্রা? লাঙতক্করিবা মতমসিদা মীৎ পাংনা-পাংনা তুল্লিবা কংলৈ খুন্নাইচাশিংনা মশাগী শক্তম খঙদ্রে হায়রগা, মরোল ঙাঙবা হৈত্রে হায়রগা লেম্বগুম তৌরকপসিনি লুরিবদি...?

Breathes there the man  
With soul so death  
Who never himself hath said?  
If there be go  
Mark him well (-Alfred Tennison)

## *মতেং লৌজখিবশিং*


1. Tylor, Edward B. *Primitive Culture.* Vol. 1 & 2, John Murray, 1871.

2. Ennaji, Moha. Multilingualism, Cultural Identity, and Education in Morocco. Springer Science & Business Media, 2005.

3. James, Paul. "Despite the Terrors of Typologies: The Importance of Understanding Categories of Difference and Identity." Interventions: International Journal of Postcolonial Studies, 2015.

4.Shindler, Michael. "A Discussion on the Purpose of Cultural Identity." The Apollonian Revolt, 2014, Archived from the original on 19 Apr. 2015.

5. Tice, Terrence N. *Cultural Identity.* Prakken Publications, Inc., 1999.

6. Anderson, Benedict. *Imagined Communities.* Verso, 1983.

7. Balibar, Ren□e, and Dominique Laporte. *Le Fran□ais National: Politique et Pratique de la Langue Nationale sous la Revolution.* Hachette, 1974.

8. Fishman, Joshua A. *Language and Nationalism: Two Integrative Essays.* Newbury House, 1973.

9.Gellner, Ernest. *Nations and Nationalism.* Basil Blackwell, 1983.

10. Gordon, David C. *The French Language and National Identity (1930–1975).* 1978.

11. Shindler, Michel. "A Discussion on the Purpose of Cultural Identity." The Apollonian Revolt, 2014, Archived from the original on 19 Apr. 2015.

12. Stewart, Edward C., and Milton J. Bennet. American Cultural Patterns: A Cross-Cultural Perspective. Rev. ed., Intercultural Press, 1991.

13. Singh, R. K. Jhalajit. *A History of Manipuri Literature.* Manipur University, 1987.

14. Singh, L. Ibungohal. *Introduction to Manipur.* S. Ibochaoba Singh, 1987.

15. Varshney, R. L. *An Introductory Textbook of Linguistics and Phonetics.* 1999.

## অইবশিংগী শক্তাক ৱারোল

১) প্রো. শৌগাইজম দোরেন্দ্রজিৎ সিংহ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুরগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টতা প্রোফেসর ওইরি।

২) প্রো. ঐচ ননী কুমার সিংহা, আসাম য়ুনিভর্সিটি, সিলচরগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টতা প্রোফেসর অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইরি।

৩) প্রো. সিঐচ. ইবোহল সিংহ, মণিপুর য়ুনিভর্টিটি, কাঞ্চিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্সতা প্রোফেসর অমসুং হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইরি।

৪) ডা ৱাহেংবম কুমারী চনু, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টতা এসোসিয়েট প্রোফেসর ওইরি।

৫) ডা হঞ্জবম সুরমঙ্গোল শর্ম্মা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লিঙ্গুইষ্টিক্স দিপার্টমেন্টতা এসোসিয়েট প্রোফেসর ওইরি।

৬) ডা আর. কে. সোফিয়া দেবী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্সতা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরি।

৭) ডা এন সনাতোম্বা সিংহ, মণিপুর য়ুনিভর্সটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরি।

৮) ডা কোইজম সোবিতা দেবী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ টিচর এদুকেসনদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরি।

৯) ডা কৈশাম সঙ্গিতা দেবী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি , কাঞ্চিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরি অমসুং ইনফোর্মেসন সাইন্সতা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরি।

১০) ডা কে বিমোলা দেবী, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফালদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরি।

১১) ৱাহেংবম কমলা দেবী, ৱেষ্টর্ন কলেজ, কোন্থৌজমদা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরি।

১২) সিনাম চাওতোন সিংহ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টতা পিঐচ দি তৌরি।

১৩) লাইসংবম রিনা দেবী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্সতা পিঐচ দি তৌরি।

১৪) নিংঙোম্বম ইরোশিনি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্সতা পিঐচ দি তৌরি।

১৫) জি. কচমগাইলু, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরি অমসুং ইনফোর্মেসন সাইন্সতা পিঐচ দি তৌরি।

১৬) গ্যানাজীৎ য়ুম্লাম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি , কাঞ্চিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরি অমসুং ইনফোর্মেসন সাইন্সতা পিঐচ দি তৌরি।

© भारत सरकार

Government of India

ISSN : 2321-0443

UGC Care listed Journal

**वैज्ञानिक तथा तकनीकी शब्दावली आयोग**

**शिक्षा मंत्रालय (उच्चतर शिक्षा विभाग)**

**पश्चिमी खंड-VII, रामकृष्णपुरम, सेक्टर-1**

**नई दिल्ली-110066**

**दूरभाष: +91-11- 20867172**

**वेबसाइट :https://cstt.education.gov.in**

**https://shabd.education.gov.in**

**COMMISSION FOR SCIENTIFIC AND TECHNICAL TERMINOLOGY**

**MINISTRY OF EDUCATION**

**(DEPARTMENT OF HIGHER EDUCATION)**

**West Block-VII, Ramakrishnapuram, Sector-1**

**New Delhi-110066**

**Telephone : +91-11- 20867172**

**Website : https://cstt.education.gov.in**

**https://shabd.education.gov.in**